সিংগাম গৌরনিত্যাই

শঙ্গীতমালা

ইম্ফাল, মনিপুর।

কচ্চবা

***

লাইরম্লেন্দা করম্না লৈরিবগে
হায়বা থংজ্রবী ইম্না,
নথুয়াংদা কচ্চরি ।

অইবা :

অফোংবা :—

হাওরোকচম গোবর্দ্ধন সিংহ
শগোলবন্দ, ইম্ফাল।



জানুয়ারি, ১৯৮৩।


পুন্নমক অইবগী হকনি।

অইবা :—

সিংগাম গৌরনিত্যাই
লিংজাংদা লম্পাক, ইম্ফাল।
তাং ২২।২।৬১ ইং, নুমিদাং।

লাইরিক নমম : শিব প্রিন্টিং ৱার্কস, পাওনা বাজার ইম্ফাল।

অহানবা তাঙ্কক



মিংশিংজবা

অতেনবা মতম্দা নম্থোক্না, প্রয়েক লানবা, চিথবা, হেক্তিনবা, ভাদবা, ওম্র-তৈনবনাচিংবা থন্না য়াওথিবগীদমক অপাবশিংনা ভাকপীগনি।

প্রকাশিদর।

উনবা

নোংমাইজিংনি, পানথংলকপা ফাইরেনগী। য়েন্নিংথা কোবী লৈমনা নিংথিজরবা অশংবা চিজ্রোল হোংহুনা চাওরবা কোকী শংজিদা মনম মুংশি-মুশিরবা ফজ-ফজরবা হৈরাং চরোং, লৈরাং চরোং থোক্লহুনা থোঙ্জেল মেংবী, শুমংদা লৈশৈ শকপী চেক্লা কযাগা লিরি হুম্বা মালংবগী ঈহুন্দা মনিং তোনা শামজরিব মতম্নি। মক্কম থুদং হনৌত্তা নোংরি, পুরিং মুংশিরি। অমুকা অইংবা মালংবনস্থ য়েন্নিংথা লৈমনা শাম্নবহুবু নামিনা থোগল তোজরি অমম্লুং হৈগী লৈগী মনমশিংবু মফম থুদিংদা য়েনথরি।

অসিগুম্বা য়েন্নিংথাগী পুকিং হুন্নবা মতম অসিদা কনাগুম্বা পাগং মচা অমদি অপীকপা থুংশেম্না তোবা মানবা পাং মচা অমগী নয়াদা লৈরিবা উথুল হোবা, মুঙ্গায়না চাং য়াম্নদনা থাবা লম্বী অমদা তুপ্না তপ্না চংলি। অযুক্কা পুং নিপাললোমগা তারয়রগনি। ফিজোল্দি পংনান নান্দে। থোইদোকপা অরাবা বাথলগী মমিদু মমাইদা উদে তোইগুম্বদুং মালংবনা হুম্বদা হকা কারবা শমজানা থম্মোয়দুংদা অরাবা বাথল করিমত্তা লৈজত্রবস্থ থক্তিকং মুংঙাইতবগী চৈমা-খোল ফংবগুম্নদি তোই। অতুম ওইনমক হকা কারবা শমশিংনা তুতুং-তুতাংলব পাথং ওইবগী মপুং কারবা মাইদা হাইথ-হাইথনা লৈবদি থোইদোক্লা কচরি; তম্বা থোকুবা অশেম্বা শমগী মওং ওইনা নি থিজরী। চংনা চংবা মেংলবা থোঙ্জেল থম্বনা মতুংলোমদা রাবী শাবগী মখোন তারহুনা হন্না য়েংথোকথিবদা—নিংথিজরবা সনা চুপী ময়েক নাইবা কনেক শেংপী, অয়াংবা মুগাগী পায়বা কৈগে ইনবী, নাপা অনিদা সনাগী নাহন চীরবী, থুংতা সম থুদোপ, থুদাংদা সনা থুজি, ঘড়ীনচিংবা শিবী, থোংদো মোয়বা

ফজরবা কিনাং ভোংবী মীওইবনা মহাক্রম পোকনী হায়বদা থাজবা য়াংলবী, লাইগী মচাগুম্মা চংখোল্লবী তনৌ তনৌরিবী লৈশাবী মচা অ'না পীক্লিবা মফী ময়োল নাম্না শেংলবা মশক মতোনা মামক্রম ফজবা মুপামচা অম মমাং থাহল্লগা লাকপা উই। মেংলবা খোঞ্জেল অত্তুনা মুপামচা অত্তগা য়ান্নী শাবদগী খোরকপনি। কয়াদ ফজশ্রবীনো পাথংত্তুনা মতোমত্তা খৈঞ্জ। অনি অত্তুনস্থ পন্নপ পন্নপ ; লাকপনা মফি ময়োল চমোং-চমোংপা পাথং অত্তুব্ থোইনা হঙ্গায়দনা, লুম্লবা, শ'ন্বা ক্নেক্‌, খো' য়েং ওই অনিনা শিঙোন-শিঞ্জিন কাওবনা ফ্রং ফং হায়বা মখোলগা পাথংবু হেনগংত্তুনা চংখি। হেনগংখিবগা পাথং অসিনা মুপীমচা অত্তুগী নিংথিববা শাওংনা শেক্তা নৈনা চংপশী যেংবগী পেনবা নাইদবা মওং পম্লমক উবে। লোইরোই হা'থরকপা ডোববা থুবোম, ভঙা'লবা থুনিং, ঈ চেনবা উবমথৈ পা'রবা খো'পাক, মুববা লংলবা শম্লাংনা লেং-লেং নঙ্গন্দা হাইথরিবা পুম্লক অসিনা পাথংবু পুমশুম শুমহংখি। পেনবা লৈত্রবা মুপীমচাহুগী শাওংগ য়ে'না য়েংনা, "ফজশ্রেদকো" হায়বা য়াহৈ অমা পাথংগী মচিন্দগী খোকখি। য়াহু তাবদা হরাওবোই হঙ্গো'বোই মমাংদা চংখিবী অত্তুনা পাওথুমদি অমত্তা পীদনা মশমোং মগ্য মরাং তেনা হান্নদগী হেম্না কম্না চংলকই। "কম্না চংল্", হায়না মুপামচাহুদদি খৌরি। তনৌরিবী মুপীমচা অমন মকোংদা লপ অনন ইরগা মাংদা 'মখোং চুম্না থাংত্তুনা চংপা এইখোক্রবনা মুপী মচা অসিস্থ মখোং? কৈরেং ত্তুরেং থাংহনা—অমুকস্থ থুদি হেক থী অমুকস্থ হেক চুম্না "চং' চংলকই।

অশুম্না থর 'চংলে। য়ারক্রবদা মুপীমচ'ত্তুনা য়'রেম তোনা ইন্নকইবা পাথংত্তদা ত্তুং হম্না, শাওরপ ভৌনা যেংখোরকপদা ভঙাংলবা চিনবাম্না মোমোন তোব পাথংত্তুগী মাইশোং উবদা ওকচামনা থুনমক লৈশিনখি। তশেংনমক মহাক ওকচানখি।

সুপীমচাহুনা শাওনা য়েংলম্বহু পাখ হুনা খঙদবা নত্তে থংই। খংলবসু চংলবা লম্বী অদো পাশংহুগীসু মযুম ভাবা লম্বী ওইবনা খোঙনা ইকায়হল্লুদে। হেন্নহুম "শক ফজবীনীনা য়ামা পোংইনা," হায়না সুপীমচাহুগী ভুং ইল্লকই। সুপীমচা অহুনসু মাংদা হৈকাই-রবসু ইকাংনা চংভবা য়াদবগিনা ইল্লিবা ফী অহু অমুক হাইগৎ, অমুক হাংদা ভোমা চংলকই। ইল্লিবা ফীগেনসু সুপীমচাহুগী সাংভক্লরবা শম্মোয়বু খঙহনরা লেংজুমদা তুমিন্না হাইগৎহুনা লৈখিগদববু ঙাইহাক লৈভন ভাবকই। সুংশিংনগা কনখৎলকপা, ভুংদা সুপা অমনসু ইম্নরকপগা সুংশিংনা হুম্বদা লোইশিনবা বারবা শেংলিবা ইল্লিবা ফীজোলশিংনে, সুপীমচানা ঘাজখী। অবাবহু মমাংদা চংলিবা সুপামচা অহুদা "বীরজিৎ, ঘারবরা ?" হায়না হংহুনা পাংঙকই। সুপামচাহুনা খরা লেপকক ভোরগা মচেপী ফীজি পাংরহুনা "বংদে" হায়না পাউংম অমা শম্না পীরকই। ভুংদা লাকইব পাখংহুনা মচিন মোপরা অনিপী চংশোম্লবা মত্তৌ, শেংলি চারিবা ফীরাল, লৈভেংনচিংবশিংবু য়েংলগা মখোয় অদো ভরাইবা ইমুংগী মচাদি ওইরমলোই হায়ন খনখি। সুপী ওইবীশিংগী খম্মোয়না বাঙাংগী মকমদি লৈমাল্লে। পাখং মচাহুনা নোকমি নোকমি ভেংবা চীনবাম অমগা লোয়ননা, "কদাইদা চংকদৌরি-ঘনো—?" হায়না হংলক্লবদা লৈশাবী মচাহু তুমিন্না লৈনিংখিদে ভোইগুম্বসং খুত্বাদি ঙমখিদে। পাখংনাদি মখা ভাখরকই, "শক ফজে হায়না পোংজগম্মুকো, সুংশিজরুবা কনানা ঘারমগদবদো খংবীয়ু.কা।" অমুক্কা, "নিহৌভা ওবা ঐনা কল্লকচৈদকো শকহেমবী নংবু," হায়মা হায়রক্লে। অরোইবপী বাসিনা ঙসাইমখৈ মগক্লিং ইরাং লাংনা চংলিবী সুপী অদো শ্বাই লাওহল্লি। মহাক্তি নৌ-রিবীনি, চাওক্রবভনি। পোকইংদপী অহুক লুমবা সুপাগী বাহৈ অমুক্তসু ভ জয়ক্তি। পাওথুম পীবদি হায়রুগসু ইকাইরবা মাই অহু হেন্না লুকখনা চংলকই। খম্মোয়নদি য়াজদে,পাওথুম অমত্তং

পীবগা পাম্বংহুদা মতিক চাবা চরাক পীনিংই, চিনবান্নদি ঙাক্তদে করি থুম্গদগে খঙক্তদে। চরাও মপোই কানা চংবদবদ মত্তং পাংবীনবা অমত্তং রাংলিদা ভক্তি শাগৎখি। অমক্ত পাম্ভুনা, "কল্লক চাওবা থম্মোইনা নংনা কংকচক্কই, মিহৌ চাওবা পুক্নি নং নংবু ঐনা মিহৌজক্কই— ঐন বাংরোবিদুকো।" হায়রকপদা অতুক চাওরবী, রাংলবী সুপীমচা অদো পুমশুম শুমগুম তৌখি। "কারিনো তৌরিবসিনো" হায়না মপুগিংদা হনখি। লম্মোয় পুংপেৎ পেং-খিবগুম তৌরে। অমুক্তা সুপাগা রারী শাহুনা চংচব্রিবী ওইবনা করিনা পাউথুম পীগদগে হঙক্তদবতনি। করি মরমগীদ কঙ্গসিদা থেংনরিবা পাখং অতুনা মাব কল্লকই, মিহৌই হায়রীবনো থমবদা সুপীমচা অতু রাক্কে। মাবু কল্লকখিনা মিহৌরিবা মশক মত্তৌ তঙা-তঙাংলবা পাখং অতুবুসু মহাক্না কল্লকপগুম তৌরকখি। কল্লকই হায়দুনসু পুরিং অতু বা ঙাংথোক্তবনা কোংদোকপদি ঙমদে, লম্মোয় সুংদা পুব রানা ফুমহুনা থমক্কে। রাঙাং হায়রসিগী অঙকপা মতিক লৈ। হাংলগে য়ৈরগে খল্লবা মী অতুগী মেংলবা নোঙ্গরোল তাবদা শাওবা ফতুনা হাংপা, য়ৈবা ঙম্মদ্রবনি। শাওং মাইথোংদনা মীগী লম্মোয় শুমহৎপা মপুং ফাদ, চীন য়াংদনা। রাঙাং ফব মী অতুদি শকসু ফনা থিসনু, শাওংসু ফজদসনু লোইদনমক্কী মীরামলক্তা মকম অমদি মক্ৎলে।

টচম চম্মা চাক চারবরা, লাইরিক তনত্রা, ক্লাস কয়ানো, কদাইদা চংলীবনো, তায়বনচিংবা অরাইবা রাংশিং ওইরম্লবদি সুপীমচা অসিনসু ইরাই লাইনা পাউথম পীরমগদবনি। অতুর রাথলনা পুবসু রানা লোবপা, তাযদোক্তনা লম্মোয়সুংদা ফল্লগ থমসু ঙমক্করোইদনা রাংশিং অতুগী পাউথুম পীবদি মোরীবী সুপী মচা মঙোন্দা মতিক চাকদি ওইদুনা থুমদোকপা, তায়দোকপা ঙমজক্ত্রবসু মাইথোংনদি লম্মোয়দ থল্লিবা মহাক্কী রাথলশিংবু ফোংদ যগুমই, মমাই তঙাং তঙাংপ্রে। অশাওবগী মত্তৌ অমত্তা লৈখিদ্রে।

নোমোন নাকংদ চাইখে। মুপা ওৎবা! মুপী ওইবীগী শোল্লবী মপোক অহুনা লাকচনল্লি থন্দুনা পিরাং চেল্লবা মীংলু অনিনা তথক তথকচৈ। মুপী মচাহুনা বাবে খচবিদবনা রাঙাং হৈবা,রাঙাং ফবা পাথংনদি লেশ্বা লৈতনা পুবদ ৱারব রা চাক্তা হায়জিল্লকই। ফহু ক হাংদবদি মুপাংগী ওইক্রবা মাংফগদোরিবনি। অংম্না চীনগীর থম্মোযগীর ফাক হায়্না লৈনে। চীংগী রাদি হায়ং দে ক্রুবদি পঙবা চুংদে, থম্মোয়গী রাদি হাযদোক্রুবস্থ মীং, মাই যেংলগা থঙবা ওমই। পাংং আসনা মুপীমচাহুগা মাইদগী মাবু হাযরপ যানিংবগী মওং কাহু উরবদা অমুক্কা থোংজং হেনজিল্লক্ল। ওইথংবা ন.কনদা কংশিল্লরুবা পাংকী ঈশিংনা মুংশিংনা লীরি চমলকপদা তনিক তনিক ফগোয় শারি। হেংথংবদা চৌরিবা অশংবা রা, উশিংনা নিক্রুনা খাংলি; মরক মবক্কা অকংবা মথোক লোইরবা নাপু মচুগী উনা রানানা লৈমায়থক তম্না ফ্র ফ্র পাইথরক্ল। লম্বী লাকল অনিমক্কা হৌরিবা পানখোক্ল, তেরা পাইবিনচিংবা অনেম্বা পাম্বী মংাশিং অহুম্ব মুংশিংকী শহুমদা নোম-নোম হাইরি, ফগোয় শাবগুম উরি। লগ্না লম্না হোথ্রবা সম্না থোংনাং পাম্বীনা শা লবা লম্বী অহুগা পরাং থম্ব ন তৌব। ফসিগী মবক্কা চাং মাহানা যুলবা চলেকত্রকী তাবা পুবা থুতিশিংনয় পাংলোম থংবা লম্ব গী নাকন্দা তুম্বক তুম্বক লেখী। অয়ুকী নিববা, হংলবা নাংবা মুংশিংনস্থ অমেংবা শহুম্না লম্বী ংবলিবা মী অহুম অসিগী পুক্লংবু অমুক্কা হেন্না থোইরাংহল্লি।

মতা অমা চারুহুনা লম্বী অসিস্থ মী পোং অতেম্ব চণ্ডবা মতম অমা থোকলুরে। থুদোং চাবা অসি পাথং অহুন', "বসন্ত লৈরাং নিংথিবাও"হায়রম্নগা মিরব',ওল্লবা "থোজেন্দা ফম্নদম কৈদা শাংপিনো, কনাগী লৈকোন্দা পোম্বনো, ওন্থোরা নিংথিজেদকে" হায়না ঈশৈ ওইনা ভংলকই। লাইবক থীবদি মুপীমচা অহুম্ব ঈশৈ

পামজবীনি ; মশামক ঈশৈ নি থিনা শকপা হৈবী অমসুনি। খোইথুম্নবা ঈশৈগী খোঞ্জেল অতুনা নোঙ্করিবী নুপী মচাদুগী থম্মোয়দুবু পুমশুম শুম্বীরম্মী। ইকাইথীবনক ওইরমগ্রবদি মহাক্সু ঈশৈনা পাওথুম পীরমগনি। অতুম ওহনমক পাখংগী ঈশৈনদি লেপ্পা লৈতনা—"পম্মৌ কনাগী মচানো, পলেম কনাগী মমোয়া, কল্লকচৈনে ঐদি কল্লকচৈ নংগুম হেনবী লৈরাংসে, ঐদি পোক-ৎৈগী উজদ্রি। নুংশিজেনে ঐদি নুংশিজে, পামজেনে ঐদি পাম-জেনে। লমদম কেদা শাংপিনো, কংগী লৈবোন্দ পোম্বীনো, কোলোয়না করি কেবনো—কল্লকচৈ দকো কল্লকচৈ যেংংখা লৈরাং নিংথিবিও। নংগুম্বা লৈরাং ফংজগে নংগুম্বী শীংঙেল হেক-চগে, পোকপগী মংচ যানংগে" হায়না শক্লকপদা মাংদ চলবী নুপীমচাদু চৎপা ঙমদ্রে, লেপকক তৌরগা, "লৈহৌরোকে" হায়-দোকখিবদা মহাক মশামক্লা করি হায়গ্রবগে শঙ্কহেদে। "ঐনু ব্রৈরবরা, কাওজনুকো ঐনা খুংশিজবসে—" হায়না পাংদুনা অমুক্কা হায়রকপদা ঙাওরবী, ইকাই ইকি রাংম লাহবা, পাংদ্রবা, তোল্লবী নুপী মচাদুনা মমিংত মপী ঈরা চেংদুনা লুকংরগা লেপথোকথরে। পিরাং মরিক অমৎসু লৈমায়দ তাখ্রে। পাখ দু ইঙক ঙক্লে, নুপীমচাদুগী পানা পীরকপা পাউথুমদুদা মহাকসু মীৎতা ঈরা চেনখ্রে ; পীনা পাউথুম পীখ্রে। মদু উবদগী অমুক্কা শোল্লবী নুপী ওইবীগী থম্মোয় ওগংনা পবা ঙমজদদুনা হিক হিক কপ্লক্রে। পাংদুনা, করি তৌরবগে— ? হায়না হ লবদ নুপী-মচাদো থংইক ইকাইরক্রবরা করিনো ইকাইনা, মক্ষম মবাং থংদনা থুনমক মতোমতা কপ্পা লেপচখি। মোমোন তৌজরকখি থুনমক বা অমক্ষাওবা ঙাংলমদনা চংপা তৌখি। চংক্লরবা পাখং অতুনা তবংদা লেপতোই। অমংবামদ, পামচাদুদি পাখংদুগী ঈশৈদা তাওখিবনা মচেন লৈহোই হায়বা থংদবমখৈ মতোমতা চংশিদুনা মচেদগী য়োংলিম-খাং অমমুক হেনগংলপ্লে। মচিন মৌপা পাংদুদা

তুং হন্না যে ওনেংতুনা অতুম লাপথোকপি। চমরাবা পাখংনা এঃ মনা উবরপি কবি হায়নবনগনি চায়না তৌথোক-ওইথোকইদবা থোদেক অমা লেংনবগুম ইউক ওক্লা খলহৌরি।

১চিন-মোপ্নানা চংখিবনা লমদমতুগী ইনাক-কৈরাক থুম্না ইমুং গী থোঙ্গাল অমদ লাপ্লা লৈহাবদা পাখং অতুবু নুপীমচাতুনা নোক-কপ্পি কপ্পি নোকফেং তৌনা যম্লগা চংখি। অদুগুদ পাখংতুবু মোমংনা তপ্প-তপ্প মংখাং ওবা হেবকই। নুপীতুনা চংখিবা থোঙ্গাল অদুগা মপা যোবুকপদা নুপীমচা অদা মৈ-লৈশাবা শিংনা এমশিন্দুনা ওকখিবা উম। নুপীমচাদো মচিন মনাও মহাক উনবগী মুখাইবদি মাইথেম্দা উংলি তৌদুগুম্মুং কুম্বংনবা রাখল অমনদি মহাকপু ইওংতা ওংলি। পংলিবী নুপ মচা ওদুনমু করম তৌনা পোকইদগী অমুক ফাংবা উনত্রিবা অমুক উনরকপিগনি উনরোই হায়বমু খংনবা পাখং অনা মনাম লেপতুনা কপখিবা। হৌক্তিক্কা হায়দুনা ভাগ লৈতনা সতোমতা ইক্সাইজরকি অমসুং কবি মতৌনো হায়না ওকখি। থোংলোক্লা পাখং অতুনা লাইবা-তিনবা তেরগা মহাকপু শেমাজনখরবা হায়বতুবা হায়না চিংনরকখি। মানা তৌ-শিবতু খল্লুবগা নুপীমচাদা মশানা মশাবু হঙ্গাইজরকখি। অরাবাদি, অমবু ওকরবমু অমবু ওইরবমু পাখং নাগা শুমহংলবা মানোক অমসু মশে অহবুদি চকাইরবমু ইশাইনা হম্না হম্না নিশিংবগুম তৌখি। ইশৈশী মহাও খংবানি—মনাকোংদা পাংতুগা ইশৈতনা ওতুনা লৈখি। ইশৈশী নবতা মোমোঃবা পাংগী মাইথোংবুমু হতং তওনা লোইনবকপা উখি।

ওরাং অমুকতমু উয়াদিত্রিবী নুপীমচা অমনা মাসী মকমদা তৌ-খিবা কুম্মৈ কযাব নিংশিংলুবগা—কবি মরমগাদমক নুপীমচাবনা থম্মোয় শোক্লা হিক হিক কপখিবা খন্দবা রাদব ওনদে। মসিং মথা, লৈকম চাকমসু খংহেদবনা রজৈ হায়রতু মডাই অরেম্বা ওক্লা ওই। মুনিদাংরাইগী মতম ওইরক্লবদা ওফিসতগী কুমক্কুনা

মমা-লোমদ লৈরিব তুবেলগী তোর্বানে তম্না চকচিক লাংবা বাগেন্দ্র থোক্লকই। তোর্ব নথক্তা ঙাইহাক চংলবগী তুংদা নিনি হুমানগী মনদ নোং চথিবদাগী ঈহৌরক্লবা নৈরব ঈশিংদ মনিং কুপ্পনা য়েংলতুনা তোর্বান্দুগী নাপী হৌব মফম অতুদা ফুরৎথাওদগী কু াস লেথোক্লুনা থারগা ফমথরে। শরি থক্লুবননো, লেঙ্গা লৈভা। চেন্থবিবা অনৈব ঈশব য়েংলগা মচিন্দ ম্রুকম মুকুম শোনবঙুম তোই। মহোশাগী কম্মেদা হুডাইক্লবা পাখং অনিনা তুরেলগী ঈচেলদু নুঙাইনা যেংফরিভৈদা ঈরৈ মবক্তা পাবনা ঙাংলৈনবা ফি মতেক অমথক লৈনা লৈনা তাউবা উরে। করিনো কনগী ফিনো, হায়না মুম্না য়েংলকপদা ঈবনা চাওরবা ঈপোম নাইরবা পোৎ অমা লৈন-লৈনা পুবগুম তৌবা উবে। পুরিংদা চিংনবা পাক্লে, চিংন-চিংননা ফম্লম্নদগী চৌগৎতুনা পাখং অসিনা তুরেলগী খোংনু তম্না কুমথখনে। থবা কুমথবগা অচকপা মওং অমা ওইনা মীগী হকচাং মানবা অমা লুপফেৎ লুপাফেৎ তাউদুনা লৈবদু উরে। থম্মোয়দুংদা অকিবা ফাওরক্লে। ঙাইহাক লেপ্তুন কনাগুম্বা মী অমগা লাকপ্রা হায়না যেংখৎলী। কনাস্ত লাকপা উদে। মতোমদা কিরহনা ওনিংনমু তাখিগদোরবনা, অদুগী মথক্ত মফম অস ইচিক চিকপা লমহাংগী তোবর্বান ওইনা তোবন তুং হনা হন্না য়েংলদুনা থবা অমুক কাথৎপা হেবকই। অদুবু যানি ম্রদুন এবু অশেংবা অমা থঙদনা চংলগদুনে, থক্লগা অমুক লেপ্তুনা ভাওরিবা মী অদু তম্না অমুক য়েংলবক্র। চেম্রবা নৈরবা ঈশিংনা থরা থরা পুথখিবনা হিদেন্দগী মীগী হকচাংতদি হাইথখরে

শিরবপু অঠ মঙ ইবে অশেংবা মীরা, লাইরা, ভিল্লা হায়বা অমতদদি য়েংলগে থল্লে। মপুক্লিংগী অকিবা কয়া লাকশিল্লগা ঈচং চৌনা ভাউরিবা পোৎশক্তুগী মনাক তাম্না চংশিল্লক্লে। থঙহৌদনা, হুমিদাংবাক ওইরবদা তুরেল লান্না পাইবা কাক্লচিংবা উচেক্না খোংলকপদা পাখং ৮৫ খাই খাই লাওই, লবাংগী শন

চঁপ চঁপ য়ুংখি। ইচং খৌনা খরা নক্লা অমুক চংশিল্লকপদা মীগী থুং অমা উরক্লবদ অশেংবা মানি হায়বা খঙ্লে। তাইহাক অমুক লেপ্তুনা হল্লসিরা হায়না—করিগুম্বা মী অসিবু অমনা ছাংজোক্লগা খাদরকপা ওন্দরমহুনা, অশুম্না শারুহুনা খল্লকই। খন্দুনম্ব চংশিল্লক্লনা ঈশিংগী ময়া নক্লা লেপ্লয়ে। হৌজিক্তি তাউরিবা পোংতু মুপা অমনি ওাযবা তশেংনা খঙবা ওমলে। ঈরৈন। চেন্থবনা হাইদোকপ্লবা হঙ্গাম মপাল মচুগী ক্ষনেক অহুনা নাম্থোকদোরে মতাগুম গুপীসিপী খাংদা য়াল্লি। তাংলৈনবা অপাবা কি মতেক অমনা ডকশমদা য়েংলি, কিজিন অনিনা ঈশিং মথক্তা নিংতাইবা লৈতনা তাউরি। মুরবা শম্লাংশিংনা ঈরৈনা চেন্থবনা ঈশিংথক্তা ইচাই চাইরি। গুপী অমনি হায়বা খংবদগী পাথং অসিনা মাগী ব্রাখলদা ইরাক্লবী অমনি হায়না লোক্রে।

বানা লামলগা ঈরৈথক্তা তাউরিবা ইম্নক্লি অতু লাম্বা ফংলে। ফিজিন পায়হুনা তপ্না তপ্না চিংশিল্লকই। লুম্রবা হকচাং ওইম্নবমু ঈশিং মথক ওইবনা ইয়াং য়াংনা চিংশিল্লকই। লৈরাই মনাক ঘোরবদা মশা পায়বা ফংলে। ঈশিং ঈরৈদগী চিংখংনবা কম্না হোংনম্নকই। খুংপায়কম ইচা চাদবনা থুদোংচাদনা খোক্লবদা পাথং অসিনা উপ্না তাউরিব গুপী অসিগী মশা শাগল অনি পায়হুনা কম্না চিংখংপা হোরক্লে। তাইহাক বানা হোংনরবগী তুংদা কংকালদা চিংখংলে। 'কনানো' হায়না পাথং অসিনা মুপা অসিবু মতাচাবা মকম অমদা চিংখংলক্লগা লোংহন্দুনা থোংলুবদা মশক মতো ফক্লরগী নুপী অমনি হায়বদি খঙলে; তৌগুম্বমুং কনানো হাযবদি মশক খঙবা ওমদ্রে। ঈশিং তাথখিবা তুরেল লৈনাংগী মথক হাইগংনা খাঙ্গংতুনা থম্নই। খিন্দনা পাথং অসিনা খরাইদদি কনবা ওমত্রা য়েংগে হাযহুনা কমথয়ে। মুপী অহুগী থুদাংগী মিহুন হুনকমদা পায়রগা য়েংবদা

থজিক থজিক্কুং পিন্না হুনবদি ফাওরি। অরাবদি সোর'দ হান্দরে। তুরেল খোংহুংদা খং মতোমতা লৌশিং ভাদ্রবা অমগা লৈমিন্নবতু থোইদোক্না কিনিংঙাই ওইবা মওংনি। তৌগগুম্বন্নং খে'না ফরবা পাখং অসিনা নুপী অসিগী মখোং মথুংনচি ব খেকতোক-খেকচিন, মশাবু অমুক্ক উপহন অমুক লোংহন নমংলাক তৌহন মানা খংজবা খুৎশেমগী পাম্বৈনা নুংশাদদি হোন্নব' লাক্লরকই। ময়া কাখোক্ক্রনা থকচিনখিবা ঈশিং মখে ওন্ন ওর ওংখাকহল্লি। হায়রিবশিং অ ন পাখং অসিনা য়াম্না থুনা অমম্বুং ফিংনা কিনা তোক্সরিবনি। ডাইহাক লাক্লরবগী তুংদা নুপী অসি সোর হো'ল্লকপগুম তোরে। মওং অনি উরকপদা পাখং অসিনা চন্নাওবগা লোয়নন মাগী অখ বা পাম্বৈনা খবোম্বীম্ব লেংহন্নবা হোৎনরকই। ডাইহাক লৈরগা নুপী অসি মতোমতা খবা খবা লেংবগুম তৌবক্লে। পাখং অসিনা "নুপীমচ" হায়না কোৰদ, "উ" হায়বা পাউগুম তম তবা ফলক্লে। মতাং অসিগদি নুপী অসিবু অম্বুম ইংনা থম্লবদি খুনোং য়াম্না চাদব তারে খল্লহুনা পাখং অসিনা নুপী'সগী চোৎলবা ফুরিং, ফনেকনিংবা ফং-রোনশিং লোয়নমক লোখোক্লে। ফিশং অহু লৌপোকপগা থুনমক পাখং অ'সনা লিংলিব' ফুরিও লোখে'ক্ক্রনা নুপীহদা লিংশিনবিং-রে। খো'গ্রাওম্ব লোখোক্ক্রনা শেৎচিনবিরে। নুপীগী মফি মংালং-শি ম্ব তাশিন্দুনা হঙ্গোয়না থমজরে। পুন্নমক্ক অসে নুপী অহুদি সার হোল্লে, লে'ঙে হায়বদা মডাই করিমত্না খঙবপোৎ নত্রি। মম্ম ক্ল মতোমতা চিক্লব তুরেল খো মুংদা লোশিং তাদ্রিবী নুপী অমগা লৈবা কিরক্রহুনা তার্ব ন্দা কাখৎনবা খল্লক্লে নুপা অহুবু তপ্ন নখুং অনিনা চিংখৎপিন্নগা মাগী নঙ্গন্দা' হাপক্কৎহুনা পোরে। তপ্না তপ্না খোংগংদগী কাখৎলকই। মতম অম' চাখিদবনা মতেং পাংবা য়াবা লগী চংপা কনামত্তা লাকপম্ব উদে। অম্বুম পোরগা মী ভাবা পুন যোনা পুরসিন্না নংবম্ব লোশিং ভাদ্রিবী নুপী অহু লমখাংদ' লাল্লগদ্রা চিংনৈ। তো'র্ব ন য়োরে, কান্নরোই হায়বা

ব্রাখল অমা তৌরক্লুনা নক্রপ্না লৈরিবা লবুক্কী লৌতাংশঙ অহু ভপ্না চংলগে থল্লকলে। লুমিংতি মনাশনখবে। খরাখদাদ কনগে খল্লহুনা শঙ অহু ভান্না লাক্লে। শঙ য়ে'রবদা লুপীহুবু নঙ্গন্দগী ভগ্না থারে কানা কানা তুথহল্লগা নিংথনা হিপহল্লে। লুপীসি ভশেংনমক মশক মতৌ ফজবী অমনি, মশকসু য়েংবদা য়াম্না লুংশি। লুপীবু হিপহল্লগা ভ ইহাক ভরাংদগী ভসিকাওবদা ম ভন্দা থোক্লিবা থাজব্রবা থেদোকপিং শল্লহুনা তুমিন লৈক্লে।

অহুব্র রা ভা বা থোকত্রিবী লুপাসিগী মনাক্তা চংলকতুনা মথৃৎমশাশিংবু থেকতোক থেকচিন শান্নরী। পাখং মচা অস ওস্থোক্লা ব্রাক্তরে,মরাইবক্তা হুমাং মরিক মরিক কারে। থোংগ্রাওবু মচা মকক অমত্তা মশেংলে, ফুরিংশু মোজা ফুরিং অমভা মরিংলে। থোংউপ অহুঃ অপেংপা লৈথোমগা কুম্মুরে। ব্রাশল অমা লাক্লে, লুপাসিনা ব্র ভা বা ভমদবগী মরম খঙলক্লে। হোগংতুনা থাংপোকশঙদগী দ খরা লংখরে অমক্ল লুপীন শেংলিবা থোংগ্রাও অহুগী ফুরিংথাউদগী মেখেং অ স্থং চক্কট লৌথোক্লে। মৈখেং থেত্তুনা মৈ চোগংলে, অসু ন লুপীসিগী হকচাং শাগন্নবা অচোৎপা কিরাল পুমমক শুদোক্তুনা মৈদা কনবা ক্ষোবিবে অমং ম য়াইরগা লুপী মলাদা হন্না হন্না কুপ্লক্লে। লুপী অসবু পাখং অসিন স্থম ই মনাবী অদগী হেন্না মতৈ থোইদোকপা ব্রাখল ভোরুদে। তৌইগুম্বসুং লুপীসিনা শিরিবা সনা লুপাগী লেভেং-শিংনদি হনাক কৈরাক থুনবা ইমুংগী মী ন হাযবা তাক্লি। মৈ য়াইবদগী শারক্লা হকচাং অহু হান্নদগী তেন্না চেংপোংপা ভম্মক্তুনা হিক্লপ ভোবা থোঞ্জেল অমনা "ই—ম" হায়না কৌরক্লে। মনাক্তা কম্লিবা হম্নাওরবা পাখং অহুনা লুপাগী মখোল শাহুনা, "ইবেম্মা। ইমা লৈত্র," হায়ন খুম্লগা মতোমভা নোকচৈ। খল্লি—মীওইবনা ব্রার ব্রারবা, নংল নংলবা মতমদা ইমাতবু হান্না নিংশিংলকপোরে। থম্না থম্না "ইবেম্মা! নংবু থম্না কম্নবয়া?" হায়না হংঙুবদা "উং"

হায়না থুম্লকই। অমম্বীনা মাইকৈ পুম্নক য়োংথিহ্না পুমমম মংখ্রে, শঙ অত্থুগী মমুং অত্থুদি থারিব ইগী মে অত্থুগী ভাংলবা মডাম্না ভালহল্লি। মেঙান অত্থুনা লোংনা হিপ্লিবী মুপী অত্থগী মশা পুম্নক অসিবু মনাক্ত ফম্লিবী পাখং ভসিনা উরি, তুপী অসিনা মরৈ ভিংথোক্তুনা মচিনব মচিংবা লেক্লকপা অত্থ উবদ হয়াওই। ভাইহাক তুমিন লুকথতুনা লাইনা থোক্তানবীবান হায়না ঈশ্বরবু থাগৎচৈ। পাথং অসিনা শঙগী ই থানা থানা মথংভো মৈদা য়াইরগা ইংলবা মুপীতুগী মথুং মখোংনচিংবদা মুংশিনা পায়বী ভাইহাক লৈরগা তুপা অসি মমিৎ পাংডক্লে, মমিৎ উম্লকপদা করগুম্বা থম্বা মম্বিৎ কুপ্তুনা য়েংলগা, "পাবুং" হায়না কৌরকই। পাবুং হায়বগী পাউথুমম পাথং অত্থুনা, "ইপা লৈএ, ইচাবু ফরবরা" হায়না থুম্বী। ভাইহাক তুমিন কোইয়েং য়েংলগা, মনাক্তা মৈনা ভরং ভরং থাবা অমদি পিক্লবা, মোৎলবা য়ুম মচা অমগী মমুংদা মানা লৈবা পুম্নক অসিদা ইঙক ভক্লবা তুপীতুনা, "মকম অসি কদাযদনো," হংলকই। পাথংদো হয়াওয়ে, পুংক ফরমাল্লে। "মসি লবুকী লোভাংশংনি," পাথং আসনা ভেন্না থুমই। তুপীতুনা ভাইহাক তুমিন্না করিগুম্বা থম্বা নিংশিংবগুম ভোরগা, "মকম অসি য়ুম নগুম্বা?" হংলকই। পাথংতুনা, "নত্তে, নঙ কনাগী মচানো?" হায়না হংলকই। "কৈসাম বিহারী—দেলি ইণ্টরপ্রাইজ প্রোপ্রাইটরগী মচানি" হায়রকই। মত্থ ভাবদ পাথং অত্থু থাই লাওই। মরমদি মথাক তুপী অসিগী মশাগী লোয়শংদ থবক ভৌরিবা মীশক অংনি।

"নগাকপ কুমুদিনি হায়বীদ্বরা?"

"অং, মানি—করম ভোনা ঐনা সিদা লৈম্লমইবনো?" হায়না কুমুদিনিনা হংলকপদ পাথং অত্থনা মহাক্না ঈশিংদগী লোথৎগগী রাম্বী লীরগা হংই,

"করম ভৌনা ঈশিংদা ভাম্নিবনো?"

"ঐশিং শোকপা লাকপদা নাম্বহুনা লাইনা লৌব' ওইরমগনি," হায়রক্নই, অমম্বুং অমুক করি খল্লুরবনো মখুদাং খাজংতুনা শিরিবা সনাগী থুক্তি অমম্বুং থুংশাগী খুদোপ মশিং থীবগুম ত্তোই। হায়রক্নই—"সাইনা লৌবদি নত্তবরা, লাইনা লৌরবদি সনাগাসি লোইনা লাইনা লৌই হায়বদাই।" "লাইনা লৌবা নত্তেঙ্গা" সনা পল্লকপদা পাখংনা ইকাইরপ হংই, "মশিং খাংলবরা ?"

"খাংজে," সুপীহুনা খুমই। "নহাক্তি কনানো ?" নোক্তুনা কুমুদিনিনা হংলকই। সুপা অমরু অচিকপদ সুপা অমগদা লৈমিন্নরবনি ইকাইথীবী পাজল শোনবী হায়রবা ম য়োই।

"এ সুপা অমনি," পাখংনা নোক্তুনা খুমই। খম্মোয়নুংদদি ইতৈত্তেমা জান্ধবীনা মচাব থিবা খংল্লবদা রাম্নমগদবদো খল্লি। সুপী মচাসে মানা শবক ত্তোরিবা ত্রাংসপোই ওফিসতুগী মপুগী মচানি হায়রবা মগাক তশেংনা খংলে। শক্তংচু কঙ্জবদা ক্ষেবা মৌবদা কুম হায়না ফাওরিবীনি। ত্তোইগুম্বসং মতাক্তা লৈশাবী অসিবু হায়রা মশক খঙদে, সুপ্পগী জামো বিহারীগী কজ্জরবী মচানুপী অমা লৈ চায়রবদি থংই। অম্মা খল্লগা অমুক্তা মনাক নকপা য়ুম অমদা জাকল্লরগা মী অনিদং শুররবদি য়াম্না থুদোং চাগনি খল্লকই। রাখলসিনা ইনশিল্লক্তুনা হংলকই, "কুমুদিনি,—নহাক রাবা খয়া ক্ষরবরা ?"

'অরদা নত্তে, মাম্না ক্ষয়ে—নহাক থেংনরবত্রবদি ঐহাক ওসি শেংদনা ক্ষ্মী শিবমগনি," লোংন ছিপ্পা মপি ঈয়া' চেয়া হায়রকই।

"করিগী ঈয়া চেল্লিবগে—নওন খঙদহুনা ত্তোরিবান, এসে নওপা য়াম্না নকনা লৈবা মী অমনি—," সুপানা হায়রকই।

"ক্ষরম্ব" হায়না হংলকই।

"ক্ষোমা খঙলক্লবি—। ইবানিদা মক্কম অসিদা লৈবা অসে য়াম্না থুদোং চায়রোই, নহাক চংপা শুমগত্রা ?" পাখংনা হংই।

"খঙদে য়াম্নদি চোকখরি," হায়না খুম্নকই।

"হোগৎলু," হায়না চংশিন্দুনা কুমুগী মরে জুম পায়রগা কোনখৎপি। কুমুদিনিনম্ব ৱানা ভমক্সমখৈ হোৎনদুনা কম্নবা হোগৎলকই। হোগৎলকপগা, "ওক, ওক" হায়না ওগদবগা ভোরে। মশম-মনানগী ইকা ওাবনে খাম্না ৱানা উরে। খঞোম্র ফুক্রা ওগে ভোয়না ভোরক্লবদা প খৎলবা পাখংদুনা কুমুদিনিগী খজিন্দা মখুৎনা কম্না নমথদুনা লাক্লে। অম্নম্না মানা ফি-বোং অমসুং ঈশিং খরদি ৱানা ওয়ে, সোর থবেৎ থবেৎ হোল্লে। খুদোং চাদবা ভারে চিংনদুনা অমুক খুনা হিপহল্লে ক্সুংশিনা ৱাবনা চুমং কায়বা কুমুদিনিগী মমাইবু ভৈতেখোকপি। পাখং অদুনা ভোরিবা খুদিংমক চোক্তিক্তি কুমুদিনিনা লোযনমক উয়ে মহাক্কীদমক ম্নাম্না ৱাখিরে হায়বসি খল্লুবদা ম্নাম্না মুংশিবা পোক্লে। পাখং অসিনা কুমুদিনিবু অমুক হিপহল্লগা ইগী ম ওটবনা মুৎপ্রবা মৈবু ভপ্লা অমুক কামখৎলকই। মানা ভোম্নিবা খুদিংমক কুমুদিনিনা মমিৎ কুপ্তুনা য়েংই মথৌ হোৎনবদা পাখং-দি কুমুদিনিনা য়েংই হায়বসি খঙ দ। ৱানা হোৎনরবা ভুংদ মৈ কামখৎলে, চুমাং মরিক মরিক মমাইদা কারে,—মখুৎ খুৎনমনা শৎ নান্দুনা ভৈথোকই। চংলকভুনা কুমুদিনিগী খুদাং মিহুল পায়রগ য়েংই। মাগীদা অমুক পায়রগা য়েংই—চাংভমবানি। মসি উবদ—

"ঐগীদমক্তা ওংখোক্ল ৱাখিরে." কুমুনা হায়রকই ৱাসি ভাবদ ৱাবা থর কবগুম ভো।

"এঃ কবিগী—, ৱাদেদা ," ভায়রগা পাখংনা মনাক্তা ভৈয়িবা চক্লপ উপুদ্রগী মচ অমা লৈথোকভুনা চম্লগা খকই, কুমুদিনিগী মিহুল পায়খুন অমুক য়েংগ।' মহুদা ' মিহুলগা য়েংবা হৈমাল্লে—," কুমুনা হায়রকই।

"ঐহাক ডাক্তর অমনি," পাখংনা নোক্নুনা খুমই।

"এম বি, বি, এস লা ?" কুমুনা থাজনা হংকলই।

"নত্তে— 'শিরব' মীবু হিঙ্গৎহনবা ওন্না ডাক্তরদো।"

"ঐগী ইঙ্খমদাদি খাইদগী ফাওবা ডাক্তরনিদ০।," হায়না কুমু নোকই অমম্বুং হল্লাওই।

"মানি" পাখংম্বু, থুম্মগা অনিমক নোকমিন্নে।

"নঙাক নত্তোমত্তা লৈতেৌবা কিত্রা ঐহাক মী অমত্তংদদি কৌরুগে।"

"হঃ কনাম্ব লৈত্তবা অমম্বসিদা ! ঐঙাক য়াম্মা কিজে। নহাক ঐবু থাদোক্কু না চৎশিংগনু," পরায বানা কুমুদিনিনা হায়জরকই।

"মাগম্বু কনানো অমত্তংগা য়াওরবদি কগনি থম্মুবদগী হায়রিবনি।"

"কিগদবা ঐনা কিত্রগা—। নহাক ঐগা লৈমিন্নবসে য়াম্না য়াম্মরা ?"

"অঙ্গী নত্তেদ্রা, ইমানিব অসিদ' মুম লোজবি হায়রম্ম— ?" পাখংনা হায়। চুম্মী. কুমুদিনিন থল্লি। মকম অত্থুদা মমাক লেনবা ওম্ভোই। হায়রকই. "হোয় ঙাইহাক পোথাম্ববদি ঐন্নু চৎপ ওমগল্লিদ'।"—অম্মা মায়ী শানা শানা কুমুনা হিপ্লি, পাখং অত্থুনা মনাক্তা কম্মা কম্মা শীং ংংলি। ওাংহাক হকচাংগী কিভয়া মাহৎবম্ব কুমুদিনিনি ঈমাক্রুবে লেয়বা কাওথোকপগুম ভোরে। মত্তমদি কনা থংজিনথরে। অমম্বনা মংখিবনা অনকপদা হৈবা পোৎকাওবা উথিদরে। মহুগী অনকপদা তৌম্বিবা চাওরবা মা থোংনাং পাম্বৌগী মথক্তা চুমিদাং প্রায়বী শেকপী অমম্বুং মকুন-চিংবপী থোঙ্গেন্দ্রি ভাই মকু হায়বী উচেক অমম্ম মৰ্মবা উচেক্রি হায়না কিনৈ। মানবু থোংজবদি মীপুম থুদিং মীপাইনৈ পাজেং-শেংনমকম্বু উচেক অসিগী অঙকপ মংখৌনা লৈত্রা হায়মা থল্লি। উচেক অসে মী অমনা শিম্মদাহ-মাঙ্খদাইগী মত্তাংদদা থোঙ্জেল চুংশিনা থোংবগুম তৌই। তৌইগুম্বম্বুং মসিবু ঐথোয়না পংকি

ঙিকফমদি খোক্কে, মানা খোংবা থুদিংমক্তা মী শিবা নত্তে মমবা, চিক্লবা মকমসিদা মকুৎচিংবগী মখোল ভাবদা পাথং হাইরপ কি হায়দোক্পদি ভোদে। অঙিবা কোক্লনব থ রিব মৈছু মুস্তুনবা হোৎনৈ। কুমুদিনিদি মশানগা শোনথনা য়াম্না ঙিজরনি। অতুম ওইনমক চাওথোক চাওবা মুপ অমা মনাক্তা ফাম্লবনা থরদি মফৈ। বারী শানা শান কাম্লউৈ মতম অসিদা ম-াক নকপদা ফরিগুম্বা শোং প্রেক হায়রক্লবদি অনিমক খাই লাও-ননা অমগা অমগা য়েংনৈ। মতম্নদি হৌথিবনা মুমিদাং চাক চানবা মতম হেনথিদোরে। কনাগুম্বা থবক ব না শুবা মীশীংদি ভুম্না হিপ্পরমগনি। পাম্বৈ অতৈ উদবনা মতম্ন খোংজিল্লবদা পাথং অসিন মংভামত্তা মওল মওল থল্লগা কুমুদিনিদা হায়রকই,

"ইবানি মকম অসিদা অহিং লেমবদি ওম্মোই—মহাক অমুক্তগা হোৎপা ওমত্রা য়ে উ," হায়না পাথংদু-া কুমুদি-গী হকচাংবু ওাকথৎলকই। বানা হোৎনরগা কুমুদিনিম্বু মথোং ভিংথোক্তনা ফম্বদি ওমলে। ফমছুনা কোম্রব মাক ম'রাল শেমজিন-শাজিনবা ওমজরে। শেংলিব কিয়োলশিংদো মাগী অমত্তা নত্তে, নত্তেথম্না থম্না ফুরিং, খোগ্রাওগী কুদামশিংদো পানশিজৈ। ইকাইবদি ইকাই, অতুবু কুমুদিনি পাংংছুদগী হেন্না কনাম্বু লৈতবমা প ন ইকাহদে পাথংসিদ মাগী ইকাহকম করি লৈরিবগে? হৌজিক্ত পাথংদো মথাই থরা মুংভাইজরে। ফনমক ওমদবা ওংরবম্বু অনাবন হিপতুনা লৈবব্দি হোগ কাংথত্তনা লৈবন ফমলেনারবা, লাইকহরিবদি গী থম্মোয় চাংবা হেলহল্লি। মরমসনা অনাবা মীশিংনা থাম্মায় কনব অমম্বং অপাং কনম ভভাইফদবনি। অম্রম ভৌরবদি মীম্নু কিহম্বে, অনাবম্বু থুনা কথা হেল্লি।

থে লক্রবনা ইংবম্বু হোজিল্লকই। কুমুনা মাগী মৈনা কংলম্লগ্ধা ফ্রিশিংদো হনশিল্ল। পাথংহুাদ চুক্লপ কম্না কম্না চি ম্লগা অইংবা

ৎা লক্ই। মাগী মতৌ উরগা কুমুনা মথ্বাই মুংঙাইজগতুমা. "সি ইল্লু" হায়না নহাক্কী পারবা কি মতেকতু পী। মতাং্া ফ্নেকতু ইল্লি। "ঐদি ইংদে, ঐহাক মুপানি হায়বসি কাওরবরবা ?" কেগে০ দ্রুনা হায়রকপদা কুমুদিনি হরাওনা নোকচৈ। মুপাহুম্ন খোইদানা মোমোন তৌই। "অমুক নহাক হৌগৎপা ঙমত্রা য়েংউ—, ইঙ্গেমা ৷ াঙ্কবীদো য়াম্না বায়মলগনি," হায়না হৌগৎতুনা কুমুদিনিবু কোনখংক্কে তৌরকই।

"অং, ইমাদো য়াম্না বায়মলগনি" হায়দুনা কুমু হৌগৎলকই।

"তুনিকো—ঐঙোন্দা কোল্লুসে" হান্নবা কুমগী মথুৎ লৌম্নগা পাখংত্তদা কোলহল্লি। কুমুনা পাখংদা কোন্দুনা খোং থাংবা হোৎনরকই

"ঐ চৎপদি ঙম্মোই—," কুমুনা হায়রকই।

"৻ন পোরবদি ঙমগত্রা ? " হায়।

"ঙদি ঙমগনি অত্তবু ঙল্লিদা।"

"ভনবা য়াবা মস্তে,—ইবাপি মকম অমিদা অহিং লেমবা ঙাম্মাই—'স ! কোল্লুসে," হায়না কম্না চায়তুনা হজোন্ত লঙ্গোইনা ২মুব ঃনঙ্গন্দা পোথংলগা চাক্লিবা ৈমম্ভ খোঙউপ্ন ‑বেং চবেং নেং্না মুখংলে। "কম্না পাযম্ন" হায়রগা পাখংনা মথোং লুম্না থাংহুন চংপা হৌরকই। নঙ্গন্দা লৈবিবা কুমম্না মমাঙ ং দো পাখংতুগী লেংজুংদা ঙ'''ক' খম্মোইন্নুংদা মঙল মঙল পান্ন, বাদি ঙা দন তুমিন লে। হাও খালবী কুমুদিনিগী অরুন্থনা পাখং অতু্দ মুংশা মপী হোনবা নত্তুমা অভে রাথল থনথিদে। সোর মপী হোন্না অহুম্না কাথ ‑কই। ব্রানা কারক্তুনা তোর্বান য়োরে. অব্রাবা থরদি কে'ক্লে। মুংশা মপী শাংনা কোন্দুনা পাখংনা মংত থাংগৎলগা অনকপা ০লদে ল্লুংলদই। উত্তদি কংদে, মনাক নকপদা তারিবা লৈকাত ০তুগী ৈঙোন, অমস্তা কাওম্ন উদে, ম খোলপ্ন তাদে। হুহনচিংবনা খোংবগী মথোন্দ তাহ। মাগী

অৱাবা ম্ভৌ উবদা—

"কয়াম শাংনা চৎকদৌরিবনো ?" কুমুনা হংলকই।

"পং—শাং—শাং ·····দে," মোর খবেৎ খবেৎ হোমা পাখনা খুনমকই।

"য়ামা—ৱারমাল্লেদা—, পোখাথিসি—।" পুক্নি খৌগংপা ৱাঙাং অমনা হায়রকই।

"ৱাদেদা—। পোখাৱগুমসি অনকপা য়ুম অমা যৌদ্রিং ফাওবা—।"

"যামা বাবা ভারে—। ঐসে য়ামা লুব্বনি—।" কুমুদিনিগী ৱাসিদা অনিমক থিক থিক নোকমিন্নৈ। কুমুনা মতম কংডরোই নত্তাগুম মখা ভারকই—,

"ৱারী খংদি শাস হায়বা। ভামোবু, লুপী থিৱবরো, পাথংলো ?"

"ঐবুরো, ঐদি ইচা লৈরবা—," ৱানা, খোন চাওনা থুম্মকই।

"ইচা লৈরবা," হায়ৱগা কুমু ভাইহাক মুভাইভনা তুমিমা লৈ। ভাইহাক লৈরগা—

"কয়া শুৱবগে, কয়ামা চাওবা য়াওরবগে ?"

"অচৌবা য়াওরে—, মরি শুরে—।"

"মামা য়াম্মেনা, ইনম্মনা হল্লকত্রে ক্কেদৌরবনে হায়রম্লগনি"

"ঐস্থ অদু ৱাই—"হায়না থুমই, পেমা নোকই। কুমুদিনিস্থ নোকই।

"ঐগীদমক্তা ৱাৱবগীদমক ঐনহ মতম অংদা অঙয়া মতেং পাংজগনিদা—।"

"মতম ঐগী ইভেং পাংবা ঙম্মোইদা—।"

"করিগী ঙম্মোইদোরিবা—।"

"ঐনা ঙংগ ই হায়রিবসিনি—।"

"ঐনা ঙমান হায়রিদনা—।"

"অওইবরনে," হায়রগা পাথ'ছুনা কন্না চৎলি; "কাগী চে বনিদা।"

"হৌজিক ঐন য়ম ভান্না খিনবিগদৌরিবরা ?"

"খিরোই।"

"কনানা লৈরুগদৌরিবা— ?"

"ঐখোয়দা লৈরুগদৌরিবা, হায়বদা —" কুমু খঞ্জান্নন্না তুমিন লৈখি। লাকপনা খুনয় য়োশিল্লক্নে। থবক কবী ফিশাবী কনাগী কোলগী তেক তেক লাওবা মখোল তারক্নে। অকিবা শক্লক নাপ্রহুনা পাখংনা—

"ঐ নঙোন্দা বা'ম চায়গে য়াগদরা ?"

"করিনো—,হায়রগা যাদি য়ারোই থমগে।"

"নহাক ঐগী মুপী ওইজরগেদবা— ?"

"নঙদি নতু নচা লৈরবরো ?"

"অদু ওইরবসু অভোনবা ওইগদবনিদনা ?"

"ঐদি লৈশাবীনি হায়হৈদে—," হায়না কুমুদিনিনা খর ফিংলপ চায়।

"অহুদি নহাক্তি মীগুংশি যাম্না খঙদে, অহুগা ভোবিমলমু খঙদেবা—, ?" হায। কুমু তুমিন লৈখি। খম্মোয় অদো বাবনা পিক খঙখি। করম্ন য়াগদমক বাবিরবা কুপাসিগী মুপী ওইবদা য়াবোইদগে খল্লকই। অদুব মতু মচা লৈবনা বারকই। পাখংনা অমুক্তা "নঙন য়ারবসু য়াত্রবসু নঙদি ঐগী মুপা ওইরগনি।"

"করম্না," ফিংনা কমুনা হংগ।

"নঙনা ঐগীদা চেস লেক্লগনি—অহুদবু নঙ ঐগী মুপী ওইক্রিবরা ?"

"নঙগী য়ুমদা ঐ লেক্রোচ।"

"অহু দ নহাক নয়ুম ভান্না চৎখিবা ঙমগদ্রা ?"

হায়রগা পাখংহুনা কুমুবু কিংলি। কুমু কিরপ ভোহ। তুমিন লৈ।

মাদি মুপানিন্না তোগে হায়বদা ঙমগদে রিংনি।

অম্মুম্না বারী শাদুনা লাকপদা ঙাল্লব হবাগী থাংমৈ অমা লাকপা উরে। হরাওরবা পাখংনা "গাড়ী অসি শোয়দনা কুম্ থিরকপা ওইরম্বা য়াই" খল্লি। কুমুবু ঙম্না মনঙন্দগী থাই অমম্তুং কুমুদিনিবু কোন্না কোন্না নকশিল্লকইবা গাড়ীদু মথুং য়েং থাঙ্গৎতুনা থাম্মী। নক্কা থোঁজিল্লক্তুনা গাড়ীনা লেপই। লেপ্পগা গাড়ী মতুংদগী বিহারি চোংথোরকই।

"ইবুংঙো, বেগেন্দ্র—," হায়না বিহারীনা ফিংনা কোরকপদা মুপা ওইনা উরবী ফুরিং অচোনবা, খোংগ্রাও অচোনবা শেৎপী কুমুদিনিনা মপাবুংগী খোঙ্গেন থংলহুনা,

"পাবুং!" হায়না কোরকপদা মপাবুং বিহারি হরাওবনা লুপ্তোন কায়।

"ইচানা কনদোনা 'সিদা—!" বিহারীনা ঙক্না হংলকই। কুমুদী খোঙ্গেন তাবদা কার মতুংদগী ময়াম্না হরাওনা কুমুব কৌনরকখি, য়ৌ-য়ৌ লাংনরকখি। পুম্নমক হরাওনরে। ময়ামনা কয়ম্না কুমুদিনিনা মফমসিদা লৈরম্বগী বা হংজক্লবদা বেগেন্দ্রনা বারী পুম্নমক লিদুনা তাহল্লে। বেগেন্দ্রবু ময়াম্ন থাগৎনরে। অমরোমদা, কুমুদিনিনা মাবু কনবা তুপা অসিনা করম তৌনা মপাবুংগা থৎনরম্বা ফোংনা ফোংদোকপা ঙমদ্রবস্তু থম্মোয়মুংদাদি হংনিংলি, লোয়না হরাওজার।

"তাইঙো, থর থুন লায়েংনবা অমুক্তং তৌনব—,।" হায়না কুমুদিনিব কার মতুংদা পুশিন্দুনা তুংশিনা ফমহল্লে। বিহারীনা মচানুপীবু "ইচাদি শিরুবদগী হিংলক্রবনি,—" হায়না কোন্দুনা হিক হিক কপখি। অতৈগ্ব মপা মচাগী মতৌদা ঙং চেংখি, পিরাং তানখি। পন্থবা তৌদনা কার মমাই লেন্দুনা ময়ুম মাইকৈ পাংলক্লে। বারী শানা শানা লাকপদা বেগেন্দ্রগী থোঙ্গান য়োরক্লবদ,

"তাইঙো, ঐহাক্তি লৈজহৌরগে —ঐগী ইভম অসিদা

ত ইংোহোয য়োগদবত্থ—" বেগেন্দ্রনা হায়জরকই। মরমদি মহাক অ৯র উইয়র অঙেবা অমদক শেংলি, মোক্তাকুব্রিং শেগাং কোংপি অমা লিংলি, লৈথোম লৈনংম্ন ইভেংভে।

"ইবুংঙে, বেগেন্দ্র, ইয়াম্বনা ইনাওগী লমনবু করম্বা খুজমদা শিংবা ঙমগদগে—। লাইকু অমনা ইনাওগা থেংনহুনা ঙসি থিংনা ফংজরিবনি, ইচাসে—।" বিহারিনা মপি ঈয়া চেম্না ভোবিমল উংচরকন্ত। মানা থবক ভোকম্নগী মপুম্ন ওইরিবা বিহারিদগী র শিংত্থ ভাবদা পেজ্জরবা বেগেন্দ্রনা ঙকচাননা খুমক্সে,

"করিগী লমম্নো, ভাইভো—। ইচলনা খুদোংথিবদগী নাম্বোকপসিদগী হেম্না পেনবা ঐগী করিম্ন লৈজরবনি—?" বেগেন্দ্রনা ভপ্পা খুমক্সে।

"পেল্লে, ইয়াম্বা পেল্লে। নহাক ধারম্মগনি, লুংঙাইনা পোম্বাহোরো। হয়েং ঙস্তা লাক্কনা নচলগী মওং য়েংভোক্কো—," হায়না বিহারিনা ফিভম চাদ্রবা বেগেন্দ্রবু মুংশিনা য়েংই।

"হয়েং ঙস্তা লাকচরগে, ভাইবো। ঐ লৈজরোরগে," বেগেন্দ্রনা হায়। কুমুদিনিদা ওনশিন্নগা, "কুমুদিনি, ঐহাক লৈহেৌরগে, নঙ মরোকো—" হায়।

"ফনি—," হায়না কুমুম্ন ভপ্পা খুমক্সে।

বুমুনা মানা ভুরেন্দা ঈশিং শোকপা কুমথয়কপদগী হৌনা মানা নিংশিংলকপশিংবু মতং মতং ময়ামদা ভম্বগা লোযননা কার থৌথি। বেগেন্দ্রদি লৈহৌরে ময়ুম য়োৗরবদা, মচ নুপীবু ঈরারহুনা শিত্রবনি হায়না মমাই-১মিং ইপোম পোম্না ভেংথা নাওইন মপ্রবী জাঙ্কবীনা ম ামুপীনা ভেক্ককংনদনা হল্লকপদা হরাওবগী ভমথৈ লৈথিদে। মীপুম খুদমক হরাওনথি অমম্নং মপুগা থোক্কানবু শোম্নখি। কুমুনা হিংলকপগী র রা ভারবদা কুমু অঁসি ভশে নমক শিক্রবদগী হিংলক্রবানি হাবো থ নথি অমম্নং বেগেন্দ্রবু থাগৎনথি। অম্নাম চংত্থ 1, থো'দোকপা অকায়বা

য়াওম্লবম্ন ডাক্তর, মাইবনচিংবা কৌম্বনা কুমুম্ন লায়েংখি অমসুং লাই-ম্ভিন থুরুমখি।

অনিশুবা মতাং

ইমুং

চিংথৈ ফিতুপ হুম্লক্লবদা কাক্‌চরোই, রাঞ্জেরচিংবা চেক্লাম শিংনা তাইবং পুম্বদা লোং ঙাংলক্লে ফিক্কপ থোক্লো হায়না হৌদোক্লি। মখোয়গী থোক্লেন তাবদা লাইনিংলাইশোন তৌবা কয়ানা সুংশিবা শম্বিক নিক্কুনা, হৌরবা কাংশি, শেনবুং থৈম্বুনা লা গী থোগল তৌজরি। লাইশং লাইশং থুদিংদা ধূপ-থাংথৈ মৎতূনা মপুগী মীংথে শোংরি, লাইনিংলাইশোন তৌজরি। অসিগুম্বা মতম অসিদা থাইনগী কা মতা শাংবা, লাইখল তাবা ইনা কুপ্পা যুমজাও অমদা ময়ামগী অপুনবা লাইশোন ঈথৈ অমা মুমিৎ থুদিংগী হেক হেক শরুই। ঈথৈসি তারগা থৈরোয়-লৈকাইগী মীশিংনা "ঙঝাগী ইমুং চোগৎলে" হায়না মচা মগুশিংদা "হৌগৎলো, নথো তৌরো" হায়না শিম্বা পীরে। হায়রিবা যুম অসিগী যেনথা লুখা পুম্নমক তনান তনামলি। চং-লকলিবা অশংবা তিংথৌ হৌরবা থোঙ্গালদগী শুমাং য়োবা কাওবগী লম্বী অহুদা উনা রানা অমত্তা তাবা উদে। মফম থুদিংমক তোয়না রাই শিংপা থৈহনা তরুই তরুই। শুমাংগী মচি মচিদা লেও মরাং কায়না থাই। করিগুম্বা মচি থরদনা মরী চৎপী লৈ-মধুমতি, গুর্লিলতা, অম্বারিতিনচিংবা লৈশিংনা মরী মরী য়েংশিন্নখিবমা অপিকপা লৈগী উমং মচা মচাগুম উহল্লি। অতাংবা, অতৌবা, মাপু,

অমুবা `লগী মথল শুনা চৌই ; লৈকোলমক নত্রবম্ন লৈকোলগুম্না উত্ত। হাওরিবা ইমুং অসিদা মুপা মরিথক্কা অয়ুক্কী তোগদবা মথো লোয়থোক্রগা শেংনা ঈক্ক হথোক্কুনা নিংথিনা বাই তৈরবা মাঙ্গোনগী ্রি তাফম ময়দা থুউ লৈবাক্তা শোতুনা কম্মী। মথুৎ-লোম্নরগা, লোংপোক গুম্না, জুমিংনা থোরকপবু য়েংবগুম তোহ। মখোয়গী মরক্তগী হুপামচা অমনা মৈথু কাবা কম্বী অমম্বুং লৈ-গু হাম্বা শেমপাক্ক, মখোযগী মমাংদা থম্মী। অচুংদগী মিরবা লাইশোন ঈ লৈশেদো থোরকই,

"তেঃ ইবুংঙো—শকউদবা! থুংশেন কজবা! থুক্রমজৈ ননাই ঐখোয়না, লৈম্নাংগুম লৈনম চেলহনবীয়ু, হৈরাংগুম হৈজিং য়ালহন-বীয়ু—, পীরিরোনে নখৌজাম্দো, কচ্চরেনে থরাইম্বু হকচাংম্বু, ইবুংঙো নংগী নফমদা, হেঃ ইবু ঙো থুরুমজরি ননাই ঐখোয়না —।"

ঈশৈ লোয়শিন্নকপগা লে য়ননা থুরুম্নবা তু দা হুপা মরি ত দো মামী মামী মখো তৌনবনা ইমুং অসিগী হুংতিগী চংনবীনি। ওম্বা চন্দ্রনা ইমুংসিগী মকোক্কি। মথংদা বেগেন্দ্রহি। মাদি ইমুং অসিগী মীপুম্নমক্তগী হেম্না হুংশিনা ঈশৈ শকপা হৈবা মম্নক মরক্তম্বু মশানা হুংশিবা ঈশৈ ইরগা শকচবা মীনি। মনাও অনিগী মথক্কি। মং দা মখেন চাৎবা, তাংবদা বোরো বোরো লাওবা পীশক্কি। পীশক অমম্বুং বেগেন্দ্র অনি অসে মশক ওম্বোক্না থাম্নে। কনাগুম্বনদি শক লেম্নদা ওম্বোক্না বানা থোকত। পিশকক্তি ওম্বোক্না শাওগনখ্রে, ফিংখ্রে। মা ডাংবদা কম্না কম্না ডাংগনখ্রে। মহাক্তি থাঙ্গৈশেংনা, সিক + অ গুম্না ফিংই, শাওগাক্ক অমম্বুং কুকা কুকা তোগক্লি। থা দগী ম তো বনা মোতোম্বীন। মহাক্তি মা ডাংবদা অতৈগা মাংদে ম্না মেংই ; তাবদা ংঙাক। না জাংবা বাশিং অসে অয়াম্বনা নাক্লিংবা পোকপা জংক্তি। মক্ক চহি তরামার মঙাং ম্নোম বম্নগনি মমাম্বা পীশক্কা চহি তরামাপল কুন শুরম্নগনি। থেগে । থাইদগী অহোনি চ কু মথোই কুংহুমদোই ম্নোম

শুরমলগনি। ওঝা চন্দ্রনা মচিন মনাও তহুম অসিবু মাগী মন'ও কুলচন্দ্রনা মতুম মতুম নিপ ঙাত্তা পোক্লম্লগা মঙ্গুং মতম চাদনা ত্তাইবংপান্দা মচাশিং অসিবু ময়াম্বগী মথুত্তা শিন্নবম্লগা লৈখি- দবৈদগী য়োক্লবনি। অঙাং অহুম অসিগী মরক্তা অমুক্ক খাইদগী লাইবক থীব'দ ইমোত্তোম্বী আসান। পোকপা খা অংরোম লৈরগা মপাবুং মোঙ্গ থ্রে। ফং চাওরক্কুনা চহি অমা অনি হায়রক্লবা মতম অতুম্বাইদা মাব পোকপী মমাস্থ লৈখিদরে। ইমে ত্তোম্বীদি খাঙ্গৈশেংনা মমা-মপা মশক্ক থঙহৌদবা অঙাং হায়বতু ওইরবনি। মমা-মপা লৈজন্দ্রবসু মনাওনা পোক্লম্বা মচাশিংবু ওঝা চন্দ্র । জুপীংহা খিদবমথৈ নিংখিনা অমম্লুং মুংশিনা য়োকপীরকই। জুপী য়াওদনা লৈবা ইমুং ওইহুনসু চন্দ্রনা মচা অনিগী মত্তেং লৌহুনা পিক্লিবা ইমোবু চাংননবা বনা যোক্লকপনি। অহুম ওইনমক্ক মপোপ মতাং ফবদি ইমোনহুম ইহেন হেল্লি।

ওঝা চন্দ্র চহি ৬০ হেল্লক্লে. অহুবু ওসিক্কাওবা জুপা খিবগী ব'খল লৈত্তে। য়ুম্বানববু মহাক য়া । কিজৈ। মহাক বংশল্ল কুপথনা থনগনবা মীদানি। হা ঙাংবদা চৌংনা. লোয়া. অচুম্বা ঙাংবা পাম্বা মীনি। তমখিবা থবক পামজদবা লাইচিং লাইশোন্দা খরাই হাওজবা নুপানি। চন্দন পাম্বা খিন্দু-। অডোং। কৈক্ৰোম কুবিৎ শেং-লিংতু-। চংনবী লিচং কা-দনা লজবা মৈত্তেগা অশেংবা নুপানি। মরমসিদগী মমা মপা কায়নরবা মরাইহক খিরবা মচাশিংবু মথোয়গী মরাল কেকচনবা হায়হুনা অয়ুক থুদিংগা লাইনিং লাইশোনহনবনি। মমা মপাগীদমক্ক ত্তাইবং মপুবু মুংশং শুদিংগী থুরুমহনবনি। চন্দ্র অয়ুক্কী মুলগী ওঝানি, অঙাংশিংগী মুংশিরবা ওঝানি। কুইমা ওঝা ওইবা, মপুক ফবা, থম্ব লৈবা অমম্লুং মাগী অবা-অনা খঙনবা অহদনা চন্দ্রবু ওঝা হ য়ুবা শিংথোল খাসনা হাপনিচন্দুনা ত্তবোইবনা "ওঝা চন্দ্র" হায়না খঙখি। মনাওনা খনবা ডাওরবা মচাশিং অসিগা চন্দ্র মুংতাইরবা

পুন্সি অমা লেপ্লকই। মথুরাগী অহাবা য়েংবা ঙমদবদগী বেগেন্দ্রদি মপাবুং অমশুং মমানা লৈতবা মতুং থরা লৈরগা থবক মচা অমা তোঙ্গনা পেশা থরা থরা পুশিল্লক্রগা মৎুরাগা মতেং পাংগ। অহুরু ওইরবক মপা লেত্রবা সুংশিরবা মম'মবশিংগুম লাইরিক লাইক্ত ভমহুনা কোয় লংনা লৈজগদবা, পাথং মহাক্না থবক তৌবা অমুক চন্দ্রনা য়েংবা ঙমডদে। লাইরিক কয়া পাহন্দুনা থবক তৌদুনা তৌনা পরিক্ষা থাহনবদগী মেট্রিক্‌ পাস তৌজরে। মহাক্কু লাইরিক তংথা কয়া পাযত্রবগা, ইমুংনগী নংবগা মথাদি ঙমথদরে। মতম থরদি থুদোংচাবা সরকারগী থবক অমা কংত্রিবা মবেদি পিরাংবাগী জনাহ থবক ওকমসিদা চংলি। মথুরানা স্কুলদগী ফংলবপা পৈশা থরগা, মানা ত নবা থরগনা ইমুংগী চান-থক্রবা অমসুং মনাও অনিগা লাইরিক তম্নবা হোংনে। থাঙ্গেথেংনমক ওথাগী ইমুং অসে চাবা থক্পদি রংতবা ধর্ম লৈবা, পুক ফংলা মাম্নুংশি চাওবা ইমুংনি হায়না মীনা শোয়াবরবু মংৌশাদগী শেন-খুম য়াম্না পাম্নবা, হনাক থুনবা ইমুং অমদি নত্তে। শম্না হায়রবদা হংনা, চম্না, সু ভাইনা পাজবা ইমুং অমনি।

জুপী য়াওদনা পাংবা ইমুং হায়রবসি ইমুং মত্তা অমনি। ময়মাসিংদগী ওঝা চন্দ্রনা ইমুং মপুং কোকগদবা অত্তম্রা, মবুক মপাগু কষী, মথোমা লৈবা অমত্তংবু বেগেন্দ্রগীদমক লোয়া লোয়া থীবা হোয়রকই। মহাক্কি জুপাগী থোংলবা পুকচেলবু ফিত্রবনা মতোমহা জুপীগী য়াথলদগী লৈথোকচে। অম্ন্যা জুপীগী য় থল থজনা লাইনিংবা অমগুম চাহ হুমকু হেলক্রবাসক্তাও লৈরকপান। জুপী অমত্তা লৈত্রবনিনা পাথংশিং অতুনা শিরোন শিত্রক, চাক থোংতৈজ মকি মরোল গু চামতৈজ। হৌন লাচিং কায়দবা মথোর পুমমক মথুরানা হায়বা অহু মকোক থোংমা ইন্দুনা হুংশিননা লোয়নৈ। মমা মপা লৈত্রবা মচানি হায়না কংগায় মতম পুমমক্তা নোঙ্গুম্না চংলি। তৌহগুম্বুং অতাং

ওইরিবা, লৌশিং বৎজিবা পিশক অমম্ব ইঙোদি মপা মমা লৈত্রবনি হায়বা কাওখোক্তনা মমায়বশিংদগী হেন্দোক থে ইদোকপা শাক্তং চংপশু ফরিগুম্বা য়াওয়কই। অদুবু ওঝা চন্দ্রনা খোইনা হেন্না মচাশিংগী অফ-ফত্তদা জুংজাইরে অমম্বং মচাশিংনা লিংজেন মামনা মথং মথং পাথং কায়কপা উত্তগা পেরে। অঙাংশিংগী মতো উত্তগা মশাওবু নিংশিংলক্লবদি চনত্র ভেংখাহনা থাংরে। ফনা হায়রূনম্ব, ইমুংগী থবক অকুপ অনোম অসে অঙাং ওইরিবা ইমোনা থরা মঙ্গা ভোবকত পংইবা অংাংনিনা ময়াম্বা অমিমা থেমহনা নৌহনা শিজিম্নবদা পংয়াদা য়াই। পিশক্তি ভাওথংলকইবা পাথংনিনা ইমুংগী অবাং অপাদা ইথঙ খঙদবগুম তোই। অদুবু থবক অমা তৌখোয়কপদা মচু ভাবদি পিশক্তশি। মহাক হৈখোই শিংখোই, মথুং মশাম্ব হৈহ. তোবদাদি থৱ লমহেন জুৎেল্লি। তৌইগুম্বম্বুং মহাকপু মথুনা অমম্বুং ময়াম্বুংনা চৈম্নবা, ভাংলবা মতমদদি ভুমিন উদগী ভাবমুক পংশিন্নে, থুম্বা লৈত্তে। অম্মুম্না মচিন মনানও চাম্নং চিম্নবা লৈমিন্নে। পুম্নংক অসগী মথক্তা মুপী য়াওদবা ইমুংসিগী মুপাচাশিংসে ইমুং মত্তুংগী থবক অকুপ অনোমদম্ব মপা লৈত্তনা মুপীগুম হৈখোয় শিংখোয়। মুপী য়াওদবা মুপা ভাক্তগী ইমুং ওইবনা থমোয় পিকপা যাথলদি লৈনদে। পুম্নমক ওইহনস্ত, মুপী অমত্তং য়াওননবদি মহৈ মহৈ কম্না থম্নবা হোয়কথি।

মতম্না থংজিল্লকপগা ওঝা চন্দ্রনা স্কুলদা চংখি। মচিন-মনাওশিংম্ব মাগী মাগা লাইরিক পাকম কাদা চংনখি। মাগা মাগী কমক্কমদা ফম্নগা লাইরিক বরং বরং পানরকই। যেগেন্দ্রাদ কাবিগুম্বা যাথল থম্নদা লুপ্তনা ভুমিন চোঁকদা ফম্নগা মেজ মংক্তল লৈাব্রগা লাগরিক থম্নদা মুগা য়েংলি। অহানবদা, এতাঙা কুমুদিনী কম্নবা থেংনবিবা অদুগা ফয়দ্বা বার বাভাই শাথিবা, "এম্নীদমক্তা বাজিন্নে" হায়না তৌম্নবা মমাই ওহুদা পনা চেম্বকপা, কুমুদিনীগী

লৌশিং মা লিতৈদা ওইরম্বা ফিভম, লাওং পুন্নমক মথং মথং খল্লুক্কই। "হে রেন ঐনা চৎখিবদা কল্লম তৌরমগদবা।" হায়না ১ তৈং৷ জাঙ্কবীনা মাবু থাগৎকদবা, মগ্নাম্না মাবু য়েংগদবা, মতুংদা মনা হৈনরোইদবা খল্লুবদা থোকদোকপা ফুংঙাইটৈজে অমম্বুং নাচা খং ঙম্না চংতুনা কুমুগী অনাবা হংলুগে হায়বা পাখংগী খমোইদগী ঙাওরবা ইথিল অমনা ইনশিল্লক্লনা চিনবাপদা মোমোন মোমোন হোক্লকই। ঙম্লাং ৱাখিবা অঙ্ক কাওরমজ্রবদি মহাক্লপ্ত থরদা ওইরবস্থ কাওবা য়ায়ম্মোই খজতুনা নোকফেৎ তৌজে। ৱাখল অসিনা ফুংঙাইরবদা মেজ মংক্তগী লাইয়ক অমা লৌশৎতুনা হেক্ক হাংদোকই। হাংবগা অনৌবা ৱাখল অমনা ওৎলবনা মমাই লাংশিন্না নোক্রম্বদগী হম্বরকই। ৱাখলনা—কনানো, কমদৌরিবনো লায়বম্ব খঙদবী, নৌরিবি তুপীমচা অমনা তুমিং নিনিগী মথাংদা কম্না মাব য়েংলগা কপখিবা, কপ কপতুনা মথাংদা লেপখিবা। ঈকেদৌবদগী কপখিবা, কাম্নগী মহাক্ল মাগী মমাংদা কপ্লিংউরিবা, কপ্পুনা মমাই মমিৎ হঙাং ঙাংখিবা, খাম্বা ঙমদতুনা হৌক হৌক কপখিবা কবি চায়নিংতুনা পেয়বা চিংবাই। ভনিক ভনিক মাবু য়েংলগা থংখিবা খল্লুবদা ঙাইহাক্তুদা অতুক হরাওরম্বা যোগেন্দ্র, মমিৎতা মাপ ঈরা চেপ্পকই। কদাইদা লৈবা, কনাগী ইযুং, মিংনা করি কৌবীনো হায়বস্থ খঙহৌদে। কাওবা ঙম্নরোই হায়না খল্লতুনা মমাই লুকনটৈজে অমম্বুং কবম্বা মতমদা অমুক্তংগা উমরগা ৱারী শাবা ফংখিগদগে হায়না বাকৈজে। অঙাং তৌরিবী, নৌরিবী তুপীমচাতুনা "লৈপাক্লবা" হায়রক্লগা থিংবা ভমদনা ইকাই ইপি পুন্নমক ছুম্মোক্ত না মতোমম্রা কপখিরা "ঐনা কবি হায়রক্কবন না"। যোগেন্দ্র বাবগী পম্মোম লোমটৈজে ২দ্রু খম্ম থুদিংদ। তুপীমচাগী ৱাখলদা ভাবনা ফুংবংননা লৈতৈজে অমং বারবা ৱাখলনা লোংনাওদা যেংশাক্তনা থাংজকত। যোগেন্দ্রনা তুপীমচাতুগী মৱী মথোং উদবাদ নত্তে। মহাক্কা তুপীমচাতনা চংখিবা লৈকাইগী ইযুংতুগী তুপামলা "অমদা হংঙ বদম্ব তুনিংতুদা ইমুং ভসিদা তুপী মচা কম্না

লাকপনা, যদি মথা কোননা হংবন্দু নত্তবনিনা কনা ওইরিগদগে, ইনাক থুনবা ইমুং ওইবনা লেঙ্গা ব্রাখি। কা হেন্না কোইহং হংগদবন্দু হঙ্গোয়খি। অম্পুম্না চুম্নগী পাখং লৈশাবী ওইবগী ভাইহাক থেংনক্লবষা, ডনক্লবা হায়বহ্নান হায়নত্তা থম্লগা লেনখি।

রাথম্না ফুম্বংনরবন্দু—হুমিং থেংনক্লবদা ইমুংদগী মপাল খোরকত্তুনা মনাও ইমোঙোধবীন্নু, "তোঙ্গী—তোম্বী" হায়না কোন্নকই।

"য়াম্ন্নু." হায়না ইমুংদগী থুম্নকই। মচিন্ন মনাও অনিবা কৌনবা তাবদা লাইরিক পাকম কাদা পিশক, মঙোন্দা চাক-থোংগু হায়রক্লগনি থনবদা মরেং তুকংত্তুনা থাংখি; লাইরিক কনা পাশিন্নখি।

"হুমিং থেংডে চাক থোংঙ্গুরে না—." যেংগেন্দ্রনা হায়।

"উং—." ইমুংদগা তপ্পা থুম্নকগ। রাত তাবদা থন্না ক্যাওরবা পিশক নোকফেং তোনা মতক হাই। থাংলোমদা য়েংঙগা লৈ। ময়াম্বুংনা লাকপা কেনাংবা তেং তেং ল ওবা মখোল তাবদা লুকবরগা লাইরিক কনা খেংহুনা, থুনমক চে কলম পুখোক্তুনা ইশিন্নৈ। ময়াম্বুংবু উশিন্নদে। যেংগেন্দ্রনা হাইরপ য়েংলম্নগা পরপ পরশ চাখিরমা হবোঙ্গেবীনা চাক থোংবদা মতেং পাংনবা চাকথাং কদা চংখি। ময়াম্বুংনা চংপ্রবদা পিশক ল ইখিক ইশিন্নবা তোক্তুনা থোং মপুংদা য়াওরবা ফুপী অমগী কোটো য়েংলগা ময়াম্বুংদা মানা কয়ামুক লৌবগা ববরবা নোকচৈ। কোটো অহুবু মুংশিনা য়েংলগা মনমদা, "নত্ত লৈময়বাদি—নত্তনা চাক উমথাং থোংহুনা ঐবোকপা অঙ্গবা কোকয়ুগদবানি" হায়না কপম্না মরেক লাবা ইশিল্লি। কোটো অহুবু মচিনা চুপ্প্রা টৈবল উপুদা থাপচিনখি। চাকথুমদা মনাওনা চাক থোংনা থোংমু যেংগেন্দ্রদা উমথাং শেম্নি; আলু, কোবী, বয়াই-গ্রামচিংগা

লোইরি, খোক্রি ভোনা ভোনা। তুপীথচা অহু লৈরবদি লোয়া থম্মোইগুংদা মন ও অমম্বং মস্তাক্তী অরাপা কোকদবনি থৈঞ্জে। অমুক্রা কুমু ওইরবমু, অছবু কুমুদি য়াইফবা মনা মপাগী মচানিনা তুমিং চুপ্পা কে মৌতুনভা লে। মথাক্তি যোগেন্দ্রগী ইমুংগদি চায়ল্লোই, যোগেন্দ্রনা থৈজে। থাঙ্গৈলেংনা হাৎববদা কুমসে এভা। চারবদি চাক থোংবা, কেৎলিক ফেংবা ফাওবা হৈরম্মোই। অতাওবা পাথংগী বাথলনা এওল মওল থাক্লে।

চাক লোইরবদা মথুরাগী প্রথম অমা নিংখিনা খিদোকচুনা শমুক্তো থাম্বংলগা থমগ্রে। ভৌরবা ফি অমনা অমুক কুপলে। মচিন মংাও জহুম চাবা থকপা লোইরবগী ভুংদা মানা মাক্কা চংখদবা ভোম্বী, পেশক্রা স্কুলদা, যোগেন্দ্রনা থবক শুরুম ওক্লিল ভায়া চংনাথ। ভোম্বীদি পরিক্ষা মরা নক্লে হায়রুনা ঙাইহাক চংলোক্লরগা থুনমক হেক্তো চল্লকই। ওঝা চন্দ্রনা স্কুলদগী কুমক্লগা মচাশিংনা থনম্রবা চাক ইনশাং চারবা ভুংদা মথুংমক্লা ফোন ফেংজৈ; মচাশিংনশু ফেংবী, থরক অহুদা ওঝা কয়িন্সু মাচুংবা ভোদে। তুপা য়াওদবা ইমুং হাম্ববাস ওথোক্লা তুংশিংনা ভায়নি।

যোগেন্দ্রনা ওাক্লস য়ৌথিবদা মানা কুমুবু কনবগী পাউনা রোংবা লাওনরুক্ত। থুংখিবগা অমনা অমা হায়, অমনা অমা হং থুগ্গদা যোগেন্দ্র রায়ে। অছবু মানা ভোখিবা থয় পংভম ভম্মী। নোকংনিংবা ফাগী পংভাং ভাংই, পংশং শকই। ময়ামশু পংনোক নোকই। অসিগুম্বা থারৌশিং অসিবু থম্মোই লোক্রা থামনিংঙবদি মেমজর কুমায়নি। মথাক্তা মমাম্মা ইক্লাং লাংবা অহুদা "করি কায়বা থবক্তি শুপে হায়রুদন" হায়রকপদগী অহনংনমন, নহাশিং পুন্নক মাগী মাগী মথো ভোখদবা ভোনথি। অহুম ওইনমক মেমজরবুদি মাগী কাদা থবক ভৌরিবশিংনা থক কাওবা য়ানদে। কুমার দীপু দীনা

ডাংলগদবা, খোন চাওবা, ইনাক খুনবা ইমুংগী মচানি। হায়রা মথাদা পবক তৌবশিংবু কবিন ও'দন থল্লি। ডাইহাক লৈরগদি বিহারিরম্বা মীনাই খারক্তুনা বেগেন্দ্রবু কায়দা পুখি। মতু উবদা মেনেজর সাহেবনা মমিং থনা য়েংহৌই। কারনা পুখিবনা বেগেন্দ্র বিহারীগী চাওরবা নায়রবা, মুমদা থুংখি। মহাক্কা চ থিবদা ময়াম পুম্নমক্কা মহাকপু ওকই। চংবগা বেগেন্দ্রনা ইকাই ইকাইনা, "কুমুব ফয়বব" হায়না কংজে। নথাম্বা "ফজে, ফজে" হায়রা থংহল্লকই। বেগেন্দ্রবু উরবদা জাহ্নবি অমম্মুং কুমুদিনি ইমু দগী খোল্লকই।

"ইবুংঙো বেগেন্দ্র, চংঙকও—চংঙকও। ইনাওনা ইচাবু কনবীরবগে—," জাহ্নবীনা বেগেন্দ্রবু কৌশিল্লকই।

"ইচৈভমা—," বেগেন্দ্রনা থুমই। হঙোইনা ইমুং অহুপী ঝমঝম কাগী সোফা মথক্তা ফমই।

"কেঁদনা, কুমু—," চাম্মুপ্না বেগেন্দ্র উরগা কৌত্রবদা জাহ্নবীনা হায়রকই, "ইবুংঙো ব্যারোগন্তু, নচপসে মীকো মীরম হৈভবা অসিনগে।"

"ঐখোয়রমনি, ইচৈভমা, অদোং ওইহুনা তৌরিবজি" থুমই।

কুমুনা বেগেন্দ্রবু ইকাইবদগী নঙগা হঙোরবদগী কোন্দবা নত্তে। তশেংনমক, মহাক্কা বেগেন্দ্রবু উবমন্তদা থুক লাওখি, করম্না যাবু ওকদগে হায়বা খাঙল পুম্নমক শংখি। বেগেন্দ্রগী মকমদা কুমুদিনি পাম্মল লৈজরবী অমা ওইখি।

"কুমু, মহাকপু কবিন্নু তৌদ্রবরা?" ইচম চম্না বেগেন্দ্রনা হংই।

"তৌজে—তামো," হায়না কুমুনা থুমই।

"ঙরাংদি—ইসঃ মহাক অহুম্মা তৌগনি থাক্কদেদা।"

"চোয়নে, ইংখোং কমদৌনা ইবৈন্দা অমুক্তা তম্মুনে।"

"অদু ওফিসগী তনগুগা চকচিন শাগে হায়দুনা ভোর্বাদা থোকপনি। থরা চংশরগা লমহাংগী ভোর্বান্দুদা থোক্কপনি। ফম্মদে হায়না ভৌমকপদা মাশী ফি অভাংবদু ভাউবা উই। ঐনা থল্লি 'কবিনো ভাউরিংসিব' হায়না। চিংনদুনা কুম্মগা য়েংবদা মাগী থুংসে উই। ঐহাক চিংনদুনা অমুক চংলে, নিংভম্মক্কু বদা অমুক চংশিন্নগা য়েংবদি মান হায়বা থংলে। মুমংখ মম্মরুবা পোংনি। ঐনা রানা মাব লিংবংলে। ঐনা চামা কুমুসে মশক থংদে। চিংথংলগা খুদাং মিহুল য়েংবদা থরা থরা হনবগী শামিন কংলবদা খোয় হোম্নবা ঐনা হৈজবমখৈনা হোংনরে। মী অমত্তগা লাকপ্রা হায়না হেক য়েংবাসি কনামগা লাকপা উদে। মাদি উজুপ ভাবদোনা লৈপ্রপোংনি। ঐনা ঈথিং ওনবা অমুক উপহল্লি; অমুক লোংহল্লি ঐস ইভোম্মতনি। কিপ্রপোংনি। রানা হোং-নমবা তুংদা সে র হোন্নক্লে। ঐ হন্নাওরে। তুক্কেল থোঙ্গুংদা থুদোং চাত্রবনা ঐরা পোথংলগা লোভাংশদা থর্দ্দনি। মকমতদা ঐরা মৈগা থাক্তুনা যান্না কন্না লাক্কবগী তুংদা তপ্না লৌশিং ভারকপনি। ইমং ওরাংগী কিভমত্তু উরমবদি ঙৈভমদি রাম্ভুমগদবপোংনি—,"

যোগেন্দ্রনা তমদ।

"ইচাদি বারম্মগদপোংনি, নহগা থেংনম্মত্রবদি ওরা' মচাদুজ মে ইংয়দো', নত্তনা ইচাসে কনবিরিবদ্রি," হায়না ভাঙ্কবী কপই। নুমিদিনগী মকমদগী রা শমমক ভায়বনি অমম্বুং মমা মচা কোংদুনা কপম্নিমববনি। অম্মা রানী শাকগা কমই। কুমনা লোম্না যেগেনদদা য়েংই, ওয়াং রামিমথিবা অত্তু থাম্নগা—, মশক মদো কত্তবা পাথং মদা ওইমম্মদা হন্নাওজে। যোগেন্দ্রগী তুহুনা রাং-চাওরবী মশক মতভামা লাম্না শৈলনা কত্তরবী, ফনেং লৈজেংবা মতমগা চননা শেংলবী, সিনেমা, দামা য়াওবী মাম্নবী ওমা ওইরবা অত্তুদদি অমনা অমব পাংকনদা কম্নকথি অমম্বুং যেৌথিবা লুমিদাংগী

মৎং পুন্নমক নি ঙমদ-নিংঙমদ নিংশিংনবকখি। ঙাইহাক ফম্মগা "ইদ্বংঙো—কম্মমখোকো—, চাগা থকখিগদবনি—," হায়-রম্নগা জাহ্নবী অমসুং কুমু ইমুংদা চংখি।

'ফানি ইত্তেনা." বেগেন্দ্রনা থুমহ, মত্তোমত্তা কাপ্তগী ফক্লা দা থেংলিবা কোটো, লাই অমাদ লৈত্তেংনচিংবশিং কোয়েং য়েংহোই। ঙাইহাক লৈরগা মমা মচা চা পুত্তনা থোরকই। ময়াইদা থারিবা অনৌবা তেবলগী মথক্তা থম্মী। জাহ্নবীদি, "নঙগী থুম্না মঙ্গলগা পাদ্বংগা ঙা লৈনি হায়ত্থনা চংখিবনি লাক ত্র কেদোরবনো কম্মুকো নত্ত নি, ঐ জুপীসিনা ফি শুম্নিবসে যেংলুখিগে" হায়রম্নগা থোকখি। কাদা কুমুগা বেগেন্দ্রগদা ঙাংহৌই। কুমু অম্রাংবা ফিগী থুবোম লৈবা ফ্রোক অমা শেৎলি, জমপর ফুরিং কমলা মচু মান্বা অমা লিংলি, ঙকথমদা অপাবা ম্নাইলোনগী ফি অঙৌবা মত্তেক অমনসু শেৎলি। খোংউপ থুনিং বাংলবা অমা তোংই। থাঙ্গেশেংবা নোংচুপলোমগী নপাগী ফিজেৎনি। অত্তুমকপু কুমুনা বেগেন্দ্রগা কৰি বারা লাগদগে খওজখিদবনা মমাংদা, টেবল মথক্তা লৈজরিবা থবম্নত্থ ভোরবা ভনৌ ত নরবা মথুংনা লোৎথুনা পাম্নকই। অত্থু উববনা বেগেন্দ্রনা,

"কুমু. নহাক। অসুম ভৌমি হায়বসি ঐহাক থাজম্নবত্থবনি—।"

"ঐগী ইন্নাইবক ফবনা ঐনা নমগী নপান্দগী হিংকগোরবনি।"

"মানিনে, কুমু নংসে নবাইবক ফবজাৎলি, ঐসু মচৌশা অত্থম্না থক নংখোক্ত শা নজে। ঙরাংদি চংথোকনিংঙনা—লাইনা ইনশিল্লকপা হায়বত্থনিকো।"

"হোয়, লাইনা ইবানি থংনকবা শিল্লকপা হায়বত্থনি। হৌজিক্তি শিথ্রগদবা মীবু হিংহনবিরবনিনা ডাক্তরম্নত্থগীদমক ফরিনা দফিনা ফংচৌগে ?"

"ঐহাক কম্নিমত্তম্ন পাংমজদে।"

"অহুব, করিগুম্বা অমত্তংদি ফংচনিংই করিনো অমত্তা তাকাপয়ু কৈদোবগে ?"

"নঙ পীবা ঙম্মোইদা কুমুদিনি।"

"হায়দা হাযয়ু, ঙমনিদা—।"

"অহুদ কুমু—। বাহে অমথক্তং—, পীদবদি য়ায়োই। লৌশিং তাদবনা কুমুদিনিনা,

"এ: করি বা ওইরিগবা। অ:—ও:—।"

কুমু হাযবা ঙমদনা লৈরকই। "অদো, চারমফ্রবদি—, ঙয়াং হাযবহুরো—।"

'থংদেক হায়মুবা, চারমগনি—।"

"অ: ঙংশিবা—হায়বা, নত্রো ?"

"অং—," যেগেন্না নোক্তুনা খুমই।

"অহুদা পাম্বা—। ঐনা হকচাংস্, থম্মোয়র হান্না পীজপ্রবমি। নঙনা লৌশিন্দবা য়াদবা—," কুমনা নোক্লা নোক্লা হায়।

"ফাগী ভোবনিদা, কুমু—।"

"ঐঙোন্দা ফাগী তৌবা য়ায়োই। ঐবু হীংহল্লবনিনা নঙনা ঐগী মপু ওইফম থোকত্র— ?"

"ইনাক থুনবগী অতাংবা মচানি হায়হুনা হীংহনবনিদা।"

"অতাংবা মগাবু কনবীবগীদমক করিনা লমন শিংলক্কনি হায়রবা থলহৌদবা বাথল থেলমল্লি," মখিং-মনা শুক্তোক্তুনা কুমুনা ঙাংই। পায় রিবা পাণ্ড-চেহু পীক্লা থুপচিল্লগা হাই হাইহুনা অমন্নুং চাস্থ থক্লা থক্লা কুমুনা মরৈ তৌরকই। যেগেন্দ্র থুমফম পংদে, চা চিংলগা কুমুদা লোয়া য়েংজে। কুমু লেপ্তে, "মরমসিনা, নংনা ঐব ঙুংশিত্রবস্তু ঐসে নংগী ওইফম থোকই। শিংক্ক রিবা লমন অসি নংনা লৌবিয়োইদরা ?" কুমুনা মংপ ঈরা চেনবমথৈ হায়রকই।

"কুমুদিনি—।" বেগেন্দ্রনা খোয়াংনা কৌই। কুমুদিনিগী মতৌব মুংশিবগা, অঙকপগা যান্নবা বেগেন্দ্রনা য়েংখি। অদুগা চঙরুনা ঙম্মিদ্রবসিদা জাহ্নবী চংলকই।

"ইবুংঙো বেগেন, ঙসিদি ইনাওগা চাক চামিংদবা য়াদবনিকো—," জাহ্নবীনা হায়রকই।

"নত্তে, নত্তে, ইবেমা। ঐহাক চাক চাজরক্লে।"

"থংদে, থংদে, ইবুংঙো. চামিন্নবনিংহুনা হৌবনি। মুসিদা ওইনা হেক্ক চামিন্নবগা লোইরেদনা। নচলগা কুম্মিমখো করিনো, হোরেন থেংনবসু থীনহনগনি। নখোয় তামোনসু হায়রম্লবনি, চৎখিবা য়াদেকো। মীনা হরাও হন্নাও হায়রবদা—," অমুম্মা মনিং মমা কক্লা হায়রকপনা বেগেন্দ্রবু থুমকম খঙহনখিদে। য়াশিংসি হায়রম্ম। জাহ্নবী অমুক থোকখি।

"য়াম্বিপোৎ নত্তেদা, কুদায়দা ইমানা; মী য়াম্মা হঙ্গোয়-ম্বিপোৎনে," অমুক্কা কুম্না নোংশিল্লকপদা অমুক্কা চেম্মা বেগেন্দ্র খুমকম থংখিদে। ম। মচা চংহুন। পাঙংদো পুমক্তম ক্লাইর।

"কমু, চায়মন্নেকো—," হায়বসিম্নবি বেগেন্দ্রনা খুম্মকই। "কয়ে, করে, ঐহ ক শুকচ চৎলম্লোই।"

"অহুবু ওইবদি ইবাইবক ফবনি—।"

অম্মুম্মা পাঙং [illegible] অনিস্নিনা বান্নী [illegible] মতম [illegible] পংচৌদু বাবীসু লোইকা নাইখিদে। মম্মা [illegible] পুং মরি মং। [illegible]। ইমুংসিদা কুমুদিনি বেগেন্দ্র মনিং জোনা [illegible]। কম অনসুং মমানা যান্নবনা বেগেন্দ্র [illegible] [illegible] ধাওদে। যাচংলকপদা বিহারী, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুতনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

বেগেনদি চৎলবরা?" বিহারীনা [illegible]।

"চৎহনব্রি' জাঙ্কবীনা থুম্মী। "য়াম্নবদি মহুমদম্ মথোং ময়ম থং দ. সিদছুম থম্মগদবনি।"

"ফয়ে ফয়ে নথোয়না পাম্বদা তৌরো—" বিহারীনা হায়রম্লা মাই। ইপেকদ্রিকম পুম্বাবান তাদা থাদ্রি। পোৎ খরা লেং-বিমরগা ইমুংদা জংজা তৌনখিবা বেগেন্দ্রনা মাব। মতোমতা হাদ্রা পোপ্পাম্। "ইনাকে থুনবগী ইমুং মুংথাইদ্রা" থন্দুনা ফম্মীদ্রেদা।

"বেগেন্দ্র," হায়না বিহারী চংড়ুকই।

"মাইড়ো —" হায়না বেগেন্দ্র কয়দগী হৌগৎলি, লুকথরগা লৈ।

"ঐ লাকত্রিকাওবা লৈরম্, নত্তেমা চাক থোংথবনি, মতৌ চানবা হায়হনা ঐনা তা লৈরবনকো—," হায়রম্মগা থোকখি। লহাকপু হজোইরবা অতাং'ন হাঙ্গবা বিহারীনা খড়ই, মরমসিনা মহাক লৈরবনি মসিং তু। ওন্নরোই থন্দুনা বিহারী চংথোকখিবনি। বিহারিনা থোকখিবগা কুম্ চংলক্কুনা মমাংগী অহিংদা মানা থেংনকপা বগেন্দ্রগী চিং রাজ থচু কোনয়াংনা। তক্ক। পম্বাক্ক। নসিদা ননা লেকৎলদা হাইরিবা থেংগ্র ও ফুরিৎ অমরম্ পুম্ক্লে। কুমনা বেগেন্দ্রগু অহনবা অরিপিন থংদামকগী খাটে অহু নম্মুনাই থেৎহনরুপ, তাগম্ পুনখিরে। মীওইবা হাম্বত্নে মিৎচেং চাকচাম্বম্ ; য়াম লৈ। থীরে তায়খিবা শক্ত মমল য়াক্কম্রায়বা, ফজ-ফজবা লিরেহনা য়োম্নমদি কদা থইরবম্ ফরথোকই। মনাই ফজবা অফ থইরবম্ শেগৎরবা পাওব তৈনা কি শেংপা মীবু তঙ্গোয়রবা হাপ্রেন। পোকবি। নিংথিরবা ফিপিং অগ্রিনা বেগেন্দ্রগ মনিক হা। কফম্ববনা মপুং মরৈ কারবা মাগী ফরবগু উরবদা কুমুনম্ পেপ্পশি। মলিগী তুংদা চাক ঊফিং হাওনা পীরবগা কুমুনা অচৌবা থাও অমদনা থাথং অমগী চুংবা য়াদ্রবা অরুং নাপন্ট পেন্থংচৈ পিক থজী হাল্লগা পুন্দুবা বেগেন্দ্র।

থাদোকখি। কুমুগী থুদোল পোৎশিংগ, লোয়ননা নোক্কেং নোকফেং তৌনা ময়ুম য়ৌরকখি। ময়ুমদা মনাও অনিগী মনা-দা শেৎ-চারিবশিংহু উংতুনা হঙ্গ-হন্দা চংলি। ৱাখল্লা লাম্বা ফংজবা মনাও অনিনা ফিরোল অমদি অতৈ অক অহেলশিংহুবু পায়-পায়হুনা য়েংজখি। অক্ক অনাল পামজবা পিশক্লা শেৎনিং চানিংবনা নোংঙানবা ঙাইঙমখিদে।

মঙংগী স্থুমিৎতগী. ওফিসতা বেগেন্দ্র কুমুগী ময়মদগী ফম হাইগৎলে. কেসিয়ার ওইরে। মহাক্না ফম হাইগৎপসিদা মরাম পুম্মক পেয়ে। অনোবা ফম ফংলবদা নহা ওইরিবা বেগেন্দ্রনস্থু হেক ঙম্মবৈ কুমুগী ইমুংগী ওইজনবস্থু তৌগে হায়না থম্মোয়দা চপ য়ুংনা থনজখি। থঙহৌদনা, বেগেন্দ্র মফি-মপোল নানখংলক্লে; থম্মি. মনা খুদোপ্পচিংবা লৈঙেং শিজিন্নবা ঙনজরক্লে। অসিগুম্বা অসিদগী পুন্সিদা অহোংবা অমা লাক্রমাল্লে হায়না বেগেন্দ্র মরক মরক্তা থজরকখি অমস্থুং ইনাক থুনবা জুপী অমস্থু য়াওনা জুংঙাইয়বা পুন্সিগী মথি অমা মখিৎতা উরকপগুম তৌখি।

জুমিৎ ভরানিমুক্তী মতুংনি। কা অমদা জান্ধবী, কুমুদিনি, বেগেন্দ্র রেডিও তারি। জুংশিবা হায়বা লাই অহুনা ঙাওহল্লবী কুমুনা মোমোন নোকপা বেগেন্দ্রগী মাইথোংবু য়েংনিংলকপা মতমদা য়ে বদা ফনা অমত্তুনা অপনবা পিবা ঙমদে। অস্থুম্বা বেগেন্দ্রনস্থু মকুশিনা হেক থিহাস্থিবু হঙ্গোইবমা কুমুগী য়ুমদা চংবা ঙমজবদা কুমুগী মতেংনা হেক হেক চংই। উরক্লগা জুংশি ৱারী শাথিরহুনা, হরাও তম্নাম নোক থেম্বিরহুনা জুংশিবগী চঞ্চীদা থোংথাং য়াংনা চংশিনলকখি। উনথি মথৈদি ৱাদে, ঙাংনথি মথৈদি চিংনদে উরক্রবা ঙাংনক্রবা মতমদাদি পাথং লৈলাবী অনিসে চবা থকপা চংদনা ফুম্বংনবগুম তৌরে। মমা মপানা ৱাংত্তা পাদনা লৈবনা কুমুনা বেগেন্দ্রগী ৱাখল্দা উংহুনা লেবা ঙম্মা। অমবোমদা বেগেন্দ্রদ ইমুংগী অরা অনংগী থৈম্ব পুই. পুম্নক্তী

মথক্তা, যেগেন্দ্রনা থাইদগী চিংনম্রিবদি কুমুনা মাগী নংলবা ইমুংদা মাংখ ক। তুংশিন্নবগী লাক্লনা লৈথগনি, হায়বসিনি, লৈম্নবগী ইমুংসিদা বা খোল্লগদবা কয়া খল্লুবগী যেগেন্দ্র রাদবা ওয়দে। যেগেন্দ্রবু কুমুনা মনাক্তগী চৎথোকহল্লমিনিংদে, মাগা বায়ী শান্নবগী লৈথিন্ননিংই। যেগেন্দ্রনা মসি পামদবা নত্তে। নোংকমিন খোমিন্নদুনা য়েডিও তাম্নিন্তেদা ছুমিদাংগী পুং ৯ তাপ্রে, মীগী মপোৎ মরক তাক্তা শেৎ-চায়বা যেগেন্দ্র ইনাক খুল্লবী, শক হেন্নবী অথগী মনাক্তা কপ্পদুনা মুংতাইম্নবা পাথংগী মতম লেপ্লী। মুংতাইবা অসি মতাইরে হায়বা বাথলগী মথি মনাইদা কাওম্নি। ইপেন্দ্রা পেপ্লি। কুমুগী অত্থু মতাই। পাথং লৈশাবী অনিগী তুংশিনবগী থংবগুম য়েডিওগী তুংশিন্নবা ঈশৈনগী হেন্না ঈথিন পিম্নক্লি। য়োডওনা,

"বসন্ত লৈম্নাং নিংথিবী, অমগুম কৈদা শাংপিনো, কনাংগী লৈকোন্দা পোখীনো, ওয়োক্তা নিংখিকৈন্নবকো। ঈশৈদু যেগেন্দ্রনা ইংক ওঙ্গা-থবাক ম্রাওনা তাম্নকই। ঈশৈদুনা কুমুগীদিদি হয়াওনা ঙে ভুনা তাম্নি। ঈশৈনা চৎথরুকই,

"পদ্মো কনাগী মচানো, পম্মেম কনাগী মমোয়ো, কন্নকচেবে ঐদি কন্নকচে; নত্তম হেনবা লৈম্নাংসে, ঐদি পোকচৈগী উজানি তুংশিনখিবনে ঐদি তুংশিখে, পামজেসে ঐদি পামচৈ। নংগী লৈম্নাং কংজগে, চংশুগী শাংগোল হেকচগে, পোকপগী মথে মাম্নগে। কন্নচৈচেকো ঐদি কন্নচৈ, বসন্ত লৈম্নাং নিংখিবীও।"

ইংলবা, থুম্রবা মুপীগী খোংজেনবি। যেগেন্দ্রবু তমথিং ম্রিওনা থগী মখিংদা উদুনা লৈখংগুম তৌই। ঈশৈনা তমথিবরা কুমুগী মথংগী পুক্নিং চংনা তাম্নকই। য়েডিওনা "মথংদা কাঙ্লা কান অসিগী খোংঙোকপী অমগা লাংঙোকচরি।" ঈশৈনা,

"তুপী ওৎথী তোম্নিনা মংতগী অমুক্তা, শাংচল্লিবা তরোম্নী লৈন্নাংবি—, থম্মোয় ঈংক হেইদুনা, পিগী খুদোল কাউরবা

কাওগ্রবোই। পিগী লমন কিরিদনা, এনিং ভঙ্গা পাং শ্নি. কল্লকইদকো চেক্লা—চা।"

"হুপী ওইবী ভোল্লিদা, থিজনিংবা কোয়না চংহুনা ভমজবেদো লাঙ্গল শোনবীনিনা, লাংচগেকো থম্মোয়রঙংদা পুম্নগী নওগী ভুংশি শক্তমদো। ভাবিব্রিয়োই ইপাওসে থংবিব্রিয়োই মৈচাকসে, ভাত্রবরা নহাকপু কাওগ্রবরা ঐহাকপু; হুপী ওইবী ভে।।গ্রনা, হুপী ওইবী" হিক হিক কপ্পা কপ্পা ঙৈশে লোইখি। থ।ং দ-] যেগেন্দ্র মথায় হুত্তাইত্তনা হোৎংলকই। মাগী মত্তো উবদা কুমুম, মমাম্ব ইঙক ওক্রা য়েংহুনা লৈ। রেডিওনা "কালাকায় আয়, কে, বনমালা" হায়না লাওরকই। "বনমালা" যেগেন্দ্রনা পুক্কিংদা ভুংত্তাইজনা শোঙ্কে অমম্ভুং ঙৈশেনা মকম মত্রাং থংহনত্রবদা যেগেনত্র লৈক্ষম থংখিদে।

"কৈরোম্বকগে ?" কুমুদা হংলকই।

"অহো, কৈন্দ্র, লৈদে। ঐলাক চংলগে অকাওবা অমা থংমিং নিংশিংলকনা ! চংজগেকো—," হায় ! যেগেন্দ্র ইমুংদগী থোরকই।

"করি অকাওবনোনে অত্তুক পুম্নিবহুনো ? ইমুংদো হয়েং ওঙ্গা লাকতিকো—," ভাকহ মা হায়রকই। যেগেনত্র থুগী ওয়মংত্র। মমালম্বা অবৌগী ঙৈশে শকপী অসিগী ঙৈশেবু ফত্তৈ ফংদে হায়দা মাগী কপ্পা শা-হুনা লৈহৌই।

চংবা চংবা যেগেনত্রনা আয়, কে, বনমালা হায়রবীসি কনা ওইব্রিগবা ? কদাংদা লৈবী ওইব্রিগবা ? মত্তোয়রবা হংরে। যানা লৌরম্বু লেংলাখিবা হুপীমচাহু বনমালা হৌজী ঙৈশে শকপী মমানি. হায়রমি যেগেনত্র থংবা ওয়ে। বনমালাগা য়োংবা অমুত্তা ইমুংদগী লোতোকপাংদ মমিত্তা মত্র মমি উত্রকখি। বনমালাগা হুংখিবরা ঙৈশেনা মথাকোংদা হংলখি, "থম্মোয় ঊথক হৌজনা, পিগী মুখোম [illegible] [illegible]বোই......।" "চংবি চগেকো থম্মোয়রঙংদা পুম্নিগী

বংগী দুংখি গত্তমদো. – ভাত্রবগ্না নগাকপু কাওগ্রবগ্না [illegible] ..... চিক চিক। বেগেনত্র থুক দাগ্নিব, থম্মোগ্নদা [illegible] পোঙবিংনা চিকপগুম বাবা কাওগ্নকবি। ক্বাওদে, বেগেনত্রবা বনগালাবু কাওবা গুপদে। ঈটৈগে টৈবী বনগালা-। [illegible] নংস্ ঐনা বাবগুম গ্নাহনগে’ হাগ্নপা [illegible] থিবছ মানা বেগেনত্রবা [illegible] থিবা ঈটৈগে অমগুং মজেকী ঈটৈগে অমগনা বেগেনত্রবু [illegible] অমন থুদ্দেখ। বগ্নাপাবু নিবেবিংজগা বেগেনত্রা কগুবা গুমথিদে অমস্থুং যাগ্নিত্তা বনগ্নালাগী মতোথি বু ঈছুনত্তা নৈগ্নরবি।

বেগেনত্রবু মরুমদনু ভুমস্থম চাকম থ বজে, হাথজনা গ্নাবু [illegible] গুংখি; নৈহংপী। হাথজনা কুমুথি ন হাগ্নবী. অমে থকচু [illegible] অম [illegible], ঈনাক থুবগা মমাও পোঙী [illegible] মাচালি, মগ্নাথগিনা কুমুখি কেথোক [illegible], [illegible] [illegible]; নোংজানবগা মলাক্তি মগাগী. মক্কে [illegible]-। কোংখকনা মাঈ [illegible]। ভংশংবা [illegible] মহাক্তি দুপী অমনা [illegible] মগো [illegible] চাক ঈনশাং [illegible] কাওবা [illegible] হায়নন [illegible]। [illegible] হাগ্ন[illegible] [illegible] মক্তনগী ঈমার পুরী, খিনেথাবা হাওগ্নকপা. [illegible] কি-প্নোপ থম-। মক্কো ভমানলমী দুপী [illegible]। [illegible] কুমু মগম [illegible], [illegible] পাক্তি; [illegible] নোংচুপহপাকগী [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] মেক [illegible] [illegible] [illegible] কুমুক [illegible] [illegible] [illegible] কুমুদি বামিং [illegible] কুমুথিবধি [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] ভমুংখি [illegible] চামত্রবীখি। হাথলথিং [illegible] [illegible] [illegible] মগ্নানা কুমুদগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]! [illegible] [illegible] [illegible] ঈটৈ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

খুমুদি চয়া কক্তবনি, শাবেক শাওং হেন্না উংপনা মীনা মাগী কল্লকহন্দুনা কক্তুরোই নিংবনি, কল্লকবনি ; বনমালাদি ইচম চয়া কক্তবা নত্তে, চিংপেন্না কন্থবীনি। মাগীদি কল্লকহন্নবা মায়, কিক্কেৎ-লাকপেৎ অচু নত্তে, তুংশিহনবনি ; মপাগী চংথোনবনা মীবু হক্তোয়হনবহনি। মতমগী তুপীমচা অমা ওইরবসু বনমালা চন্দন-চন্না নিংখিনা থিল্লি, সনাংলুপা মওং চানা শি, শম-না নায়া হাংতল অমমুং ফনেক-কিয়োল মওং চানা লেংলি—যেগেন্দ্রনা মসিবু পাবখি। অদুবু ঈশৈ শকপীনিংনা কয়াদি তোবা ওবা ওইরগা তাই, যেগেন্দ্রনা থ.খদপী মত মতৈ। মহোশাগী অপোয় শাবী, ঈশৈ শকপা হায়বিবিংসি মহো লৈপল্লি। বনমালাসে, ঈশৈ শকনা পৈশা তানবী ওইরববদি কয়া ইমাক-কৈরাক খুমবগী মচা মতদি ওইরম্মোই। মত্তা চাত্রপবা মমা লুখ্রাবীনা য়োংপী নত্রগী মমা মপা অমত্তা লৈত্রবী, মমা, মচে, মনেচিংবগী খুজিংদগী চকাই চকি হুন্মোকনা লেপ তাম্নবী, লীলা তম্না য়াওবীতম কপশিন্নবা, যোকশিন্নবা হেংবী অমা ওইরদ্রবদি— যেগেন্দ্র, থমুবদা য়াবনা থেংলৈ। যুম পানগদবা মতিক তাবা; মরম ওকপী অমত্তংগা পুন্দি লেনমিন্নবদি হায়মা যেগেন্দ্রনা খলৈ। ইমুংগী হায়রুরবদি মাগী মুপী থিবা হায়বসি তোদবা য়াত্রবনি। ওবা চনত্রনম অমচং কক্তবী, লাগরবা ইমুংগা চানগদবী, মপুরেইবা নিংগদবী, ময়ম ওকপী, অতম্নী অমা লোন্না থিখিবনি।

কনা লাপথোক্লবা হোংনদ্রবম যেগেন্দ্র কমুগা উমদবা পাক লেম ওনখিদে। কমুনা কৌছনা যেগেন্দ্রব উংনিরো মতংদা লেকা ঈশৈ. যাম্মী শাখিরে ; চংখিরে। অদুম লোয়নবনিবা কমুগী অয়োমবা কয়াম্ব যেগেন্দ্রনা থংলকই। কমুগী হাচা কনংখা মুলাবি তেলচান্দ কৌবা মপক মতো কক্তবা, ঈনাক শংকা লুচনা, পাক্কং অপা অমম। তুখিং চুম্না তীপ, কায়. অমদি তুচীনং লোই লুনতা ঈনা মথংগী অচৌবা কংলায়বা চুপাং অমগী

মচাম্পুপানি। কুমুগা লাম্বা চাবা যীনি। যেগেনত্রদি স্থুমত্তগী কুমুনা ঊমাক্লিক্লবা অদুত্তং তা থংনয়কপনি অমক্ক কুমুগী মশক মক্তো কম্ভো মুপাশিংবু উয়গা পামগনবগী হৈনবা অদুদা মাবু কম্পিরকপগী চুংশিবা অদুত্তগনা মক্তেং থক্তিক্তং পাংলগা যেগেন্দ্রবু চুংশিবনি। মূলা ওঙ্ক্সুয়বদি, কুমু মমা-মচানা যেগেন্দ্রবু মচাম্পুপী কনবীবগীদমক্তা যেগেন্দ্রবু চুংশিজয়বস্থ যেগেনত্রগুম্বগী ঈমুংদা মচাম্পুপীবু কৈদৌং কৈদনু থাজনিংদে। অ'ঙ্গগীস্থ মথক্তা কুমুদিনিদি ইত্নাং পাম্বীনি; কনাগুম্বা লীপ, কায় তোংবা পাথং মচা মমাম্নবা অমনা হৌয়গা কোয়ক্লসি. সিনেমা স্নেংলুসিনচিংবা হায়ক্লবদা প্লাগনবা হুপীনি অমম্ভং অসিগুম্বা মাপী শাজেং অসিবু লৈশাম্বিঙৈদা তৌনিংবক্তা তোজমস্থ হায়না খনবা মমা জাকুবীনস্থ মচাম্পুপীনা চৎথোক খোংতোলুবগী পাও তারগা হম্নাওজে, থোইনচুম্ব পুক্লিং থৌগৎ-পিবনি। ইশম শম্না হায়রবদা কুমুনা যেগেনত্রবু লুনা তৌবিম্বিবা. চুংশিম্বিবা মওং অসিদি লমহেনবা চুপী অমনা মমুমদা পংলবা চুপা অমা মপুম্নোইবা ওইনদা থম্বগী মওং অদুনি। তোইং-গুম্বম্ভং বেগেনত্রদি পুমপং পংবা মী নত্তে, লাইমজুনা, নংজুনা তুকথজবত্তনি। কুমুনা মতোম্বা চৎলিবা শাজেং পুম্নমক মথাক লোয়না থংবনি।

খা থম্ন হৌখরে। যেগেনত্রনা বনমালা হায়বী অদুবু কদায়দা লৈবীনো হায়না মমাম্নবা কয়াদা কনা হংজমবস্থ থংবদি ওম্নখিদে। য়েডিওদস্থ মাপী ঊশৈশিংদো অমুক তাবা কংখিদরে। খম্নোমজুংদা হুংতাইজত্রবস্থ বনমালাবু ইকাই ইকি হুম্নোক্তুনা মতম মাংনা যেগেন্দ্রনা থিবা ওমথিদে। খন্দবাদি ওমদে, বনমালানা মাপী মমাংদা তৌথিবশিং কম্না মখিত্তা তত্তনা উই, মাপী ঊশৈবা মনাকোংদা তত্তবা তায়। অদুম্না. যেগেন্দ্র কুমুপী মফমদা পাথং অপং শানা মতম লেম্নকই। কুমুগা লোয়নবদা মাপী কৈদিম্ন অমাংবা লৈজে থোয়নচুম্ব মাপী লৈজ-লাইম্ন যেমবদি হায়নিত্তাই লৈজবা

জানরি। মতম্না লৈঙ্গ্‌, য়াদখনা মেয়াদগী হিয়াংদৈ, পোইন্দুদগী লাকচিং অমদি অমদি চংখিবনা লমদাগী য়াওখাং য়ৌরক্লে। কুমগী য়াওনং ভুইরকপদা মী পুম্নমক্কী পুক্লিং লাংনরি। অহল নহা থাক্কনা মৈতৈ লৈবাক্তা খাইদগী চাওরবা কুইন্দ্র অসিগী দমক মফিংময়োল অহনজাহমবা শেংঙ্কুবা নাকথেং চংমখি, পৈশা খুররি, লিনরি। মথোক মরক অবেরনা পুমথাং ওঁংনরি, মমিংঙাম্না ঈরাংদা তাওনরি। মকম মক্তম খুদিংদা পাখংম্ন, লৈশাবীম্ন, যৌম্ন, ইন্দুবীম্ন মতু মগী ইপেরবা হুপা, নহা, অহলশিংন্ন য়াওখংগী হুংঙাইরবা কুম্মৈদা মপুং ফাবা যাওনরি।

অসিগুম্বা য়াওখংগী ঈশিনি চনবা হুমিংনি। মফিংময়োল অস্তৌখা ভাক্তা মামা শৈংচুনী বেগেন্দ্র মাগী খংক ওকম ওফিম চংকদৌবগী থোয়কই। মহৌশাদি য়াওখংগী হুমিং মঙানি চুটি শীমরবাদি, হৌজিক্তি হুমিং হন্নিদমক থাবরে হুমিংসিফাওবদা শৈন মুনবাদি ইয়েপ লৈগুবনা বেগেন্দ্র হৈনিংদনা শৈন মুনগানি ফিবমগী লৈরক ফাওকাওহনা মকম অমদনা শৈন মুনবী হুপীমচা-শিংদা পৈশা থরা হেক পীরম, থরদনা হেক চেন লাকপনি। হুমিংম্ন থেংত্রে, অমুকী পুং ১১ গা তাগদোরে, ভাইহাক্তং য়োক্লগে হায়বগী বাখল্লা লাকপনি। হুংশাম্ন য়াক্লা শায়ী। উচিন-নাচিমা মপুন ভুরেল তোবাদা ভাররে, হুংশা কল্লক্রিবদা চাক ঈপিং চাবা চংমাখিবলা শৈন মুনবা অঙাংশিংসে পংউ উত্রে। থোনা ফনা বেগেন্দ্র তাইবাক থোঙাদনা চংলকই। থর চংলগা লৈরক মচা অমগী মচিদা শাউিল অমা মুংলগা লৈমিবা পোংয়েনিকম অছুবা ইশাবী মচা থরদি লাংবগুম তৌই। শৈন মুনবা তারে থদা ফদা বেগেন্দ্র শোং শোং লাকপনা পোংফম য়োশিল্লক্লে। লাংশিবী লৈশাবী অছুনম, থমা লাকপম্ন থগুইনা তৌদবগুম লৈরকী মথা খংবদা লৈমিবা লাওয়বা থোজাজ অদৌমদ্রা লাংতক্লবা লেংই। চেকী থোজাল অদনা লৈরকী নীরা শাখিবা থাংলবা চেকী অনাং শঙোয়গা

মনিংজোমদা শম্লথরি, থোঙ্গান্দগী খুজিঙ্গং চংগ্রগা চেক্লী শংঙ্কল মমাং শঙ্গোয় অমস, চাওরবা য়ুম অহুক্কী মফমংদা শাম্মি। য়ুমশিং অহুদি মৈত্তে য়ুমশাংদা চেক্লা ফক্লাং থান্নগা জিঙ্ঘনা কুপই। য়ুম অংমমগী ভুমাং ময়াই ময়াইদা চেক্লা শাবা ফুলাশংবোংশিং চিং মথক্তা ভুজশি পাম্বীনা শংনা শংনা হৌরি। থোঙ্গামগী মনাইনা হৱাগাড়ীনা চংথোক চংশিন তৌবগী কাংথোংগী খুনাম তারি। য়ুমশিংহুগী চাওরবা ইথোল অহুস, অরাংবা দয়মশিংনা কোয়না থাজিল্লি। শয়া হাওরবদা য়ুমশিংগী অরাংদা লৈরক, মনিংদনা ভুরেল লৈরে। থোঙ্গাল চংকমদগী শঙ্গোয় কাওবগী মমাংথংবা নাকল্দা নিংথিনা কক্লবা জবাকুশুম পাম্বীশিং কুংনা পয়েং অমথুদং থারি, শম্বল ওইরে। মনিংথংবা নাকয়া অৱাং শঙ্গোয়না থোঙ্গালগা শম্নরি। পৌংয়োনকম য়োৎক্লবদা কয়াম্নীবী সুপীমচাশিংনা "খুনাং লাকও" হায়না লাওবা যেগেনদ্রনা তাথি।

"হৈস, শোয়চেদনা—" খংলা খয়া যেগেন্দ্র চংশিল্লকই। মত্তমসিদা মকোক খুম্বী সুপীমচা অমা লাত্তরবা থোঙ্গান্দগী থোরক্লগা ময়াম মরক্তা কমথাথি। মামা কমথবগা মমান্নবীশিংনা, "এশা নানবা, অমা লাকইবসে—" হায়না কিনা কিনা লাক্লিবী যেগেনদ্রবু তাক্লকই। যেগেনদ্রবু উবদা সুপীমচাহু খাই লাওথি, মশিগী, "মহাক!" হাওনা শোনথিবদা মশামা থংজথিদে। হয়াঙ-জমনথিবদা মমিত্তা ঈরা চেক্লকই, "ওসিদি খংগনিদো—" থবৌয়-হুংদা শিংলকই। মমামথশিংগা লোয়া লোয়া তায়রগা ময়াইদো তুমিন কমহুনা লৈ শরৈ। যেগেনদ্রনা মথোয়গী মপা হৈক মৌবকংদা ইথং থংরেদগী লৈশাবীশিংদা খুৎশয়না হোৎনজক্লগা যেগেনদ্রবু কোয়শিল্লি। যেগেনদ্র ইথুক ভুকথয়ে, চৈরক অনিদা সুপীমচাহুনা খুমিবা কোকী কিদো হাইনোয়্নলা, "চংথিবা য়াংলোই" হায়রকপদা যেগেনদ্র ভিতত্তক মাইথিরফলে। সুপীমচাহুনা তুরংলাবা মেংলগা লৈরকই, মথথোয় মিহয়া দং দং চোংলকই। "মহাক,

বনমালা !" হায়না ওপ্পা শাগ্রথি। মতমসিদা মুপীমচান্নুনা মথোং ওপ্পা ওপ্পা থাংহনা য়াহোংগুম ভগোয় শায়গা মৃক্কই...

"চৎখিবস্থ য়াগ্লোই হন থবস্থ য়ারোই, ঐদি লমদমসিদা পোক্মীনি লৈকোলগিদা শাংগীন," হায়না মথা থংবদা লোয়বা য়ুমদা পুং থিল্লি। মমাম্বীশিংনা খাবল চোংবগুম মথোং খোংথাং হাপ্পা শম্ব্রিবা মথুংশিংনা হাইগৎ-হাইথ ভগোয় শায়গা মুপীমচাচ্চুপী ঈশৈশেদো খুমই। ঈশৈনা শম্থরকই, "ঐদি লিংজেল থাবগী মচানি, বায়ক চেৎপীগী মমোম্মি, কোলোয়না বনমালা কৌজেল্লে। ঙ্গাঙ্গরিঙে ইথুংনা থমজহৌয়গে পুন্দুনা, ভমজদবনা কোইনা থিজবা। কল্লিদকো মুপাগী থমোয়, পিনা খুদোল কচ্চরম্বা, কাওবিরবরা, নিংশিংজবরা পিগী চৈনা কাওদবনা। নখোংদা য়োহ্লিং থাংলগা, থমোয় পোন্দা থমজয়গে, চৎখিবস্থ য়াগ্লোগ, হনখিবস্থ য়ারোই।"

অস্ত্রা মমাম্বীশিংগা ঈশৈ শক্তুনা ভগোয় শায়িজেদা য়াথল অমা লাক্লবদা বনমালানা পোৎয়োনবীগী মনাক তান্না চিংশিল্লি। বেগেন্দ্রদি মাগী হৌথিবা ঈশৈ ঈশৈনা পাওথুম পীদ্রুনা বনমালানা মাবু অমুক চপ চানা লাক্লবদা মুপী ময়ামগী ময়ক্তা ইওক ওক্লী লেপ্লি। লুকমাইদগী অবেয় খুবাম অমা লোয়গা বেগেন্দ্রগী মমাই শৎ তৈজশিনবীরে। বেগেন্দ্রনা "হেঃ হেঃ—," হায়না মৎুৎনা কনা কমা ওাকচয়বস্থ বমমমালা অমদি অজে মমাম্বীশিংমা হয়াও-থোই-মুংভাইথোই বেগেন্দ্রগী মম্রিৎ-মমায়, মকোক-মক্ক, মকি মক্লোলনচিংবদা নোক-নোক্তুনা পংজেদা তৈরয়ে। বেগেন্দ্রম্ব লৈশাবী মচা মঙা তরুক অজুগী ময়ক্তা বনমালাবু শাওথোই, কঞ্চিথোই চেজেৎ থোনশিন্দুনা বমমালাগী মথৌয়ি মথাদা মনাই লোক্লুনা থমগ্রে। লৈশাবীশিংনা "ওসাই ঐথোয়না তৈনবদা য়াওদে"—হায়না বনমালাবুস্ব য়াওনা পংজেদা তৌবিয়ে। হৈশিংবী লৈশাবী শ্রম্বা পোথয়োনবীদগী কা মখা জিংবগী মহি লোয়গা

অবেরগা ভোংনহুনা চাইবা য়াওরক্লে। য়াওশংগী মুংঙাইজবা মপুং ফারে। মতৌ'হু উবদা "পোৎ য়োনবীদি ইশি শিনা নোক্লি। ময়াম পুম্নমক্না বনমালা অমসুং বেগেন্দ্রবু ঊবা পেল্লবদা চেম্নোকখ্রে। ময়াম্না চেনথ্রবদা বেগেন্দ্রন্সু মথাই লোংখৎলকই, বনমালাবুদি কোম্লি। বনমালাদা মুগা য়েংই পুমঙাং ঙাংহুনা লৈরম্মই, বনমালানসু বেগেনবু হঙ্গংনা য়েংই, পুমঙাং ঙাংবা উই, নোককেং তৌই। তঙক তঙক য়েংই, অনিমক মুগ্না য়েংনৈ। মমাম্নবীশিংনা, "ঋা" লাওনা নোকপদগী খাদোক্লে। ইকাই ইকাইনা হল্লোক্লে।

"নথোয় ফত্তেক্কো—," বেগেন্দ্রনা অবেরনা পুমঙাং ঙাংলবা মফি-মরোল য়েংলগা হায়। অশেংবমকসু বেগেন্দ্রগী মফি-মরোল লোয়রে, অঙৌবনিং। অমুক্তোয়বা শলাক শারে, পুমঙাং ঙাংখ্রে। বেগেন্দ্র ফুরিংখাউদগী রুমাল লৌথোক্লুনা মমিং-মমাই তৈথোকই। মতৌঙুদা বনমালাসু য়াওনা লৈশাবীশিংসু নোক্লকই। মথোয়না নোকপহুদা পোৎকম ফম্লিবী মুপীহুনা, "হৈসঃ নথোয়সু ফত্তেদনা, লোইরে, করম হায়না চংখিগান আসবু লম্বীদা, মীগী মফি মরোল্দবু" হায়না লৈশাবীশিংহুবু ঙাংবিরে। পুম্নমক হেনমনথ্রমাক্লে খম্নহুনা তুমিন তুমিন লৈনরে। পোংয়োনবী অন্তদি বেগেন্দ্রগী মঃফদা অবের হেনমগা তৈশিনবহুদা য়াম্না শাওরে। বেগেন্দ্রসু মুঙাংঙনা উরে। লৈশাবী পুম্নমক মুঙাইনত্রে। পোয়োনবীনা, "নথোয় ফিসে শুদোকংিয়ুসে—," হায়না ঙাংবীরে।

"শুবিগে, শুবিগে—। শোম্নথ্রবনিনা করম তৌনি—," অম্নম থোক্কনি খংহৌদ্রবী লৈশাবীশিংহুনসু হায়রে।

"হবু'ঙো শুহল্লু—অহুমবু করম হায়না চংখিগনি—মীগী মমাংদা—," পোৎয়োনবীনা হায়। মতু তাবদা বেগেন্দ্রসু খানা করম্না সোরোক্লা অমসুং মথুংগী মমাংদা ফিভম অহুম্না চংখিগদগে, পোকচৈদগী অপ্নম্না অমুক্তা তৌজত্রি খন্দুনা ফি শুহনখিবনা ফগত্রা খল্লি। খম্নদা তৈবা ওইরবদি ফগদবনি, ইকাইয়বসু ইকাইনা

চংথিগদবনি, অতুবু ময়াম চংহুনা মহি হৈবগা, ভৈ.গা ভৌরবনা অঙাংবা ফুরিৎকুমথ্রে। বনমালাস্সু শুংঙাইত্রে, মথোয়-া পোংহোনং বীদা হায়নহুনা মাগী ইমুংদা ফিরোল কংদ্রিবাওবা বেগেন্দ্র লৈবা ভারে। য়ানরবদা কনাসু লৈতবী পোৎয়োনবীগী ইমুংদা বেগেন্দ্র ফিরোল হোংদো ক্র। বেগেন্দ্রগী ফিরোল পুন্না বনমাল অমসং মমান্নবীশিংনা শুরগা কৌথ্রে। ভৈবগী ভৈবা মপুং ফানা ভৈরগে খল্লবা লৈশাবীশিংনা পাখং অসিবু ইরুজমিন্নবা অমুক্কা ভুরল খোংজুং ভাম্না পুথরক্লে। বেগেন্দ্র মোঙা ফুরিৎ শেগাকেৎপী অমা লিংলি, অরাংবা ফি মতেক অমা শেৎলি। ইপং পংনা লৈশাবীশিংনা মহাকপু অবেরনা পু ভৈদা ভৈবরে। মহাক্সু বনমালাবু ফারগা কোন্দুনা ভৈবরে, অমগা অমগসু মহৈ মহৈ পংভৈদা তৈনরে। মথোয়না নেকপা লাংবা খোংজুং পুমনিল নিনখরে। অবেরনা থুপখিবনা মমিৎ মমাই পাংবা ওয়দরে। মমিৎ পাংনদ্রবদা অমনা অমবু ইমথুবদগী ঈশিংদা জম জম হাইথনখি অমসুং অবের-া থুপ্লবা মমিৎ মমাই ভাংক্লরি; ফনানা ইরুপ্পা ঈরোইবস্থ য়াওরি। লৈশাবীশিংনা বনমালা অমস্থং বেগেন্দ্রবু ঈশিং হেক চাইশিন, চিংহি হেক হৈজিন মুংশিহুনা লক্লবী। মথোয়গী মরক্তগী অমনা,

"ঐথোয় বনমালাসে—। নহালমথৈদি পাথ অমভগা য়ান্না শাসিগা য়াপোৎ নত্তে। অথেয় ভৈংখগাসে নোক্লপ্রপোৎনি। হৌজিক্তি—," হায়না হৌদোয়ক্তুনা ময়াম নোকই।

"মাগী মাগী হায়বসে—," অমনা হায়রকপদা বা বা নোকই। ভুরেল খোংজুং অহু পুমনিব নিল্লি—।

"অহুবু কৈদোয়বগে য়াম্রবরা—?" বনমালানা হয়াওনা বোক্তুনা হংজে।

"হোঃ কজে অসুম্না ভৌ হায়বমে। নহালমথৈসু অন্থম্না তৌখ্রবদি ঐথোয় হয়াওরোইদয়া। ভু'া উবা য়াদবী ভইনা

লৈদৌ শরুক—," ময়াম্না লৈক্লে।

কনামতুনা স্নুপাসিবু কনানো, কদায়্বাইদগীনো হায়বা থংনদে। ভোইগুম্বম্নুং বনমালাগী চান্নবী মতা কমলান'দ মতম'মদা মত্তান্না শকথংদবা স্নুপাবগী মমাংদা মপি তাখি হায়না হেক হেক শোক্লবা পাথং অম্ব ওইরমগত্রা হায়না চিংনক্লখি। মতাকপু ওইরমত্না মত্তাংগী মুংনাংবা কয়াবু কোক্লবদি পেক্লরগে হায়না স্নুংডাইক্লে।

ঈরুক্লবা লোইরবদা লৈশাবীশিংনা চোৎলবা ফনেক্লু মৌগুম ফিদোম চিংথৎতুনা শেংলগা শেগাদা স্নাবুল অমমম য়েপতুনা ফাথৎলকই। হায়না ওগোয়-ঈশৈ তম্বনা নিংথিনা হৈরবা মুপীং মচাশিংহুনা বনমালা অমসুং যেগেন্দ্রবু মখোয়গী ময়াইদা চংহল্লগা ক্লগোয় শানা শানা চৎলকই। নিংথিজরবী, মপুং মরৈ ফারবী লৈশাবীশিংগী মরক্তা পাথং মতোমতা তরক তরক ম্লাওবনা যেগেন্দ্র মমিৎশনা ঈথক থক্লা থাংক্লখি। অশুম্না, অতোপ্পা মী কনাশু উহন্দনা যেগেন্দ্রবু পোংয়োনবী শিক্লগী ইমুংদা চেকশিন্না থনম্লগা মহৈ মহৈ চৎনখি। হৌজিক্ত বনমালাদগী মডম ওইরে। বনমালাসু যেগেন্দ্রবু শিক্লদা কুপ্না শিংরম্লগা মফি মরোল হোংনবা মম্নুম চংনখি। চৎলমদাইদা মাগী মত্তা কমলানা, হংলকই, "ইত্তা! কনানোবা অসিবো?"

"ঐনা হেক হেক হায়বদো— !" হরাওনা, মোমোন মীনোক্না লোয়ননা থুম্লগা বনমালা ইফিং ফিংনা চৎকে তোবদা—কমলানা,

"ইত্তা, চাকংঈশিংগাবু ক্লরম তৌরম্মগদগে," হায়রকই।

"হোয়রে, ইত্তা—," বনমালানা থুমই। ভাইহাক পল্লগা "ইত্তা ঐহাক ঐগী চাংক্তো পুম্নকে, নংগীহুসু পুম্নকউ ইনেশিক্ল-হোয়দা চামিম্নশি," হায়।

"পাবু না য়ারক্রা ইত্তা?"

"চম্নবসু অহু মডাইয়ে, ইত্তা—," হায়রম্লগা চৎখি। মত্তাগী হরাওবা মতৌ উবদা কমলানা হেম্না হরাওক্লখি।

কমলাগীগা শিজগীগা য়ুম থংনৈ। লৈরকী ওবাংদনি। কমলা হায়বীসিদু শক-চু ফজবী, ইনাক থুনবী, মমা মপাগী ভাংলা পোকপী মচানি। বনমালাগা নোংমতদা পোকমিন্নবনি হায়তুনা অহল লমন্না "ইভা" হায়না কৌনহনবনি।

শিজগী ইমুংদা বেগেন্দ্র মাক মরোল হোংতুনা মথম-মলা ন্যান্না হাৎতুনা লৈরে। "দুভাইরেদা ঐনা মুভাইরিবসে কম্নি থোক্লগবা" চিংনজে। মুপীনা মুপাবু লুনা ভোবা অসে হাং-নিংভাই লৈত্তে। মত্তানা চৎখ্রবদা শিজগী য়ুমথংনবদা লৈবী কমলানা স্নো, পাউডর, থাউ মনম মুংশিবা পুম্নক্কুনা যেগে। পী। পুম্নমক অহু বেগেন্দ্রগী মফমদদি কান্নদবা ভাক্তনি। শিজ লুপ্তাবী অশেংবী পোৎয়োনবী নত্তে, য়াওশংগী পোৎয়োনবীনি। মচামুপা পীশক চহি ভরুক-ভস্পেৎভা ভাইরিবা অহুগদা লৈ। অনংবী অমন্থ নত্তে, মচা মমৌনচিংবা লৈশাবী মৌশিংনা য়াওশংদা পোৎ য়োল্লু হায়না হনশিনবদগী য়োনবনি। বেগেন্দ্রবু মুংশিতুনা মানা মাগী য়ুমদা পুশিন্দুনা ভুমিন থম্বীবনি। চাকভন চাহুনা মমান্নবগা শেনথাইবা চৎখিবনা মচামুপা অহুম্থ লৈত্তে। বেগেন্দ্রনা শিজগী য়ুম মন্নুংগী নাল্লবা কা অমদা মভোমত্তা চৌকিদা ফম্লি। ভাঙ্গা অসিদা মত্তাগী বাথল থম্ন ফোংদোক্লবা অমম্মুং পাথংগী পুকচেলদু য়েংনবা কমলা কাসিদা চংলকই। ফমই, চৌকি অমদা। নাম্লা হাৎলবা শমজাশিংবু মথৎনা থাইদোক-থাইদোক্লা হায়ম্লকই,

"ঐহাক বনমালাগী অমম্লা ভাইব্লবা মত্তানি।"

"মত্তা—, শকম্ন য়াম্না মায়ে," বেগেন্দ্রনা থুমই।

ঐগী ইভাসে, য়াম্না কুইয়ে মথাই মুস্তাইতবী লৈরকপা। মানা ফনাগুম্বা শক থংদবা অমগী মফমদা ইথং থংহৌদনা কপ-থোম্নকউয়ে, কম্নি মন্নমগীদমক কপখিবনো হায়বা মহাক থংশিনে দ্রায়। কম্নিগুম্বা অমুক্কংগা উম্নম্নবদি—হায়না মানা ভকমম্নবদা ঐমু য়াওনা নহাল মানা চাক চাবা চংলুবা য়ুমহুদা অমুক অনিয়কনু

চৎলু ম্বা, হেংনবদি ফংলক্তে। ইত্তাদি মতম থরদি মথায় মু ডাই-ভবদগ্ন যাবা, হিক্কা ফাওবা কয়ৎবনা মশাফাওবা শোকলুরে। থৈজিক্তি, কার বাংগবনা হায়না ঐনা থেম্মনবদগী থরা ফরবনি। অদুম অমুক-অমুক 'ইভা, মহাক্তুবু মউররোইদ্রা' হায়না মপি ভাবনবৈ শোল্লকপদি—, 'মোয় কানবনি।'"

কমলাগী বারী ভাবদা মথমোয়দা থুক্ক লাওবা ফাওরবা বিগন্ত্রনা নম্রবা খোঞ্জেলদা মরুক হংলকই,

"বনমালাগী মত্তা, নুপা অতুনমু তশেনা হাক্তরকপনি। কলনো, কদাইদা লৈবনো হায়না কয়া থিরবদা ফংত্রবদা নিংবা কাংনা হৈরকপনি, মামু।"

"মতুত্তং তাক্রবদা ইত্তানা কয়াদা হরাওজগবা!" কমলানা চংথরকই, "অঙ্কা, নোংমদি ইত্তানা মাগী মতৈভনা রডিওদা ইশৈ শক্লবা কৌরক্পদগী মক্লুই। মানা মাগা উনখিবা নুপাকী ঈশৈশিং হায়না ঈশৈ অমা খ্রায় য়াওনা শকচ; মথংদা মাগী ঈশৈ অমগা খমোয শোরা শকই। অরা অরা ইত্তানা চিক চিক ক্কপথি; অভাবখিগী থংোয়দা পাংথি। মরম চংলুবদা 'ইভা। নভাগী মতম চুক্কদা থন্দুনত্তা লৈক্তবা খরায় মাগী দমক্তনি' হায়। হৃম্বদা ঐনা খংোয শোকখিবা। নুপাগী খমোয় ফনবদি হৌনৈ ৎরু ছেংনবরা, ঐনা হারৌক্তথি।" বাসি তাবদা হেমেন্দ্র মপি ঈরা চেল্লি, হায়রকই,

"হারৌবিগনু। ঈশৈশিংনা থবুমু কয়া ডাওহনখিবা! মতু দমু ভাখিদবা—। নত্তাসে হায়মু, ঈশৈ শকপারা?"

"অঃ হায়নগী নিথেমচগা কোল্লুপ ওইবনা ঐখোয় পুন্নক ওগোয, ঈশৈদি চৎনবী ওইনা ভৈম্ন, হৈহৈ। হত্তামু ঐখোযগুম্বনি। পংৎোয়না রেডিওদা ফাওনা ঈশৈ শকপা থিংই। জগোয়, ঈশৈ পামজবদগী ঐখোয়বু দান্স কলেজদা ভমহ বত্তনি। ইত্তাগী পাংদি হাম্নু মরিংজেন থায়।"

'নখোয়দি থুৎখ ন-পাঙ্গনবা ইমুংগী ভাক্তনিদনা—।"

"হোয়, থাযনগী মনিল হায়বতু মণ্ডায়রে। য়াম্বুংগীম্ব ঐখোয়-না খরদং থংজানংই—," শিংনা কমলানা হাংরকই।

"ঐহাক্তি মুংঙাই-য়াইফবা ইমুংগী মচা-মশু নৎচদে। মুপী অমত্তা যাওদনা ইথুরা অমগা ইনাওগুপা অনিগা লৈক্তে —।"

"মিংবু করি কৌবীবনো? মুপী অমত্তা য়াওদবা হাযবসিম্ব ইমাবেম্মহোয়গা—" হায়না কমলানা হংলকপদা বেগেন্দ্রনা অমুক্তা মরক থৎলকই,

"অহোয়, লৈখিত্রবা —, ফরে, পুম্নমক কে'ম্না থংলক্লসম্ভু। ঐগী মিংনা বেগেন্দ্র কৌক্তে, বেগেন হায়নম্ভ কৌবী." অম্ম্না বেগেন্দ্রনা মথায় মুংঙাইত্তনা হায়রক্লবদা কমলানম্ভ ইমুংগী মরমদা অমুক হংবা ভমখিদ্রে।

"ঙাইহাক লৈমিন্নখিসি। লুক্না হামিন্নখিসি। ইত্তানা লুক পুরক্লগনি, ঐগীম্ব লোক্তরগে। করিম্ব চিংনবিগম্ভ; ইনেসিগীসি কনাম্ব লৈতবা ইমুংনি।"

"ঐহাক্তি চাক চাক্তরে—।"

"ইত্তানা হরাও হরাও তোক্তবা অসিদা হাবিদ্রবদি—মুংঙাইহৌরোই—।"

ভাজাসিদা বনমালানা যিনা কুপ্পা পুথম অপাকপা অমা পুম্নগা চংলকই, "ঈত্তা. ঐ লাক্লে।"

"পাবুং উহৌদ্রা ইত্তা! ?"

"পাবুং লৈহৌদে ইত্তা। ইমাদদি ইনেসিহোযদা ভা থোংহৌই চাম্নরম্নগা পুম্নকপনি," হায়তুনা অনিমক নোকমিন্নৈ। কমলাম্ব চংগ্রগা মাগী চাক শরুক পুরগা লাকই।

"নখোয়না তৌম্নিবদো ঐদি চাবা য়াওরোইকো," বেগেন্দ্রনা হায়।

"হাইমা—!" বনমালানা হায় মীচৈ থিরবা মপাবুং কাওবা

কিদনা হোৎনহৎবদা, হৃজরুবা ৱাখলগী বাংমদা বেগেন্দ্রনা হায়রক্লবদা নিংবা পুন্বা কাযনা মতাদা য়েংউকই।

"ইতা, ৱারোইন্নু মরাইনা চাজগনি," হায়দুনা কমলানা থেম্বং ক্তিল্লি। "করিগী য়ারোইদোরিবা – হঙ্গোইবিবরা, চাকথুম তোভানং বনি হায়হুন্না –ঐগা ইত সে সনানি"।

"অতগী নচ্চদে—," ইকাইনা থুমই। মতোমতা কুমুগীদা চাথিবা অদু নিংশিংদুনা কিজখি।

"ঐহাক চাজরদুনা তৌবনি।"

"ঐখোয়স্থু চারগুমসি, তোক্লসিবা ইতা!" বনমালানা হায়। ৱাডাং পুম্নমক্তগী লুপ্লসে বনমালান। "ঐখোয়দা ওইরবদি করিগী সনা পুবক্তুনা চাব্লগদগে?" হায়।

"লাকও—। কায়দে অমুক নিবা কাহল্লগদু," কমলানা হায়।

"ইবুংগো চাওদনা—নচল অনিনা শুক থরায় য়াওনা হোৎনরগা চাদবা ফুডাইগনাও," শিজশু য়াথরকই। চাদবা য়ারব্লোই খডলনা চাকচাফম তাগা চনকই। ৱাই পাক্লা তৈরবা মফম পক্ল। পুথম শেঙ্গা অদু চাক য়াওনা লৈ।

বেগেন্দ্রনা চংলকপদা বনমালানা কোইনা হোংনদুনা পুথমশিংদা চাক এক্লাং থইদোক-হাইজিন তৌরম্মী। পুস্নুম তাবা থোংনা তৌরবা বনমালাগী পাখোম অমদি থুৎশাশিংদা সনাগী খুজি অমস্থুং থুদোপ্পা নতিক চানা লৈতেংই। শাংতকপা গুলাপ অতৌবা কুচুগী মাংথোং অমস্থুং ততাংনবা থজাইবু নদগী হায়থরকপা সনাগী হাইবারনা অমুক্তা শুমহৎনা ফক্ষহল্লি। তাবাবা তাংলবা চিনবান, তুমত্তক তাবা নাতোন, কোইরাওনবা মীৎস্না অমদি মওং চানা কোল্লবা পীশুম উরুবদদা মীৎফম হোংবা য়াহল্লরি। লংনা তৌরবা চকথমদগী য়াম্বরক্লিবা সনাগী লিকফাংনা ফিদোম চিংথত্তুনা শেংপা ফনেক্লা থুদা তমপ্রবা থবাক্তা তজিন্দুনা

ত্তাংরি। ঙৌরবা কুচুগা চাননা শে লিবা কোমলা মচুগী ফনেকসু মপুং ফানা থোগংলি। নাঃ হাংলবা নিতু ঙৈনা শাংলবা শমজ্ঞাশিংদগী হাংদোক্লকপা চিংহিগী ননম্না থমোয় ইরাং হৌহল্লি অমম্তুং কংননবা হয়না শম্নোক্তুনা লৈরিবা শমজ্ঞাশিংনা হকচাংনা হেংথাক হেংশিন তৌবদা হাইথরিবা, মখোয়বু খুংনা, থুংনিংনা অমদি ঙক ঙৈহুনা লোয়শিন্নবা লাক্লরিবা বনমালাবু য়েংবগী অপেনবা লৈত্তে। তপেংনমক লিংথিবা, ফজবা কনাগী মরূপগা দনক নুপা কয়না মথায় থানবমক বনমালাবু উরুরবদি মতিক চায় হায়গনি।

চাদবা য়াফ্রংবিনা যোগেন্দ্র, ইকাই ইক্লাইনা, ফাগি-জোগায় জৌনহুনা লৈশাবী অনিগা চাক চামিন্নরে। থক্ল চাশিন্নরগা, “ঐহাক ওক্লচরে” হায়না মথুংনম্না চায়রগা লোবক্তুনা চেংকিদা অমুক ফম্লরে। ফম্না ফম্না হন্দক মরক অসিদা মতৌম্দা নুপীগা নফমদা থোক্লিবা থৌদোক কয়াসিদা ঙকচৈ। মরুওইনা মহাক্না উক্লিবদি নুপাশিংনা হক্লাই থীবিনি, পাঙ্গল শোনবীনি হায়না হঙ্গোয়রুবী নুপীশিংনা নকশিংরবদা নুপাদগী হেং হচং থোবী, ইকাইবা থংদবা অমম্তুং হৈ শিংবী ওইরম্বা অসিনি।

চাক্কঙৈশিং চাবা লোয়রবদা কমলা অমম্তুং বনমালাসু যোগেন্দ্রনা ফম্লিবা মফমদা চংলক্তুনা চৌকি অমমদা ফম্লরে। কন্না ইক্লাইথিবী নত্তে হায়নসু হায়গনি, বনমালাদি মমাংদা থম্লিবা যোগেন্দ্রবু মুংনা অমুকফাওয়েংবা ঙমজখিদে। হাঃ শিন্নরগা চংলক্লবা কমলানা হৌদোক্লকই,

“ঐখোয়মা ইমুং অমদা ফাক্তিন্নগা থম্মী হায়দুনা ঐখোয়বু তৌবা ঙম্বিনি হায়না লৌবিগন্নুকো। অদুগা, ফাজত্রগা মীগী থক্লায়বুসু ওন্থনলি হায়না ফিবিগন্নুবো। ঐগী ইভা অসিগী খোয়দাংবু থাহঞ্জিংউবনা য়েংচবনি বাক্নৌবিগন্নুকো —

থৈশিংবী কমলানি। লৈমা নিংথৌকোনগী য়াঙা শঙাং, চৌন লো-চং চংলোঙা খংলবী নুপী ম। য়াঙাং অসিনা বেগেন্দ্র য়া চুংবা থোকহনদ্রিদে, চন্দ্রনা লৈখিদুনা কমলানা শমথরকই,

"ম পা'ন পুকচেল কনবনি হায়না, য়াঙরবী নুপীমচা অমবু ওংপিরি। করিগী পাপ পুরোইদগে হায়বীয। হৌজিকসু অদোম্না ইতাসিবু অসুম য়াহনবীখিগদনা, শেংনা থুম্বীয়ম্মুকো।"

বেগেন্দ্রগী থংমোযদা থাংগুমদনা ইহুন অমা ডন্না ফাওরকখি। মদুদা কমলাগী য়াঙা শিংসিদগী পোক্লকপা নত্রে, কুইনা ফুমহুনা থমলুবদা তুংশিবগী ঈফুৎ অত্থু নিশিংবনা ফাংলকপদনি। হৌখিবা বনমালাগা উনখিবগী শক্তম, মাগা ঈশে মরী মন্নী মমিংতা উরকখি। ইংনা মখোল ফুন্না বেগেন্দ্রনা থুম্মকই,

"অদোমগী নতা অসিনা ঐবু কনা য়াহনখিবা! মীংসু খংহৌদা লৈফমসু হংহৌদা কয়াদা পুক্নিং তুংশিনা থাংজরকপা। অমিব মীরাইনা লৌবিগন্ত। শেংলবা ঐগী তুংশি থুদোলসে লংনবীগদরা—নতানা—?"

"হায়রোদনা হৌজিক্কি হায়নিংবদো, ইতা।" হায়না কমলানা বনমালাদা হায়বকপদা বেগেন্দ্রগী য়াঙাং তাবদা তুংশিবনা মথমোয় লাংকহৎলবা বনমালানা মমিত্তা পিগী ঈরা চেল্লহুনা হায়রকই, "ইতা—, কচ্চরব'ন ন হকচাংসিসু, থবাযসিসু মংঙান্দা।"

"তাবিররবরা, ইতাগী তুংশিথোযবা। লংনদনা লৌশিনবীরোনে থবায়সু, হকচাংসু ইতাগী। কোকহনবীরোনে ইতানা কপ্না থাংজবদো। তুপীগী তোল্লবা মপোক্লিনা কোয়না থিবসু ডমজদা, পিনা ভিক্ষা কচ্চরবা, পিগী লমন শিংবিরোনে, ইতাগী থবায় ওইবা।"

কমলানা অসুম্না হায়রকপদা বেগেন্দ্রগী মনাকোংদা বনমালাগী ঈশৈনা পুমনিল নিল্লকখি। তয়ংদা তাণ্ডবগুম শোল্লকই,

"তুপী ওইবী তোল্লিদা·········ডমজদেদো পাগল শোনবী নিবা।"

বনমালাগী ঊশৈ মরোলশিংবু বেগেন্দ্রনা তাংহোবকপদা লৈশাবী অনিনা য়েংনখি অমসুং বেগেন্দ্রনা বনমালাব ভশেংনা নুংশি হায়বা থংলবনা কমলাদি ‘ইতা নংনা থোক্কপা তৌজহৌরো”, হ য়রম্লগা কাদগী মপান্দা থোকখি। কা মথুংদা বেগেন্দ্রগা বনমালাগদা তাইহৌরে। মথোয অনিদা তাতরবদা বনমালানসু,

“পিনা থুদোল পীজরম্বা—” হায়রকপদা বেগেনদ্রনসু, পীগী লমন কিদনা—” হায়না অনিমক্না ঈশৈ ওইনা শকমিন্নরকখি

“থাদোকপিন্নুকো তোল্লবীবু, লাচ্ছগেকো ইনিং তম্মা ননাক্তা, লেঙ্গগেকো পুন্সিসে নুংশি নকাদা।”

“থাদোক্লরোইকো পুন্সিগী, নুংশি নংবু কংজ্জরগে, শকচরগেকো পুন্সি মহৈ যানবা।”

মতাং অসি থোম্লক্রবদা ওসায়মথৈ লুমতুনা তারংগ্লিবা কমলানা থুনা চংলক্কই অমসুং হায়রকই।

“তংশংনমক নথানিসে ল ইনা তম্নরবা হায়বতুনি—। ইত্তাবু থাদোকপিবোই হায়না রাশবপিরবদি নহাক্না, ইত্তাগী অশেংবা ওইরে শংজবা ঙমজ্রগনি।”

“কমলা, নংসে ওন্থোক্না শিংইকো। ঐনা চংশরক নংগী নত্তাব থাদোক্লোই হায়না রাশক্লবসিনি। অদুব ঐনাক্তি ইসা ইপা লৈত্রবা ইপাদুংহম্না যোক্কনা চাওক্লবা লাইরনা মশা অমনি। লাইরবা মচানি হায়না নংগী নত্তানা ঐব মতিক চাদে হায়গনি।”

“লাইরবা, ইনংকথুনবা হায়বতুদি লাইবক্ত, তংনাম্বগী মশা পোনবনি, তরায়বা তাক্কনি; চাম্মা থোক্না তোংনবা যাই। মীগী ওথোয় হায়বতুদি লৈবা ঙমদবা অরোনবনিদো—,” কমলানা হায়রকই।

“রাশল থেঙ্গগনু কমলা। হয়েং মত্তম অমদা লাইরব ঐগী ইনাক্তা অবা অনংগী মৈশা মংলাগা নত্তানা মনিং থংদবনা নিংঙম্বাক্কতুনা হিক্না হিক্না কপ্লক্লবদি য়েংবা ঙমজরোইকো—।”

"অনংবদা নংজয়গে অর'বদা রামিয়জয়গে, লৈভ লাইরদা শরুক যা'মঙ্কগে হায়না লেপচরিবসে মীজুংশি খুংদবনিনা থুংহনবীররোইদ্রা ?" বনমালানা হায়রকই।

'মীগুংশি খংদবা নত্তে। বনমালা, নংদি ইনাক খুনবা ইমুংগী মচানিনা পাবুংখোয, ইমাশিহোয়না ঐবু লাইরৈ, নংই হায়না যাবারোই। নংনস্থ মতম'মদা লাইরবা অনংবগী মৈশা কংলবদা ঐবু জুংশিরক্লোই, মতমংদদা ঐবু মশক থংলক্কনা নংগী পুকচেল হোংলকনি। নংনা ঐবু খাদোক্কনা চংখিগনি। মতুদা ঐনা রাহৌগদবা খমোয় শোকহোগদবা—। নংনা ইনাক কৈরাক খুনবা অচৌ অশংগী মচা মঙ্গু ওইরম্বসিদা ঐবু রাহল্লি—।" বেগেন্দ্রনা মনায় মক্লা হায়রকই।

"ঐব অত্ত য়োনা থাজবীত্রবদি, তোল্লবী ঐনা রাশকচরিংবশিনি। লাইরৈ নওগ হ'য়না নংবু করিগুম্বদা খাদোক্কে, পুকচেল হোংগে খঙ্ক্লবা জুপী ঐখোয়গী অহানবা থুদোংখিবমক্কদা ঐহাক শিবা ওইজগে—," বনমালানা হায়রকই অমগুং মমিত্তা জৈরা চোল্লি। মসি তাবদা কমলানা "হত্তা— !" হায়না খাম্বকই।

"বনমালা !" হায়না বেগেন্দ্রগী মথুংনস্থু লাম্মক্কনা বনমালাগী মচিন মেল্লি।

"থাজবীয়ুকো, ঐমা ইপাবু পন্দুনা রাশকচরিবনি, কৈদৌউদস্থু নিংজবসি হোংজররোই। অমনা, করিগুম্বা নহাক্না ঐগী নিংজবসি থুংহনবীদনা লংনবীরবা নত্রগা হন্দোকপিরবা জুপী ওইবীগী হৌনবী খাদোক্লগা পুন্সিসিদা অতোপ্পা কনাগী ময়ুমদা য়ুম্নাক শাগে হোংগ্রবোইকো, খংবীহৌরোকো ইত্তাস্থ, মুপা ওইবা নংস্থ," বনমালানা অসি হায়রগা মমিত্তুগী পিনা অয় অয় শিম্বরকই। বেগেন্দ্র ভুমিন লে।

“ইত্তানা অসি য়ৌরফাওবদা হুপানবো তু'মিন লেবাবাসিং করি মত্তৌনো? হায়বীরোনে তশেংবদো—,” কমলানা ঙৱায় ৱানা হাযরক্লবদা বেগেন্দ্রম্ন মমিগী ঈৱা শেল্লগনা হাযরকই,

“লপ্পবনিনে ঐহাকম্ম। কদোউঙেদগ্ম নংবু থাদোক্রোই। অৱাংচুংঙাইদা নংনা ঐনাক্তা ভানবীতুনা ওইজ্জর.গ:কা মীথোয় মীহেনবা—।”

“অত্তনিদনা হুপা হায়ত্তুনা—,” কমলানা হায়রকই, “নহাক্কী-দমক্তা কথোকচরবী হুপীসিগীদ-ক থরায থ'বক্তাএবা ওন্নীফন থোক:”

“করিগী ঙম্মোয়দগে, কমলা, নুংশিবগীদমক। ঐনা ৱাখদি ঐগী লাইর অনংবনা নত্তাগী নিংবা থুংবা ঙম্মোইদ্রা হায়বসিদনি। নংনা কয়াম্মা অৱাবা থাংবা ঙন্নীনো— ? হযেং করিগুম্বা কুপ্পা থংনরক্লগা ঐবু, ঐগী ইমুংবু মত্তিক চাদবনি হায়না হুহোক্তুনা চংখ্রবদি ময়ামগী মমাংদা ঐথোয়দি শিহোরেদো, কমলা!” বেগেন্দ্রনা মমায় মক্না হায়রক্লবদা,

“করি ৱ'নোদা ভাক্কপিরিবহুবু। য়ুম পানববু ক্ষাগিদোনা হোংদোক-হোংজিন তৌনবরা, লাইরবা ইনাকথুনবা লোন-লৈনবা মশিং লাকঙমদা লৈরি। ইত্তানা অহুক মবুকচেল পিকচরক্লবদি মহৈ ফংজরেদন্না—।”

“হুপী ওইজ্জরবম্ম পুকচেল য়াংবী নচ্চদে, অহুক তোম্ম' লৌবিগনু। মহৈ পুন্নমক ঐগী ওইজ্জগে,” বনমালানা চিংজেম্মা হায়রকই।

“ওক্লে, অরেগা ৱাকমদা ৱানরে। ইত্তা হৌজিক্তি কংনিংবা নিংশিং থুদোক্ত তৌবা মত্তম চারে। নত্রবদি অমুক হল্লক্কম্ম কনানা থংবা হুপাগী পুকচেলবো। ঐম্ম ফিংরোলশিংদো লৌক্ল-থিগে,” অসুম্মা হায়রম্লগা কমলা মপান্দা থোকখি। হৌজিক্তি ৱবমাংজাম্ম মাগীনি থংলবা হুপাত্তবু হকাইবা, হঙ্কোয়বা লৈরক্তে। মহাক্না খুম্মায়দ্রা শিন্নিবা থুদোপতু লৌথোক্লগা বেগেন্দ্রগী ম্যখুৎ

ওইবু মথুৎ অনি চংনা ফারগা মখুনিংগোদা শিজিনবীরগা হায়রকই,

"ঐগীদি করিগু লৈজদবনা ভমজরিবা করিসু লৈতবা খুদোলাসন্না মত্তম খুদিংমক্তা ঐধু কাওদবা ওইহনবিশঙ্কুকো—।"

"করিগীনো, বনমালা। পাবুংহোয়না থংলগা করি হায়গনি। অরুবা অমনা পোংকা পিনবসে থুংনদে হায়নবদায়—।"

"কনানা—হাযরিবা হায়জিনবত্রুবো—খাজারিবা।" অমুম্মা খুদোপ শিবিরে। লাইরৈ-নংই ভাবদগী হেন্না মুংশিরবা বনমালানা বেগেন্দ্রগী ইহাং হাংবা মুপা ওইবগী ওইগী খুদাং অহু য়েংবদা মুংডাইত্রবদা মথুদা দগী ঘড়ী লোৌখোক্লগা বেগেন্দ্রগী ওইগী খুদাংদা শিংজিনবিগে ভৌরকই। ভৌইগুম্মুং বেগেন্দ্রনা,

"ঐগীসু ঘডীদি লৈজে, ইনাওনা পরিক্ষা চংপদা শিখিবনি," হায়না বনমালাগী মথুৎনা ফারিবা মথুৎ ওইদো লৈখোকপলৈশিন ভৌজে। অমুম্মা ভৌরবদা বনমালানা বেগেন্দ্রগী মথুৎপু চেংনা ফারগা মথমাক ওম্মা চিংশিল্লগা মথুউ অনিনা চপ্পগা খুদাংদা ঘড়ী শিজিনবীরে। বনমালাগা মজোহুদা বেগেন্দ্রনা বনমালাবু মুংশিবা অমম্মুং কল্লকপা অনি য়াম্না বনমালাগী চিংখিরবা মাযদা মুম্না হেংখি। ঘড়ী শিজিনবীরগা বনমালানা মমায় হাইগংলকপদা বেগেন্দ্রনা মাগী মমায়দা মুগা য়েংলগা মীচানরুত্তনা ইকাই ভুজুংলবা ইখিল অমগা লোয়নবা বনমালাগী ভথরুহা মীৎনমু বেগেন্দ্রগী মায়খোংবু মীৎ কুপ্তনা য়েংহনা লৈখি। অনিমক য়েংনহুনা লৈ। ভাইহাক য়েংনরবগী তুংদা বনমালনা মমায় জুকথরগা বা অমত্তা ড়ালনদনা বেগেন্দ্রবু চিংনা অমুক্তং য়েংলম্লগা হৌগংতুনা মপান্দা খোকাখি। বেগেন্দ্রসু ইকাইনা তুমিন ফংহৌই।

মু মদাংব ইরম ওইরক্রবদা কমলানা লুচিংহুনা লৈশাবী মম্রাম বৌ য়ো লাক্লে, বেগেন্দ্রগী কিয়োলশি মু নানা কোনয়াহ ভরুগা পুম্বক্ত মক্ মরোল নাম্না শেংলবা লৈশাব শিংনা লোৎভুনা থঙ্গুরবা বেগেন্দ্রবু মখোয় মশেন অমনা অম্না ডাং, অমনা অমা থুম

যেগেন্দ্রবু লকবমথৈ লক্কবীরগা থীন্দোকপিরক্লে। য়াওশংগী হয়াও-কুম্মৈ মতম ওইবনা মুপা অমনা মুপী মগা শি গা লোয়নবদা কনানম্ব অয়েং চংনদে। নোংচুপলোমদা মুমিংনা কনা ওম্না লৈথরক্লবদা যেগেন্দ্রম্ন লৈশাবীশিংগা কায়ননবা হায়জরক্লে। যেগেনত্রমা লৈশাবীশিংদগী কায়নহুনা মতোমন্তা চৎপা হোরকপদা লৌশিং লৈবী কমলানা হায়রকই,

"ভোওম্বী, ইকাই খংদবী ঐখোয় ময়ামগী মরক্তা ভোবা ওমপ্রবী, ইকাই খংখিদ্রবী অমা লৈহৌরিবসে কাওবিগঙ্কো।"

"ওঃ কমলা, নখোয়গী মরক্তা মতম খরদংদি শিরজরমখিগে নখোয়না খর ওাকপিরম্বো—," যেগেনত্রনা খুমই।

"খংদে, খংদে—, মতম হেনপ্রবদি নিংওমজহোয়োইকো" অমনা লাওই।

"হয়েং ঐখোয়গী চাকচানবদা য়াওগদবনিকো, লাকত্রবদি য়ায়োইদবনি—," অমনম্ব হায়। মখোয়না ওাংবদা যেগেনত্রম্ব "হোয় মানি" নচিংবা কয়া ওাংনা, কা.জুং, হৈরা শিজগী পোৎ-কমদা চাহুনা পাখং লৈশাবী ওইবনা য়াওশংগী হয়াও তয় ম্বা মপুং কায়বা তুংদা যনমালা অমসুং অতৈ মমায়বশিংগা কায়নহু-না মমুম্ন ত্তয়া লাকখি।

যেগেনত্রনা চৎত্রবদা তুমিংনগা মমশিল্লকপগা লৈশাবীশিংম্ব মখোয় মখোয়গী মযুমদা চংনখি। তুংশিবা হাৎবসিনা ওাইহাক লৈত্তনা ভোৎনা ত্তিয়হুনা, উনহুনা, লৈবা অমম্বুং ভোংনা উনবা ছংদবা মুংশিনবা তুপা তুপী পুয়মক্তা তুংশিবগী অবাবা চৈনাবদি হেক হেক ফংহনমায়ে। ত্তোইওমম্বুং মুংশিবা হায়বাসিমাক্ত অবাবদা পীয়গা ভোকপা মশক উদবা অম্ব নত্তে। মহাক্তি তুংওাইবগী হোয়ককম্নি ত্তোবদবু মুংশিনবিবা মুংশিনবিবী অমুগা লোন-লৈনয়বদা তং ওাবা মুংওাইবম্ব কংই। মযুমদা চংলক্লবদা যনমালা, রাবী-রাত্তায় কয়াদা নোকমিনগদবা মমায়বীশিংম্ব য়াওত্রবনা মবুঙ্গিং

ইয়াং লাংনা নিঙোন্স কাদা থারিশা নাম্লবা মাগী ফমুং মচিন্না. ফমথৈ। ঙসিদি মহাক ইপেন্মা পেনখুঙম উন্নি। থোয়বাংলবা থমোয়বু থিংবা ঙমদবনা মরম চদনা মৌপবাবু, মমাবু কৌঙ্কি, ছোগৎতুনা পায়ফম থোক্তবা পোৎ-চৈ কয়া পায়গ্নি, থম্নি; ঙাইহাকস্তু তুংবনা চপ লেপ্পি। চাগনি থক্কনি হায়বা কাওবগুম ত্তোগ্রে। চাক চাম্লোই তাবনা ফমুং মথক্তা লোংপ্রাক লোংনা ছিপগ্রে। নাম্লবা তুপী ওইবীনা পামজবমা লৈতেংনা থম্লবা কাগী মথক্কী পাকলদা নপ্লিবা অশাংবা ইলেকট্রিক থাংমৈনদি নিংঙাইদনা ঙানমনা বনমালাগী মতোবুনি ইশেং-শেংনা উহল্লি। মাথলনা ঙৎলবা. থোইম্লাংলবা মতোনি। বেগেনব্রগী মায়থোংবু মমিত্তা ওন্তনা উন্নি. মাগী ঈথৈনা মনাকোংদা ঙংলি; বেগেনত্র তোথিণা, ঙাংথিবা পুম্নমক উন্নি. তাম্নি। করাস্তু মাওদনা মতোমতা মোমোন মে মোন নোক্লি। কুইনা মানা ঙাইজবমা মহাক্লা মাবুম্ব তুংশিং থিম্লক্লা পেঙন্নি। বেগেনত্রব, তুংশিনবা থুমহৎতুনা মফম থংদনা মমতুগী পিগী ঈরা শিন্থবি।

কুইনা ঙাইজবত্বৰ ফংলবমা অচিকপা শিঙ্গী কাদা মথানিদা ফম্লগা মিৎকা মিৎঙা চাননা য়ংনখিবা অমদি থমোয়ঙ্গুংদা কাওথিবা ইথিন; তুপী মহাক্লা মাগী ওইবা তুপাতুগী অপাদা ফংহনথিন্নবগা. অসিমক্তুনা মহাক বারেৌথ্রবরা বনমালা নিংঙাইজবকথিদে। ফম্লিস নস্তুমদা মহাক্লা হজোবরুথি মম ক্লিংদা তুংঙাইজবকথিদে। অসুম্না বনমালা লৈশাৰ্থী মচা অমনা তুংশিনবগীদ ক মথাব, ফম্লিস লৈতংগা ফংথোক্লিংবগী মথল অত্ত লাকথি অমসুং মতুংদদি বেগেনত্রনা অপাম্বা থুদি মক থুংহন্দুনা মাব, তুংশিনবা লাক্লগে থল্লকথি। অসুম্না তুপা কাবস, কোয়ায়মি। অনিগুম্বা মাথলসিদগী তুপীমচা কম্না তুপা কমাগী তুংশিং লৌনম লাংদা থুক্তুনা মাংজবস কোলায়নি; তোইগুবসং তুংশিবগী মফমদা তুংশিনখিবগী মত্তমদাদি তুপী তুপা শংনা অথিংবা লৈক্লবা অসিদ থায়নথৈবগী

চৎনরকপগুম ত্তৌই। অসুম্না বনমালা ফুংশিবগী ঈপাক্তা ত্তাওখিবনা মমিৎ কল্লা অমঙ্কাওবা উইশিন্দনা অচিং হৌখিবা খংলিংদে অরাবদি নোংমা হৌখি. নিনি হৌখি হ্রমিৎ কয়া তৌগ্রবদসু বেগেনদ্রনা অমুক হল্লকপা লৈত্রবদা লৌনম চাওবা হুপাগী লমচৎ শাক্তংপু কল্লা চিংনরকখি। মশক মত্তৌ ফজবা বেগেনদ্রগী হেল্লা মশক মত্তৌ ফজবা, পামজবী অমা লৈবম্রবদি হায়দনচিংবা হুংশি মৈশা ফংলবী হুপী অমনা থনবা যাবা বাখল থুদিংনা বনমালাব ত্তংত্তনা ওংপিখি। কয়মদি ত্তৌনি, মীগী থপ্রোযসু, ফাবা হেক ত্তমদবনিনা যোহ্লিংনা পুল্লবী বনমালা রানা মপুন্সি লেল্লকখি। ত্তশে নমক বনমালানা বেগেনদ্রষু মভাং হৈবা, মশক মত্তৌ ফজববু শিজিন্নত্তনা হুপী কয়াগী মরুপ ওইবা লমচং নাইদবা হুপা অমগ্রা হায়না চিংনরকখি। পুম্নমক ওইরসসু, মাগী মাগী মরমচৎ ত্তায়বত্তুনি থল্লা বনমালা খাংঙকই। লৌনম ফনা ত্তৌরমত্তুনসু পিখিবা হুংশি খুদোলশিংনদি মহাক্লা থনোয় শেংনা পীজখিবনা ঙাইহাক্তংদা ওগরবসু বেগেনদ্রনা মহাকপু নিংশিংহল্লমগনি হায়না বনমালানা মবুক্লিংবু খেমজিনখে। অসুম্না বনমালা লেল্লকই।

ত্তমরোমদা বেগেনদ্রসু থন্দবা নত্তে। বনমালাবু থক ফাওবা ম্রদে। মহাক্লা কমগা রাগ্নী কয়ারক শাথম্রে, চাক কয়ারক চাখিম্নখ্রে ত্তৌইগুম্বসুং মথোয়বু কুইনা পুক্তিং লুপ্না থুনবা তমদে। অত্তব বনমালানা পীজখিবা অয়োনবা চাক, শাথিবা রাগ্নী, হকখিবা রাশক অমদি বনমালাগী মত্তৌ মৎং পুম্ন ক মিকুপ থুদিং নিংশিংত্তনত্তা লৈখি। মহাক্লা ছটংবা, তম্মা, অচাওরোং ফাদবা কুমুনগী হেনবা শাক্তং কহাসু বনমালাদা উপি। অরাবদি অক-বা রাশক হকগ্রবী বনমালাব ইনাক থুনবা যচ নিনা চিংবৈ, চিংনরবসু অতুম কংবা রাশকপু থত্তইদনা মপুক্তাচল হোংগ্রবদি মথাক্ত হৈরাক ফ বা ওই জগনি হায়না মদুকচেল খোংদা বেগেনদ্রনা খ যনা লাইরবনিনা বনমালাগী রাখলগা লোয়ননা শুংনোম্বদা

পুক্নিং হেৎনা চংনা লৈরক-তনি। অপোংনবক যোগেন্দ্র মংগী ঙৌবী কুমুগী মকমদগী লাপথোক্লবা হোৎনজরে। লাকউ হায়না কোয়রকপা কয়া চংখ্রে, উননিংলবসু উনকদ্রে। শয়া তায়রবদা, যোগেন্দ্রগী য়াওলদা কুমুদগী হেনবা অমা লৈরকনা কুমু মমা-মচানা মায় উথিংপিদবা কয়াদগী নাম্বোকচরে থক্লখি। অসুম্না যোগেন্দ্র লেংজবা তুংশিনা পনথুং অমা ফংলবা পাথং অমগুম নিংতম্দনা ইমুংগী লৈতং-লাইরক কোয়বা হোৎনহনা লেপ্লকই।

অহুমশুবা মতাং

চেল্লকপা

তুপী ময়মনা যোগেন্দ্র, সনা থুদেপ, ঘড়ী, কোট থোগ্রাও কুয়িং মরাং কাযনা লৈরে. লেৎপা চাবা নিংবা থুংলরে, কম ফংখনা লেল-থুম থরা থরা কোমজরে। য়াথল অসি তৌরগা কয়িগুম্বা মতমদা তুমিন কম্লবদি "ঐ অ.স তুপীগী ময়ল তোনমল্লে, নোংমদি লোয়দনা চোম্বা তারে" হেক হেক য়াজরকখি। থোকইবা, ফংইবা লেনগা লেৎলি-চায়িবনচিংবা মচাগী মওং মতৌগা থেম্লবগী ময়ম পুম্নক ওবা চন্দ্র লায়না থংই। পাথংগী মতম্না মনিং তমগঙসসু. লমচৎ নতুবনু চৎ ত্রিয়ৈ, মচাশিংবু মনিং তম্না থাদোকই। মচানা চৎপা লাক্তৎপু মপানা থংদবা তৌনদে। ওবা চন্দ্রনা থক্তিরুং চিংনরিবদি নহা ওইবতুদা য়াথল থেনবনা তুংশি তুংওনগী ইর্যাংদা তাওথিবদগী ইমুংগী চানবা য়েংদনা মমিন চুমদবা, চিকথোক-নাওকোম্লবা মুপী অমা কোক পুশিল্লকুনা মুপা তাক্কা ইকুহুদা

নৈখায়রম্মছ্রনা, মচিন মনাও ফাওবা ভিমবা য়াহল্লরোইদ্রা হায়বা অসিদনি। অমরোমদা পাথং ফ.র'ক্লবা পিশক্তি ময়াম্বুংগী অরু· অহেন ফিজেৎ-লৈতেংবু ম'নং ভম্না শেং·চরগা মমাঙবগী মরক্তা মীথোয় মীহেম্না, হরাও মথোয় কানা পাথং মতম :লনবা ভমজথিরনি, অরা অনং থংদনা লৈজররকপনি।

· নোংমদি পীশক মফি মরোল নাম্না শেংলগা থোরক্ল্না কৈথেল মচা অমগী মনাক্তা লৈবা চীং মচা অমগী নাকন্দা লৈখিবা সোয়োক্তা লেপ্লি। ঐ মঙাইয়ে হায়না থোরকপা পীশক্লি; চীং-লেম্না রাখল অংগা লোয়ননা লেপ্লগনি। মহাক্লা অম্মা লেপ্লিলৈঙেদা শংবামবা মচুনা তৈবা জীপ অমথক্লা ম-াক্তা ভপ্না থাম্লগা জীপ অহুগী মঙুংদা য়্যাওবী মুপীমচা অমনা হয়াও·। হংলকই,

"আঃ কনা ঙাইবিরম্মীবনো ?"

ইঙক ভক্লা পীশক্লা অঙাওবা পাথংগী হৌনবা "ঐবুম্না ? মা ঙাইরিবা," থুমই। বনমালা রারোই, হায়রকই,

"অম্বুক কূইবসিবু নোংমফাওবা লেংথিরক্লবা—!" পীশক ভকপদা থেংথয়ে, থোন চাওরপ্না থুমও,

"ঙাংথোদা, মীশক ওময়মগনিদা! ঐগীদি অমা লৈজেদা –!"

"অমা লৈজক্লবা" বনমালা পাথংতৈ, হায়রকই, "কাওবিরব্রা ননাইবু— ?"

মথ্যাই জুংঙাইত্রবী বনমালাগী মত্তো উবদা জুংনাংলবা পীশক্লা,

· "কনানো নহাকপু, ঐদি পীশকনি—," হায়রকই। বনমালা খাট লাওখি। ভঙক ভঙক পীশকপু মুম্না য়েংজখি, মাগী মত্তো উবদা মনাক্তা ফম্লিবা য়াইভয় চাওবা ইঙক ওকখি। জীপ থোবা থৌরকখি। ইকাইরবী বনমালানা জীম্না চংলকপগা ভপ্না শোঙখি, "জীগী যেগেজ্র, নত্তবা ? অম্বুক মানবা—।" বাসি পীশক শোম্নপ তাহোই, জীখি কম্না থোগংথয়ে। পীশকী মাথল লাকই, লাওংকই,

"থৈদি মনাওনে, থ দ মনাওনে—," লাওরগা পীশকনা চেন্না চেন্না তাইরে। বনমালা তাথিদে। পীশক য়াম্না লুংঙাইহৌত্রে, মতৌংমা ওইগনবা মুপীমচা অমদা মহাক্না উশিন্দনা তৌবীখ্রে। অমুক্কা, মহাক্না লেংলিংশিন্নবা কোংনুং খোংগ্রাওনু, খুদোপনু, ষড়ীমু ময়াম্বুংদা মুপীমা খুদোল তৌরকপা তাক্কনি হায়বা মহাক খংই। মসিদা নত্তনা ময়াম্বুংগী মহাক্কা যাম্নবনা করাগুম্বা তৌরনা উদবপিংনদ মীশক লেপ্পা তখদে। নিংশিঙ্গবা মুপীমচাহ্না কুইনা লাকত্রে হায়বা, কাওরবা হায়খিবনচিংবা পুম্বা মহাকপু ময়াম্বুং ওইরবোই নিংহ্না তৌখিবনি হায়বা পীশক খংলক্লে। ময়াম্বুংবু মরাইবক কৈ হায়না খঙ্গনি, মশক মত্তৌ ককন্নবী মতৌমা অমা মমিত্তা উত্তনি; লোম্বনা মুংশিন্নবী মনাওমুপী অমম্ব য়াওহনখি।

নিংতমচৌত্রবা পীশক্না ময়ুমদা চনথ্রগা ময়াম্বুংগী মফমদা মা পুম্মক তমলুরে। মনাওগী পাও তাবদা মখোদা লুপথিবনা কুইনা থিরাইক্লবা বনমালাবু লুংশিনা নিংশিংলকখি কুইনা উনদবদা বাজরবা বনমালাবু খদক্তা উনিংলকখি অমম্বুং মহাকপু লুংশিনবু শরুক চাম্না হেনগংলকখি। থুনমক, লুংশিনবা মহাক্কী মফমদা মহাকপু কাওদে মখো চিনবনা তৌরনা লাকপা তমখিদবনি বাঙ্গৌবিগনু হায়জক্লগে হায়না লেপত্রে অমম্বুং শেম-শাত্রে। হৌজিক্তি মহাক মচৌশাগুম তৌত্রে, শেন-থুমম্ থম্না কোম্রে, কাম্বগুম্বা অহোংবা থরদি পাম্লে—। পুম্মক অসে মহাক্না কুমুদিনিগা থংনজবাওদগী ওইরকপনি। তৌইগুমম্বুং লুপ্নবদি মহাক্না কুমুদিনিদগী তম্নাইনা হেক নৈখোকপা তম্মোইদৌরি, মরমদিদগী কুমু মম্না মচানা মহাকপু ইত্থোরকপা তাইরকপনি। অমুক্তা যানা বনমালাগা লৈনম্বিগা মশি অজি করিগুম্বা কুমুনা খনক্লবদি কজি খোক্লগবা, বেগেন্দ্র বাকবা তখিদ্রে।

নোংমাইজিং হুমিংনি। তুমিদাংবাইরম ওইরক্লবদা বেগেন্দ্র মখি মরোল নাম্না শেংলহনা ময়ুমদগী থোরকই। ঙসিদি অতিয়া মকোয়সে ইহাং হাংই, পুমশেং শেংই। নোংচুপলোমদা সনা অশেংবা মচু মানবা নোংজাবীগী অঙাংবা মঙম্না পাক শন্না শন্দোক্লি। য়েংথি য়েংথিবা মাইকৈদা মীৎকপ হোংবা য়াদ্রি, থমোয়বু নোইহল্লি। খোইমাংলবা শকনিং অমগা লে য়নবা বেগেন্দ্র বনমালাগী মায়কৈ তম্না লাকই মপুক্কনিংদা মঙল মঙল থাল্লি। কুইরে নিংথিরবা বনমালাগী মপক উদবা। মনাওদগী বনমালাদা মাগী বাখল লৈরি হায়বা থংলে, অতুম ওইনমক কনানা থংবা অম্বুক কুইনা উনরকাওবদা বনমালাগী পুকচেল হোংলমাখয়োংগ্রা. মহাকপু তরাম্না তৌবিরমখিগম্বা লাক্লা লাক্লা বে ন্দ চিংনখৈ। অমুক্কা উই বনমালাগী সুংশিরবা মায়থোং, মহাকপু হৈরাও মনোক্কা লোয়নবা সুংশিনা কৌগদবা; বনমালাগী থুমবা মখোনবু তারক-খ। বাখল কয়াদা তাওরগা লাকপনা বনমালাগী খোঙ্গাল য়োরক্লে।

কনাসু লৈবা উদে। লাম্লপ্পা মো লেশাবী খবাদ তুরেন্দগী ঈশিং লোকপা উই। তাংহাক হঙ্গৎ-হল্লা চংতুনা কনাগুম্বা শক লংখী অমগা য়াওবা হায়না য়ে বদা কনামত্তা য়াওদে। বাখল চাও। লাকপা বেগেন্দ্র অরেম্বা ওইরগদ্রা বাবা হোরক্লে। কারক্রে শুক্লহনা তুরেল মপান্দা অবাং পাংনা হাইগৎলকই। সিংবা কারনা ময়ুমদা হল্লগে থম্না চংলকপদা লাম্লপ্পা সুপী অমথক লেগদা ঈশিং সনাবুল অমা য়েপ্লগা মমাম্রবীশিংনা কৌবা ফাওবা থুম্মমদনা শুনা য়াংনা চংথিবা উই। বনমালা মাল্লি মাগী কিতমদো। খুমবা লৌদনা বেগেন্দ্রনা পরপ পরপ তাময়কই। নক্লকবদা বনমালানি হায়বা চপ চানা বনমালাগী খো, থুং অমদি শাজেং ... থংবা ঙম্লে।" বেগেন্দ্রগী মযাংদা সনাবুল য়েপ্ত না চংজি, ... পা অমা ইমরক্লি হায়বা বনমালানা খংথিজে। নক্লকপে থাবা বেগেন্দ্রনা, "য়াম্না পকচেংকো" হায়রকপদা বনমালা শুম্থিজে।

যেগেন্দ্র নত্তনা পাথং কনামত্তবু থওইনা তৌরবী বনমালাও ইওথররবা পাথং অমনা মতুং ইন্নকপত্থু থংলবদা শাওনিংখি খিনা চৈ:নিং;খি। যেগেন্দ্রগী বনমালানা মহাকপু থৌশাজববগা হায়না চিনবা হৌরকখি। বনমালাগী খোজাল মন্না য়েৌশিল্লকবদা বংহোয়োই থল্লবা যেগেন্দ্রনা, "বনমালা নহাক্তি য়াম্না পোংইনা—" হায়রকপদা হেন্না শাওরবী বনমালানা মথোং গম গম থা-না খোজাল চংখ্রে। মহাক্তি থংনা তৌরবগা যেগেন্দ্রগী রায়েৌয়ে। মাধু হন্নকাও য়ে'লমদনা বনমালানা চংশ্রবদা নিংবা কায়না বনমালাতোয়বী খোজাল মপাদা লেপ্লগা খোঞ্জেল লুম্না যেগেন্দ্রনা কৌরকই, "বনমালা! নহাক ঐহাকপু কাওরবগা ?" খোঞ্জেন্দু হেক তাবদা বনমালানা শাওনা লমহেনবা কনা ওইখিগনা হায়না তুং-হন্না য়েংলক্কপদা যেগেন্দ্রবু উমথদা খাই লাওখি, "নহাক—!" হায়না শোনবিবদা মশা থংখিদে। তৌকম থ'দন' লেপ্তু না যেগেন্দ্রবু মমিৎ পেন্না য়েংলগা হন্নাওনা মোয়োন তৌরখি। থা কন্না উপে কংজবা কুংশিয়বা মাইথোংবু উজ্জরবদা মথমোয় মথুম-মরাং হৌজখি। মফি মরোল নাননা শেংলবা যেগেন্দ্রব উথদা থমোয়দা অপেনবা কাওরখি। হন্নাওনা "তাইথোকো" হায়রম্নগা বনমালা পয়প পয়প চংখি। যেংনা মুংশিয়বা কুইনা তাবা কংজবা খোঞ্জেন অচুতং তাবদদা যেগেন্দ্র মুংগী লাইশুম লেপ্তুনা লৈহৌই।

মযশিল্লক্লে ভুয়েন্দা, অংকপু তে'ভিদা ঈশিং থোকপী কুপী অঙাংশিংগু চংলগ্রে। বনমালানা কিক্কক ফিয়াং খুমছুনা থোয়ক্লপা, "ডাইখিরমথোকো—," হায়রম্নগা ইমুংদা পয়প পয়প অমুক চংখি। চংশিহুনা উপু হাংল্লয়ে, পুবা য়াবা কিরোল অহনবা মন্নাম ভুন্নিননা থুপকিন্নমা থয়ে। লৈ, পাম্বোম কাবী, খুজি খুদোপ, মখিনচিংবা সমাথী পোং পুম্নমক থেংপাক্লনাথমজয়ে। "অমুক কুইনা কুইনা লাকম্লবদি ঐদি মাংজয়ে, মাগী রাথম্বী ডাওরবী ঐহাক্লয়ে কননবা কুর্শিজবা মহাকী মতুং হেক্তা ইজহৌমল্পে।" রাথল অমিদা মাগী

পোৎ-টৈ পুম্নমক য়োম্‌শিল্লে। ভাইভাক, "ঐনা মীগী য়ুমদা চৎল্লগা করম ফোক্লগদবা" খননা খনা নিংখিজবা ফনেক অমুরা অগা জোথোকভুনা শেংজি, ফোরেন চংখিবদা কনাসু উনদবা হায়ন্তনা শংল্লিক শংবী ফি অমা ইনশিল্লি মথমোয় ইরাং লাংবনা ভাইহাক্তা পক্লেপকম থংখিদে। "কল্লি বাংলি" হায়না খন্দুনা ভাইহাক য়েংই, ইরাং হৌরবা ভনিক ভনিকবী, নিংদোল-চোংলবী মহাক্কা করিনু নিংশিংবা ভমজে; পুম্নমক ভুরমোই ফিংলে। "মহাক্কবু ফংলগা লোইজরে, মাগী মনাক্তবু লৈজরবদি লোইজরে" অকনবা বাখল অসিদা খল্লকই।

বেগেনজ্রনা লৈরক্তা ভুমিনু লেপ্লী। মীংপোং মকা মরাং ফয়না চৎপা লৈরক নত্তবনা কনানসু মহাক্লপু চিংনজি। অমসুনা কুপল্লে, অত্তুবু নিনি পানবগী য়ুবী মশুং মানয়া থাজনদি মালেম অসি ভানহল্লি, থাসু ভাখিগদৌরে চীংয়া নক্লা লৈথরে। বনমালানা অমুক থোরক্লনা "মনিংলোমদা লাকউ" হাবরল্লগা চংখি। বনমালাগী মশৌসিদা বেগেনজ্রসু চিংনৈ, অত্তুম ওইনমক য়ুমগী মনিংদা চত্তুনা লেপলুরে। থাজিল্লবা দরমশিংগী মরক্তা মন্তুংলোমদা শো পানবা থোং অমা ল্লাংবল্লি। থোং অত্তু বনমালানা ভপ্লা হা দোয়ক্তুনা "চংলকউ" হায়রকই। বেগেনজ্রনা কিনা কিনা চংই।

'কল্লিগীনো—পাবুংগোয়না উরোইজ্রা—?"

"পাবুং লৈত্তে, ওস্বোক্লা ভমোয় কনজ্রেদা অপুক কুইবসি নোংমভসু লেংবিরক্তবা! ফস্তু—," হায়না মপাবুংগী কৈ মথা চংজুনা ফমখল্লিরৈ।

"কল্লিগী লাকউগদগে, লাকত্রবসু য়াইনা—?"

'থত্তজুরে—কল্লিগী লাকনিংউগদগে—? থরাইনা ভাবী অমা লৈজুনা পাজল শোনবী ঐবুদি ইরাই লাইনা ফাওথোকপিল্লিপনি। মতু কুইবসি নোংমভসু লেংবিরক্তবনা ঐদি অঙাওবীগুম্ব লৈজরিব- রি—," বনমালানা হায়রকই।

"কৱিগী্নো নহাকসে অমুক্তা হয়াওনা নোকপা উসে—। ঐনা লাকত্রবস্থ য়াই হায়ষদি ইমানি অকনবা য়াশক শকুপ্রে, কৈদৌঙৈদস্থ চেনবা য়ায়রোই হায়দুনা ভৌবনি—" বেগেনত্রনা হায়রকই।

"ওসিদি—ঐহাক নতুং ইগুহৌরগে—, ঐনা নিংজরিবা অসি থুংহনবিয়ো"

মহু ভাবদা বেগেন খাই লাওই, কৱিনো বনমালসিবু মশাগী কিভম কায়দুনা ইমুংদা লৈবা য়াদহুনা মঙোল্দা নমহুনা লৈগদবগী ভৌরবরা, চিংনরকই। অদুদু অডাং ওইরিবী বনমালাগী মতৌসিনা মান্দে, "বনমালা, নহাক্না হায়রিবা অহু কৱিনো হংই ?"

"ভশেংবনি ঐদি পাঙল শোনবীনিনা কোয়না চৎদুনা থিকস্থ ওমজদা, নহাকনা ভোয়না লেংবিরকপস্থ নত্র ঐবু কয়র থুংদুনা লৈসিগে নহ.কনা ঐহাকপু খাজৈশেংনা থুংলিদুনা খাদোকপিয়োই হায়না খনবিয়বাদ ওসিদগী হৌমা ঐগী অপ্পাবা অম্রি সুংহনবিয়ো," হায়রকই। মহু ভাবদা বেগেন্দ কুপ্পংনা লৈরকই। মতাং অয়্রিদা পাঙল কনা কনবা থুপা ওইরবস্থ লৌশিং মাংকম থোক্রে। ইমুংদগী মমানা হয়া হয়া কৌরকুনা "লৈরমখো" হায়রত্রবা বনমালা চ থি। বেগেন্দ্র "কাত্রনো ভৌরিবসিবু ঐবু চেলহৌরসিয়া" খল্লকই। অহুবু, "পুকচেল শেবী-অপংবী বনমালানা ভৌরিবা অসে ঐবু হাকনমক মুংশিমনবদগী ভৌরবনি" খল্লকই। থেমদুনা খনমগে খল্লি। ভাইহাক লৈরগা বনমালা মরোম অমা কোল্লদুনা খোরকই। মাগা মত্তৌ উবদা বেগেনত্র নোকমিংদুনা থিক থিক নোকই।

"সেঃ চৎলসি লাকও, ইমাস্থ ইমাসিহোয়দা চৎল্রে—," হায়রকই। বেগেনত্রনা খল্লদা বাখলগী ৱাংমদনি।

বনমালা! অওইবরনে নংমা হায়রিবসিকো—।"

"কাপিগী মতন অয়ুক লৈয়িবয়া, ঙাইহাক লৈয়বদি পাবুং লাক্লগনি ওক্কবী মচা ঐহাকপু খোয়দনমক্কী তাময়ক্লগনি," হায়রকপদা বেগেনত্র লৌশিং যাংলকই। "য়ীওইবা! মতম্মা লাক্লবদা" হায়না থৈজে। তৌৱিবা মতৌ অসিদা ইঙক ওক্ক্না বা মচেৎ অময়া ঙাংদনা ভুযিন লৈয়কই। বা মচেৎ অময়া ঙাংদনা লৈয়বদা, "ৈকেদৌয়গে সেঃ" হায়রকই।

"বনমালা! ঐহাক্তি যাম্মা লাইয়বনিকো।"

"অহুগী মতম নক্রে—লাকও সেঃ," বেগেনগী খুদাং পারয়গা চিংখৎলি।

"ভুমিং থয়নি লৈয়গা... ঐহাক অমুক লাকে—, হায়রকই।

"থঙজয়ে, ঐবু থাদোকপিয়োই হায়বদায় থঙজয়ে লেংবিয়ো বনমালা হায়বী তৌঙবী ঐসিদি পুন্সি চুপ্পা য়ুম পায়োই বাশকতৌরবীনি। বাশক ঙাকপনা ঐগীদি ইথৌনি, লেংবিয়ো তৌঙবী ঐবু কিবিক্লগনু।" লাইবক ফবী কনাগা পুন্সি মুংঙাইনা লেনবীরু। অহুগা বনমালা হায়বী লাইবক থীবী অমদি কপ কপ্তুনা পুন্সি লেপ্পি কাওবিগনুকো" হায়রয়গা বনমালানা থগ্গয়দা পুম্নমক্কী ওম-তৈনবদা বেগেন্দ্রনা তৌয়ক্লবদা ইমুংদা চংগে তৌয়কই। মানা থগ্গয়স্সি মানা বেগেন্দ্রবু ফুংশিবগুম্না বেগেন্দ্রনসু ফুংশিংখিয়গনি অসিনি। মমিত্তগী মপি তাখিবা থংহোদে। নহাগমথে মগায়শিংগী ময়াংদা অঙাওবীগুম লৈজয়কপগী মহে! থমুবদা নিংবা ম্যাইগ্রয়ুনা-লৌনবা মুপানি থয়বনা খোংকাপ অমা অনি থাংহুনা অমুক্তা ইমুং চংখিগে তৌই। মহু উবদা বেগেন্দ্রগী থযোময়ু পুবা মাদে, "অহু য়োনা থয়বা" হায়দুনা চংগে তৌ যবা বনমালাগী মথুং মৌ।

"চংবগয়ু, লাকও ইমানি চংলসি, ইমাগী থাংঙম্নবা মথোয় অঙাং-শিংসুনা মখোনা অসি তোগ্রময়ু," হায়বা বনমালাবু

সিংশিন্দুনা কোপ্লি। মতুদা বনমালা মরুক্লিং ফুংশিন্নহুনা হিক হিকে কপই। "কপ্লগম্বু লাকও চৎলসিং" হায়রহুনা বনমালাগী মখুৎ পায়রগা খোংহুদগী তোর্কবান্দা কাম্বোরকই। লোম্না চৎচঙ্গিংবা অনিগী নিংবা কায়দনবা ঙাম্লবা খা মচেৎ অহুম্ব উবা কংখিদে, ইমম মন্নে। মতমদি পকথেং থেংত্রি। ভুরেল অহুগী মরিলদা অবাং পাংনা হাইগৎলকই। কপ্পা মতম নত্রে খল্লহুনা বনমালা কপ্পা তোকপ্রে, লিংজেল খাবা মপাবুং থেংনহুনা তোক্লকত্রা হায়ক্লে। তোত্তি য়োয়কই কনাম্ব লরম'দ, খুনা লাম্বোকই:- "ঙাইহাক্তা অম্বাইদা থুপহুনা লৈবিরমখো ঐহাক ইভা অমুক্তা উরজংরমদিগে." হায়রম্রগা বনমালা মত্তাগী য়ুম তম্না লোম্না চংখি। যেগেন্দ্র, "ঙসিদগীদি ঐহাক মওং অম্না হোংলে" অবাবা বাখল খাদোক্তুনা নোককেৎ তোয়কই। "করিগীবু চিনক্রগমনো, ঐনা পাম্বম্ব মসিমকনি, পাবুংহনম্ব লৈ, ঐগী কনা বাংলি" মখং মখং খন্দুনা লৈহৌই। বনমালাদি ভুমিন চংখিহুনা মত্তাগী লাইরিক পাকম কাদা থুংখি। থোংনাওদা—

"ইভা। ইভা। কংলা," হায়না কেঁয়কই।

"ইভা!" হায়না থুমহুনা কমলা মপাল থোয়কই। বনমালাবু উবদা, "ইভা, করিনো তোয়কইবা অহুদি—?"

"ইভা!" ঐহাক চৎলগে, নিংজবা মহাক্কী মনাক্তা ঐহাক লৈজক্রম্বগে।"

"নংবু অখেংবমনে, ইভা!" হায়না কমলা কপই।

"কপলগম্ব ইভা. মহাক্না ঙাওমরগমি ঐবু বিন্দোক্লমাও। ইভা. নহাক হায়মৌখিনম্বুকো. ঙনিদগীদি কায়নম্বেদো. ইভা," হায়না ফিংনা চৎপা হোই। কমলাম্ব কথা কপ্পা উরকই। যেগেন্দ্রগী মনাক য়ৌরক্লবদা বনমালানা হায়রকই,

"ইভা! লৈহৌরোক্লো। মুপা ওক্লী মপোক্লিবা ঐহাক চৎলবনিকো। ঐবু হায়রোপম্বুকো, ইভা।"

"ইমা, চৎলো। ঐব বাক্লোগনুকো। ইমাগী হুৎশিল্লুবা, ঐগী ইমাসিবু থ'দোকপিগনুকো—," হায়না বনমালা অমমুং কপলা কোমল্লনা কপখিয়ে। মমা অনিগী মতৌ উবদা বেগেন্দ্রমু কপই। ঙাইহাক কপখিরগা বেগেন্দ্র অমমুং বনমালা চৎখি। মমাবু মহৌশাগুম তত্থংদগীদি লোয়নবা ফংলরোই থমুরদা মু-ঙাইজখিদবনা কমলাদি পংকপ্তা কপচখি। ঙাইহাকী তুংদা বনমালাবু খিকহল্লে। বন ত্যাগী মমাইবেম্বা শিজনা কমলাহোয়দা কিংনা লাক্কুনা বনমালাবু হংলম্লবদা বনমালানা বেগেন্দ্রগী মতুং ইন্নগা চৎল্রে হায়না ঙম্রগা কমলা হেন্না কপচখি। বনমালাবু চেনল্রে হায়বা থংলবদা সুপীগী মপোক ওইবা মমা-মচা অনিদো থাবা ঙম্দনা কপখিননখি অমমুং মিকুপ খরগী মতুংদা বনমালা চেনখবগী পাওনা লাকখী লাওনখি। লাংজম্বা চৎনবী মতুং ইমন। প্রপা মযুমগী পাও হায়দোকপা লাকপা ঙাইনখি।

অরুবদি বনমালাগী মপাবুং খা.দায়সনানা লাওবা অঙ্গিনি। বনমালাগী মচে অনিনি. তনিমক হায়ব-থি-নরগা অও-অউন নিংখিনা ভয়ঙনা মতিক চাবা সুপাশিংগা লুহোংখিবা ঙাক্তনি। বনমালাগী মাবা থোক্কপা অমা হেক্তা তৌরকপা অসিদা মপাবু যুম্না লাওহনখি। অসিগীমু মথক্তা মাদি চহি ১৬/১৭ লৈবদা ঙম্লবা সুপীমচানি। মরমসিনা অতোন-অতাং ওইবা মচানা নিংখিনা মহৌ মশিং ভয়ঙনা মতিক চাবী অমা ওইহনানিংখিবনি। ওনা-ঐতনবদা বনমালানা মমুং মতম চনা. তথৎ-তথৎ চেনখিবনা নিংবা কায়রবা, শাওরবা মপাবুংনা বনমালাবু মাগী ইমুংদা থোংফম অমুক তাহল্লোই, শিন্নবনিনচেবা হাইহ লক্লানা চৈখি। মীচৈশিংসি তাবদা ভিংজেন থাবা মপাবুংখি খংবা কমলা অমদি মমাশিঙনচিংবা সুপী কন্যা লিমনা লায়না কপখি। কপলানা মপাবুংগী মথুংখিংবু থংবনা "ইমা, লোইরেলো" হায়রা কপচখি অমমুং লাওনবাবু মবুং-ঐোপমা, মপুনা মচুমশিংগী মীচৈ কপলা অমমুং সুপী কন্যাবু বাংবা তাখি।

অম্রোমদা, বেগেন্দ্রনা বনমলাবু ম গী মরূপ অমগী মমদা থৈদিনা থম্লুরে। পাও পুম্নমক ওবা চনত্রদা তাক্লুরে। ওম্না চনম্না হয়াওঙ্ক, কনাগী মচা-মশু ওটাব্রিগবা নহা পাখংনা পুখিল্লকপনিমা থম্নি চিংনখি। মমৌম্বু হয়াও ভয়াম্না চেক্নপিখি অমম্বুং থৈখিত্রবা মনাওমুপা মনাওমুপীবু থজুরগা মমৌবু ফংজনবা মথিত্তগী পী পিন্নজখি।

নোংভাল্লবদা ওবাগা থৈকাইগী অহল-লমন থম্নগা চংজুনা পাও হায়দোকলুম্নে। অহুবু থাদোয়্নসনাগা ব অমতা থিংখিনা ভাংনবা ভমদ্রে। মহৌশ্রনা অচাওব্রোং কাপনবগা, মচাদুপীনা লাইমবা পু-পাং শুদবা, মতিক চাদবা মুপ্না অ দা চেন্নখিবগী থাওং বপা হাম্নদগী টনাক্ল থুনবা অঙ্গম অপৌগী ইমুংনি হামনা পোংজবা থাদোয়্নসনাগী মকুমদা ওমা মমাই থুবতা ওইখি। হায়নবা পুমবা মাত্রবদা মমা,মমাত্তোম্নচিংবনা লাক্লগা বনমালাবা পুমকপা ক্লিংক্লোঙ্গ লনা লুপা প্রথক মুনবিরয়ে। মমাংবেম্মনা থাওখিবনা "পুক্লিমসবা চংজবম, ঐখোয়্মনু চংবীমকওই নত্রাক হৈচা নম্ভে—" হায়রগচিংবা হাওম্লিংনা বনমালাবু থৈবিরে। পাজন থৈত্রবী [illegible] মপাগী অশাওববু খিংবা ভমজদবনা কপ্না কপ্না থাংবা তাখি। বনমালাগী মত্তোদা মুংশিন্নবা ওমা চক্লনা মচা মমৌবু মমুমদা তাওনা লুহোংবীখি অমম্বুং নিংখেমচাগী হিজোনম্মুংনা ইপোক্লবা বনমালাগী অবাংপা কম্নিম্ব থৈকনখিদে। অম্নুমং বনুম্নালানস্থ অজৌবা ইমুংগী দুংতাইবদা লুপখিবনা মমা-মপানা ইমোকপগী লুংনাংবা থৈখিদে।

লুহোংবগী লুমিদাংনি। ওসিদি ওবাগী ইমুং অসি পুমনৌ নৌমিৎ পুমনাং অহুনি। ইমুংগী মকথা পুমনক অক্লং-অহেন্নগী অহুব অহুনবা পোৎচৈশিংমনা ইথুম থনকঙ্গম উম্নি। মুখ্রী খোং থোংনাম কক্লাং নৌমিৎ লৈংমোক থোংজিম থোমবনী অতুগী ঙইনু থাওগী মনম্না উশোং থোংহম্ন। পুমনক্লী মথক্তা লুপা চাক্লগী ইমুং

অসিদা ইথা থাঙদনা কুপ্পী অমা হাপকৎলকপনা ইমুং অঙ্গিদা লৈরিবা মীশিংগী থম্মোয়দদি অমুক্তা থোকখিত্রিবা অপেনবা ফাওনরি। লৈকাইগী মৌ লৈশাবী কয়ানন্থু হয়াওবিছনা মুপা ওাক্তগী ময়ক্তা ভয়ক ভয়ক লৈয়গদবী বনমালাবু থেংলবা ফাওবদা হংবা লাক্লি। নাপ্রবা জুগ্গুম কাদা ফিরুক খুম্লগা কম্লিবী ব মালানম্থু ময়াবু হয়াও. না ওক্লগা কম্মিরক্তনা য়ায়ী কয়াদা হাব্রা লাংমিন্নরি। ইমু সিদমা মহৌশাগা ইমান মামত্রি, লৈম্লিবা মুপাশিংদম্থ ওই ওইনবা থোক্লি। থেংলক্লগা পুম্নমক চংনথ্রবদা ইচিক চিকহৈরে। মুপী কনান্সু বনমালাবু ইবেম্মা অহু ত্তোয়ব্লো.অদা ত্তোয়বো হায়বীম্নত্রে। ময়াম্মা চংথ্রবদা হৈনদনা কম্লিবী বনমালাগী মনাক্তা মুপীগী মহুৎতা মুপাম্নচা ইমোত্তোম্বীনা ক্যোক দোনা অমদম্পী মচিন্না ক্যোক লৌম্লগা চানা চানা লাক্তনা হায়রকই,"ইত্তেমা, নহাক হৈনত্ররম্না—? ঐনা ত্তোম্বী, খাইদগী ওোনবা। পাবুংদি চাক চায়গা ভুমত্রে, য়াম্বুংম্বু, য়াম্বুং যাইমম্বু—হৌজিক ফাওবা হল্লকত্রি। কম্রি ত্তোয়বশো ?" মিংশৌ অমদি বাঙাং ভাবদা হরাওজরবী বনমালানা ফিরুক যাইগংতুনা য়েংলগা হায়রকই. "মহাক্না ত্তোম্বী. লাও-ও সিদা কম্মুরাও—।"

ইমোত্তোম্বীনা চংশিন্দুনা মত্তেংগী মনাক্তা, লৈবা মোয়াদা কম্মি। বনমালানা হংলকই,

"ত্তোম্বী, নথোয়না মুপী অমক্তাও য়াওদনা লৈরকপত্থ জুংওাইব্রা? চাক্লা কনানা থোংবা, কোল সিক য়াক্তয়ম্না কনানা শেংবা কনানা কিপ্ত'কিজাবা— ?"

"ঐথোয় লোয়নমক্লা অহুম থোংবৈ, ফি ভুবৈ, কোম কোংবৈ, য়াই কৈবৈ। পাবুংদি ত্তোয়ে। অহুবু," ইমোত্তোম্বীনা হায়। অহুম্না য়াম্বী শায়িত্তৌক্লা পিশক্লা পুখত্তুনা ভাবিবা আনৌবা থংবিয়ে। ইমোত্তোম্বীনা মথা ভাংথরকই, অহুবু, এবমা অমাদা ত্তোইবা।

ঐখোয় মামুং থাইনদি মায়া তনগনি, মমা চাক থোংবা [illegible], কি তুবা তারবা থরক অঠেক্ত ওইবগী [illegible] [illegible] শিননবত্রগা হেক্তা চৎলি। ঐনা হেক্তা লৌই।"

মস্তমসিদা পিশক ওন্নবা থাংবৈ অমা থাবত্রবা থোং গে লাওবা কানশিল্লক্রগা হাত্রকই,

"হায়রিজননরিবনি, হায়রিজিননরিবনি ইতৈমা, ইখোখোস্নৌদি হেক্তা হায়রিজিনবনি, মাদি ওংবা য়াম্না করনি।"

অনিবক ইথং থংই। বনমালাবা যেগেন্দ্রসেক মানত্রা পিশকপু উত্তমদা ইওক ওকই, মহাক্না লোংমগী মুমিৎ অমা নিংশিংলক্রই। ইখোখোবী থুম্মকই, "অচুবনি অচুবনি ইতৈম্না।"

"অচুবু ইমো—, চৌকিক্তি ইতৈমা [illegible] ইতৈমনা লোয়না তোঙত্রগদবনে, পাখংলগনো, বাকংলগনো। অমনি ইতৈমা, ঐখোব উমুংনা লৈরকপসি অতুক ফুইনা—," পিশক্না উচেক চম্না উমুংগী বারী তম্নকপদা অতাওবা মুপামচা ওাক্তগী উমুংতুব সম্নুম্না মখিন্না পিগী তৈম্না চেনখি। "হে [illegible] ইতৈমা নহার্ [illegible] [illegible] [illegible] কোর্কাপিয়গনি। ঐখোয়মসু নত্তেং পাংখোগনিবা [illegible]। [illegible] ইতৈমা নহাকপু পুরক্কমত্রবা চৌকিক্কী মস্তম্ মসিদা তুপী অমা চংদবা য়াদবসিনা, ঐখোয়না কান্নুনা চংলগা [illegible]—ও" অদুমা পিশক্না হায়থরক্রবদা তাগে তৌরম্রবা বনমালাগী [illegible] পিবু [illegible] কায়থগা নোক্রকই; হায়রক, "কম্মদা ওাওশিনত্রবা—।" ইখোতৌখীনর; "ঐনা হায়ত্রা ইতৈমা—," হায়না মখোয় অহুব বা বা খোকথিমরিতৈদা যেগেন্দ্র [illegible] কুত্না [illegible] [illegible], [illegible] চংলক্কই। মম্নাকুংগী মতো উঠম্না অমুক্না [illegible] নোক্নিনা অহুমা খোকথ। [illegible] [illegible] ইকায়রবা যেগেন্দ্রনা [illegible] অমা [illegible] চংলগা মম্নাই কায়ী নাওমরুই, "[illegible] ঐগী [illegible]—, [illegible]।" "[illegible] ইতৈমদা সিদা লৈরে—, মামুং," হায়না পিশক্না থুমত্রবদা মচিব

মনাও অহুম অমদি বনমালা করাও মথোয় কানা লোক মমথি রাম্নী রাস্তায় ভৌনখি। কমুংদা মচা মযোগী মতৌদা ওৱা চন্দ্রস্ লোমা লোকচথি অমত্তুং মনাওজুপা অমদি মনাওজুপীনা মুংঙাইরবা কুইম্বশিংসি উনা মংদেদকো থল্লুবদা অমুক্কন্স কপচখি।

য়ুম্বানবা রাইওং চাদ্রবদি রাথোক লোইবা নাইদে, ইমুং ইংনা পানবা ঙমদে। ফনা মুংশিননা লৈমিন্নরক্লবস্থু, মচা পোক্লবস্থু মহাকপু অমম্বুং মাগী ইমুংবু লাইরৈ নংই হায়না তুমিন্না চেনগ্রবী বনমালাবু বেগেনদ্র ভশেংনা কায়নরগনি। বনমালাগী মুংশিববু বেগেনদ্রগী ময়ুমবু, মচিন-মনাওবু মুংশিবনা নমহৎখি। মসিদা নত্তনা লাইরবা অনংবা ইমুংবু বনমালা অমম্বুং মাগী ইনাক খুনবা শাগৈ-নাঙৈনা নোক্লবীবগী মতৌ অহু থাংবনম্ম বনমালাবু মুংশি-জরবস্থু বনমালাদগী লাপথোকপদি ভাখি, নোক্লবা অহু ফংদনবা হোৎনবা ভাখি। ইরাই লাইবা মরম ঙাক্তনি। বনমালাস্থু মুপীমচা ওইবহুদা ঙাইহাক্কী মুংঙাই য়াইফবা পাম্বনা মপামদা চৎপনি, বেগেনদ্রগা কায়নরগে খনখিবা নত্তে। বেগেন্দ্রনা মাবু অনংবনি লায়রবনি হায়না পাম্বীদ্রে, নোক্লবীরে অনংবনিনা রায়ো-খিবনি, পামদ্রবদি, নোক্লরবদি কায়নরসি অসিত্ত ন। ফয়া

লাইথ্রবা হুপী হুপা কায়নবা। মশা মশা য়ানবা, অহল লমননমু য়ামনা চাওনা লুহোং-কৈহোংবা হুপী হুপা কয়াম্মু মরম মচা থরদগী অহুম মকায়নৈ। করিম্মু কৈ ভব অউনপোং মচা থর ফংদবদগী, চিংনবদগী অমদি অরায়বা মরাল কয়াদগী ১সুং ভাইহাক শাওনবদগী হাংপা ভুপ্পা কাওবা য়াওরি। বেগেন্দ্রগী মকমদা বনমালাগা কায়নবগী করিম্মু অবাং লৈতে, মহাক্না থজিক্কুং থনবা হায়ববু নৌরিবা মচাগুপী অমসুং বনমালাবু হুংশিবগী লেমহৌরিবা শরুক অহুত্তনি।

ভরুককুবা ভাঙ্কক

নিংঙমদবা

বেগেন্দ্রগী ময়ুমদগী মমানা পুরকভুনা কপ্পা কপ্পা মপাম য়োরক্লে। মপাম য়োরবদা মমাশিনা বনমালাবু বেগেন্দ্রনা চৈত্তনা ভাম্বোরকপগী পাও পুন্নমক তন্নবদা শাওনরে। বনমালাবু, "মতুংদা অমুক চংলবদি—" হায়না চৈথিরে। ইনাক থুনবা ইমুংগী লন থুম সনা লুপাশিংবু মীহৌরক্কুবী বনমালানা ময়াম্না লায়বদা তাবা লৈথিদে, কপ্তুনা লেপ্পকথি। ভাইহাক্কুং মনিং থুংদবদগী বেগেন্দ্রবু থাদোকলুবদা হৌজিক্তি মহাক্না নিংথিরবা মশক অহু অমুক কাওবা উগে কংজদরে। করিগীদমক্তা থমোয় কনবা বেগেন্দ্রনা, মাদি লাইরবনিনা, মহাক্না করিগুম্বা মনিং থুংদে হায়না চেনথ্রবদি "ঐগী পাঙ্গল লৈত্রেকো, পুন্সিসি'মগী নঙগা ঐগা কায়নরেকো হায়বা" হকদহুনা, শেংপা চাবা মনিং থর থুংদবগীদমকপু কয়িনগী অহুক মবুক নৌক্লুবা, করিগীদমক্তা কিক্লেং লৈতেংবু অহুক মিহৌক্লুবা, ময়ুম

পাল্লবী মুপী অমা ওইনা বনমাজা মশানা মশাবু বায়োক্লৈ। মপুয়োইবগী লৈত লাইর, অবা-অনাদা লেংদনা শরুক য়াবা ভদ্বগী থোনা লৈত্রবী মহাকপু বেগেন্দ্রনা চম্লদবী ওইনা ভাস্বোয়কপদা মাতক চায় থঞ্জখি। মংগুম্বগী মতোনি। বেগেন্দ্রনা কৌবম্ম লাক্বাপত্রে, মপাম্লস্পূ অনংবা ইমুংদা বানা লৈরুগনি থনবদগী মহাকপু বেগেন্দ্রগী মনাক্তা খিনবিত্রে। মতোমতা অমুক চৎখিসিয়া হায়বম্ম বেগেন্দ্রনা লৌশিনবীত্রবদি হায়না হঙ্গোয়জরে। অম্মুম্না বেগেন্দ্রনা লৌশিনবীত্রবদি হায়না চিংনজরে। অম্মুম্না বেগেনত্রনা করগুম্বা মুংশিবিরকতুনা কৌবিরত্রবদি কায়নবা হায়বত্তুবক অক্তুম ওইরে। মমা ইবেম্মা অমম্মুং মপাবুংহোৎগী বাথম্দদি লাইরবা বেগেনত্রগী মনাক্তা লৈরগা মচানা মথোং মরম থংদনা লৈরুগদবগী শরুক ময়ুমদা জুংভাইনা মনিং ভম্না লৈহন্না পাম্মি। অম্মুম্না মতম থম্ন লৈহল্ল-গা মতু মচা লৈতবা কুপা, অনদা অওং-অউন মত্তিকচানা পিরগা ময়ুম পালহনগে অসিনি। তশেংনা হায়ম্নবদা, বনমালাগী মপ মতোন, মমা মন্নেম্নচিংবনা বেগেনত্রগীদা বানা লৈগদবগী মহুত্তা জুংভাইং য়াইফবা জুপাগী লোম্নবীফাওবা ওইজখিসগু থনবনি। পুম্নমক বনমালা থংদবা নত্তে। নিংভোলনা মপামদা হল্লকতুনা লৈবা বনমালা ইকাইক্লৈ। অত্তুবু বনমালাদি করিগুম্বা বেগেনত্রনা মহাকপু অমুক লৌশিনবীদত্তুনা ময়ুম মক্কে পানথ্রবদি—মহাক তাই-বংপান হায়বত্তুম্ম মশক থংলে, পিক্রিবী মচাম্নুপীবু ম্নোকতুনা মপুন্সি লেল্লগে হায়না মবুক্লিং লেপচখি। অম্মুম্না ইথা থাজদনা বেগেনত্রগী মশক উদনা, মবা মপাও ফাওবা তারকত্তবদা পংলিবা অঙাং ওইবনা মপা কায়নবগী মৈচাক থংম্রিবী মচাম্নুপীবু মুংশিনা চুপচৈ অমসুং পেন্দবনা, "ইমাগী ইবেম্মা শাস্তা, ইমানা নংসে লাইবক থীহল্লেদো" হায়না কপচৈ। হাংলবা থাজত্রবা মহিং অমদা বনমালা লৈরকই।

অমরোমদা, নন্দীনিবু চেম্ল্রসি হায়বদা য়াদে হায়না শাওরগা

মহৈ তম্বা চৎপ্রবা পিশক্লা মহাক্লা নন্দীনিবু নমহুনা চেল্লম্লবদি কম্লাদা অকায়বা ওইম্লমগবা হৌজিক্তা ৱাক্তম্লকখি। অহুবু, অচৌবা সৃহম্লগী ক্কজম্লবা, ৱাংলবা য়ুম·কৈ, পাক্লবা লম্বী খোং অমদি নিংথিম্লবা হৈকোল লৈকোন ১সু্ং পার্কনচিংবা উম্লগা মাগী ম্নুংশিবী নন্দীনিনদি উবা কংক্রেদকো খল্লুবদা মুংঙাইজখিদে। মহাক্লা লংকৈ চৎলগনি ম্ভাবদা হুম্লাওবগা মুংঙাইতবগা অনিনা পুল্লবী নন্দীনিনা ক্বপক্কদোবগুম ভোনা পীম্লকপা মাগী মুংশি খুদোল খুদোপতু ক্কাওবা শাওম্লিবনি হায়হুনা লংশিল্লগা খনম্লে। মহাক কয়াদা ঙাওশিম্লপ্রবা, মখোং চাখিদ্রবা! মানা ইম্লম্লিবা চিঠিগী মম্লোল, মসিদা নত্তনা মহাক্লা লৈতুম্না থাজিল্লম্বদগী চায়হৌম্লবা নন্দিনিগী মাঙ্গোল পুম্নমক থল্লুম্লগা পিশক নি.ঙমজম্লকখিদে। হৌজিক্কি পিশক মহৈ তম্মিম্লবা মথল কয়াগী মম্লোশিং লৈম্ল-লৈম্লবা, কে-মোম্লবা অমনি লেম্লবা মমাম্লবশিংগা লোয়নম্লবনা মাগা মখোং হুক্তবণী মওং পুম্লমক মাংক্রে। মহৈ ম শং তম্বগা ম রূপ মপাং অক্কবা কয়া লোযনবগা পিশক চিং-লেম্বা, মহৈদা মমাম্লবদগী হেম্লবা কম্লা হোংনবা পাখং অমা ঙনখরে। লাপথ্রবা লমদম অত্তদা মম্লোল তিম্লদবা ময়া মচাশিংগা লোম্লনবদগী পিশক্তা চাওনা অহো.বা অমা পুম্লক.থ। ফনা ওই-রবম্বু, মৈতৈ মচানি হায়না মখোয় অমা অনি লৈম্লিবহু নত্তনা উবা ফংদ্রবা মক্কম অহুদা কনা কনাগুম্বা মম্লেং মমাম্লবা পাখংশিংনা মাগী মাগী মুংশিজবাশংবু পার্ক, লৈকোল অমদি ফজবা ফুরাশিংদা হুম্লাও মখোয় কানা চংমিম্লবা উম্লবদি লাপ্না লৈহোম্লবী, শক চুদা ৱাংত্রবী, মহৈ মশিং নিংথিনা হৈত্রবী, পংজম্লবা, মতমগী অক্কে অমৌ য়াও-ত্রবী নন্দীনিব, নিংশিংদবা ঙমখিদে। অনৌবা, মতমগী ফিজ্রেং-চাকচা কয়া শেৎ-চাহুনা কেনা নাম্লা মহৈ মশিং তম্লিবী লৈশাবী-শিংব, উক্কম্লগা নন্দীনিনা মখোয়গুম ফিজেং লৈতেংলগা মহৈ মশিং তম্লবদি নন্দীনিনা কম্লিম্নু হুম্বম্লোই খম্বুখি। লাপ্না লৈহৌবী নন্দী-নিনা মতমগা চানম্লবা ফিজেং কৈতেং অনদি মশেম মম্লাক তৌহুনা

মথুংতা লাইরিক পায়রগা পাক্লবা লম্বী মোয়োক্তা লি'ক্লিরবা লম্পাক অমদি মখোল নাইবা কলেজগী শং চৎপা ফন্ন। অমসুং মাবু য়েংলগা মুংশিনা নোক্লকপা অচিকপা হোস্টেলগী কাদা কনাগুয়াওত্রবা মতমদা পিশক্কী মমিত্তা উৱকখি, নন্দিনিগী মুংশিবা মখোল মনাকোংদা তারকখি।

অমুক্কা, মহাক্না হেক হেক থিনা তৌবিরবী নন্দিনিনা, মহাক্লসু নন্দিনিনা মযুম পাল্লমত্রবদি হাংকনি হায়না কিহল্লম্বগা; অরিকপা মপানগা মাবু য়াদবগা, শোয়দনা মহাকপু শাওরম্লগনি অমসুং বারৌরম্লগনি। বারৌবদগী, শাওবদগী য়ানগা লাপ্না লৈরবনা নন্দিনিনা শোয়দনা মহাক্না লৈত্রিতৈদা মপানা লুহোংনবা শিনবদা য়ারোইদোবদী মরম লৈতে। হোংজত্রসনু, পিক্লিতৈদগী মুংশিনরকপা লোয়নরকপা অহুনা করিম্ন লৈত্রবী নন্দিনিগী মুংশিববু কাওবা য়াদবনি। মহাক্না বিঃ ইঃ পাস তৌরগা মহৈংমশিং হৈত্তবী, মতিক চাদবী মনাকপু মহাক্না করম্না মমাংঙবগী মমাংদা করম্না মাগী মুপী ওইনা লোগনি। মাবু মুংশিদবদগী মুপী ওইনা লৌবদা করিবুদি অকায়বা লৈবগে? মহাক্কী মরাল কয়াবু খল্লুরগা নিংঙম্জদহনা পিশক্না পংথল খ বনি। বিঃ ইঃ ওইরবসু, অচৌবা ওফিসার অমা ওইরবসু কৈদোংতৈদ য় নন্দিনিবু কাওগদবা লৈতে, লাইরিক লাইক্ত হেবী কয় না মাগীদমক লৈ হায়রবসু পিশক্না নন্দিনিনা মাগীদমক লেপতুনা মযুম মকৈ পান্দনা লৈরিবমখৈদি নন্দিনিবু থাদোকপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। করিগুম্বা নন্দিনিনা মযুম মকৈ পানখিহুনা মতাংনা য়াত্রবদি খংদ্রে, অস্তুম তৌরবদি মহাক্না হেন্না মতিক চাবী অমা ফংবসু য়াই। মসি পিক্লিতৈদগী হোনা পিশক্কী থম্মোয়দা য়াওরকপা নন্দিনিগী মুংশিবা অহুননি।

চুম্মী, চংকদবা নোংমত্তা ঙাইরবদা নন্দিনিনা মহাক্না হংম্নবা য়াদনা ইমুংদা চেনশিনখি, লোংখি। মহাকপু মুংশিদবদগী লোংখিবা নত্তে, তশেংনা অত্তে মতমদা চেনশি হায়রম্লবদি নন্দিনিনসু য়ারম-

গাদবনি। থোইগুম্বসুং মহাক্না মহৈ ওস্বা চংকনি হায়রগা নন্দিনিস্তু চেনগস্নি হায়বগী নাথেং চাদবদুদা নন্দিনিনা ইমুং চংলগা লোংখিবনি, মাগী মথৌননি ; মান্না মাত্তায় থোরগা ইংনা কায়নবা য় রম্বনি। নন্দীনিনা মাবু পিশক্না নমংনা চিংলবদি মীংপোং থানগক্লগা জুগোং চায়োই খনবদগী নন্দীনিনা শিংনা নাম্থেংক্লগা লোংখিবদা অফিংবা পিশকনা শাওখিবদনি, শাওদিবনা পুম্নমগী কায়নবা ওমগং-নমগুম ওাইহাক্কী খল্লুবদনি। অসুম্না থোনৈ, কনাগুম্বা অমনা মাগী মুংশিজবী অমবু মাখল চাওনা উনগে হায়না লাকপদা মুংশিং জরবী অতুংনা মহাকপু কর্ম্মগুম্বা থুদোং চাদবা, নাথেং চাদবা খল্লদগী থোওইনা থোকিরক্তবদি মংয়োরোই থম্বনবোই শাওনিংই, মাবু মুংশিত্রবোই হায়না লাম্না হেক হেক খনৈ, মসি লৈমিনন-ত্রিডৈনী মুংশিনবা মুংশিনবীশিংগী চংনবী ওইরমাপ্লে।

অমুকনা, বনমালাবু মাগীনি হায়না অমুক খল্লরোই নিংগ্রবা খেগেন্দ্রনা বনমালানা লেংলম চারম্বা ক্লিরোল, হিপ্লম্বা ফামু-ফাক্লুং অমদি মুপী ওইবগী লৈথেংগী মপোং মচৈ কয়া উবদাদ লোননা থেংথা-নাওইদবা ওমখিদে। মীওইবা। নংগী অরাবা অসিবু ওাইহাক মু ওাইরিথৈদদি লৈক্রবরা, অরাবা হাংবদু লোই-গ্রবরা হেক্কম খল্লুই, থোংগুম্বসুং নহাক্কী পনথুংকম লৈতমাপ্লেকো, হায়না খেগেন্দ্র মংমোরনা মারক্লবদা লোইক্লে অমসুং অরাবা, মুংওাইথবা কয়াবু থাংক্লে। অরাবদি মাই হায়না থা বা মওমই, লুম্নবদি ওমোয়গী মৈচাক অমনি। খেগেন্দ্রনা বনমালাবু মুংশিদবনা ইস্থোকপা-নত্তে, মাগোৎবদগী ইস্থোকপনি। অতুগীম্নু মংক্তা মাতুংপী অমস, য়াওরবী মহাক্কী মুপীবু ইস্থোকপা হায়বসি ওমখিবা মরানদি, মীমুংশি মাওরবা ওবকনি। সুম্নঙগা মুঙাই য়াইফনা হোৌবী বনমা-লানা মাগী নোংমা নোংমগী মংথরক্লিবা ইমুং অসিদা মনিং থুংদনা লৈরগদবা অতু ফিক্রখিবনি। মনিং থুংত্রবা বনমালানা হোঞ্জ-হোঞ্জ মপানদা মতম খরা অমুক হেক চং, মাগীদা অমুক হেক

লৈ ভৌগনা মাশী ইমুংবু মীমাংদা লেম্লবগুম থোক্লগনি, ইমুং-মেন ভাররোই হায়না বেগেন্দ্রনা হুনা থঙ্গখিবানি। বনমালা অমম্বুং মগাগা কায়নবগী মৈচাক অমদি মানা নংবনা বনমালাগী মিংবা থুংহনবা ও দমদগী পুন্নমক ওইখিবনি থনবগী মৈলা বেগেন্দ্র অমাবা কোকথোং ফানা পুখি। পুন্নমক্কী মথক্তা মহাক্না বনমালাগা থংনরুবা, থেংনরুবা অসিমক মপুন্সিগী খ্বাইদগী চাওবা অথোয়বা অমনি। হুপী কন্নাগা কায়নবসু হোৎনৈ, থুংনবসু থৌনৈ ভোইগুম্বসুং বন মালাগুম্বী কনাগা থ মরুবা, কায়নরুবা হায়বা অসে ভুং-কোয়না পুন্সি চুপ্পা লোয়নরবা অরাবনি। মরমদি উজ্রবনিনা মশক্তি কাওবা মওমই, অদুবু বনমালাগী ঈশৈদি বেগেন্দ্রনা খাম্বা, মিংবা ওমদবনা মনিংতম্না খেংথনা শকপনা বেগেন্দ্রবু তত্তনা বাহনখি। বনমালাগী ঈশৈনা পীবা অরাবা অসে কুইয়-কুইয়গা হেনগৎলকখি।

লুরিবদি, বনমালাগী পুকচেল চেংভবনা যুম্বানবা হৌগৎলকপর্দদা কায়নবা নংলবা বেগেন্দ্রনা পুন্সিবু খোশায়রকবা অসিনি। হুপী, হুপাগী ওইবা পুন্সিবু বারোইরকুনা মপুন্সি চুপ্পা মযুম অমুক পান্দনা লৈরগে বেগেনদ্র থল্লকখি। অম্সুম্না থনবনা নহা অমা ওইবগী ফুরিং-খোগ্রাও শেংপা হাদোক্তুনা কৈজোম শেংলে, পুময়াং সিংলে, খোংদা অহোংবা ফিনাৎ তোংলে অমম্বুং নহাগী নিংথিরবা শমহাংকী মহুত্তা জ্বাই জ্বাই লাওবা শম্না লেংজুম মৈনা শাংহনখ্রে। শক-চু ফজবা বেগেনদ্রগী মকমদা মসিনচুম হেন্না পকচখি অমম্বুং অশেংবা ঈশৈ নোংমায় ভৌবা মী মালহনখি। মপুন্সিদা ফনা অহেংবা লাক্রবসু, ফনা বারোইরবসু থুনিং লওবী, খোংদা ফজবী, শাওং শাদা য়েংবগী পেমবা নাহৈদবী, থুং শা তরু তরুবী খোজেল হুংশিবী, তত্তাংবা চিনবাম্না খোমোন ভৌগমবী, কোইয়াওনবা মিংসা তথক তথকপী বনমালাবুদি কাওবা শুমখিদে। মানা বনমালাবু কাওবা শুমহৎবনা অমম্বুং হুংশি হুংশিনা কায়নবনা মাগী বাথলদগী হুংশি হুংশিবা শৈরেং ফয়া থোকখি। মসিদা

নত্তনা পুন্সিগী অহ-তুংঙাই মশক থংলে কৃষ্ণগী তুংঙাইয়বা ইমুং, মথাদা থবক শুরিবা মীশিং অমদি মহাক্কী নংলবা ইমুং অসিনচিংবা কয়ানা বেগেনচন্দ্রগী কোক্তা চংখি অমসুং চেদা মুক্তা ময়েক লান লাংা ইরকখি। অসুম্না ইরকপনা বেগেন্দ্রবু তুংশিবিবা কনানা মশক থংহিরকখি অমসুং মহাক্কী অটববু পাম্বা কনাগুম্বা লাইরিক লৌ-বশিংনা শেন্দোং ভারবা শিজিন্নবা হৌখি। ভৌইগুম্বসুং ময়ামগী মমাংদদি বেগেনচন্দ্র কবি শাবা অঙাওবনি, কনানসু শেন ফংদবা লাইরিক ইবশিংবু ইকাই খুম্নবীদে, নোকতুম নোক্রবী। অদুবু, বেগেনচন্দ্রনা লাইরিক ইবদা ফংলিবা অরাবা. তুংঙাটবা, কঙবা অমদি অথিকা কয়া অদু য়োনা ময়ান্না কৈদৌঙৈদস ফংবা ঙমদে।

মচানা বনমালাগা কাংনবদগী হোংলক্লবা মওং পুন্নমকসিদা ওঝা চন্দ্র মথবায় রারকই। নৌরিবা মচানা হৌরকপা পুন্সিদা নিংবা কায়বা নংখিবদগী মপুন্সি চুপ্পা নিংবা কায়না লেনগ্রগদরা রারকখি। তুপীগী মৈচাক ওঝা থংখি. থন্মোয়দা পানখি। অদুমকপু, তুপী হায়বসে শক-চু ঙাক্তা নত্তে; লোয়নবগা, লৈমিন-নবগা তুংশিনবরকপনি; অসিমক্তনা থিব থিবরা তুপী তুপা কয়া কয়া লোন-লৈনহুনা হরাও মথোয় কানা পুনসি তুংশাংনা ভাটবংপান অসিদা লৈরিবসিনি হায়বা ওঝা থংই। অসুম্না থনবদগী ওঝা চন্দ্রনা. ইমুংগী তুপী অমগা চংদবা য়াদবনা, বেগেনচন্দ্রগী লুহোংনবা লাংগ্রে। ইমুংগী থনবদগী বেগেনচন্দ্রনসু য়াগ্রে, অদুবু বনমালাগুম পুকচেল নৌবী ওইরমহুনা অমুক চেনখিগদরা অমদি মহাকনা বনমালাগী মমাংদা করম্না তুপী অমুক থিবা বেগেনচন্দ্র তুংবংনকখি। মপাবুংনা হায়রা ইন্দবসু য়াদে, তুপী অমসু চংদবা য়াদে—মপাবুংনা থিরকপা তুপী অদু মশক মতৌদা কয়া য়োদ্রবস, অকবী অমদি লোয়দনমকী ওইরম্মনি হায়রা বেগেনচন্দ্র থংই। ভৌইগুম্বসুং মবুক-চেল কনবা বেগেনচন্দ্রনা লুহোংলবস, মহাক্না তুপী অদুবুদি অমুক কাওবা য়েংপ্রয়োম্ব হায়না থন্মোয়সুঙদা লেপখ্রে। থন্মোয় পানবা

মী ওইবগী পাময়ক্কবা দু শিজ্জক্নবা হায়বসিং অদুকপনি. হেন্না ফজবা কল্লাম্ব লৈ পাম্মুদে, দুংশিল্লদে ; ফনা থীবী ওইরবসু পাময়ক্কবা দুংশিল্লবা অদুডুং হৈনবোই মথ্রি।

বেগেন্দ্র অমুক্তা যমুনা হায়রবী নুপী অমগা লুহোংলে। বনমা-লাগী মচানৌ মহাক্না ইস্লাং য়াওদবী, কুচু মুবী শকথীবী অমগা লুহোংলগা হরাও ভয়াম্না লৈবা বেগেন্দ্র ওকপা পামথিদে। মরিল ফজবা বেগেন্দ্রনি, মানা থনথিবগুম মহাক্না অনৌবী অসিবু মিংচিন্না হাইক্লেং কাওবা য়েংথদে। মখোনা হায়নবদগী যমুনা হায়বিসে বনমালাদগী হেন্না মুই, বনমালানা হেল্লিনচিংবা পংতায় হায়নবদগী যমুনাবু শকথীবনি হায়না লৌথিবনি। যমুনা ওবাগা লু। তিম্বা মরুপ অমগী মচানি। মমা লৈথিদ্রে, মপা, মবুং অমা অমম্বুং মনেগা লৈমিন্নরকপীনি। মবুংনা নুপী হেক থিবগা মাম্বু বেগেন্দ্রদা লুহোংলকপনি। মহাক্কি কলেজ কাম্রবা নুপী মচানি। ইনাক খুনবা মপাবুং নত্তে, তৌইশুরম্বুং ওবাগী ইমুংদগীদি হেন্না দুংওাই য়াইফনা লৈবা ইমুংনি। বেগেন্দ্রবু মচা লৈরবা মতু থাম্বনশ্রবা নুপানি হায়বা যমুনাগী মপা অমম্বুং মবুং এস, ও, না থংনা থংনা ওবাগী খাই য়েংহনা যমুনাবু লুহোংলকপনি। মপানা হায়বা 'ইন্দুনা অমত্তা ভাইবী মচানুপীনম্বু বেগেন্দ্রবু মতু তাম্মোকপ্রবী নুপানি থংনা থংনা হাথিবনি। পুন্নম্ম ওবাবু দু শিবদগী ওইখিবনি। মমা 'লেত্রবী অত্তোনবীনি' হায়না হেদোই হেরাওজদবা। [illegible] চাবদা লাইরবা মপাবুংনি হায়না সি .এ কে, সি চাদৈ হায়রক্রবী পুকচেল হংবী, অত্তম্বী যমুনানা বেগেন্দ্রগা লুহোংগনি তাবদ অতাম্বনা ওন্না থোক্লখি। তৌবগীদবু যমুনা হায়বিসে বেগেন্দ্রন বনমালাবু চেন্নক্লম্রবদি হাননা ওকানা মসৌ ওইগে হায় থাজখিবনি।

মতিক চাবা অণ্ডং অউনগা লোয়নননা লুহোংলকতুনা বেগেন্দ্রগী ইমুংদা যমুনা [illegible] লৈরকই। তৌইশুরম্বুং অতকপা মরৈ [illegible]

যমুনা লৈরককখি। মরমদি মতুককচেং কল্লবা বেগনত্রগী মনাক্তা লৈরগনি হায়না লাকইবা যমুনা অসে মরাইবক থিরবত্রি। লুহোংলে তারবা মতাই যমুনা অসে মরাইবক থিরবর্নি। লুহোংলে ঘ্রা-ছু মতাই যমুনানা বেগেনত্রদগী মপুক্রোইবা অমদগী কংকম খেকপা মীঙ্গুংশি কংথিদে, অদুম্না মপুক্রোইবা অমা কংজবগী হুংজইবা কংজথিদে। অমুক্তা, বেগেনত্রনা মহাকপু য়াবিদে, পাম্বৈ হায়বম্ন যমুনানা খংখি, গুদোকপগী মরাইবক্তি থননা যমুনানা জেল্লকইনা মুপাশিংগী থোগল ভোক্তনা ওরাগী ইমুংগী মচল-মাগুম লৈরকই। মৈর অসিদা যমুনাম্ন হুংজইকৈ। অমরোমদনা, বেগেনত্রনা যমুনাদা বনমালাদগী পুংথেল থেননবা মওং অমা ছবা কংখি। যমুনসে থবক ইংথাং ভোবনা চংখোল্লি, বাশিং-লমশেং কাচিনকোয়া থুজ; পোং গুদিংমক মফম চানা থদ্দা হৈ, কায়গুম্বা অমা থিরকপদা পাম্বকপদা মফম কায়দ্রা কায়দনা লৈ। বনমালাদি চাওচংলি, ভোবিনবা লৈভবদগী ভোনি দা ভোলিংদা ইমুংগীকু নোম-কানোম ভোখিবনি। পুম্নমক্তা মপ্পক্তা, যমুনা হায়বা মুপীসে তপ্পা ঙাংগনবী, বনমালাগুম মচিন্ন মথা য়াংদবী ভোইগুম্নম্নং অচাওবোং কাদবী, মীকোমীয়ম কুজবী অমনি হায়রা খংখি। মথাক্তা ইমোতোম্বী অমম্নং মপাবুংর্ম হুংশিনা ভোই, তপ্পা তপ্পা থোটেন-থোম্না শাং-থজনা কোবা ভয়। করিগুম্বা মরাং-অপাদা তপ্পা ইংনা ইমোতো-ম্বীগা ভানবা উই। মহাক্তা অদুক থৈনা ভোবিরকাওবনা করিম্নু থম্বনা, হরাও ভগায়া ময়ম পাল্লবনি হায়না লৈরিবী মুপীক্তী থমোয়ম্নিনি বেগেনত্রনা ঙাক্লিবসি।

তংশেংনমক যমুনাবু বেগেনত্রনা খিনা ভোবী। মুখিবদে চৈ কদে হায়বদি চুম্বী। তৌগুম্বম্নং লুহোংবা মুখিন্তগী থোনা বেগেনত্রনা যমুনাদা বা অমা কাওবা ঙাংলকত্রি, মনাক নক্তকত্রি; মমুনগী মহোং-মটেংশিবু থওইনা ভোবকত্রি। চাক চৈশিং চাম্নিকৈদো যমুনাদা মনাক্তা লৈরবত্রি শুম্ন কায়রনা মবক থমনা থকংজেং,

কৰিগুম্বনা মনাক্তা লৈরবদি মায়া শাওই পোং চ অথোক অংশিন, অথোক অশিন তৌই। মহাক লৈরগা যেগেনদ্ৰবা শাওই থবনা যমুনানস্তু যেগেনদ্ৰগী মনাক্তা চেক চাকমদা অৰক্ষো, মথোয়গী কাদা ওইবো শূকলৈ লৈথিদে। অসিগুম্বা যেগেনদ্ৰগী মতৌশিং অসিদগী যেগেনদ্ৰনা মহাকপু খাবিদবনি হায়বা অশাংবা থংজরবী যমনা। মহাক্না করদা অানবনা মপুম্মোইরনা অঙ্গুক থীনা তৌবিবনো থন্দু। য়ারোঙবি অমম্ভুং অমুক থীনা তৌবিগং দবা মূপা অমদা লুগোংবি মক্রিবা মপাবুংবুম্ভু য়াজৌ নক্রকখি। মৱাইথক্তা ভম্বন থন্দুনা যমুনা মথক্তায় সুংঙাইতনা ওয়াগী ইমংদা কবি সুংগীনো থননা মপুম্মি লেপ্লকখি। ময়াম্ভুংনা থওইনা তৌবিদকপগী মথক্তায় সুংঙাইতনা লৈরবী মতৌমবু ইযোক্তোগীনদি য়ায়া সুংশিরখি। ইন্দ্ৰথংজক্লিবা পাথং মচা মহাক্না হৌজিক্তা মতৌমগী মক্ষয়দগী মমা ওইবীগী মপুংশি অমা কংজবগুম তৌখি। অমা চন্দ্ৰনম্ভু যেগেনদ্ৰনা থীনা তৌবিবনা মথোনা মথক্তায় সুংঙাইতনা লৈ হায়বা থংই। অঙ্গবু মবুক কুমী, মমম শুকপী মগ্ন চং কৰবী যমুনাবু মচাদগীম্ভু হেন্না লুমা তৌনা “ইগাসিদি লাক্তনা লোইরবনি।” হায়। লেম্নবা থম্লশি ওয়া অনম্ভুং ইযোক্তোগীনা লুনা তৌবিবনা মপুম্মোইনা থীনা তৌবিরবম্ভু যমুনানা যেগেনদ্ৰগী হমুংদা মথায় সুংঙাইত্রবম্ভু সুংঙাইত লৈনা লমজাথবনি। মমৌবু ভাখি ভাওইনা তৌবিরবদা মচাম্ভুপাবু য়াথজ থেমবানি হায়না লৌখি। কৰিনা হায়বদা যেগেনদ্ৰনা চানগদবা মূপা অসে শরুংচু ফজবী, ভাংবা শকপা কবী হেক্লোংংহনাও পাবী ববমচানাগা নস্তে, যমুনাগনি হায়রসে অমানা থই। অঙ্গুম ভুমা মহাক্না মমথালাগা কায়নম্রিবনি। মতাং অসিগনি নহাক্নোলশিংনা অহনশিংবু মরৌশিং য়াৎলমনি হায়না লৌশিবা অহুগা অহলশিংবদি নহাশিংবুংমশোশিং য়াংলিবনি হায়বা থংই হায়নম্রিবখি।

মতোম্নতা ভাইম্বিদৈদদি বেগেনদ্রগী অম্ব.ম.দা থম্না কম্নগী। যৌজিক্তি মনাক্তা পাম্বজদবী অমনপা অমুক্তা ও অমনা বেগেন্দ্রগী খোইশাওবা, তুংনাংবদু নংনা নো মগী হেৎপৎলকখি। অতূম্নবুদি ভৌবা নৈ মছুদি প.মদব, চুংশিদবা চুপা নত্রগা চুপী অংছুদি মনা মথক্কক্কম্নবশু, মচৈ চৈরবদু, মম্নল মথুম কৈয়বদু মমা মেংনিংউবে, মশক উবদদা ভিন শিংনিংই। অসিগুম্না মতম অমগী কুমুগী চুংশিবদু হক্লোম্বনা লাকহৎখিমনা বেগেন্দ্র-। মনাক নক্কনিংখি.দ, ভম্নখিনা হ:ক্লায়খি। পাম্নদবী মেংনিংদবী অমনা মনাক্তা নৈবগী অক্তা অপুনগুম ফাওম্নবা বেগেন্দ্রনা কম্নিগুম্বা অচিকপা মকমদা বনমালাগী মাথক্ক তৌত্নুনা লেপৈ। মহক্কী মাথক্কনা মনাক অসে মম্ন:ইবক থিম্নবা, মপুক্সিদা অপাম চুংশিগী কাম্নকম্ন নংলবা চুপীদা মনিং থুংজ্রবা চুপানি হাঁয়মা থম্নুনা মাম্নোক্নখি। মানা অতূক মারিবসি বনমালা মাদি থংজিম্নোই, কৃম্নিগীদমক্তা বনমালানা মবুকচেক্ষ অছুক নৌখিবা অমম্বুং মহাক্কদু কম্নিগী পুকচেল অছুক কনখিত্নুনা বনমালাবু কৌম্নদবা মথং মথং থম্নুমগা মাম্নোক্নখি। থম্নু থম্নুরগা বনমালাগী মাখন্দদা ক্রুম্নক্নবদা মবুকথোক্না বনমালাগী কক্সবদু থায়গ হেক হেক শাংজে। কেথোক মৌথোম্নকপদা খুঁজন-খুম্না মচু শংগনবী, শেংভোক চাথোম্নকপদা পকচবী, অগোম্ন হৈবী, ঈশৈ হৈবী বনমাল না অগোয়গী শাথেক্কা, চুংলিম্নবা ঈশৈনা বেগেন্দ্রগী মমা দা মাপী ফজবচুংকপু য়েংজম্নসতু মতাগুম, চংখিম্বা বেগেন্দ্রগী মযোম্নবু গুম্নসতু মতাগুম মখিং মনা মাওনা ভার্খিবা মাতা, শকখিবা ঈশৈ বেগেন্দ্রনা অম্নাইনা থক লাওবা ওইথোকখিদে। বনমালানা বেগেন্দ্রগী মকক্তা শাওনা [illegible] পার্শিল্লা, শাওরবা হেক নোকশিন্না ওইনর্খিবা; নৈনদং নৈনা; মযোংশক্কনায় ইমুংগী থবক কক্তা তৌখিবা বেগেন্দ্রনা বনমালাবু নৈনাদৈমহ শাক্কম লোক্তেং অসিগী কক্তা চুপা

নাইরবোইদবা, মহাক্না থিংবা ঙমরোইদবা বনমালা মবানিগী ফুংশিন্নবা ঊথৈ—। বনমালাগা কায়নবা হায়রবা অসে ভগেংনমক বেগেনচন্দ্রগী থমোয়দা কোক্লরোইদবা কায়নবগী বারবা চৈরু-পী-থিবনি।

থওইবিদবদা নঙনা মপুরোইবনা মতম পুম্নমক্তা বনমালাগা রাথলদা ভাওজনা লৈবসি থংলকপদা যমুনা থাংবা ঙমজখিদে। থীনা তৌবদি থাংবা মতম্বী, মপুরোইবনা বনমালাদবু থম্বুকা লৈ থংবদলি যমুনা মহাক্না মতুং মমাম্বী অমগী মফমদা কন্নাদা লাক্লবনো হায়না নিংঙমজ্জনকখিদে অমসুং মাবু নিংখিদবা ফুপা অমবু মপুরোইবা ওইনা ফংলবদা মতৌমতবু তোক্লবিগি হায়না ফপচখি। কুইর-কুইরগা ফমকপগী মহুত্তা যমুনা কপ্পদনা মথৌ ওইরকখি। অতোপ্পা ফুপী অমগী রাথলদা ভাওখিবা ফুপা অমগী মনাক্তা মাগী ফুপীনা কয়া কুইনা থাংবা ঙমগনি। যমুনা মথৌনা লৈরকখি, থৌশাবিরবদি—মানা লৈবদা অকায়বা ওইরবদি, বেগে-নচন্দ্রগী মফমদগী অশেংবা অমা থংনিংলকখি। মমমসিদগী নোংমদি যমুনানা ইচং থৌনা বেগেনচন্দ্রদা হংলকই,

“নুংহোংলকপা থা অমা অনি হেন্নক্রবসিফাওবদা বা অমকাওবা ভাংবিদবা অসিবু ঐগী কয়দা ইহ্লাল লৈবননো ভাকপিয়ু।” নৈ-ংৎপীরবী ফুপীমচা-অমগী ইচং থৌরবা বাহং অসি ভাবদা বেগেনচন্দ্র থুমকম থংখিদে। চৌকিদা ফমথরগা মথায় লৈথোক্কনা থুমকম্ব ইরৈ-লৈত্ত্রবগুম বেগেনচন্দ্রনা থুম্মকই,

“ফুপীমচা, নহাক ঐবু বাক্লোগদ্রু। ঐগী পুন্সি অসিদি বন-মালাগী মফমদা কংথোকপ্রবনি। নহাক্না ইচলগুম্মা ঐগী মুখমিদা নকিং ডম্মা লৈম্মু। ঐগী রাথলদি তৌক্লগদ্রু।”

“মহাক্কী রাথল লৈক্রবদি ঐনা কম্বিগীদমক মফমসিদা লৈগদৌরিবা—,” হায়না বেগেনচন্দ্রগী থমোয় কল্লবা পাঙথুব ফংঅবদা যমুনা হিক হিক লাওনা নিংবা কায়না ফপচখি।

"রূপকন্নু, বনমালাদ নো মত্তম্ন রূপশিংদ। ঐনা মহাক্না লুহোংবগী মরমদি ঐনা মহাক্না পাম্বতুনা, মহাক্না নত্তে। সুম্লগী পাবংনা হায়রবা ঙাইনবত্তনি—।" অঙ্গম্বা বেগেনচন্দ্রনা হায়রকপদা যমুনা মঙ্গ্লোক উরু উরু ঙাওবকখি। ... হৌরিবা নোংমৈনবী মহাক্না মপুরোইবগী মফমদগী অক্নবা বুঙং অসু ফংবদা লৌশিং মাংখ। হক ইন্নুংশিনবর্বা, পাঙ্গল লৈত্রবী যমুনা বারোলুখি,

"অংদি, নংবা কাদা যা ঐদু ইপানা। চংখ্রো হ যবরা? নংগীদমক ঐহাক্না মফ সিদা লৈজবনি, নিংথৌ থুংবিদ্রবদি—!"

"নহক্কী ননি নি—।" বেগেনচন্দ্রনা শঙ্গম লম্নশিং, যমুনা লৌশিং মাংনা মশা হ রক্লখি, মাব হ যমুনা মুখ হৌইখি। ওঃ খোংনা রূপচংখ, রূপা লৈত্তবা ইমা সনা রূপা নতনা যমুনানু পেম্বীশিদে। বেগেনচন্দ্রনম্ন মাবিবে, পোইনম্ন রূপা মংলাশিংবগীদমক শাওংখ। হৌজিক্কি মংত্তোপ ও নবা, মপুরোইবনা হন্না য়েংবিদ্রবী যমুনাগী রুবি পাঙ্গল লেখি? ফ-। যাম লমম্ন অমুক লৈবা ঙম্নবোই, অবেম্নদগী ইচং খোনা বাতং খ হংলুনা মশাগী মোংঘম শেমক্নতুনা ভূমিন প লৈ লৈনমগদবা যমুনা বেগেনচন্দ্রগী ইমুংদা লৈরা ইকাইক্লবখি। থোক্নবা মাং লৈশিদে, যানিংদা যানিংদা মফিম্নরোম তোংলগা বেগেনচন্দ্রবু চংচবগে—।" হায়না থুরম্নগা যমুনা চংপা হৌরকই। বেগেনচন্দ্রম্ন থাম্বীরক্নবদা যমুনা চংনিংদা চংনিংদা ভুং হননা য়েং য়েংহনা চংখিবনা মযুম যৌখি। লহোংখিবা থা অমা অনিরোমদা ঙাইখ্রিবা মচানা মপামদা হল্লুবদা যমুনাগী ইমুংনা বেগেনচন্দ্র অমম্নং লেম্না চন্দন ম্নারবোক্নখি। চংখিবদগী মচান্নবীন বেগেনচন্দ্রনা অহিংনা লৈবী তায়বসি যমুনাগী মশা, মনেনচিবা ইমা মী পুম্নমক থা। বনমালা অমম্নং বেগেনচন্দ্রগী ইকননা মখি মাদ পাক লৈক ত নবা যাদোই তায়বসি যমুনগী মমংনা যমু গী লুহো দ্রিভৈদম্ন ওবাদা নিংশিংবনি। মরমদি বনমা। অমম্ন, বেগেন্দ্র হুংশিনা চাম চিনা

লৌন-লনরকপনি, অসিগীনু মথক্কা শকমিন্নখিবা ঈশৈ, ইখিবা শৈরেংশিং অসিনা কৈদে ঙৈদনু অনি অসি পাক তংনবা য়ারোই চিংনখিবনি। অহুবু ওঝানা কায়নবা হায়বদি হকচাং হকচাংগী মথৌনি, পুক্লিংগী মরী হায়বনা বাখলগীনি হায়না যমুনাবু মথৌ ও না লৌখিবনি।

তুমিৎ তারবা মতুংদা ওঝা চনদ্রনা তন্নক্রগা যমুনানা মপামদা চৎথ্রে থংবদা ওঝানা বেগেনদ্রবু থর শাওনিংথি। হৌরকপদগী তুপী অমত্তা য়াওদনা লৈরক্লপা ইমুংসিদা মতম থর বনমালা ইথন থন্না ... ... হ...না ...ৎথ্রে, কৌরুরবসু লাকপিদ্রে, লাক্লবসু ...ী...দ্রা হায়বা য়াদ্রে— ওঝানা বেগেনদ্রবু ঙা বা হৌরকথি। ...মু...। অসূম্না ঙংদবা মপাবুংনা মথ...য বারোনা ঙাংলকপদা বেগেনদ্র থ...বা ...। মপ বু না মরিক চুমা চুমা ঙাংথরকই। অহুদ... ...হাং হ...না লৈরাক্ল, যমুনা লাক...দগী অমুক ইফুন ফুল্লে, তুপী অমা ...দবা ...বতু ...ংসে. হা...সু তাহোনে। বনমালাদবু ...ান, ...শিবনি থ...বা বেগেনদ্রনা ক্ষিভম ...না লৈরকপবু ওঝানা ব...খি। মপা না ...বগে...দ্রদা, "বেগেন... পূন্সিদি ফাগী ন... ...; নাগীদ অশে...বনি, মতু ঐথো...না মিকুপ থুদিংদা থেং...বসিনি," হায়না পা...তাক পীখি অমসুং মরাল লৈতবী যমু...পু ...ে ...নবা হায়খি। বেগেনদ্রসু বাথল থস্থখি। মহাক্কা মপাবু ...াকপা থবক তৌয়ে হায়বা থংজখি অমসুং মপাবুং...না বরৌখিদনবা থুদক্কা চৎশিহুনা যমুনাবু মপামদগী কৌরুরে। ত্ববাপ হবাও যমুনা মপুরো বনা কৌরববদা লাকচখি ...তৌইগুম্বসুং মপা...ংবু কিশ...া মসু কৌর খব বেগে...দ্রদগী ...বিগুম্বা ম...ুংশি অমক্কাওি ...ংবা ... ...থ...। মরাইবক্কা তল্লবানি থন্না ...ংঙাইতবা তৌ... ...। য়ুম পান গী বাগল ...মুক তোরুদনা ইমুং অসিদা পোকপী ...শাবি গুম মনিং তম্না মকুবোক মপুরোইবা অমসুং মনাও ...। ইমোগী ...ম্নবা ...হাৎ... না লৈ...খি ...হু... ওইনমক বেগেন্দ্র...।

বনমালাবু কৌহুনা ভেংথায়বপা মতমদদি, "ঐহাক অসে মীগী নিংবা কায়হনবা ফুত্তবীনি," হায়না থন্দবা ভমখিদে। ফাইনথংদা মতৈমগী থম্মোয়বু শেংনা থঙলকপা ইমোতোম্বীনা মশক ফজবী, অতপ্পী, অইংবী মপুক শেংবী মতৈমবু করিগীদমক্তা ময়াম্বুংনা য়াবিদ্রিবনো ভকপদা থেংজখি। মতৈমবু, "ইতৈমা নহাক্না দম্মমীনি অহুগা ইতৈমা অহল অহুনা হুর্গানি" হায়না ফাগী তোবী অমম্বুং মথাই দুগাইতে থঙবা মতৈমগী থমোয়বু থেমজিনবী। হুপীংম্নপা ওইবগী কান্নদবা বাখল থরদংবু মীহৌহুনা দুগাইবা ফংদবা অহু কান্নদবনি হায়না খঞ্জরবী যমুনানা মনাওগী নোক্লিং-নোক্লিংবা বাশিংদা নোক খেহুনা লৈবা ভমজরকখি। তোইগুম্বম্বুং বেগেন্দ্রনা করিগুম্বা থানা য়েংলম্লবদি নোক্লম্লবস্থ থংলেপ লেপ্তুনা মচিন ভনিক ভনিক থাংজে। মানা বেগেন্দ্রবু অম্বক্কী মত্তিক কীজখি মহুদি ইমোতোম্বীনা 'ইতৈমা" হায়না করিগুম্বা বেগে-ন্দ্রগী মনাক্তা লৈবিভৈদা কৌরক্লবদি বেগেন্দ্রগী মনাক্তগী চৎথোক্লগা থুমজৈ। মপুরোইবনা মীরাইবীরবী, নিংবা কায়রবী যমুনানা মপুরোইবগী অশাওবা মীৎয়েংবু মতম খুদিংমক্তা কোক খুম্নগা ভাকথোকচখি।

অমরোমদা, বেগেন্দ্রনা যমুনাবু থীনা তোবা অমম্বুং মথাইনা থোইদাদে হায়না মাবু কৌহুনা কপতুনতা লৈ হায়বা অসি তাবদা বনমালা থাংক্ম থঙখিদে। "ঐহাক্না মহাকপু কয়াদা রাহল্লবা" হায়না শোন্দুনা পীক্লবা মচাবু পমহুনা অমম্বুং মচানা চাওরকতুনা চৎপা, ভাংবা শকপা হৈয়কপগী কুম্মেদা থমোয় শোক্না য়েংহুনা লৈজখি। তোবদদি বনমালাবু মমাশিহোয়ন বেগেন্দ্রদি হুপী থংগ্রে নত্তস্থ নয়ুম পাল্লো হাংহুনা থেম্বদি তোকতে। অহুম ওইনমক বেগেন্দ্র নত্তর্না অতৈগী বাখল তোক্কদ্রবী বনমালানা পুম্নমক অহু অরেম্বা তাহন্দুনা—মাবু অরুংঅহেন পাম্বী, ইয়াং তোবীনি হায়না বেগেন্দ্রনা য়াবিয়কতবা অহুগীদমক হুংভাইতবা উংপা ওইনা অচম্বা

হিংরোল শেংচারগা অচৌবা পুন্সি মরেন অমা লেনবা হৌরকখি। মতম্মদা ফিক্রেং লৈতেংদে হায়না মপামদা পুরকপা পিরিবা মচাংগুম্ন বনমালানা মপাবুং বেগেন্দ্রগী ইমুংদা ভোৱগুম অচম্‌-অচম্বা ফিং-রোল ভাক্তা থোন্দুনা ইনাকখুনবা মপামদা চংবা পুন্সি লেনবা ভদ্বীরকখি। পুন্নমক অসি নিংতমদবা অমদি হাবোবা অনিনা পুন্না ওৎলবা বনমালানা মশা মথন্তা পীরুবা হৈরাক ওইনা তৌখিবনি অমসুং মশাগী মরানবু লনন থুমহনক্রবনি।

বরেং শুবা মতাং

ইবুঙ্গ পেক্রকপা

মালামু ম বা মনি হবয় সৈদিয়রিবনিনা বেগেন্দ্রনা যমুনাদা থুপী ও বা লা টাংলবা কমচা অমসুং মতিক কবা চেল্লি হাযবা খ ব ন বুক্রবনি। যমুনাগী অউ-পোংতনা ইমুং থল্লি অমসুং চাংবা মতমদা যুমদগী হৈক্লকপা যোংকুদা যিং ফাতুনা যুনথংনবগী হারেম শুবীশিংগা নম্নোকতুনা মরম ওকপী, থবক কবী মমাং মন্দোল, ফং-নাওশ গদা খোংদৈ। অস্তুম্না শুরুবনা বেগেন্দ্রনা হৗ য়ৌবি মন্দ যমুনাগী মথুংদা মরাই শেন থরা পায়রনা অতুম লৈ। মানা তাঞ্জবা শেন অসিনা ইযোতোম্বীগী চাদিং অমদি ইমুংগী ভাচেং-থুনচেংক, মতেং পাই, মসিগী মথক্তা যুমথংনবগী অচিং-অরাক্তনু মতেং পাথোক থাশিন তৌই। মসিদগী যমুনসে মাগী ইমুংদগী যুম। নবগী মশিন হেনা লুনা, তুংশিনা তৌবী। মতমদা অচাওরাং কাগবী বনমলাবুদি যুমথংনবনা মরাই হাইগৎলি, পোয়চংরা চংনৈ হায়না হায়রনখি অমসুং বনমালাসু

মখোয়গা মুকুথি। র রবা মতমদা যমুনানা উপ হাংদোক্লগা মথল মখেল নাইনা থম্লবা লাইরিকশিংগী মরক্তগী পানংবা শল্লা পাহ্নুনা পোথায় অমমুং মনাওমুপা ইমোতোম্বীবু লাইরিক লাইগু ভাকপী ভম্বী।

অমুক্কা হেন্না ঙক্লিবদি যমুনাগী মবুক চেংপা অসিনি। বেগেনদ্রনা ক্তনা য়াবিদ্রবসু, কয়া থিনা তোবিরবসু হুমিং চুপ্পা যমুনানা হরাও তয়াম্না, করিস্থু খন্দনা লৈবা অসিনি। করিগীমু থল্লোইদোরিবনো বেগেন্দ্রগী লোয়নবীনি হায়না লৈরিবা অসিবুনি ঙক্লিবদি তোইগুম্বসুং, বেগেন্দ্রদা যমুনাদা অফবী, মানা পামজবী হুপীগী মতো কয়া উরবসু লুহোংলবা মতুং চহি হেল্লক্লবা ফাওবদা যমুনাগী মতিক মঙাল লৈরবা শাক্তম য়েংনিংথিদে, য়েথিদে যমুনাগী মশাবু ক্তল্লক্তখিদে, হঙ্গোংখি, অহুনা থীনা তোবিখি। করিগুম্বা খবক অমদা মরল হেক্তা শিবিথি করিগুম্বা অমদা হেক্তা শাওবিখি। মপুরোইনা মানা তোবা খুদিংদা য়েংশিনবিরবা যমুনানা মানা তোবা খুদিংমক শোয়দনবা চেকশিন্বা তোক্তে মাগী অসিগুম্বা চেকশিনবা, লুনা হোংনজবা মতো অসিদনসু যমুনাবু অফবী, মরম ওকপী হায়না মীয়াম্না খ নবী। লুরবদি, মতৈমা যমুনাবু ময়াম্বুং বেগেন্দ্রনা থীনা তোবী হায়বা খাংলবা ইমোতোম্বীনা মতৈমনা মথবায় মু ঙাইতনা লেনবা অমমুং ময়ম্বুংনা থীনা চৈবদা তুমিন লৈবদা ময়ম্বুংদদি হায়বা ঙমজদবনা মতেমদা হায়রকখি,।

"ইতৈমা নহাক্লা হৌজিকফাওবা তুমিন্না লৈরিবসিবো করিশীনো? করিস্থু লাঞ্জদবী নংবু অমুক থীনা তোবসিদা ইতৈমাবু অরিস্থু হায়বা ঙমদ্রবরা? ইতৈমা এথোয়না নহক্তা নতুংদা লেপ্পী। "চাওরক্লহ্না ইমোতোম নি। খর অঙাংনিনা ইমুংদদা লৈবনা ময়মুংনা মতৈমবু থীনা তোবিবত্ত ইবোতোম্বীনা শিং নাম্না উবদগী পেন্দহুনা হায়রকপনি।

"ইংো, হায়হৈদে। মবা মপুরোইবনা ঙাংবদা খুঙদি লাইরদনা মিৎনা কয়া য়েংবক্তাওবা তোহেদে হায়রিবনি,যমুনানা হুংশিনা খুমই।

"কান্নদবা থায়নগী রাজুবু। ইতৈমা নহাক মী ওইরম্লোই। ই তৈমা বনমালা ওইরম্লবদি হেক্তা খৎনগনি। ইতৈমা বনমালাদা। মাগী স্নো, পাউদর থাও মনম্না ইমুংসে হেক হাবা। মানা হেক লুনা তৌবসে য়াম্নুংদনি। পাবুংনদি সুকয়া য়াখিদবনি। অদু ওইরবস্তু য়াম্নুংনদি য়াখিদনা, ইতৈমা নংদি পংই হায়ম্—,"
ইমোতোম্বীনা মতৈমাবু লরবী। যমুনাস্তু মাবু পংই, মী ওইররোই হায়বা অসি চুপ্লোই খল্লি, মহাক ভশেংনা পাংমল্লবনি। তৌই গুম্বমুং মহাক পাংদবীদি নত্তে, নোল্লুকচবনি; অথাং কনবী ও'জবত্তনি। ইমোতোম্বীনা মাগীদমক মুংঙাংবীদবা, রাবিবা অসি খংবনা যমুন, মবুক্সিং নুংশিজে। মনাওগী রাশিংসিনা মহাকপু রাখল পন্থহল্লি। নুপী অমগী য়ুম পানবগী নুংঙাইবা হায়ববু অসিরা? মনান্নবা কয়ানা মচা নুপী নুপা পোক্তুনা মপুরোইবগা হরাও তয়ান চেনিন্নবিবা, মাগী কদায়, নোংমতম্ব মপুরোইবনা মনাক নকপিদ্রি নু শিবা রাঙাং ঙাংবিদ্রি। অসিগী মহুত্তা চৈবীরি, মাং খানা য়েংবিরি, থীনা তৌবিরি, থাংবা হৌনৈ হায়না মহাক্না নুপী নত্রবগুম খা লি। ময়ুমদা করি নিংবা থুংদবনা মীগী ময়ুম অসিদা রানা থাংবা। মতম্নদি হৌখি। লাইরবা ইমুং অসিদা ময়ুমদগী য়াওজরকপা সনা-লুপা খর অদুম্ব পিশক্কী পৈশা থাবদা, ইমুংগী অচিনবা মেন্নবদা লোয়খ্রে, নুপী মতোমতা ঙাইবা ইমুংগা ওইবনা ময়ানগী খোগলদা, ইমুংগী কুপনোমদা রাবনা মপুম খিৎলে। মহাক্কী কুংঙাইফম লৈবিরগে। মুপ্না খল্লবদি মাগীসে অঙাওবীগী মতৌ হায়বত্তুনি। যমুনা মরাইবক্তা হন্না হন্না তাইনক্লে। পিক্লিতৈদগী মমা কায়নরে; চাওরে, নুপী খির রবা নুপা অমদা লুহোংলে, মসিদম্ব মপুরোইবনা থীনা তৌবিয়ে। ময়াম্নদি মহ কপু শক ফজে টংই, তম্নি হায়বীবদায়। লাইবক্লবু ফত্রবদা, মীওইবা হায়বসে, ফনা ফরবস্তু য়াবা নত্তে। অম্ন্না, কয়ারক মওল মওল খল্লবস্তু মহাক মাগী অহানবা মপুরোইবা অসিদগীদি থক লাপথোকওরোই

হায়না মপুক্লিংনা চপ য়ুংনা নিংকুথি অমসুং লাপথোকহনবিগনু হায়না ভাইবং শেম্বা মপুদা নিকুখি অতুনু যেগেন্দ্রগী ওম্মোয়সে মরাল ভৈরবী মঙোন্দা খররি কনমল মাল্লে হায়না চিংনরি।

নাকল অমদনা, নোংমা ইমোতোম্বীনা মতৈমা বসাক্লাহোয়গী লৈরক্তা চংলুবদা মতা অমা চকুচনা নতেনা অমসুং মচানুপীগনু থেংনরে। বনমালানা কুইনা উদ্রবা মওংতু উবদা হুংশিন খৌজে।

"কবিরত্ন। ইতৈমগী কবিরতন, কদাইদা চৎলুরগে ? ইনাওংথোয়দি নতৈমা অফবী অমা লাক্লবনিনা হুংভাইগ্রমাল্লে নতৈমা ঐথোয়গদি নিংশিংবিরকখিদ্রে।" কুইনা উথিদ্রবা মতৈমা বনমালা উবদা অমসুং মথোল তাবদা ইমোতেম্বীনা, "ইতৈনা!" হায়না হমখি অমসুং মমিত্তা ঈরা চেক্কখি। মতৈমনা মকি মরোল নিংখিনা শেৎলিবী, সনা লুপানা লৈতেংলিবী মচানুপীবু পয়গা, "ইমাগী শাস্ত্রা, পাবুং মনা লাকএ," হায়না ভাকই। ময়াক্লুংগী পিশক পিক্লা পুখিবা মচানুপীনা লেপ্পা কোনা চনা শাননরম্বা উবদা হরাওরবা ইমোতোম্বীনা, "শাস্ত্রা—," হায়না হুংশিনা কৌই। নদি য়াম্না চাওরম্মনা, পাবুংচা অমুক্ত পয়গে, নদি ভবু মশক থংভ বিরোইদো," হায়না মতৈনগী জোরপ মচাবু হুংশিনা পাই অমসুং শোক্কই, "য়াম্লুং ভমদি পাবুংনা উক্তরবদি কয়াদা হরাওং জাব! ইমোগী বাভাংনা বনমালাগী শম্মোরদা তিং লাওনা পানখি, খুদক্তা মমিত্তগী পি চতুম অমা তাগা তখি। মপানী মশক উবা ফংকদ্রবী মচানুপীবু যেগেনদ্রনা পয়গা হুংশিনা চুপ্পবু মমিত্তা উরকখি, মপা মচানা নোকথেনা চেনচো হুনা মনা দা শাননরখি। নখায় হুংভাইত্তনা, "ইতৈমগী ইমো, নয়ানু দি বরন ভৌরি, পাবুংহন্না করম ভৌরি নতৈমা শাইরবা অতুনা করম ভৌরি, পিশক্লা করম ভৌগে ? "মৎং মৎং হুংলকই। লমহেনবা পীবু ভারক্কনু হায়না ইল্লিবা ফিগী ফিক্তিনা লোয়া তৈথোক তৈশিন তৌনা থাংলিবৈদা ইমোনা মাগী ইমুংগী বারী মৎং মৎং হায়থিবা

মফম থংনা তাখিদে। মপাগী মশক উদনা লৈরম্রবা মচাবু মপাগী মনাওম্নুপা ইমোনা পম্না উবদা থোংজবা ম্নুপী ওইবীগী থম্মোয়দগী ভৌবা মচা-মরা ন্নুংশিবগী ঈহৌনা থুমখিবনা মমিংকী মপিনা পিংবা ঙমদনা অর অর তারকখি। মতৈমগী মতৌ উবদা ইমোস্ ন্নুংঙাইত্রে। কইনা উদবা মনাওবু বনমালানা ইম্নুংদা চংলুসি হায়না পুশিল্লকই, ইমোস্ অঙাং পমত্তনা চংলকই। লাইবক খিবদি বনমালাগী শাওগল্লবা মপাবুংনা ইমোতোম্বীবু উবদা শাওনা "কৈদৌবা লাকইবনো হাগ নংদি? করি মোইথেম ভৌবা লাকই-বনো?" হায়না কল্লপ হায়রকখি। লাইরবা বেগেন্দ্রগী ইম্নুংনা মচাব্ মাংহল্লে থম্না শাওরিনা বনমালাগী মপাবুংনি। ইমোনা থুম্ফম থংদনা লৈরবদা বনমালানা মপাবুংদা লম্বী থোক্ত্না ইমোগা পেংনবনি হায়না ভমজখি। ভৌইগুম্বস্ং মপাবুংনা, "নংবু করি ভৌবা লাকইবনো হায়বা। ইচান্নুপীসে নথোয় লমজা শারাগী ইম্নুং অত্তনা মাংহল্লবাসিদা করি অমুক ভৌখিগে হায়রিবনো?" লাওরকখি। পাইরক লৌশিং ফবা অঙাংনি, শাওরবা ইমোনম্নু থুম্মকই,

"লাক্তবা য়াদত্তনা লাকইবনি ঐহাক—।"

—"করি—,লাক্ত্বা য়াদবা? নশক্ত্ য়েংনিংদে, চৎলু"।

—"ঐ ইচান্নুপী লোগে লাকপনি—।" অঙাং পম্রগা ইমোনা মমায লৈম্নকপদা বনমালানা, "ইমো,ইচাহুদদি থনম্মু," হায়না ইমোব্ ফাখি, ইমোগী ব্রা ভাবদা মগুগী ন্নুঙাইরবা কুমৈশিংদা মতম লেম্রগা লেঞ্জরিবা থাদোই সনা ব্রা ঙাংকম থংখিদে। ফানা শাওনিংলবম্নু ইমোতোম্বীগী ইম্নুংনা কম্না হাযরক্লবদি মগুব লোখিবম্নু য়াই, অত্থম্না ভৌম্নবদি মথোয়না কযাদা ন্নুঙাইহৌরোইদবা অমদি মচান্নুপীনা কয়া ব্রাগৌগবা, মসিদা ব্রা কয়া থোক্লগবা থনবদগী কম্না ঙাংখিদ্রে। ইমোনা থল্লম্বম অসিনি, অচাওরম কাবা থাদোয়-ম্না মপাবুং চন্দ্রনা মতৈমবু কৌনা চংপা ভৌরকপদা কৈদা অমদি

পোংবা অসিদা ইমোনা মমু য়ৈথংনিংবনি। মপাবুংগা ইমোগা থংনবদগী মচাবু পুগদরা রাজরবী বনমাল'না "ইমাগী ইবেংমা, নংবু ইমাগা কায়নগত্ররনে, "হায়না মচাবু পম্লগা মুংশিনা চুপচখি অমস্থং মথবাই মুংঙাইত্ৰবা ইমোদা. "ইতৈমগী তোম্বী, নং শাওগ-শুকো। নংবু খিনা তোরকই হায়না পাবুং হোয়দা ভলুগন্নুকে." হায়না মেঙ্গাখি। অশি বা ইমোনা মতৈমনা রারিবচ থংই। মযুমদা হনগ্রগা ইমোনা ময়াম্বু'দা মচাম্নুপীনা কয়া চাওহোবা, ফুজহোবা পুন্নমক ভমখি। মচা অমস্থং বনমালাগী মপাও ভাবদা বেংস্রনা, "বনমালা!" হায়না শোল্লগা নিংশামপী শাংনা হোঙখি।

মীওইবগী অরা অনাবু থংবীদবা মভন্নদি লৈপ্তে নিংথমথা লোইখি, য়েন্নিংথা ওইরই, লোইনুনা লৈবাকসিগী থাংদগী চ'ওরবা কৃম্মে য়াওশংসু ম'রকচ যাওশংগী ইরাংদা কনানা থমোয়দা রারিবা, কনানা কপ্লিংগা অশি অনা নংলবা কনাগুম্বা ইমুংফাওবা ন'ন্থোকহদে। ওজাগ' ইমু দ' মপুন্নোইবনা য়াবিদনা মুংনাংনা লৈ-হায়বা থংবনরা যমুনাবুস্থ ‐ান্থোক‐খিদে। য়ুমথংম্বগী মৌ লৈশাবী-শিংনা যমুনাবু মরাগী মনাক্তগা চ থাকক্তে,আঃ মুংশিনখ্রে কৈদৌনখ্রে হায়না ভাংবিহুনা ‐োং‐া‐ ‐ম্ন ‐াবু কোযবা পুথোকপিরক্রে। নিং ‐ংদনা লৈরব' মমো ‐ ও। স্র শু লকায়গী মচল মনিংশিংনা কো‐বা লাকপা ‐ কপিবনা হারাওনা তৌবী যমুনা মফি ময়রোল মভিক চ না ‐শং ানংশিনা লেভেংগ—, মপুং ফানা ানংখিজরিবী মৌমচা অ ানি কনান্থ মাবু মশক ফজদবীনি হায়বা ঙম্মোই। ইমুংদগী .থাক্তবী যমুনা মপান থে ক্লকপদা অটবশিংন', "ওজাগী মমোনে ফজেদকো" শোন্নবা ভক্তনি ' যমুনাং হোয়গী কাংবু অসিনা লৈক লান্না কনাগুম্বা থ‐নবা অমগী মযুম ভন্নকপদা কেনা চংশিবা মৌনহাশিংহুবু কল্লকপা মুপা নহাশি না মুপামচাশিংদা ইনশিল্লগা অবের তৈহল্লরে। মুপামচা শঙ্গু অমনা চেনশিল্লক্তুনা মৌশিংসিদা মমায় মমিৎ থংদনা অবের তৈররে, মহি

কাপ্লরে মহৈ মহৈ মোদবো মোদবো হায়না শাওনরে. শাওনৈ হায়বহু মঙাগ উপাই লেভবনা অমগা কম্থোক্লরে তৈথোক্লরে। হেনমল্লি হায়না শাওনহুনা মহৈ মহৈ চৎলনুসি হায়না ময়ুমদা হল্লকখি। বেগেন্দ্র-না থীনা তোবিদনদা লৈবা যমুনাগীদমক্তা ময়াম্না ৱাবিখি। মপুরোইবনা যাবিদবা যমুনানম্ব ময়ুমদা মথোয়না পুথোকপিরগা হায়না ৱারৌজখি। ময়ুমদা চংলকপদা ইমোতোম্বীনা মমাই মমিৎ, মকোক মরু ইঙাং ঙাংনা মকোক থুম্লগা হঙ্গোয়না চংলক্লিবা মতৈমবূ উখি। ইমোতোম্বী হরওজে, মতা অমা চারে লক্লর.গ, খল্লবনা লক্লরকই, “ইতৈমা নংনা লৈশাবী মচা শাহুনা—অঃ।”

“তুমিন লৈয়ু ইমোতোম্বী, নখোয় য়াম্বুং তাগনি মথোয়না পুথোকপিম্বগা, তো লোইরবনিনেসে.”হায়না ম[illegible]ওদা যমুনা মকোক-কী ফি হাইদোক্তুনা উংলি। অমুক্তা কে[illegible] তর[illegible]ও। লৈবা উদবী মতৈমনা তোরিবা ফিভম অসি[illegible] পেঞ্জ[illegible]হুনা অপংবা ময়াম্বু[illegible]দম্বু উৎলগে খল্লে। ময়াম্বুংবু কৌরকই “য়াম্ব য়াম্ব[illegible] ত রিবাস চমুক্তা য়েংহৌরম্লাও—থূনা থুনা। ”করিনো লনন [illegible] সমুংদগী থা-রকপদা অবেম্রনা ঙাংনা তৈরবী যমুনা[illegible] নি [illegible] [illegible]ংবু উখি। থাজবা ঙমদনা মমিৎ কুপ্তুনা যমুনাদা [illegible] মতৌ উবদা কিজম্রবী যমুনানা ঙা[illegible]তাক [illegible] রম্লগা [illegible] লুকথহুনা ইমু[illegible]দা চংখি। বেগেন্দ্রনা যম[illegible] ম[illegible] ফানা উবা অমম্বুং মিৎক্তা মীৎকা চাননা য়েংনব [illegible] অসনা অতানবনি। ময়াম্বুংগী ঙক্লবা মিৎয়ে অতু [illegible]তোপী। ফা[illegible] নহাজমথৈ মতৈমবূ অথিবীনি হায়না য়েংদ্রিবা [illegible] না মতৈমগী শককম উবদা ঙকথিবা মসিমক্লি মহাক্তা শিল্লিংবম্ব অস্তুম্না শিল্লম্লগা ইমো চংথোকখি।

যমূনাগী অশেংবা শককম উম্রবদগী বেগেন্দ্র ৱাথল থম্বরকখি। যমুনা মশক থীবী নক্তে, ফজবীনি। মহাক কুচু মুবা নক্তে,বন লাং-দগী থরা মুই চুম্বী, কুলৈ কুচু লময়োবী হায়গান। মহক্কী মশক্তি

থাজ্জগুম টংঙ্গ, মতিক মঙাল লৈ, চিংলেম্মী। ম'ঙোন্দা বেগেন্দ্রনা পামজবা নুপী অম লৈ, যমুনাগী মঙোনা বেগেন্দ্রনা যমুনাবু শক্কবা অমনি হায়বদি যানিংগ্রবনি। বনমালাগুম ফজরম্মোই হায়না বনমালাবু নুংশিনবদগী থবাথবনা মবুক চেৎপা মীশক অমা ওইখিবগা বেগেন্দ্রনা যমুনাবু য়েংনিংখিদবনি, য়েংনিংখিদবনি। বনমালা অমস্তুং যমুনা মফজ অমম্মনি. কনামগুনা অনিমকপু থী হায়রোই কুচু ঙৌবিনি. যমুনাগীনা থক্তিক্তুং হন্থবা কুলৈ কুচু লময়োবী হায়বহু'ন, মায়থোংস্তু বনমলাগীনা শা'লপ ভোব শগোল মাইদা হায়গনি.যমুনাগীনা কোইরপ ভৌবা শেঙ্গোয় শক্তানি। শাবানস্তু বনমালানা পায়প ভোঙ্গানৈ,যমুনানা থারপ ব্রা'চাওই। বনমালাদি জগোয় শাবীশী শাহৌনি, যমুনানা য়ুমকোইবা লনলাইরেম্বীগী শাওংনি। হৌজিক্তমক বেগেন্দ্রনা মহক্কী লোয়নবীবু মশক খ লক্লি।

মরালনা মপোৎ ফারবা বেগেনদ্র নিংঙম্মকখিদে। কযাদা ভমথিনা মহাক্না মরাল লৈজ্জদবী. মথমোয় হৈংলবী নুপীমচা অমদা ওংখিবা। ঙাকপিনবা হায়জবগী মভম ওইরে হায়না বেগেনদ্রনা খল্লকখি। অহুবু, অস্থূক কূইনা ঙা'ন'শাক্লরকত্রবা. থীনা ভৌবিহুনভা লাক্লবা মাগী নুপীগী মফমদা ব্রা ঙাংগদবা বেগেন্দ্র কিজ্জখি, যমুনাগী মতিক মঙালবু উরুরগা ভখি তপি ভৌবিরক্কদবগুম হঙ্গোয় খি। যমুনানা অবের তৈরবা মক্কোক মরু মশম মনা ভুমথোক থাদোকলুরগা মহৌশাগুম মথোয়গী কাদা মশম মনা হাংজি। মঙোন্দদি হামু হামুনি। নাকল অমদা বেগেনদ্রস্থূ চৌকি অমদা ফম্রগা লোয়া মহাক্না লায়া লৌবিক্করবী যমুনাদা য়েংলি। করি হায়না মহাক্না যমূনাদা ব্রা হৌদোক্কদবা, বেগেনদ্র অব্রাবা ফাওয়কখি। "ঐগী নুপীনি ঐনা করিগী কিক্কম থোকই" বেগেনদ্রগী অকিবা লাকশিল্ল। অম্মুয়া থল্লিঙৈদা যমুনাদি শম হাৎপা লোয়হুনা চংখিগদৌরক্কাওবা ব্রা অমওং হায়রগা যমুনাবূ কোগদবা

কিজ্জরে, অমুক্তা উন্নদ্রিবা স্থপীমচা অমদ পাংং মচা অমনা ভোবগুম্না থল্লে। বানা হোংনরগা, লেৎরবা থাম্বোক্কা লোয়মনা বেগেন্দ্রনা "যমুনা!" হায়রকখি। বেগেন্দ্রগী থাজত্রবা মিংগী অসিনা যমুনগা মনাক্কোং য়ৌখ্রনা যমুনাবু থকংহনখি অমসুং চউরকখিবনা থুম্বা উমখিদে মহাক্না থুম্মকত্রবদা বেগেন্দ্রনা মনাক্তা চংশিল্লক্লনা, "যমুনা নহাক ঐবু খাকৌরিবরা? নংগী নফমদা ঐহাক য়াম্না লানংরে, নহাক্না ঐহাকপু ঙাকাপয়ু' হায়জরকখি। যমুনাদা মংগুম থোকই, ঙাস ভোরবসিবু করিনো হা না উকখি পাওথুম পীবা উমখিদে। যমুনানা থুম্বা উমদববু মরাল লৈরবা মহাক্পু শাওহনবনি হায়না লৌরবা বেগেন্দ্রনা মরাল লৈজদবা অতপ্পা যমুনাগী মফমদা মহাক্না থীনা ভোখিবা কয়াবু খল্লুবদ ম মত্তা পিংগী ঈরা চেঞ্জখি। বেগেন্দ্রনা হায়রকই, "যমুনা, নহাক্না ঐনা ভোখিবশিং অদুদা ঐহাকপু শাওরিবরা? নহাক্না ঐহাকপু অমুক্তং ঙাকাপত্রবদি ঐগী ইরালশিংসে প্যান্সিমগী কোকউমদবা ভাবে।" নিংউমখিদবনা মমিত্তা মপি তরং তরং চেনখি অমসুং লৈবাক্তা মতুম মতুম তাখি। বেগেনদ্রনা হুংশিবিরকপদা মবুক্লিং হুংশকরবা অমসুং বেগেন্দ্রগী মত্তো উবদা খা ম উমত্রবা যমুনানা হায়জরকই

"করিনো ভোবিরিবতুবো? কচ্চিগী মরল লৈরুগদগে? ইরাইবক থীবনা ঐগী ইরাল ঙাক্তনি। হুংশিবিরকলিবা অসিনা ঐগী পেঞ্জরবনি" অসি হায়রগা যমুন মবুক্লিং হুংশিনা হিক হিক কপই। বেগেনদ্রসু হিক হিক কপই, "ঐনা লাজদবী নঙোন্দা ভোখিবশিং অদুবু করিনো—!" বেগেনদ্র নিংউমদনা কপচখি অমসুং যমুনাবু হুংশিনা চংনা ক্লোজখি

যমুনাবু বেগেনদ্রনা লুনা ভোবিবা ভা ন-শকবা উরবদা ওক্তা চক্র অমসুং ইমোভোম্বী হাযনিংঙাই লতনা করাওক্লখি। কয়া খাজরবা, কয়া কপচরবগী মতুংদা মপুরোইবমা হুংশিবিরক্রবা যমুনাদি হোক্তিক্তদা লুপী অমনা লুহোংবা অমসুং মপুরোইবা ফংজবগী লুঙাইবা

ফংজবগুম ভৌথি। মহাক্না থমোয় শোক্না ভাইক্তরকপা বেগেনদ্রগী হুংশিবা হায়বদো ফংজরবদা যমুনা মীগী ময়ুম অ'সদা মমায় পাক্না লৈবা ভেমজরক্লে, প্রান্সগী ওইবা ঙশে বা ময়ুম্মি হাযনা থনজরে। মরা মপুরোইবগী মনাক্তা মচা মশু পোকতুনা পুন্সি লেনবা ফংলগনি হায়না হরাওজক্লে।

ভশেংনমক, যমুনাগা বেগেন্দ্রগনা চাং-'চ না লৈরক্লবদা নংজংরবসু ওজাগী ইমুং অসে হুংডাইবা ইমুং অমা ওইরক্লে। ইমুং অসিদা য়ুম পান্দুনা হুপী হুপাগী মরি লৈনরিবা অসি যমুনা অমসুং বেগেন্দ্রদনি, মবানিনা থমুক থমূক তৌনবদগী ইমুং অাস কে-না ভাদন' লৈরক্লবনি। ওজা চন্দ্র হরাওজরে, মচাহুপা অহলনা অকবী হুপী অমগা মফম থংনা লৈজহৌরবদি মনাওশিংবু শেন্বা ভেম্ন গনি। মহাক্না শিঙ্গবসু মচিন মনাও ইংনা লৈহৌরগনি হায়না থন্দূনা ওজা হুংডাইজখি। অসুম্না তং ভাবা পুন্সি অমা বেগেনদ্রনা অমুক লেনবা হৌরক্লে। মরুওইনা যমুনা মরম ওকপী, হৌন লোনচং থংবী অমসুং লন চেনবী হুপীনি, পুকচেল খোয়জেল ভিন্ননা ভাখোক ভাশিন তোক্তনা মীমান্নবা ভম্নবা কন্না শু নোম্নখি অমসুং হোৎনজবা পুম্নমক্কী কান্নবসু ফংতুনা শেন থুম খরা খরা কোমজবা ইমুং অমা অমূক ওইরক্লখি।

তাঞ্জা অসিমক্তদা. বনমলাসু মমা মপা, অমদি মচিন মনিং কয়ানা শিল্লগা মতু নৌনা কায়নথ্রবা উকিল অমদা ময়ুম পানখ্রে। পাও অসি বেগেনদ্রগী ইমুংনা ভারবদা মখোয়গী শাগেগী হুপীমচা অমা বনমালাগী মনাক্তা লৈখিবনা ইরাং লাংনথি। বনমালানা য়ুম্নাক অমা হোংতুনা অমুক্কা ময়ুম পানঃবদি মচাহুপী অতুবুদি লম্লানবগী ইমুংদা পোক্তবা মপানা য়োকতুনা মচাহুপীবু মপা মপু কনামত্তা লৈত্রবগুম লৈহনবদি বেগেনদ্রগী ইমুংনা পামদে, য়ানিংদে। বনমালানা ময়ুম অমুক্কা পানথন্নবনা বনমালাবু হুংশিবনা কল্লকচরসু মবুক ওল্লবা বেগেনদ্র হায়াওজখি। ময়মদি নৌরিবী বনমলানা

মহাক্না কায়নরবনি হায়না অন্নাবগী পোৎলুম পুন্থনা মযুম মকৈ পান্দনা লৈবদি মহাক্না যানিংদে। চহিনস্মু য়ামশিল্লকপগা অমদি পুন্সিগী ভঙাই ফদবা কয়ানগা নহা ওইরিবৈঙগী কঙাওনবা নুংশিববুস্ম থুইথঙল্লকপনা মবুক্নি ওল্লক্লবা বেগেনদ্রনা বনমালাবুস্ম অশেংবা মীওইবগী পুন্সি মরেন অত্থদা য়াওহল্লিংখি। ভাইবংপান অসিদা লৈরিবা মী অতৈগুম মচা মশু পোক্তুনা নুংঙাই য়াইকনা লৈহল্লিংই, মহাকস্ম অসিগুম্না অশেংবা ভাইবংসিদা য়াওনিংলি। লুরিবদি, বনমালানা মচানুপীবু মনাক্নগী থাদোকউ য়ারক্কবা অত্থনি। মহাক্না মচানুপীবু নুংশিবনা থাদোকপা ঙমখিদে। মহাক্না য়াম্না নুঙাইজাদ্রবদি মচানুপীনা মপাগী মনাক্তা লৈজরবস্ম পোক্তবী মমানা শীনা ভোবিগদবা, চৈবিগদবা, নৈবিগদবা অমদি চানিংবা মতমদা চাবা ফংদা, শেংনিংবা মতমদা শেংপা ফংদা কপ্পা লেনগদবা অত্থনি। মচা পীরকত্রবদা বেগেনদ্রনচিংবা ইমুংগী মী কম্নামা শাওনখি অমস্তুং মচানুপীনা করম্ন পোক্তবা নুপা অনগী মচাক-মরন চাত্থনা কনাস্তু লৈজদ্রিবীগুম লববু য়ানিংখিদে,মরমসিদগী মচাবু নমত্থনা লোনবা ভোরবদা মমাগী থম্মোয় থংবা ওঝা চন্দ্রনা মচাশিংবু খামজিনখি। নুংঙাইত্রবস্ম নুংঙাইত বনমালাগী অনৌবা মপুরোইবদা মচা অমা পোকত্রিফাওবদি অমতা ঙাইরবা মচাগা কায়নহন্দুনা মগা কায়নবগী মৈশা লাংহন্দনবা লেপ্পখ্রে অমস্তুং মতম অতু ফাওবা ঙাইনখ্রে।

ভোইগুম্বস্তুং বনমালাদি নুপীনি, মবুক্নিং ওল্লক্তুনা অনৌবা মপুরোইবা অমদা য়ানিংদা য়ানিংদা মযুম পাল্লবস্ম মহাক্না বেগেন্দ্রগী নুংশিববু অশেংবা পুন্সিগা বেগেন্দ্রগুম লায়না শিন্নলোকপা ঙমখিদে। মরম'সনা বেগেনদ্রদগী নুংশি থুদোল ওইনা ফংজরিবা মচানুপীবু থক থাদোকপা ঙম্লোই। অমুক্না মহাক্ত নুপীনি, থম্মোয় নৌবনি; পুন্সিগী অয়ুকমক্তদগী মথম্মোয়দা চেংনা থমগ্রবা বেগেনদ্রবু কাওবা ঙমদে। করিস্ম লৈত্তবা মরম অমদগী ইথা থাজনা কায়নম্নবদা ম'রৌনা, নিংবা কায়না মপুন্সি লেনগে থঙ্কবনি। লাইবক থিবনা

মাগী নিংবা ক্বায়বা মরৈবু কোক্লনবা মুপা অমদা অমুক মমম পাজহনখি। চুম্বী, হৌজিক মহাক মহৌশাগুম নত্তয়ে। মবুক মপাও কবা, লাংরিক লাইশু হৈবা উকিল অমগী মখাক্তা অরা অনা কাওনা লেনম্ম ফংলে। মীওইবনিনা মীয়ামগা লোয়নরগা, ভাংনা শক্লরগা অক্নবা কোঙ্গায় কাওই, অসিগীসু মথক্তা মপুরোইবগা লোয়নরগা মুংভাইব, অপেনবা কখা খংই। পুম্নমক বনমালা য়ানিংই,তৌইগুম্বসুং কারগুম্বদা অচিকপদা মভোমতা লরবা মতমদা বেগেনদ্রগা মনাক্তা লৈরিভৈদা শকথিবা ঈশৈশিংবু ভারবদা হৌশিবা পুন্সিবু নিংশিংলুরগা পীক্লিভৈদগী মুংভাই য়াইফনা, নিংবা থুংনা হৌরকপা বনমালাদা নিংবা ক্বায়খিবগী রাখল অমা হেক হেক লাকই, মসি বেগেনদ্রগী রাখলনি। বেগেনদ্রগী মফমদা নিংবা কায়বগী রাখল অসিদনা মগাক্তী পুন্সিগী লাইমল ওইহল্লে হায়না বনমালানা খল্লে, অস্তুগা মসিমক লৈরমদ্রবদি মহাক মুংভাইবা, অপেনবা হায়বচ মপুং ফানা কংলম্লগদবনি।

নোংমগী মুনিংত্তনি। বেগেনদ্র নহারোল অইবশিংগী মীকম অমা য়াওবা চংলি। মীকম লোঁযরবা মতুংদা উৎকদবা দ্রামা অমম্ভূ য়েংননবা ময়াম ইরাং লাংনা চাওরবা হাল অমগী মনুংদা ফম্লিবশিংগী মরক্তা বেগেনদ্রসু য়াওরি। মমাং ওইরপ্পা চৌকিদা মমান্নবশিংগা ব্রাম্রী-ব্রাভায় তৌনত্তনা কূম্মে হৌবা ভাইরি। মু শি মুংশিবা থম্মোয় ওম্বা থুলারগী মথোলগা লোয়ননা "মেনকা" হায়বা কুম্মেনা চৌরকখি। অঙকপগী মকক্ত য়োনা ফিজেৎ লৈতেংলবা মেনকা হায়বী জগোই শাবীবূ মীৎ কুপ্তনা য়েংলিভৈদা মেনকা শাবীগী মমিং লাওরকপদা বেগেনদ্র ঙকপদা থেংখি। মেনকা বনমালা ওত্তনা অস্তে কনাসু ওইরমদ্রে। কোক্তংগা চুরা, সনা মচুগী পারবা শারি, থুংভা ভান, থুর্জি, খুদোপ, থোংদা থোংজি-থোংনর্প অমদি মুহম্লবা পিশুম, লাওরবা মীৎ, লংলবা মাইথোং, নিংথিরবা শাওং শাদা জাইরৈবাক্তী মেনকানা বনমাজাদগী করিদা হেনগংবা। বনমালাগী

মতৌ উষদা বেগেনদ্র মরু লূকখখি, মুংশবী বনমালানা তৌরম্লিবা মতৌ অসিদা বেগেন্দ্র মমখি, হঙ্গোয়খি। অমুক্তা, মতম্মনা মাগী মুপী ওইরবা বনমালানা তৌরম্মীবা মতৌসিদা ইকাইরবা বেগেন্দ্রনা ফমফমদপী হোগৎতূনা মপান থোককখি। মমাং ইথং থংবদা ফম্বা মুপা অমনা ইৱাং ৱাংনা থংহৌদনা হোগৎলপদা ময়াম্না তুংলোমদগী ৱা ৱা লাওশিন্নরকশি, চৈনরকখি। ময়াম্না ৱা ৱা লাংনররুবদা ষ্টৈজ মথক্তগী মেনকানা য়েংথোরকপদা বেগেন্দ্র। মপান থোক-খিবত্তু উরে। বেগেন্দ্রনা জগোয় শাবীবু হঙ্গোয়না খল্লি হায়বা খংবা বনমালানা মহাক্কী জগোয়বু তুক্কচবনা হোগৎতুনা চৎখ্রে হায়না উরবদা বেগেন্দ্রবু তান্নরকই। থংহৌদনা মেনকা জগোয়শাবী-শিংগী মরক্তগী মাংখরে।

অসোমদা, চাওরবা জগোয়শং অসিগী মাঙ্গোলদা চৎখিবা কৈক্জোম, ফুরিৎ জোন্ জোন শেংপা বেগেন্দ্রবু জগোয়গা ফাজোল্লা লৈতেংলবা বনমালানা তান্নরকই। ইলেকত্রিক্কী মৈঙাম্না ঙান্না থানবনা পুম্নমক নিংখিনা উরি। তাম্নরক্তুনা বনমালানা বেগেনদ্রগী ফিজি পায়ররে। “ঐবু ইবুঙোনা ঙাক্পয়ু” হায়না বনমালানা খুক্কমই। মতম অসিদা ড্রামাবু শিননলাংলিবা কাংবূনা বনমালাবু খিরকপদা তৌরমলিবা মতৌত্তু উরবদা হেনা নুংঙাইবা কুম্মৈ অমা তৌরে হায়না লাপ্লা য়েংনখি। বেগেনদ্র বনমালানা খূকম্বু ৱা অমতা ঙাংদনা থৈদোক্লগা সিরি থাক থাক থাক কুমথখি “ইবুংঙোনা য়াদবা থবক ননাইনা মতুংদা অমুক তৌক্তখ্রবোই—, “হায়না বনমালানা কপহৌই। হোগৎলগা বেগেনদ্রনা মাবু তুক্কচনা চৎখিবা অত্তু বনমালানা কপ্না য়েংহুনা লৈংহৌই। তশেংবমক বনমালানা মীক্কম অসিগীদমক্তা মপুরোইবনম্মু য়াবদগী জগোয় শাখিবনি। লাইবক খিবনা জগোয় শাবীবু হঙ্গোয়বা বেগেন্দ্রগা থেংনরুবনা মহৌশাগী ৱাবু নিংশিংলক্তুনা মহাক জগোয় শাবী নত্তে থংহনিংখিবনি। থংহন্দ্রবম্মু য়ারম্বনি, মহাক্কী মপুরোইবনম্মু

য়ারীবনি অতুধু বেগেনদ্রগী মফমদা বনমালানা ইকাই খুমজবা অতুভনা খংইন ইনশিল্লক্কুনা বেগেনদ্রদা অশেংবা ভাক্লিংখিবনি। ভশেংননক বেগেনদ্রগী ইকাইবা, মুংঙাইভবতু শেংদোক্লিংখিবনি। মতুংদা শেন্নবা ময়াম্না তক্কপদগী ময়ামগী পেন্নবা মেনকাগী জগোয় উংখ্রে। ভোইগুম্বমুং খোদোক মচা অসিদগী বনমালা পুংওন ওল্লবী মুপী অমা ওইরকখি। বেগেনদ্রবু অমুক নৌহৌনা নিংশিং-হনবনা ফুমতুনা থম্মুরবা মৈরীনা চাকখৎলকপগুম বেগেনদ্রগী মফমদা হন্না পেন্দবা ভোগ্রবা বনমালা মরালনা চাকথেকপগুম ভোরকখি। মুমিৎ থরনিগী তুংদা অনৌবা মপুরোইবগা কায়নখি, হান্নগুম মপাবুংগী য়ুমদা নিংবা কায়না লৈরকখি। কয়ারক রা-রৌগ্রবা বেগেন্দ্রনা মহাকপু হঙ্গোয়খ্রে হায়না খনবদদা রারবী বনমালা অভৈ পাঙ্গল লৈরকত্রবদা মাগী শুংশিববু ঈশৈগী খোন-জেম্না হেক হেক ফোংদোকপা হৌরকখি অমসুং মাগী ঈশৈ ভারুবা অমদি মাগী পুন্সিবু খুংবা মীশিংনা খম্মোয় শোক্লা খাংনখি।

বনমালাগী জগোয়বু হঙ্গোইবনা বেগেনদ্রা জগোয়শংদগীদি খোরক্লে, ভোইগুম্বমুং রাখলনদি নিংখিজরবী বনমালাগী মনাক্তা লৈহৌখি। কয়াদা নিংখিজগ্রবা বনমালা জগোয়গী মীৎ থক্রবা লৈভেংশিংগী মরক্তা। ফজবী হায়বা লাইরেম্বী অসিমক্তনসু শাওহল্লবরা। মহাক্লা কয়া চংখোন্না জগোয় শারমগদবা, মতুদা মীয়াম্না পেল্লতুনা লাওংখোংনা থাগৎনরমগদবা, মহাকপু মাগী মুপীনি হায়বদা কয়া লেমগবা। "বনমালা নহাকপু ঐগী ওইনা ইনাক্তা লৈরম্লবী মুপীনিকো,কল্লকই" বেগেনদ্রনা শোঙখি। চৎনা চৎনা মনাকোংনা ভারকখি, "ঐনা নংবু শুংশিবদো—, ঐনা নংবু পামজবদো—" বনমালাগী রাখল মথং মথং ভোরকপদগী রায়বা বেগেনদ্রনা, "ওন্থোকপনিদকো, বনমালা নহাক্লা করি শুংগী থেংনজক্লবদা অস্থুক রাবনো" হায়না শোঙখি। ময়ুম য়োরবদা অভক্লী য়েংবদা খম্মোয় ইংবী যমুনাগী মনাক্তা চংতুনা,যমুনা, নহাক্লা

চানবীহুনা নবুকচেল চেৎনা ঐগী ইনাক্তা লৈরমদ্রবদি ঐগী পুনসি অসে অরেম্বদা মাংলম্লগনি, অস্থম ভৌরম্লবদি ঐগী ইমুং অসি কাং থোং চায়রমগনি। নহাক্লা ঐথোয়গী ইমুংগী অশেংবা য়োকচবীনি, হায়না থাগৎচখি। পাথংগী ৱাথলনা ভাওহনবনা অম্বেম্বদা জৈশৈ, শকপী, জগোয়শাবী বনমালাগী ৱাথলদা কঙাওনখিবা কয়াবু বেগেনদ্রনা যমুনাবু মুম্না খংলক্লগা নিংঙমজখিদে। মপুরোইবগী মথৱায় লাক্লে থংলবী যমুনানা মপুরোইবগী পেম্লনবা মঙিক চানা থোগজখি অমস্থং সুংশি সুংশিবা ৱাঙাংনা বেগেনদ্রবু মথৱাই স্থুংঙাইহনখি।

অস্থুম্না স্থুংঙাইনদি লৈ হায়ববু লৈকাইগী লুচিংবা পুকফাবা ওঝা চন্দ্র নোংমা নোংমগী শোঞ্জিল্লক্লি। ৱাথল হেম্না খনমনবগা লৈকাইগী থোদোক কয়াদা ভৎভনা চেম্লবীবগা ওঝা শোম্থখি। ওঝাগী ৱাথলনা কারল ভুরল থনবস্থ হেঞ্জিল্লকখি, "ঐহাক অসিনা কনানো, করিগীদমক পোক্লকতুনা কুইনা চা থক্তুনা লৈৱবা মতুংদা কদায়দা চৎকদৌরিবা" মহাক্কী ৱাথলসি চোয়রোল পারোল নত্তে, মহাক্কী ৱাথল মপুং ফিলোসোফি হায়বহুনি। কুইনা থেংনৱবা তুংদা ওঝা খংখি মহুদি মী থরা নত্তনা মী পুম্বমক্তি থর চা·থকপা স্থুংঙাইনা লৈবা ঙম্লনবা থর শু·নোম্লগা মহাক্ম্লা শিথিবা ভাক্তনি। মহাক্লা মম্লিবদি অস্থূম্না লৈরম্লবা মালেমসিদা মী কয়া পোক্লিবা, পোকপগী থুদোংচাবা ফংজিবসিম্থ ৱাবগীরা স্থুংঙাইবশীরা হায়বানি। কাম্লদবা ৱাথলশিং অসিনা কোক্কী শম কেলহল্লি অমস্থং পোক্তনা পুমঙৌ ঙৌহল্লি। করিগুম্বা নহাশিংনা নোক-খেনা লৈরম্বা থেংনৱবদা চংশিন্মুনা অঙাওবগুম "ভাইবংপান অসিদা নোক্লিংবা কল্লি লৈরি" হায়না হংলুই। ওঝাগী অসিগুম্বা ৱাঙাং ভারগা ওঝাবু ৱাথল অমা ভৌরে হায়না মুংশিনা শোননবিখি। মোমোম্লং নোকপফাওবদা হেনমম্লবদা করিগী হৌনা হৌনা নোকইবা ওঝা

ৱারোই ওঝাবু ঙাওরে হায়নবস্ন হেনগৎলকখি। ওঝাগী মতৌ অসিদা বেগেনদ্রগী ইমুংনা ৱাবগী ঙমথে লৈখিদে।

অদুবু, ওঝা অঙাওবা নত্তে। মহাক্না মচা মমৌশিংদা মহাক্না ভাইবংপানসিদা থেংনবা, মী অতৈনা থেংনশিবা অৱাবা নু ঙাইবগী পাওতাক কয়া পীবিখি, ৱারী কয়া লৗবিখি। চুয়া য়েংবদা ভাইবংপান অসি ফজরবা মফম অমগুম উই তৌইগুম্বসুং খোংফম থরদং শোয়বদা তমথিরবা মফম ওইবগী ৱারীনচিংবা ভাকপি তিকপিখি। ৱারবা, নংলবা শোল্লবা মীবু শিজিননরগা কয়ানা নুংঙাই য়াইফবা ফংনরি মসিদগী নাম্হোক্লবা বেগেন্দ্রদা নশাগী মথৌ মতম চ'না চানা পাংথোক্লবা ভাকপি অমসুং বেগেনদ্রবু চাবা থকপা, নুংঙাই-বা হিংবতা নত্তনা অৱা-অনা ভারবশিংদগী কনবিবা অমম্ন ওইনবা শিননরমখি। মপাবুংনা ভাকপিবা পুম্বা বেগেনদ্রনা খোয়জিংনা ভাজে। মীনা অঙাওবনি হায়নরবা মপাবুংনা শিননরম্ববু পাঙথোকপা ঙম্বা ওইজগে হায়না নিজে। মপুন্সি খোংচৎ থ বা মীগুম পুন্সিগী পোলোয় য়ৌরে থল্লবা ওঝানা মচা মমৌশিংদা হায়রকখি, শাওরবস্ন মরুপ মপাংগী মফমদা চিন কাংথোকনু,ইমুং মনুং থংনবদা মপান থোক্নু অমদি ইমুংগী লৈত্ত-লাইরদা নথোয় নশেল কৈদৌঙৈদা থংনগনু।" অসিগুম্বা পাওতাক অমসুং নুংশিবা ৱ ঙা শিংবু ভারগা বেগেনদ্র অমসুং মাগী ইমুংনা ওঝবু লাইমক্লুম লোজখি। অপোক্নপা মমা মপা মশক থংহৌদ্রবা অঙাওবা মচিন মনাও অহুমবু য়োকপদা মরু কুম্নবা মপাবুংগী ৱাথল অমসুং মশা শোন্থরকপদা বেগেনদ্র তৌকম থংজখিদে। মপাবুংনা লৈশিদ্রবদা নহা ঙাক্তগী ইমুংসিনা মপিংমপা লৈতবা ওইহৌগদৌবদু থনবদা মম্বিত্তগী মপি শিন্থজখি।

নিপামচাবা তাঙ্কক

ওঝান: লৈখিদবা অমসুং মতুং

শক্তিবু থাগী থাবুংমি। থাবলনা মক্কম থুদিংমক্তা ইঙৌ ঙেংনা ঙাল্লি। বেগেনদ্র মাগী কাদা মথায় তুংঙাইনা কক্তিগুম্বা থল্লা ইংনা লৈ। ইমোদি লাইথিক পারম্বদগী কমুংদা চংলগা তুমখ্রে। যমুনানা চাকথংদা তুমিদাংগী মথৌ তৌরি। নোংঙানবদগী চখোক্কখিবা লৌশিং চোয়রবা মপাবুংনা থেংলবা অসি কাওবদা লাকত্রি। মহৌশাদগী মানা চংনি বমথৈ চংলুরগা হংনিংবা মতমদা হল্লক্কনবমা থোয়দোক্লা রানদে। থরু য় য়াওনা ইথিরনা যমুনানা লৌননা লাক্লগা মতুংদা লেপ্লবদা বেগেন্দ্র থংখিদে। ইবা লোইশ্নগা বেগেন্দ্রনা অমুক হনলা পাগদবগী থাজংলক্পদা চ অচু যমুনানা ভাপ লাওমা লাকখ্রে। বেগেনদ্রনা ইথং থংনা ওস্তোরপদা "যমুনা পাগল্লু—," হায়না মুনননবা তাননরক্কই। পানা পানা যমুনাম্না, "অশুম্না ইবা হৌনত্রা. সিবে—" হায়না শেগাইগে তৌশিনমল্লক্কবদা পাথংলবা বেগেনদ্রনা, "কদায়নো, পীম্নকউনহে" হায়রা কোয়ভান তাম্মরকখি। নোক থেনা চেনবগা তাননবগা তৌরম্বদগী মপান্দা থোরক্কই। মপালদা থাবর্লনা ইঙৌ ঙৌনা ঙাল্লম্বা উবদা ইকাইনরন্থুনা অনিমক্কা তামনবা লেপলে। তুমিন তুমিন চংখিমমল্লগা লৈপমিনখ্রে। ওহাক লেপমিননরগা থোঙ্গাল-লোমদা থুংলম্লনা থোকপা হৌরক্কই।

থাবলগী ইপোম্না য়েবদা পুখ্রিগী মপান্দা লাংলিবা অঙাংবা জুবাকুসুম, গুলাপ, লীঙ্গারৈনচিংবা লৈশিংনা মনিং তম্না ফুগায়না শাংখি অমসুং হুংখিবা মনম্না মক্কম থুদিংদা য়েস্নোক্লি। কেম্রপ থোবা লকুগী অশাংবা. অঙাংবা মনাশিংনা শাহৌরগে মতাঙুম থাবল-গী মতাংদা ওম্মথৈ নিক্তুনা জগোয় শান্নি। নোংথক্কনা, থা,

থর'নশিচাক অম'দি লৈচিনগী কুম্মৈ মিৎকম হোংবা য়াদরি। পুম্নক অসিনা মতৌ মনাও অনিবু শুম্বীরি অ সুং পুক্লিংগী ঈরা' পোকহল্লি। অনিনা খোঙ্গাল লা॥ থোবক্ক না লাকপনা অনক শদা লৈরিবা পাৎ মচা অত্থু যৌরক্লে। অরংবা লুপা মহিগী ঈপাক অমা উবদা যমুনানা, "ও: কয়াদা ফজখ্রবা, ঐদি অমুক্তা উজখি" হায়না ওক্না শোঞ্জখি। পাৎ মচা অত্থু 'যৌরবদা অনিমক পুক্রিং হরাও মথোয় কানা ঈশিং মপানা তাম্না চ শিনখবগা অরাংব মপানগী অওম্বদা ফমথ'মননরে। খুল্লক্কী পাং মচা ওইবনা মাইকৈ থুদি দা য়ুম্না কোয়শিনবা, য়ুমশিংদগী পাৎকী অরাংবা পল্লি অমত্তন তো থায়হনবা খুংশেম্না তোবা অচৌবা পুখ্রি অমা মানবা পাৎ মচানি। য়েংখিবদা লাপ্ল লাপ্না উ'রবা মুৎশি মুশিবা থাউমৈ মঙাল, লাইজ-থক্তা তাউরিবা মপাল শাৎপা ফবোকংশিংনা জুংশিৎনা হুম্বদা তনিক তনিকপা অম্ব বা ঈশিংগী মথক্তা তাওরিবা, শোংলবা কবোকং মরক্তা যাম্রেকপী উথুম্নচিংবা চেক্লাশিংনা খোংলকলিবা অমদি অরুবা ঈশিং মথক্তা শাৎলিবা, পোমলিবা থরো অঙাংবা, অশংবা অমম্বুং পাক শননা শাৎথ্রিবা অতৌবা থরোনচিংবগী থাবল মঙান্দ ফজবা য়েংবগী পেনবা নাইড্রি। অমুক্তা ময়াইদা লৈরিবা হাফাবশংগী পে ৎথোকম থেননা ইথৎ মচা অমগুম উরিবা, যমুনা অমম্বুং বেগেন্দ্রগী থমোয়বু শুমহৎখি।

ফম্নম্বদগী হোগত্তুনা লাপ্লপ্না লৈরিবা হি মচা অত্থগী মথক্তা কাথংখরে। তপ্না বেগেন্দ্রনা হি অত্থু নোনা হোন্দোরক্কই। হি হোনবদগী লেংহল্লবা ঈশিংনা লুপা মহি অহিংবগুম লংনা তনিক তনিক্লি। যমুনানা মৎবায়না পামজবা ৎরোশিংবু মখেক শাংনা শাংনা হেক্তুনা পায়রি, মুংঙাইবা মপুং ফাজরি। ময়াই তাম্না হোনখিবনা ময়াইদা লৈরিবা অশংবা নাপীতনা কুপ্লবা লম্পাক মচা অত্থদা থুংখি। হৌজিক মাইকৈ মরিদা অম্নংবা ঈশিংনা কোয়খ্রে। অইংবা মুংশিৎনা মেংনা হুম্লি, মরক মরক্তা অকনবা শহুম্না মশম

মনা, মকি-মরোলবু হুমদোক্লি। মীপুম খুদিংদগী লাপথোরক্লবা অচিকপা মকম অহুদা শাবীশানো অনিনা মথোয়দগী ওইবা তাইবংপাল অমদা লৈখি। মবানিগী মভৌবু উন্নগা মালংবনা শহুম কল্লা হুমখি, ঈথক্লা অকনবা ঈপোম হৌখি, চেক্লাশিংনা নুংশিনা মেংনা থাহুনা ঈশৈ শকহৌই।

অস্তুম্না তাইবংপানববু কাওথোক্লা সুপী সুপাঙ্গী অপাম নুংশিংদা ঙাইহাক লেল্লরগা হরাও মথোয় কানা মযুমদা হল্লকখি। নুংঙাইবা হরাওবগী মথংদা অম্বাবা হায়বহুরা,যমুনা অমস্থং বেগেন্দ্রনা মহুক্লিং পেম্না ইমুং চংলকপদা নাহেবগী মথোল অমা তারে। ইঙক ঙক্লবা বেগেনদ্র অমস্থং যমুনা মনাওনা মংলাক-হংলাক তৌরবরা হায়না থাংমৈ পুশিন্দুনা য়ংলকপদা,মপাবুংগী কারে মদগী "বেগেন, ইপা কৈনোমা তোরে," হায়রকপা তখি। মপাবুংনা করিনো অমা তোরে হায়বা তাবদা বেগেনদ্র কোকচাওবী কাখ্রে। চশিন্দুনা যেংবদা মপাবুং চপথিংনা রস্থহুনা লৈরম্বা উরে। "পাবুং" হায়না কৌদা ওঝা থুম্বা ঙমখিদ্রে মওথমক হল্লক্ল। বেগেনদ্র পাথংথরে যমুনা অমস্থং ইমোতোম্বীদা শিন্নরম্নগা থুনা য়াংনা দাক্তর কৌবা চেনখ্রে। ইমোতোম্বী অমদি যমুনা মপাবুংগী মথোং নোয়ব ও করি ও হোৎনহৌই। ঙাইহাক্কী মনুংদা য়ুমথংনবগী মীশিংস্থু লাকতুনা ওঝাবু ফননবা লাক্লখি। দাক্তর লাকতুনা য়েংলবদা ওঝাগী লাইনাবু হার্ট এভেক থবোম্বী শোকপগী লাইনা) নি হায়ররে। ঙহাক্কী মতুংদা ওঝাগী হকচাং অশিবগুম লেঙথোৎপা লোদনা চপ ভিংথোরক্রে। য়াররোই হায়নহুনা ওঝাবু মাঙ্গালগী কমমেন্দা পুথোরকপদা অঙকপা মভৌগুম থোকলবা যমুনা,ইমোতোম্বী অমদি অতৈ য়ুমথংনবগী মীশিংনা ওঝাবু কৌহুন লাওখোংনা কপ্পখি। বেগেনদ্রস্থু তৌরিবসি করিনো থনবদা লৌশিং পুথা মাংখি। অহুম ওইনমক, হিদাক লাংথক কাপথোংলবা মতুংদা ওঝাগী মশা থর থর লেংলাকপা ঙম্নকখি তৌই-

গুম্বসুং অমুক হিংবগী, ৱাখলদি থৌনখিদ্রে। ইমুং পুৱা অহলনা তুরবদা মহাক্কিং অসিমা তৌফম থংদনা কত্তাওনখি। লৈক্কায়গী শিরেং মরুপ তাক্তুনা থাংমৈ ডান্না থাল্লুগা ওঝাগী অয়োইবা মিকুপ ভাইমাখি।

নোং ভাক্লে, মী পুম্নমক হৱাওনরে। অ শ-অনা হায়বসে তুমিদা-দা থোক্লবদি কয়া সুংভাইতে, তুপী অভাংশিংসু তুশোন মানশোল্লি। মী কৈ, ফত্তে হায়রবদি শিরমদাইদা য়েংউ হায়নৈ মসি চুম্বসূ য়াই মরমদি শির-দাইদা মঁসে মানা মানা তৌবা অক্ক ফত্ত কয়াগী চোংয়োল-পারেল লোম্নমাল্লে। হন্দকী অনাবসিদা ওঝা য়াররোই হায়বা থংলৈ। থংলবসূ ওঝাদি অশিববু কিবা মী নত্তে, মহাক্কি লীচৎ চুম্বা, লাই নিংজবা মীনিনা ই না অৱা-অনাগী ৱাখল তৌদনা ভাইবংবু শেম্নীবা ইবুংগো মহাকপু থুরুমজরগা পুন্সি লোয়খিবা ওমগনি। তংশেংনমক, কনাগুম্বা অমগী শিরমদায়দা ইংনা শিবা অসে লাইনিংবা, লাইনিং লাইশোন্দা থম্মোয় লুপচবা কাংবূনা ইংমা শিবগুম তৌই। অহুবু, ওঝানা নহা ওংক্রুগী মমুং অমা থনম্লগা চংলগনি খনবদা সুংনাংশি অমম্বু-লাপ্পা লৈগ্রবা পিশকপু উদ্রে হায়না শোল্লকখি। অস্তুয়া খনবা ওঝানা মচা মমোবু কৌশিল্লগা মচিন মমাশনা চায় চিয়না লৈনবা পাওতাক কয়া তাকপিখি। "বেগেম, নথোয় নচিন নমাগুনা সুংভাই য়াইফনা য়ং সুং লাওমা পাল্লকপা অত্ত ঐহাক্না উনিংই। ঐ লৈরিবৈদদি নপোয়না নহা ওইনা লৈথোকপা য়াই, হৌজিক্তি নহাক্না মপা শক্না নচিন-ননাগুবু কৌন্দুনা ইপাগী, অমদি নথোরবু পোকপা ইপাগী, ইমাগী মিংবা থুংহল্লো," হায়রকপদা বেগেনত্রমা "পাবুং, ইমা পাবুংহোয়গী মিংবা থুংনবা তৌজগনি," হায়না থুম্নল্লবনা ওঝা পেল্লখি অমম্বুং মচাশিং অমম্বুং মমোবু সুংশিনা নানবাখি। অম্বুম্না পুক্কমেন পাওমেল্লগা ওঝা অয়োইবগী ওইনা মমিৎ উইশিনখি, মপাবুংদা তারবংপামথসিদগী অয়োয়বা য়াহিপ

তানগ্রবদ বেগেনদ্র. যমুনা অমদি ইমোদ ইশ্বীনা ওঃ খোংনা তেংখা নাওচখি। ইমুংগী অহলনা লৈত্রবদা ইমুংনা ইহাং হাংহোখি অমসুং নহাশিংসিনা তোক্কম চংক্কম থুংদনা মপি য়াওদ্রবা শন্নাওগুম তুফক-তুফায় চনখি, তুশোন মানশোন্নখি।

মপাবুং লৈতবগী পাও অসি কলিকাতাদা লৈরিবা পিশকতা থংহনখ্রে। মপাবুংগী অরোইবা মিংশ্রা থেংনহোদ্রবা পিশক ঙাওশিন্নৈ হায়না মাগীদমক্তা খনবদা ৱাজখিবা মপাবুংনা লৈখিদ্রবদা থম্মোয় শোক্লা কপচখি। মখোয়বু মহৈ মশিং তমহন্দুনা মী ওইনবা শেম্বীরক্লিবা মপাবুংবু অমুক্তং নুংঙাইহল্লগা লমন শিংগে খনবা পিশক্কী নিংবা চাওনা কয়নখি। লুরিবা অমনা,মপাবুংনা লৈত্রবদদা মহাক্কী লাই রক মথা তমথবদা অকায়বা থোক্লগদবা হায়না চিংন-রক্কখি। মরমদি ময়াম্বুংদি লাইরবনি, অসিগীসু মথক্তা থম্মোয় নৌবা, হুপা কয়া থোক্কবা অমসুনি। মহাক্কি থরদনা পেনগল্লি, অতুনা য়েনা হেনগংপসু পামদে। মরমশিং অসিদগী মওং চাবা থবক পায়হোদবা ময়াম্বুংনা ইমুং পুরগা মাগীদমক্তা শেন-থুম থারকপা ঙম্মরোই থ বনি। অমবু ওইরবসু অমবূ ওইরবসু, মতম থর ৱানা থাংলগা থক্তিক্তসু ঙাইরবা অরোইবা চহি অসিদদি লোইশিন্নগা ময়ুমদা থোক্কে অসিনি। পিশক ইশুক শুক্কথখরে। য়ারিবমখৈ ময়ুমদগী পৈশা তাম্দনবা লিক্লা, হৈনা হোংনরক্লে। অহেনবা মফি মরোল, মপোং-মচৈ য়োন্দুনা চংদবা য়াদবা কয়া মেন্নরক্লে। চংদবা ৱাংঙ ৱাংলবদামরুপ মপা শিংদগী পুলংহনা চংনরক্লে, অসুম্না য়াদবা শেনফমদক ময়ুমদগী তান্নবা লেপথরে

মৈতৈরং ফেজোম অমগা,ফুরিং অমগা কোক পোক্লা পুমঙৌ ঙৌবমখৈ.লৱায় শম তাংবমখৈ চংলম্বা ওঝানা লৈতবদা বেগেন্দ্রগী ইমুংদদা নস্তনা লৈকায় ফাওবদা ইহাং হাংবগুম তৌরি। ওঝা অমসূং বেগেনদ্রনা য়াওজবা অসি-মরুপকী শেনগা, মরুপ মপাংগী পোংয়েং চয়েংগা ওঝাগী সোরাংতি চাওনা শোনখরে। ওঝানা

লৈরিক্টেদদি অঙাংবু লাইরিক তম্বীক্লবে, অমবু তৌক্লবে শক্লোম কোম্না ইমুংগী শেন অচিন অরাক মেনখৎলম্মী। অম্মুম্না তোবনা থবক থনা নিংথিনা তৌদ্রবম্ব বেগেনদ্র অমদি মচিন-মনাওনা কোম্না জৈবা ওমজ্জরকপনি। হৌজিক্কি বেগেনদ্রগী মথক্তা পুন্নগক তারে। মহাক্তি মপাবূংগুম অঙাং লাইরিক লাইস্তু তম্বীবা হৈনবা মঁ দাম্ব নত্তে, মপাবূংগুম মীয়ামগী ক্ষনবত্তা তৌহুনা মীয়াম্না মশক খংবা য়াবা মীম্ব নত্তে। ইমুংগা শেন লাকক্ষম হায়ববু ওঝাগা লেংদ্রবা পেন্সিল লুপা থরা, বেগেন্দ্রনা য়াওবা মীগা তিন্নবা তুকান মচা অতুদগী ফংলকপা শেন্দোং থাজক থজিক অৎগা অমম্পূং যমুনানা ক্ষি-রোল শাবদগী ফংলকপা পৈশা অসিগদনি। বেগেন্দ্রনা চেথি চেরাং থরা ইবা অসিনদি শিকি অমা পুশিল্লকপ নত্তে। শেনশিং অসিনা ইমুংগী চানবা থক্লবা মথৌদ নোংমা নোংমগী কোম্না পুবা ওমই, তৌইগুম্বম্বুং শেনজাও অমা শাগৎপদি ওমথিদে। নোংমা নোংমগী শেনচৎতি হেনজিল্লকই, ইমৌতোম্বীগী শেৎপা, মহৈ মাশিং তম্বা অমম্বুং মপাবূং লৈরিক্টেদদি মমিংফাওবা তারমদবা লৈকায়গী পোৎয়েং চয়েং পুম্নমক বেগেন্দ্রগী মথক্তা তারকথি। থা থাগী পিশক্কী পৈশা থাবগা ওক্তানা লৈতবা থা অমনিগী মতুংদদি বেগেন্দ্রগী ইমু ংা অহল অং চৎখিবগী অবাবা হায়বতু মপুং ফানা লংখি। কন্না হোৎনদুনা যমূনানম্ব মপামদগী কয হোল্লকতুনা ইমুংগী অৱাৎ অপা মেন্নরফাওবদা চাবা থকপা ফাওবা মনিং থুংনা চাবা থকপা ফংলক্তবগুন তৌরকথি। মপাবূনা লৈথিদবগী জু ঙাইতবগা, মশানা থরা ৱাথল খনগংবগা বেগেন্দ্র নোংমা নোংমগী ময়াং কংশিল্লকথি। যমুনাস্পূ মতিক চানা চাদ থক্কবনা কুচু কূমেন ইকক ককচিল্লকখি। অহল লৈতবদগী ক্ষেরে ক্ষেরে হাইবা হায়বদো বেগেন্দ্রগী ইমূ দা থোকথি।

অৱাবা অসে পস্থেং য়ৌরকথি। নোংমা কুমদাংৱাইরমদা বেগেন্দ্রম্ব চৎথোকলুবদগী মশা ঙাদে হায়নাঙম্বা হল্লক্ত্না কমুংদা

ছিপাগে। যমুনাদি মপানদা অদুবাং অপা হায়ননবা চংখিবদগী মাচংলবফাওব হল্লকখ্রি। ইমোতোম্বীনা লাক থাংমৈ থানবা, কংপলচি বা তেরি নগৌশাদগী পুপী য়াওদনা লৈরকপা ইমুংনি, হৌজিক্কী নুপাসু অনিশুবা ওাইতোইরে। মচিন মনাও অমিদা ওাইরবদা মশান। উমদবগা বেগেন্দ্রগী রাখলনা শেন্নান তুরান থল্লবখি। নংলবা, রারবনা কনা। মন ক নক্লীংবা। মাবু লাইরে হায়না বংমলানা চংশিববু নিংশিংলক্কুনা করিগুম্বা যমুনানসু চংথ্রবদি হায়না খোইরাংলকখি। করে, পুন্নমক ওইরসনু। রারবা নংলবা মচিন মনাওবু চুম্বোক্ল তুনা মপাবুংনসু নোঙ্গাখরে, যমুনানসু চুম্বোরম্লশনু, মসিদা ভাগবনা পেল্লসনু। মহাক মতু পামদে, মহাক অমা চাওখোক চাওনা লৈরগা করিগী মনাওশিংনা মাংগনি, বেগেনদ্রনা মনাওবু কৌরকই, "ইমোতোম্বী, নতৈমবু লাকঅরোই হায়রমবরা—?"

"ঐঙোন্দদি ঙননা লাক্কনি হাযরম্রি, য়াম্বুং।"

"হৌজিক ফাওবা লাকত্রিবা অসিনদি লাকনিংদ্রবরা হায়বা?" 'ময়াম্বুংগী রাসি তাবদা লাইরৈ নংই খাংবা ইমোম্বু তুমিন মথব্রায় চুংঙাইতনা লৈ। নংলবা, রারবসু মহোশানা মপুক্কিং হম্বনিংদ্রবা বেগেন্দ্রনা হাংরকখি, "নংবু অশ্বাইফাওবদং য়েংলুগেরা—।" অস্পুম্না হায়ন রঙৈদা মপাবোমদা "যমুনা য়েৌরবরা, ইনে চংলগে" 'হায়না লাওবা ভায়। থরা নক্লপ্পা, "ইনে য়েৌরে, চংপরো—" খুম্বা যমুনাগী খোঞ্জেন ভায়। যমুনাগী খোঞ্জেন ভাবদগী হারাওরবা মচিনমনাও খোক্কুনা যমুনাবু ওকই, "ইতৈমা, করিগীনো অম্বক থেংলক্লিবা, য়াম্বুংসু মশা ঙমদে হায়না লাকপা কুইরে।" বেগেনদ্রনা মশাংমদে ভাবদা যমুনা নু ওাইত্রে। পাও ময়েম অচৌবা অমা য়াল্লত্তনা চংলকই, "ইনেনা চান থক্কবা থরা লৈবীগীগে হায়বতুদা খেংথ্রিবনি, খুমকৈ। "করি ওইনা ঙমদ্রিবনো"

থেংনা লাকপগী বেগেনদ্রনা শাওই, থুমদে। যমুনাবু থেংনা মন্না চৎলি,খুদোংথিরবদা মচা মন্নাগী মমায় থুমগনি হায়না বেগেন্দ্র ন চৈবিরে। মশানগা ভমদবগা ন্নারোনা ভাংবিরে। যমুনাম্ন কপচরে। ন্নান্নবা, নংলবা মতমসিদা বেগেনদ্রনা ভমশিল্লক্তবা অাসদা ইমুং অসি ন্নাবনা কোক্তা থুৎ হাপ্পা হায়বত্র য়েখরে।

বেগেনদ্র মশা মদে, মশা মৈ হৌনা শারে, লাইহোনা উংলে। চানিং থন্নিংদরে, ফমুং চংলগা হিপখে। অহল অমা লৈখিদবগী নুংশুক ভুংজানা লৈন্নিবা ইমুংসিদা অমুক্তা অহল শান্নিবা বেগেনদ্রগা নারকপসিদা নৌন্নিবা ইমোত্তোম্বী অমদি যমুনা তুশোন মানশোন্নখি। পংলিবা মনাও অমস্থুং মাগী লোয়নবান। ন্নাখিনি থনবদা বেগেনদ্রনা করিস্ন ভৌন্নোই হায়নদি হায় তৌইস্বস্থুং মহাক ভাংনিং শক্লিংখিদরে, নাংবা ফাবফাও ভস্মকত্রে। অতুবু অম্মা অনাবা থাংলগা হিপ্লিভৈদা মনাও অমস্থু যমুনানা চাকশং কাদা মপামদগী পুরকপা অহাওবা কয়া নোক-থেনা চামিন্নবদদি বেগেন্দ্রনা হেন্না মুংভাইজরি। মবুক ফবী যমুনাবু মাগী ইমুং অমস্থুং মহাকপু কনবিনবা লাইনমক্তা পীরক্লবনি হায়না মজ্ঝখি অমস্থুং মপাবুংবু নিংশিংলক্‌না মমিত্তগী মপি শিন্থখি। অভাওবা মনাও অতোনবা ইমাত্তোম্বীনা মবুক থন্না চারগা লেংভম শাভমদনা থোরকপা উরগা লমদম তাম্না লৈথ্রবা মনাও য়াইমা পিশকপুম্ন নিংশিংলক্‌না মতম অমদা মনি মনাওনা চাক ঈশিং থোংবদা ওৎলৈ ওংলা তৌনখিবা, ভ মদি অভৈ কয়াবু থল্লক্‌না মচিন্দা মতোমতা নোকচৈ চাক-ঈশিং চাবা থকপা লোয়রগা যমুনানা বেগেন্দ্রগী মনাক্তা লাকপগা .বগেনদ্র-না, "লাইহৌ তৌরে, নিংথৎনা থাংবা ভমদ্রে" হায়রক্লে। যমুনানা অরৈবা ক্লিমথৈ বেগেনদ্রগী মথক্তা হাপচিল্লগা থো-থুৎনচিংবা নোইতুনা থৌগল তৌরকখি। অসুম্না তৌনা তৌনা যমুনা ন্নাংন্দা উংলকখি—করিগুম্বা বেগেনদ্রনা চানা নারক্লবদি অরুবা ভানফম অমনি। পৈশা লৈতবনা দাক্তর কৌরগা হিদাক লাংথক লৈতুনা

থুনা লায়েংনবসূ ঙম্মোইদৌরি। অসিগীশু মথক্তা বেগেনদ্রনা তুকান খর খর চৎপা অদু তোক্রবদি চরা ফাওবা হেনবা তারক্লি। হায়না হায়না বেগেনদ্র মথংগী নো'মা নিমিদা ফত্রে। চরা হেল্লগতা ফরবনি হায়না চরা পংহেত্তা হেল্লে। মশা য়াম্না শোক্লে, তৌইগুম্বসূং ফবদি লৈতরে। ফিরোল শাক্নুা থবক থরা কম্না গুংনোমগদবসূ অনাবা অমা য়াওরবনা শিন পাংনা গুবা ঙমদ্রে। অরুবী অমনা চানবা চেং লৈশিল্লকত্রে; অঙাং ওইরিবা ইমোদসু খংহন্নিংদা, নাতুনা লৈরিবা মপুরোইবদসু তাক্লিংদা য়ুম পুরিবী যমুনা তৌকম খংলক্তরে। পৈশা মরিফাওবসু লৈত্রে মপুরোইবদা হায়ক্লরবসূ কান্নরোগ, মীগা তিন্নবা অপিকপা তুকান মচাতুদগী মশা য়াওদনা ক'রম্ন ফংনবা লৈতে পাক হেক হাযক্লবসু হঙ্গোয়। তাক্তবদি য়াদবনা বেগেন্দ্রদা ইমুংগী ফিভম খংহল্লে অদুবু বেগেন্দ্রগী করি পাঙ্গল লৈরি, মাগী তুকানগী শরুক যোন্থোকপা নত্তনা, মসিসু মাগী তৌফম অমা লৈতবনা তেনিংদে। তঙাই ফদনা মাগী মরুপ কিশোরগী মৃফমদা চে ইতুনা পৈশা খর লোশল্লে, খর অসিদগী হেল্লিংঙাই লৈতে।

হুমিৎ ফনা হৌগ্রবদসু বেগেন্দ্রগী অনাবা ফবা লৈত্রে। চাদবদি য়াদবনা যমুনাগী অরৈবা ফনেক ফি-রালনচিংবা ফাওবা য়োন্দুনা চাবা হৌরক্লে। অনাবনা কুইশিল্লকপগা, হকচাংনা শোক-শিল্লকপগা বেগেনদ্রগীদমক হোৎনবদা অবাবা অমা ওইরকখি, অন বগী মথক্তা অবাবা অমাগা হাপ্লকখি, বেগেনদ্রগী নিংবা থুংদবসু হেঙ্গংলকখি। যমুনা মমাই মমিৎ ইমক মকশিনখরে। অনাবগী হোৎনবনে, লৈত-লাইরবগী বাখলনে, চাদ-খক্তবনে ময়াং য়াম্না কংশিল্লক্লে। বেগেনদ্রসু যমুনাগী মতৌ য়েংবদা ওন্থোক্লা হুংঙাইত্রে। মরাইবক থীরবা, মহাক্লা তাথি তাওইনা তৌবিরুরবী, লাকপৈঙদগী মাগী ইমুংদা অবাবগী শরুক্তা ফংলবী যমুনাগী মতৌ উবদা মহাকপু অমুক্তং করিগুম্বা মতম অমদা হুংঙাইহনবা

ঙম্নরোইদ্রা হায়না ৱারকখি। ৱারিবা, নংলিবা মতৌ অসিদা বেগেনদ্র থাজবা ঙমখিদে। যমুনানা মপামদগী থবা লৌরু, অরিবা মফি মরোল কয়া য়োন, মরম ওকপী পুক্কবীনিনা মুং শবিবা য়াম্বনা য়ুমথংনবগী মচন-মনিংদগী পু-লংনব মনাওনুপা ফাওব চৈলতা লাইরগী অরাবা থংহন্দনা হোংলরিবা মতৌসিদা মতোমতা ইকাইখুম্বরবা বেগেনদ্রনা নোংমা যমুনাদা "যমুনা, নহাকপু য় ম্না ৱানা উরে, মতম থর নপামদা চৈরুগে হায়বরা? হযেং ঐনা নাবা ফরগা শোয়দনা কৌবা লাক্কে," হায়রক্লবদা যমুনা মথৱায় মুংভাইজখিদে। থুম্মকই,

"ঐগী থৌগলদা ননিং থুংম্লবরা"

"নত্তে, নংগী অরাবসে ঐহাক যেংবা ঙমদ্রে। নহাক অসে ঐগী য়ুম'সদা লাকপাঙদগী ঐনা নোংমতা মুঙাইহনবা ঙমদ্রে। ইরাইবক থীবা ইনাক্তা লাক্কুনা নরাহবক থীররেদো—।" বেগেনদ্র কপই।

"করিগী ইরাইবক থীগদোবিযা। নহাক্কী অরা অনাদা শরুক যামিন্নবা ফজরিবা অসিনক ঐগীদি লাইবক ফরবনি।" মপুরোই-বনা মগাক্কী অবাবা শংলিদনা পেঞ্জবা যমুনানা থুমজে। বেগেনদ্রনা, নহাক্কী নবুকচেল অসিদি—। মুপীগী অশেংবা পুকচেল হায়বদু অসি শইবেকো, হায় মাগী থোগলদা পেনবির্রবা অমম্বুং মপুক্রিং মুংশিরবা মপুরোইবদগী মুপীবু থাগৎপগা ৱাঙাং তাবদা যমুনা পেঞ্জখি অমম্বুং মপুরোইববু মথায় ৱানবা যমুনানা থেম-ক্তিজ্ঞখি। যমুনা হায়ক্কম খংদনা ৱায, চুম্মী। ৱাম্ম হায়না চেনবা য়াবদি নত্তে। চরা কয়া হেল্লে, অহিং কয়া তুমদরে অতুব যমুনাগী মচিন্দগী "ৱারে" হায়বা ৱাঙাং অসিমদি তাবা মরৈখিদ্রবরে অথাং কনবা হাম্নবা মুপী ওইবিশিংদা য়াওরিবা মতিক অসি কয়াদা ঙক্কা মুংশিত্রবা! অম্মুম্মা, অরা-অনানা নৈহৎপিরম্মা মতৌ

মনাগুনা অন্নাবা ফোংদোক্লহুনা লৈম্নিভৈদা মপান্দগী মুপী অমগী খোঞ্জেল্লা, " নম্মা, ইনম্মা," হায়না কৌরকই।

"কনানো, ইমুংদা লৈয়ে, চংডকও," যমুনানা থুমই। লৈকায়বী লৈনাবা নন্দিনিনা ইমুংদা পরপ পরপ চংলক্তুনা, "ভাদবেগেংনবু ঙমদে হায়ববু খরা ফরবন্না?" হায়না হংলরবদা যমুনাদা নত্তুনা বেগেন্দ্রমু ইঙক ঙকখি।

"খর খক্তিক্তুংদি ফবগুম তৌই। নহাকপু লাকখোক্তুনা লাকপবু করি হায়নিংবগে?" বেগেন্দ্রনা মুংশিনা হংই। ভাদনা ঙমদে হাংবতুদা চুন্না শুম লাকপনি," ইকাইনা নন্দিনিনা থুম্মক্রবদা বেগেন্দ্র খক্তিক্তুং লোশিং লাকপগুম্ তৌই অমসুং মদুক্লিংদা মোমোন লোন্না হায়রকই, 'কন্না নাবা নংঙদা, খর কুইখিবনা হকচাংসি খক্তিক্তুং শোনবতনি। নংবু পিশক্লী পাওগা তা লাকইবরো? চহিগী অরোইবা পরিক্ষাশু পংকুট কুরম্নরোই। মন্না-মপাও তাদবা কুটরে, ইনাওদো ঐখোয় ন্নারে হায়বাসি থংগ্রমাল্লে' শেন-থুমগাশু ইহায় হায়ন্নকখিদ্রে। করম তৌরমগদবা, ভাওজগ্রবা ইনাওনিদা মহাক্তো—।"

'তাদা, মনান্নবশিংনদি থা অমা অনিসিগী মতুংদা পরিক্ষা তৌরগা খোক্লক্লগাদ হায়। অতেদি থোয়দোকপা তাদে।"

"খদ্রে, মানা করম তৌরিবা। মদা পারিক্ষা লোইহুন্না থোক্লক্লবদি মুংঙাইথ্রগনিদকে। শেন-থুমনা কমদে'রমগদবা— !" বেগেন্দ্রনা শোল্লকখি অমসুং নন্দিনিবু মনাও পিশক্লী মুংশিজবানি হায়না যমুনাদা তাকখি। অসুম্না ঙাইহাক ন্নারী শানরবা তুংদা নন্দিনিনা,

"ইনম্মা—, সেঃ ভাদগী করিনো চানবা অমা লৈনবা—, হায়না লুপা তরা পুথোক্তুনা পীরগা, "ইনম্মা, করিগুম্বা চংদবা য়াদবা লৈরবদি ঐবুসু কৌবিরকউ অঙম্বা মতেং তৌজগেকো", হায়রম্লগা যমুনা অমসুং বেগেন্দ্রনা "করিগী পৈশানো" হায়বনচিংবা

কয়া ভাদনা নন্দিনি চৎখি। কৌবা হায়বা থুম্মমদনা নন্দিনি চৎখি। ফরে লাইনা ভন্নবনি থল্লগা মমল য়াম্নবা লুপা ভরা অহু লৌশিনখি অমসূং মবানিনা নন্দিনগী মরমদা হায়রী শানহৌই। ভশেংনমকস্থ নন্দিনিনা, বেগেন্দ্রনা নাবদগী নংলে খংলবা ইমুংসিবু মতেং পাংনবা লাকখিবনি। শেংনা হায়রবদা নন্দিনিনা পিশক্কা লাইব্রিক ভখিন্নবা মমায়বাশগী ইমুংদগী পিশকহোয়গী অরোয়বা পরিক্ষাগী মতম য়ৌরকতুনা শেনংথুম ভাঃরক্লে হায়বা ভাখি। করিগুম্ব, পিশক্না শেন ভাল্লরবদি নংলবা বেগেন্দ্রগী ইমুংবু মতেং পাংগে খন্না লাকখিবনি।

ইকুই কুইদনা পিশক্না শেন ভাল্লকখি। পিওন অমা লাক্নুনা পিশকী চিঠি অমা পীরক্লে। মরোলনা—

য়াম্বুং,

পাবুংনা লৈখিদঙদগী য়াম্না ৱারম্নগনি। ঐথোয়গী অরোয়বা পরিক্ষা থা অনিরোমদা ভাইরে। ইকজামিনেসন ফি লুপা ৩০০ থাবিরকখো। নত্রবদি য়াম্বুং, পরিক্ষা থাদতুনা নহালমথৈ হোৎনং জরকপা পুম্নমক অরেংম্বাদা মাংবা ভারে, ননাওনা লাক্লগা ননাওস্থ শিংবা য়াওজগে।

য়াম্বুংগীননাও,
টি, পিশক।

চিঠি অসি পাবদা বেগেন্দ্র লৌশিং মা থে, ৱান্থরে। যমুনাস্থ ৱা ভাংবা থোকখিদরে। হৌজিক ইমুং অসিগী ফরি ভৌফম লৈরি। করিমত্তা ভাত্রবা, চারা হেল্লবা, অনাবা য় ওরবা ইমুং অসিদা কদায়দগী লুপা চহুম লৌরুগনি। বেগেন্দ্র ৱারৌবনা মরাইবক্তা খুত্নুম্না থারগা থাংথক্লে। মহাক্না নারমদ্রবমকস্থ অমদগী পুংলনা হোৎনবা য়াই। মনাওবু থাত্নুনা মাগী তুকানগী শেন হন্দোক্লবা হায়নরবদস্থ মবানিগী লেনগদবা শিনফম লৈতে হায়না মাগী মম্নপ কিশোরনা

য়ারকন্নে। ঙা গাক লৈতনা অৱাং-অপা তানকম ওইৱবা যমুনাগী মপামদা হায়রুবদসু, অসুক য়াম্বা শেনকম অসি কা হেননা মুঙাই য়াইফবা ইমুং নত্তবনা থংবা ঙ'দে. কননা তরুগদবসু চেং-চাক, ফাও বা চিহোন চি.ং ন হোন্দুনা নৈবিরবা মপামদা ইকাইজরে। তৌফম থংদ্রে, শিরে, নারে হায়বা নত্তবনিনা মঙৱায় মুঙাইত্রবসু নুংঙাইত মথংগী চ'হিদা অরোয়বা পরিক্ষা থারসনু হায়না লেপ্পথরে। কস্মূন্না অনা অয়েক, অৱা অনংগী পাওগা লোয়ননা পিশক্কী মকমদা পাও থংহন্থে। ৱারবা, নংলবা ইমুং অসিগী মী পুম্নমক থমোয় শোক্লা নুংঙাইনখিদরে। মমান্নবগী মমা দা পিশক্লা পাও অসি ফংবদা করি ওইরগবা খনবদা মমথরে। পৈশা নুংশা য়াওদনা মীরম অদুদা মনাওনা করম লৈন্নমগদবা থনবদা চম্না কয়া হেল্লবী, রাজরবী যমুনা কপ্পতনা মথৌ ওইন্নকখি। ইমূংগী য়ৌনা নংবা মওং অসিদা ইমুং অসিদা লৈরিবা মীশিংনা করম্ন! মতমদা লুপা মঙা তরাদংবু কোম্না শিজিন্নবা ঙম্নকখিগদগে খল্লক্লে। নিংবা কায়না মম্ময় মরুবা, মথৱায় শোক্লবা পিশক্লা থুংলবা ঙাইনখি।

কলিকত্তাদনা পিশক্লা ইথা থাজদনা লুপা ৪০০ থক মনি ওর্দর তৌরকতুনা ফংলে। মনি ওর্দর চেগী মনিংদা শম্না ইরকই,

পিশক,

করিমত্তা ৱাগনু। নংগী পরিক্ষা ঙম্নবা কন্না হোৎনৌ। ঐসু মতম থরদি হকচাং ঙম্মুদরে, হৌজিক্ত ফরে, কল্লে। নংগী মাইপাক্লবগীদমক লাই নিংাল। —নংগী নয়াম্নুং, বেগেন্দ্র।

থুৎই অসি ময়াম্নুংগী নত্তে হায়বা থংই, থুৎই অসি উথ্রবগুমসু তৌই। মুম্না য়েংলবা তুংদা থুৎই অসি নান্দানগী মাল্লক্লে. অদুবু মহাক্না করম হায়না তৌরক্লিবা পিশক চমম্নখি। পৈশা ফংলবদা পিশক হরাওরে। কলেজগী ফি মতম চানা পীদ্রনা পরিক্ষাগীদমক শেম-শাগ্রে। অদুবু অৱাবদি নোংমা মিনিগী মতুংদা চিঠি অমা অমুক ফংলে। মৱোম্দি—,

য়াম্বুংগী পিশক,

করি হায়না ইম্বাম্বনা হাযরসিংগে। পাবুংনা লৈখিদবগা ঐম্বু কন্না নাহ্লিনা লৈরে। নহাক্না হায়রকপগা পৈশা অহু থারকপা ঙমগনি হায়বা উদবে। নহাক য়াম্না নুংঙাইরবোই. ঐবুম্বু ব্রৈরমগনি। অদুবু, পাঙ্গল লৈতে। মথংগী চাহদা নহাক্কী পরিক্ষা অমুক থারো। করিগুম্বা ননাগবশিংদগী পুবক্কা ফংলবাদ তৌনখো, য়াম্বুংনা শোয়দনা শিংগে। নাহুনা লৈবসিনা নহাক ইয়াম্ববু ব্রারৌগনু পিশক, ঐহাক হায়কম থংদরে।

নয়াম্বুং—বেগেন্দ্র।

চে অসি পাবদা পিশক পাখৎখ্রে। তশেংনমক ম াম্বংনা ইরকপনি। ময়াম্বুংবু ব্রারৌরবম্বু নাহুন লৈরে হায়রবনা পাঙ্গল লৈতবদো পিশক্কা থংখি। ময়াম্বুংনা নারবদা ইমু অহুনা তৌরমগদবহু খনবদা পিশক নিংশা ফুইনা হোঙখি হৌজিক্তি থংলে, পৈশা অসি নন্দিনিনা লোননা ময়াম্বংগ মিংদা থারকপনি। মহাক্কা পৈশা থারক্ল্রবদি। হায়না পাখংলবা পিশক্কা নন্দিনিগী থোজাল ফংলবদা মহৃরিং নুংশিজখি। খুদক্তা নন্দীনিবু মমিক্তা উরকখি। মহাক্না কয়াদা থৌনা তোবিখিবা খল্লুবদা পিশক মতোমতা ব্রারৌজখি। নন্দিনিনা মাগীদমক্তা কযা ব্রাজবা খনবদা পিশক মনাম্নবশিংদা ফোংদোক্নুনা মথমোয় পেঙখি। নিংথিনা পরিক্ষা পীরম্লগা ব্রারবা ইমুংগী শরুক য়ামিম্নকুনবা অমস্তুং নন্দিনিদা মহাক্কী পৈশানা মহাকী মহৈ তম্বা মপুং ফাখিবা হরাওনা ভমলুনবা খোইরাংনা ঙাইখরে। থাঙ্গশেংনমক, নন্দীনিগী মতেং নংলমদ্রবদি পিশক্কী মহৈ তম্বা মপুং ফাবা ঙম্লোই। নংলবা বেগেন্দ্রগী ইমুংনা পিশক্কী পৈশা থাবা ঙম্নবোই থংবদগী নন্দিনিনা পিশক্কী চিঠি লাকপা ফোযশেন শেম্নখিব'ন। চিঠি হেক লাকপগা পিশক্কী চংগদবা শেনশিং খ দোক্লগা নন্দিনিনা কনাম্ব থংহন্দনা থিন্দনা

ৈপশা থাখিবনি। অঙাওবা পিশকপু সুংশিজবনা মাগীনি হায়না থনবা ঙমদ্রবস্ত মচৈতুদংদি মপু ফানা ভম্লক্তুনা সুংঙাই য়াইফ-ী পানবদপু নন্দিনিনা উজনিংথিবনি।

লাইরবদগী, লৈতবদগী হিদাক লাংথক চাদ্রবস্ত চেকশিন্না মচৌশাগী লায়েং তৈবদগী বেগেন্দ্রগী মশা থর থর ফরকখি। ফরকপগা, থা অমক্লোম নারবা মতুংদা. নোংম-নোংমগী কনথংক্লি। ক-খংলকপগা চানিং-থক্লিংবস্ত হেনগংলক্লি। পুতুনা, অমদি মপামদগী লৌরুতনা নাবা ফরক্লিবা মপুরোইবা অমস্তং ইমোবু পিজ পিশক তৌই। অস্তুম্না হো-নবনা যমুনাদী চন্না কয়া চাদে, থক্তে তৌইগুম্বসুং বেগেন্দ্র অমস্তং ইমোদদ মহাক্না চাদে থক্তে হায়বা খংহনখিদে অঙবু যমুনাগী মতৌ অসি বেগেন্দ্র অমস্তং ইমোনা ইকুই কুইদনা খংলকখি। বেগেন্দ্রনা যমুনাবু কুপ্না শেননথরে। মাগীদমক হোংনবদা চাদ-থকত্রবী যমুনানা তৌরিবা পুম্নমক খংথরে। নোংমদি যমুনানা বেগেন্দ্রগী চাক-ইনশাং পুথোরকতুনা হায়রকই, "চাক অাসদা লৈরে—।"

"নহাক্কী শরুক্রিনা, যমুনা—।," বেগেন্দ্রনা হায়।

"ঐহাক্তি চানিংদরি। চফুদা লৈহৌর," মথবায় সুংঙাইতনা যমুনানা থমই।

"পুরক্লো, ইবানি চামিননরসি—," বেগেন্দ্রনা হায়রকই।

"চাবিরো, কৈদৌবিরবগে—,'' হায়না যমুনানা থুম্মক্লবদা বেগেনদ্রনা মমিত্তা মপি ঈরা চেননা হায়রকই,

"যমুনা নহাক অসি ওস্থোক্না নবুকচেল কল্লিদকো। চাদ-থক্তবনা য়েংবা য়াদ্রবফাওবদা চাদে থক্তে হায়দবমথৈ নংনা ঐখোয়বু হোৎনরকসবসে—। লাকও থংলে, অমুক চন্না হেল্লগমু অরৈবসিনা নংমু ঐস্থু য়েম্নয়েম্নতুনা চামিম্নরাস। অতুনমু মপুরোইবগা মাগী লোয়নবীগা হকচাং ভংথায় হায়নারবনি—।"

বেগেন্দ্রগী ব্লাসি ভাবদা মহাক্লা শিরবস্থ অক্ল মঙা রে খা লপুরোইবা অমস্থুং মনাওদবু লৈত্রবা মত্তমদা পিক্ত পিথকতুনা লাকপা যমুনা মহাক্লা বাক্তবতুবু থংবিরক্লবদা মবুক্লিং হুংশিনা কপচখি। মতৌ উবদা বেগেন্দ্রনা, "কপ্লগন্থ, যমুনা নংনা বাবা পুন্নমক ঐখোয থংলে।' নহাক বামল্লে ঐনা কল্লবদি চংথোক্লগে, ঐনা চৎথোক্রবদি বাররোইদা—,'' হায়রগা হুংশিনা কেন'বখি অমস্থুং লাম্লবস্থ চাবা ফংজন্দ্রবা যমুনাগী মচিন্দা চাক ইনশং ইনবিখি মপুরোইবনা ইনবিবা চথোম অমতংনা যমুনাগী মথাঙ্গল থূদক্তা হাপকৎখি, মশা মউ যরকখি। নম্বা মতৈ মনাওনা চাক পুথম অমনা যেন্নতুনা হিংননবা চা'মিননখি। হৌজিক্কীদি মচামিনন্নরে, হোৱলগী কদায়দগী. যমুনাগী মকোক শাবদি লোয়বা নাইদে।

মম্ল্লি মম্লিরক্ষাওবদা স্কুল চৎখিবা তোম্বীনা হল্লবত্রবদা বেগেন্দ্র অমস্থুং যমুনাগী অবাবা অমুক হাপকৎথরে। কম্লিগুম্বা গাড়ি-মুংলিনা 'শাক্তুনা ফত্তংমুংদা থেংক্লবরা বানথরে। যুমথংনবগী মীশিংদা হংবদস্থ উনরমদে ঙাক্তা হাযরে। মমগ্রফ'ওবদা লাকত্রে। করম্বা থূদোংথিবা. অব'বা থোক্তুনা তৌববনো হাযনা ব'না যমুনা অমস্থুং বেগেনদ্রনা থগ্নরিবৈঙদা মপান্দগী ইমোতোম্বীনা হরাওনা "ইবৈতমা, ইবৈতমা" হাযনা কৌৱকখি অমস্থুং থূম্বা নংঙ্গিবৈঙদা ইমোতোম্বীনা লুম্রবা থাওক্তাও অমগা হরাওনা ইমু দা চলখি।

"কদায়দা চৎলুরে? করিনো তৌরকইবত্থুদি" মতৈনা হংবদা ইমোতোম্বী খূমদে। বেগেন্দ্র অমস্থুং যমুনানা ইৎক ঙক্তিবৈঙদা মতৈমা অমস্থুং মযাম্বুংগী মমাংদা লুপা চবুন অমা থাদম্লকই, অচ'পোৎনচিংবনা থল্লবা থাওক্তাও অত্তম্থ থমই। যমুনা অমস্থুং বেগেনদ্র পাথৎথরে, চিনরবা মনাওদা বেগেনদ্রনা,

"ইমো, মহাক্লা তোম্বক্লিবসি করিনো? কনাদগীনো নংগী-সিনো? নংবু মীগী মপোৎক," হায়রকই।—,"

" মো. কবিনো নংনা তোরিবসিবো, "যমুনানসূ হায়রক্লবদা ইমোনা ইথো থোশাদনা.।

"পাথৎকন্নু, পাথৎকন্নু—। পোৎ চৈশিংসি হয়া অমুক্তা চাথো। ৱারি পুন্নমক শীগে। কদায়দগী ঐনা হুরা'ল্লুগনি. লাকলুগনি অমুক যান্বা পোৎ, পৈশা। য়াম্বুং, নহাক মুননা থল্লু। হৌজক পৈশা লৌরুগদবা ৱাৎলি। অমুক্তা চাথো, ইতৈমা অমুক্তা চাথো।"

"হায়রো. ভানি'লে, কুরম্না তৌবনো ? অশেংবরা নংনা হায়বিসিবো—?"

অসিগী তূংদা ইমোতোম্বীনা মোহিনি চ্চৌবনা, ময়াম্বগী লাইরিক সরকাবনা লৌশিনবশীদমক লুপা লিশিং মন্ডা কংবা অমম্বুং মাবু বেগেনদ্রগী মনাওনি থংবশিংনা পাও পীবকপা অমদি চানিডাই থক্লিডাই লৈহৌদবা ইমুংগীদমক পৈশা হাননা থব লৌরকপনচিংবা পুন্নমক তম্লে। হয়াংবে, হয়াওবনা লুতোন কাবে শেংলে, অশেংবা পৈশা ওহরে তৌইগুম্বসূং চাংনিংডাই লৈতবগী ৱারম্নবা যমুনাদদি মংগুম থোন্নরে। চাদ-থক্তবনা নম্নবা, চৌক্তিক্কী, হোবেলগী কার চাগনি, করি থোংগনি থনবদদা মকোক চাওম্নবা যমুনা থাজবা ভুংদ্রি। থাওদগী অহাওবা কেক অমা লৌথৎতুনা চিকই, মহাও য়াওই য়োৎশিল্লি, যমুনানা চাই। বেগেনদ্রসু চায়। ইমোতোম্বীসু চায়। চনা চানা মংগুম থোন্নবসু অশেংবা পোৎচৈনি থংলবদা ৱারবা মহাক্কী ইমুংবু য়েংবা ঙমদবগী লাইমক্কা থংহৌদনা থাদকপগুম থল্লবী যমুনাগা মমিস্তুগী পিনা মথজাই।। অর অর চেন্থ্রকখি। করবা মতমদা পুক থননা চাবা ফংলক্কদগে থল্লম্নীবী মহাক্কা ওইরিবা মওং অসিদা মপুক্লিং সুংশিরকখি। যমুনাগী মতৌ উবদা যমুনাগী থমোয়গী ৱাথলবু কাওবনা বেগেনদ্র মবুক ফুনগৎলকখিহুনা ৱা ঙাংবা থোকখিদে মমিৎগী মপিনা তপ তপ তারকখি। ময়াম্বুং অমম্বুং মতৈমগী

মতৌবু মমিত্তা ঈরা চেননা য়েংখি, অছম্মক্লা মমাংদা ভারিবা পৈশা আ:পাংনচিংশিং অসিদা মুংনা য়েংলগা লৈনখি। অঙকপা অচিকপবু থুগায়দুনা বেগেন্দ্রনা হায়রকই, "যমুনা ঙক্লগনু। মসি ঐগী 'খূঙ্গ ইশৈ' হ য়বা লাইরিকতুগী শোয়দনা ওইরম্লগনি। মীওইবা হায়বসে ৱাহনা ভাক্তা লৈবা য়াবা নত্তে। ভাইহাক্লী মমাংদা নংনা চানিংভাই লৈতবগী নপি তাখিবা। য়েংঙু, ইবুংঙো মহাক্লা ঐখোয়বু ৱাহননি-বদা ৱাহনবা, কপহননিংবদা কপহনবা, নোকহননিংবদা নোকহনবা শাননিংবা মওংদা শাননৱিবনি। মাগী থুংশেম কয়াদা ঙকথ্রবা! পায়শিল্লো শেনশিংদে' মীরাইগনু বেগেন্দ্রনা পৈশা মপুন মচা অদু খুনগৎলগা যমুনাদা পীৱগা, "নহাক্লা অপাম্বদা তৌজো, 'হ'য। যমনা পৈশা অদু থাজদনা লোই অমসুং হায়রকই " মসিবু ভশে নমক ঐখোয়গী ওইৱবরা ?

"ইতৈমা ঐখোয়গী পৈশানিনে, চিংনগনু। হয়েং ভাম্বা ইবানিনা চৎলগা পৈশা লোইনমক লৌরুৱদোবনি। লৈগদোরিবনি, নংগী ফিরোল, লৈতং নংনা অপাম্বা। ঐখোয়গাম্ব লৈগনি অহনবা ফিরোল কয়া। ভশেংনমক, স্তোরগী মীশিং অদুনা পীগদবগী ভাইদুনা লৈহৌরবনি। য়াম্বুংনা মশা ভমদে ভাবদা মখোযম্ব ক্লুংভাইহৌদ্রবনি, য়াম্বুংগী মিং ইবা চে পুরগা লাকউ হায়হৌরবনি,"ইমোতোম্বীনা মরিক চুম্না ভম্লকখি। মনাওগী হা ভারবদা যমুনাস্বূ হৱ'ওক্লরে। পশাশিংদু লৌশিল্লগা থমগ্রে, মন'ওম্বুপানা লৈরকপা চেং, ভামচিংবা থোং থাক্লগা মবুক থন্না থন্না চারে। মহৌশা নাক্লে, ইমুং অসি অমুক শুথনা উদ্রে, মায়থোং মকা লাম্লরে। নোক-থেনা অহাও হাওভা থন্না অমুক চাথকপা ক্লংলক্লে।

অসূম্না যমুনা অমদি মনাওনা চাকশংলোমদা লাংলিভৈদা মবুক থননা চারবা বেগেন্দ্রনা মাগী কাদা ৱাখল তৌরকই।

ৱাথলনা বনমালাবু পুরকখি, ঈশৈ হৈবী বনমালাগ নিংশিংলকখি। বনমালানা মনাক্তা লৈরিভৈদা থোক্লকখিবা ৱাথলগী ঈহৌদগী ঈথিবা মাগা শৈরেং লাইরিক্কী মমল ফংলক্লবদা বনমালাবু মনাক্তা লাকহনখি, চুম্মী, বনমালানা ইবা শৈরেং অমসু য়াওখি—, ভৌইগুম্বসুং মহৈ চাবদি বনমালাদি য়াওরোই খল্লুবদা বেগেনড্র থোইরাংলকখি। পাথ ওইরিভৈগী মতমবু অমসুং বনমালাগা লৈমিন্নরিভৈগী মতমবু খল্লকতুনা শোল্লকখি. "হেঃ মতম, নহাকপু অকাওবনা ক্লাওহল্লমদ্রবদি ঐহাক্না মতম পুম্নমক্তা ভেংথা-নাওই-ঙনত্তা লৈরমগনি। অকাওবা, নহাক লৈবনা মীনোক-মীচৈ, ইকাইবা, অৱাবা অনংবা অমদি হুংঙাইব কয়াবু কাওথোক্লুনা মীওইবনা মতম মতমগা থোংচং চৎপা ঙম্নরিবনি। হে খিবা পুন্সিবু খল্লুরগা বেগেনড্র ৱাই, মীনিনা কাওহুনা মবুক ফবী যমুনাগা অৱা অনা য়ামিননা লৈরকখি। মরমসিনা ঙাহহাক্ক বনমালাগী ৱাথলদা লুপলুরবসু যমুনানা মাগী কাদা লাক্লবনা পৈশা লৈরবনা পিশক্কী পৈশা থাবগী মরমদা থননবদগী ৱাথল অতৈবু কাওহনখি অমসুং পৈশা য়াওদবনা মীরমদা লৈরিবা ননাওনা মহাকনা থাবা পৈশাবু লাতকননা ঙাইরমগদবা অহু খল্লুবদা পিশকপু মমিত্তা তত্তনা উরকখি, ৱানা নোংঙানবা। নোংমা পিশক্কী পৈশা থাগ্রে. ষ্টোরদগী লৈহৌরিবা পৈশা মথৈন্সু লৌথোকলুরে। ইথা থাজদনা ৱারবা, নংবনা পৎ তৎলবা বেগে-ন্দ্রগী ইমুংনা লুপা লিশিং ওইনা পায়রক্লবদা ইমুংগী মশিং অসি হরাও হুঙাহমনবনা পাক হেক শিঞ্জিননবা ঙম্নখিদে। অহুম্নদি ওহরবদা বেগেন্দ্রগী মহৈগী মমলবু লাহবক থিরবা মপাবুংদি উবা ফংখিদরে থনবদা ইমুংনা হুংঙাইনাখদে। মওত্তা শেন থুম মতিক চানা লৈরবনা মথৱায় হুংঙাইরবা বেগেন্দ্রগী মশাসু নোংমা নোংমগী কনথৎলকখি।

অরাপ্পদা. পিশক্লা ময়াম্বুংদগী লুপা ৬০০/• অমগা ফংলবদা ইওক ওকখ্রে। মসিগী লোয়ননা চিঠি অমম্বু ফংলে। চিঠিদগী পৈশাগী মরোল অমদি ময়াম্বুংনা নাবা ফবা অসিনচিংষা কয়া খংবদগী পিশক হয়াওরে। নংদিননা খারক্পা পৈশাগা, ময়ামবুংনা খারক্পা শেনগা পশক অমুক ময়াই লোংখৎপা ওমজরে।

নোংমদি বেগেন্দ্রনা ময়ামবা খয়া উগ্ররয়গা থাইরনন কৈ-থেন্দগী ময়ুম মাইকৈ পাংনা মখোংনা পরপ পরপ হ.ইখরকই। মুমিদা রাইনি, চিংজিনথাগী ভাংগুনবা নোংজাবীনদি অখিয়া মকোয়বু পুক্লিং হুনা ভালহল্লি। লম্বীগী নাকল অংনদা নেমপক নেমপকপা অমসুং অচেৎবা পাম্বীশিংনা লৈখাবু শুমহৎনা ফজহল্লি অমসুং মকম মতমগী ফজবনা পুরিংবু খোইরাংহল্লি। লাক-পনা নিভাইপাৎ চিথেক য়োরকপদা মচু শংলবা হি মচানা মচানা ঈপাক্লা চৎপগুম এগ্বাসদর কার অভোবা অমনা বেগেনদ্রগী মনাক্তা থোক্লিল্লকখি। হওক ওক্লা বেগেনদ্রনা য়েংখিবদা বনমা-লানা মনিংগী কমফমদা মভোমতা ফম্বা উরে, বেগেনদ্র শাওনিংলে; খোংথাং কয়া চৎলি। অদুবু বনমালানা কারদগী ময়ায় লৎ-থোক্লুনা হায়রকই,

"ওম্রে হায়ববু কয়াম কয়া হেনন। ওম্বীরুদবনো ? হংজরগা বম্বু—।" বনমালানা হায়বা বেগেননদ্র থুমংদ, খোং কননা খাংই। মাসদা ফুংগাইত্রবী বনমালানা, "লৎনবীরে হায়বমু .থংজে, মুংগাই য়াইফনা পৈরে হায়গম্বু ভাজে, অদুবু ইবুংভোগী হকচাংগা মরি লৈনবা রা অসিবু হংজবদা য়ায়া লাল্লবরা ? কয়বমু, কত্রমসু ননাই ওইজরখানি। নচামুপী অমসু ইনাক্তা লৈম্রিবনি" বেগে-নদ্রনা মখুম্মকত্রবদা বনমালীনা মমিত্তা মপি ঈয়া চেননা হায়য়কই, কয়িমু, লৈভবা ইয়াল অমগী ইবুংভোনা ননাইবু অদুক রায়োনা লৌবিবদি থমোয় থয়া কনমন্দরা ? ননাইবু লৌশ্নিনবিত্রবমু ফরে,

ইরাঙগী মহৈ ফংজবনি। অহুবু ইনখৎলকগী নৌরবা, শেংলবা থমোয়দা লৈখিবা ইবুংঙোবু মুংশিবা অসিমদি কৈদোঙৈদম্বু কোক্লরোইক্লো।" অমুম্না তপ্না থোবা কারগী মচুংদগী থম্মোয় শোক্লা হায়রকপদা বেগেন্দ্রনা শাওবোই, ৱারোবোই, লাওরকখি, "চিন্থিবী ৱারেম ঙাংগন্দ্র চৎত্রো চৎলো, নশক্ত্ [illegible] উনি দে।"

"ফরে, ফরে—; নহাক্না অহু য়োরবদি। ইচাক্নগীসিম্বু চাওরক্লবনিনা ইবুংঙোগী রাক্তা চৎপ্রগনি—, ঐনা কনাগীদমক্তা তাইবংপানবিদা হিংনিংগদৌরিবা—"বনমালানা হায়বা লোম্বকাং ত্রিঙৈদা বেগেনদ্রনা, "শিগ্রো, নহাক শিবনা মতিক চারবনি—", হায়না ঙাংথিখি অমম্বুং অশুম্না ঙাংলম্রগা বেগেনদ্রনা মমাই ওল্লগা লক্লীদা হম্না চৎলক্কই। "শিবনা মতিক চারবা" বনমালানা মোমোন নোক্লা শোল্লকখি অমসুং কাম্নো কম্না থোৱা হৌরকখি। নিংঙম-হৌরবদা বেগেন্দ্রনা, "শিবা, বনমালা, নত্তে, নত্তে" হায়রা লাওরক্লোই। কপ্না কপ্ল বনমালা চৎখি। মথক্লায় বেগেন্দ্র মুংঙাইস্তনা লাকখি, মনাক্কোংরা বনমাল্লাগী হৈশে তারকখি। হেল্লোয় মুংলোয় ওক্লরুবগুম মথক্লায় ৱানা বেগেনদ্র মমুমদা থুংখি অমসুং বনমালাগী ৱাখললা উংখি।

বনমালা নিংরা ক্লায়বক্তা ওইরি। মচানা চাওখিরক্লি, মপাবুংগী মীমুংশিদি ফংদ্রি। কয়া কপতুনা হায়রুরে, কয়ারক লেপ্লরে। বেগেনদ্রগী মফমদা অরেম্বা ওইরে। মুংঙাই-য়াইফুনা মবুক ফবী মুপী অমগা লেমবগুম পানথ্রবনা অমুক্তা হেম্না অরেম্বা ওইথরে। মপাবুংনা বনমালাগী মতৌদা মকোক শারবদা মনিং ভয়হল্লী, মুংঙাইনবা হোৎনবী তৌইগুবম্বুং বনমালাগী মশাদি নোংমা নেংমগী শোকচিন্নকই। খেংলবা অহিংগী মতমদা ৱাথললা ওৎলবুদা তেংথাবা, কমিগুম্বা মতমদা নোকপা উরক্লি। ময়ামবগী মম্যুংদা মপামদা লৈবগী ইকাইবা মুংঙাইতরা অমদি মপুক্লোইবগা ক্লায়নবগী অৱাবা নত্তবা তোপ-তোপ্না ক্লিভম অমা বনমালাদা উরকখি।

মাপলশুবা মতাং

ইমুং পুন্‌বা অমম্মুং পিশক্কী লুংহাংবা

মীরমদা লাইরিক ভম্বনি খংদে, লল্লোন-ইত্তিক ভৌবনি খংদে, থবক শুবা অমদি সন্নকায়গী থবক ভৌবনি খংদে কুইনা লৈরক্লগা হয়েংদগীদি য়ুমদা থোক্লগনি হায়বগী মুংঙাইবা অসে লংকৈদা কুইনা লৈরবা মীশিংভনা থংই। ময়ুমগী মুংশিন্নব' মতু মচা', মমা মপা মচিন-মনাওনচিংববু উনিংবনা হয়েংহ্মকতুবু হৌজিকমক ওইহন্নিংই। অমরোমদা অৱাবা অমম্মু লৈ। কলেজদা চহি মরি/মঙা চুপ্না কাল অমত্তুদা কম্পিন্নরগা লাইরিক ভম্মিননরকপা মমাননবশিং অয়াম্বনা লম অমত্তুদগী লাকপা নত্তবনা, ভোঙান ভোঙানবা লাইনিং, চংনবী ওইবনা মহৈ মশিং ভম্বা লোয়রবদা মাগী মাগী মরম তাগ্না চৎনখি। লাপ্না, তাম্না লৈনবনা মতুংদা অমুক নিংশিংবা নৎতনা উনিংবা মতমদা উনবা ওন্নদে। অমুক্কা, মুংশিন্নবা অমুক্কগা মহৈ তম্নখিগে হায়বদা য়াররোইদবা কলেজগী শঙ. ্হাস্টেলনচিংবা থাদোকপগী অৱাবা অমদি অৱাংবা য়ুম, অপাকপা লমবী, পার্কনচিংববু মথোয়না চৎথ্রবদা পাক হেক অমুক উবা ফংলরোই হায়বগী মুংনাংবদি অম্মূম মরৈ।

বসনা থেংনা পুবিরক্কুনা মুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা পিশক ইম্ফালদা থুংলরে। মরমগী লোন মুংশিবা তাবদা অমম্মুং মীরমগী সিতিগুম লাইট হাওস, অচৌবা য়ুম লৈত্রবম্নু চহি কয়া উক্লদ্রবা মতুংদা অপিকপা মরমগী কৈথেল মচা অসিবু উবদা পিশক পেনংজখি। মথুংতা স্যুকেশ অমা পায়রদুনা ময়ুম মায়কৈ পাংলকই। চহি থরদংগী মতুংদা মহাক্কী মরৈকাই পুংওল ওল্লম্লে। মচি মচিদা ইলেকত্রিক্কী মৈঙালনা সহরদা ভৌবগুম থাল্লম্লে। হাংলম্বা লমজাও

ক্ষয়া স্কুল. ক্লবনা `লত্তেংলম্লে. অচৌবা উস্তাও কয়া য়ানথুরমলে। লমৰীনচিংৰা পাকথোক চাওথোক্রমলে! য়ুম অয়াম্বা ইরং লংলম্লে, ইভান ভাম্নরম্লে। মহৌশা অভাং ওইরিভৈদা অমোৎপা কম্পোর অমগা পাৎপান্দা মমান্নবশিংগা ব্রারেম শুহনা থেংলবা ফাওবা ফমখিবা হৌজিক্তি উখিদরে। অসিগী মহুৎতা ক্লবত্তা সরকারগী অপীবা রেডিও তাহনা ফম্বা উরে।

পিশক্নী য়ুমস্থ হোংলম্লে। থোঙ্গাল য়োরকপদা পিশক চিংনরে। মাপী ইগী য়ুমজ ওগী মহুত্তা অনানবা, তিননা কূপ্পা সুমুনা তোনা তৈবা, মৈনা ভাম্না থানবা য়ুম অমা উরবদা পিশক চংবা ভমদ্রে। চিংনহনা লম্বী চৎপা অমদা হংলে, চুম্মে। ময়াম্বুংনা পৈশা ফংখি। চংভক্নুনা "য়াম্বুং, য়াম্বুং" হায়না কৌরকই। "পিশক লাকএ" হায়না বেগেনদ্র অমম্বুং ইমোতোম্বীনা মপান্দা চেম্থোরক০ তুনা পিশকপু ওকচৈ। চাক থোংলমবদগী যমুনানা থোরকপদা বেগেন্দ্রগা শক চপ মান্নব পিশকপু উবদা ভক্নুনা লৈখি। তৌই-গুম্বস্থং মতিক চারবা মনাওবু অহানবা ওইনা শক থংলবদা হরাওবগী ভমথৈ লৈখিদে। অরা অনা, হৰাও মুংভাইগী ব্রারি তোনহনা পিশকপু ইমুংদা পুশিনখি অমস্থং কুইনা চাবা ফংঙ্গবা মৈতৈ চাক ইনশাং মবুক পেননা চারগা পিশক পোথাখি।

নোং ভাল্লবদা ময়ুম মকৈ কামক হেন্দ্রবস্থ নিংথিনা শাহনা, মবুক ফাবী মতৈমা অমগা মওং অমা চানা লৈরম্নবদা পিশক মুংভাইজে। অদুবু আবৎপা, পেন্দবা অমদি ইরৈ লৈবগুম তোব্রি। মাগী মবুক্লিংদা মপাবুং লৈখিবদবগী অৱাবা নংলবা ময়াম্বুংনা শেন থাবা ভমদ্রবদা মতোন্দা শেন থারকখিবী নন্দিনিবু কাওবা য়াখিদে। লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈতবী, লৱাই মুপী নন্দিনিবু উনিংবনা লাংতক্লখি। লুরবদি কয়ম্না নন্দিনিগা উনগদবা। হৌজিক্তি পিশক মহোশাগুম থৎ থৎ লাওদ্রে, চিংলেম্লে। অসিনা মহৌশাগুম থোঙ্গান্দা লেপতনা, হুইশেন থোংহুনা. থৎ হৎতনা

ভোগদবা মভাংচু ওইদ্রে। তুমিদাংদা মহাক্না চংলমদাইদা ভোরগুম লোনমা চৎসিন্না হায়রবনু পিশক ইরাইথি। বাথল লৈবা, পাইরকী লৌশিং লৈবা পিশক্লি। ফরে, লেম্না হেক্তা চংলগে থল্লক্রে, লৈকায়গী য়ুমথোং থুংনা করম পাল্লিবগে হংবা হৌরক্রে। মথং চংলকপনা থুনম্‌ক মহাকী লমথুংফম য়ৌরকখি।

চাক-ঙ্গশিং চানবা মতম্নি। ইথা থাজদনা পিশকনা মমাংদা লেপ্লরবদা নন্দিনি হরাওবনা পলেপকম খংখিদে। হরাওনা মোমোন নোক্তুনা, "অমুক উরেদনা—" হায়না কোক্তখি। মহৈ-মশিং মতিক চানা হৈরবা, পিশকপু উরবদা নন্দিনিগী মমানস্থ হরাওনা কৌবী অমস্তুং মমাংলৈদা পিশকপু থিনা থিনা ভোবিরবস্থ নন্দিনিগী মপানস্থ চিংংলেম্না উরবা পিশকপু মতিক চাবনি। হায়না খাগৎপিখি। মতিক চারবা, শেন্না থোক্লগদবা পিশকনা মহৈ মশিং হৈজবী মচানুপীবু লিংশিংবিরক্লবদা অমস্তুং মখোয়গী লৈনবা মরিম্নু খংবনা নন্দিনিগী মমা-মপানা পিশকপু লুনা চান্না ভোবিরে। মাবু লুনা চান্না ভৌরিরমবদা পিশকনু মহাকনা পুরকপা হুংজৌপী ভাজ-মঙ্গলনচিংবা লৈক্লেংলিনু নন্দিনিদা থুদোল ভোজরে নন্দিকম্পু। হরাও হরাও লোজরে,। মহৈ-মশিং লিংখিনা হৈরবা মহাকপু নন্দিনিগী মমা মপানস্থ য়ারবদা করি লুকুম লৈরিবগে থনমদা পিশক নুংঙাইজখি।

অম লৈমপা পরিক্ষা হায়দোকে, পিশক লিংখিনা ওম্রক্রে। পরিক্ষা ওম্রনা সরকারনস্থ পিশকপু থবক হাপথরে, ইঞ্জিনিয়ার সাহেব ওইরে। মতম থম্লংগী মথু দা যেগেন্দ্রগী ইমুং নুংঙাই য়াইফবা ইমুং অমা ওইরক্রে। লৈশা পায়বা ঠিকাদার করাগা লোম্নকবনা অয়েন-অপাদনা চাওরবা চেক্কী য়ুম শাহনা পিশকী লিংবা পুংজরে। অরু-অহেন্নগী পোৎনা থমথরে, অবাং-অপা লৈথিংদরে। নিংশ্রায়বা ওম্নরোইদবা নুংঙাই-য়াইফবা ইমুং হায়বচু

ওইরক্রে। অরা'অনং কয়া খাংজরক্রবী যমুনাস্থ মুংঙাইজরে. যমুনানা মুংঙাই য়াইফনা লৈরবদা বেগেন্দ্র অমসুং ইমো পেনখরে। মত্তম অমদা থবং ভৎনা বারম্নবস্থ হৌজিক্তি যমুনা মতিক চাবা মুপা অহুমগী মরক্তা মনিং তম্না লৈবা লৈমগুম পানবা ভমজরে। চুম-শো পুম্নমক্ত মহায়া পান্নংরে। ওঝা চন্দ্রনা শাগৎচম্নবা বাখলস্থ মপুং ফাখরে।

অত্থবু লাইনদি অমা ভস্নী। নোংমদি অশম্না মুংঙাইনা পাল্লবা বেগেন্দ্রগী ইমুংদা নিংথেমচাগী ইমুংদা মমানা চেন্দুনা পুপ্রবা মচানুপীনা নাবগী পাও ফংলে। থোদোক কয়াদা হয়াও ভয়াম্না লৈরবা ইমুং অসিদা হম্না য়েংবিরুদ্রবী মুপী অসিগী মক্ষব চাওনা লৈ। ভৌইগুম্বসুং মচানুপীনা মশা ভমদ্রে হায়রফাওবদা মরিংজেল খাবা বেগেন্দ্রদি চৎলু হায়বা য়াদ্রে, ইমোস্থ মহৌশাগী মুংঙাইভবা থৌদোক অত্থ খল্লুবদা চৎলোই হায়রে। মচানা নারবদা মমা ওইবী অমনা বারমগদবা অত্থ যমুনা থংই। মরমসিদগী যমুনানা বেগেন্দ্রবু মচা ফাওবা মুংশিবা থংদবা মীমুংশি য়াওদবনি হায়না বারৌজক্রে। ময়াস্থং অমদি মনাওনা চৎলু য়াদ্রবদা থবক চিনবা পিশক্লা কুইনা ছদোকপিরবা মচানুপীগী ফিভম য়েংলুনবা নিংথেমচাগী ইমুং তান্না চৎখি।

মহৌশাদি নিংথেমচাগী ইমুংদা চংথোক চংশিন ভৌবা অসি লাইরবনিনা অসিগীস্থ মথক্তা মথোয়বু লাইরৈ নংই হায়না উশিৎ-পিদে থংবনা হঙ্গোয়রম্মী। হৌজিক্তি মথোয়স্থ ইনাক খুল্লবনা, অসিগীস্থ মথক্তা ইঞ্জিন্নিয়ার ওইরবনা মীওং য়েংনা মেংবা, মীওং য়েংনা লীথৎপা পিশক্লা মরাই হাইগৎনা নিংথেমচাগী ইমুংদা ওফিসকী জীপ্না থিল্লকুনা থুংলরে। মতিক চাবা মনাওবু মমায় পাক্লা হরাওনা বনমালানা ওকখি। চহি ৬/৭ তগী মতুংদা অম্নক চাওমা মুংঙাই-য়াইফবা অওনবা পুরকপা ইমুং অসিবু ফম্লিগী কল্লক্রম্মোইদগে? মহাক্লা অর্থাং কনখিদবগীদমক কম্নিগী

নিংঙমদবা পৌক্লোশদগে ? তশে নমক হৌজ্জিক্তি নহা ঙাক্তুগী ইমুং ওইজ্ঞরবস্থু বেগেন্দ্রগী ইমুং অসি চপ চানা নুংঙাইবা অমা ওইরবনি।

"পিশক, ইনাওদি উদবা কইরেপ্পা। ইঞ্জিনিয়ার সাহেব ওইরবনা য়াম্না নুংঙাইনা পাত্রে হায়বা ভায়, করম তৌরি অনা অম্বেক য়াওদেদনা—," বনমালানা ওকই।

"লাইগী থৌজ্জান্দগী য়াওজদে। পংপান পানবা হায়বত্নিদ ইতৈমা। অঙাংবু ঙমদে হায়রবু—"। "ফননা ঙমদবা নত্তেদা, নহাল নোংমা নিনিদি থরা কল্লুরে। শান্ত, ইমাগী শান্তা, পাবুং য়াইমা লাক্লে," হায়না কৌবদা হুপীমচা থোরকই। মচাহুপীবু 'পিশক্লা মুননা য়েংলগা,

"য়াম্না চাওরপোৎনিনা—," হায়না ফুংশিনা পমই অমস্থং "নংবু পাবুংগা লৈরুরসিদনা—" হায়।

"পিশক, নরাস্থুংবু নতৈমগী শক অসি শুকউমক উনিংদে, ইনাক্তা মিকুপ মফাওব লাক্লিংদে মচাসুপীসিবু অমুক্ত ফাওবা য়েংনিং-দে হায়বরো।", "ইতৈমা! আঃ য়াস্থু গী থবক থর।" পিশক্লা থুমই।

"থংলে, ইতৈমাগী পিশক। নয়াস্থুংগী পুকচেল ঐহাক থংই। ঐহাক্লা থজক্তিং লনথিবা, মহাক্লা ঙসিফাওবা নতৈমাবু ঙকপিন্দ্রেদো—," বনমালা মপি ভায়। "নখোয়না হুংঙাই য়াইফনা পানবদা ইতৈমা পেল্লে।" নতৈমগী মত্তৌ উবদা পিশক্লা হুংঙাই-ভনা হায়রকই,

"ইতৈমা, ঐখোয় য়াস্থুং—অসিনা। ইতৈমা নংবু য়াম্না চা-থকত্ৰবরা? নয়াংগা ইকং কংলে। করিনে৷ ইতৈমনা তৌরি-বসিবো।"

"চায়, থকই। অহুবু, বাখলগী লাইমল অসিনা ইতৈমদি পুল্সি ভেনগদৌরি—। "অম্বম্না বনমালানা অরাবা রারী কয়া হৌরক্লবদা মতৈমগী মত্তৌ য়েংবা ঙমত্রবা পিশক্লা মচাহুপীদা শেন

থুম্নচিংবা পিরগা, "ইতৈম্মা, চৎচরগে, মতুংদা অমুক লাকচগে" হায়রম্লগা মম্লমদা হল্লকখি। ময়ুমদা থুংলরবদা পিশক্না মতৈমা বনমালানা ওইহৌরিবা য়েংবদা ৱারবা ফিভম অত্থু ভয়ে। ভোইগুম্বস্তূং বেগেন্দ্রনা অমূকতংদা ওইরবস্থ চৎলুরগা মতৈমগী অৱাবা কোকহল্লুনবা ইমুং হুপ্না হায়জরক্ষাওবদা বেগেন্দ্রনা য়াবা লৈখিদরে। বেগেন্দ্রনা ময়াত্রবদা মী পুন্নমক্কী পাঙ্গল লৈখিদে। থাঙ্গশেংনমক বেগেন্দ্রনা মতু·মচা লোংদুনা লমচৎ নাইদবা অমগুম লেংনবা পামখিদে অমস্থুং হৌগ্রবা পুন্সিবু হল্লকহল্লগা ভং ভানা লৈরবা পুন্সিবুস্থ কায়হল্লিংখিদে। শন্না হায়রবদা, মতম হৌগ্রে, যমুনানা মনাক্তা লৈত্রিবৈংদা ওইরম্বা য়াবা পুন্নমক অত্থু হৌজিক্তি লোইথ্রে। বেগেন্দ্রনা অস্থুম্না চেৎনা থাজখি অমদি মীৱা·মীশা লাংদনা ইংনা লেনবা পামজখি।

অমরোমদা, ইমুংনা মওং চানা লৈরবনা পিশক্কী লুহোংবগী মরমদা থন্নখরে। মতিক চাবা কয়ানা পিশক্কী হুপী ওইনবা হায়রক্লবস্থ অচ্চাং ওইরিবৈংদগীস্তূ হুংশিনজরক্রবা, অসিগীস্থ মথক্তা পিশক্কী মহৈ ভম্বদা লমন চাওনা ভোনশিল্লবী নন্দিনিগা লুহোংবিরে। অরিকপা, ইনাক থুনবা নন্দিনিগী মপানস্তূ মতিক চাবা ময়া ফংলবদা অওং-অউন চাওনা ভল্লকখি। যমুনানস্তূ মনাগুম্ফুপীবু ভরাম্না ওকপিখি অমস্থুং পুকচেল খোয়ঞ্জেল ভিম্নমনা লোয়নখি। যমুনাগী চিকখোন-নাওখোন হৈবা, হৌন লোনচৎ ফজরবা, মীকৌ মীরম হুংশিবা অমদি চিং·লম্বা মতোদগী মীয়াম্না "লনলৈমা অমা লৈবদগী ওঝাগী ইমুংসে কোন্নুংগুমথ্রে" হায়না শোন্নখি। ভশেংনমকস্তূ, ইনাক থুল্লবনা নিংথিনা শেৎ·চাবগা মতিক ময়াই লৈবদা নত্তুনা যমুনা শক লুম্বা লেম্বস্থ হেনগৎলকখি। অমুক্তা মরম ওকপী, মবুক-মপাও ফবী মনাওফুপী অমগা লাক্রবনা বেগেনন্দ্রগী ইমুং থথন থনখি। মতম মদা সুপাঙাক্কুগী কণ্ডাওনবা ইমুং ওইরম্নবস্থ হৌজিক্তি মুপী হুপানা য়ংংয়ং লাওনা পাল্লবনা

চপ চানা সুংঙাইরবা ইমুং হায়বহু ওইরে। ভৌইগুম্বসুং রানা শেমগৎচরকপা মচাশিংনা নোংমদি অশুম্না সুংঙাই য়াইফনা পাল্লক-থিগনি হায়না খঞ্জখিবা ওক্তা চন্দ্রদি ইমুগী সুংঙাইবা য়াওবা নংখিদরে অমসুং পীক্লিভৈদগী রানা'নংনা হৌরকপা বেগেন্দ্রসু পুন্সি ভংথায় অমরোমদি সুংঙাইনা লৈবা ফংলকত্রে।

অচৌবা, অনানবা চেক্কী য়ুম্নি। পুম্নমক পুমহল হল্লি, পুমনৌ নৌরি। পিশক্লা লুহোংবা মতুংদগীদি মশানা ইরাং পাম্বা ওইনা হৌরকপনা অক্ল-অহেনগী পোৎনা কা থুদিংমক পিক থল্লি! নাল্লবা, লংলবা মরিক মরিকপা সুংনা থাবা লৈমায়গী মথক্তা মফম চানা চানা গালিচা থারি। থোং-থোংনাও ফিথলশিংনা লৈংভংলি। তসিগীসু মথক্তা রেদিও, তেপ রেকোর্ড, মখোয়গী নিনথোংবা, লাংবনা লুহোংবা নৌরিবা ইমুং অসিবু ইনৌত মৌহল্লি. ইসুংদা সুংঙাইহল্লি। অরাবা হায়বদো মশক খংদবমথৈ— শেন থুম মরাং কায়না শিজিন্নহনা অরাংৎঅপা খংদনা পাল্লি। সুংঙাইবা অসি অমুক্তা হেনগৎহন্দুনা মপুরোইবনা কুইনা থওইবিরুন্দ্রবী যমুনাসু মশা রাই শংলকত্রে। সুংঙাইবগী মথংদা সুংঙাইবা অমা মথং মথং লাক্তুনা বেগেনদ্রগী ইমুং অসি চাওখৎলকলি। বেগেনদ্র হৌজিক্কি মহাক্তা অহল ওইরে, অগল অমগী মখৌ ওইনা মনাও অভোনবা ইমোতোম্বীদগা মচিন মনাও চংনা মৃত্তিক চানা শেম্বারবদি মহাক্কী ভৌফম থোকপা পুম্নমক লোইরগনি.বেগেনদ্র সুংঙাইজখি। ইমোদি পিক্লিভৈদগী ইমুংগী সুপী শক্লা লৈরকপনা মাসুংশি হৈবান। ষরমসিনা মহাক্তি ডাক্তরগা চান্নগনি অশুম ভোরবাদ বেগেন্দ্র-১ অহল ওইরক্তুনা শিখি নাখিবা থোক্লবসু মচিন মনাও,মচা মশুশিং-না সুংঙাইনা পালহৌরগনি, বেগেনদ্রগী রাখলনা শাগৎলকখি। ভাইহাকী মসুংদা, চাওরবা, নাল্লবা, অথাবা ফিদা থারবা ফমফম কাগী সাফা চাকি মথক্ত ফম্না ফম্না বেগেন্দ্রগী মমিত্তা মচা মশুশিংনা মফি মরোল লান্না নান্না শেৎতুনা শান্নবা, চেন-চোংবা উরকখি।

মনাখো দা মখোয়না ঙাংবা-শকপা লাংবা-লাওবা তারকখি অঙাং শিংসিনা মখোয় মচিন-মনাও অহুমদগী কয়াদা খেল্লবা মহৌ অমদা হৌগদবা, কয়াদা মুঙাইনা ৱাংত-পাদনা মনিং থূংনা মহৈ মশিং তম-গদবা, শেংপা চাবা মনিং তমগদবা। বেগেন্দ্রনা মখোয় মচিন-মনাও অহুন্না পিন্না মনা অমম্তুং মপাবুংনা হুন্দোক্লম্লবদা মুপী থিদবা মপা-বুংগা লৈরকপগী মরৈবু নিংশিংলক্তুনা নিংশা মপি ফূইনা হোঞ্জখি। মচিন মনাওনা, মুপা ঙাক্লগা ওইবনা, চানিংবা কয়া চাবা ফংখিদবা, শেংনিংবা কয়া শেংপা ফংখিদবা কয়াবু খল্লুরগা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা চাং তম্নরুবদা হৌগ্রবা মচিন-মনাওগী পুন্সিপীদমক নিংঙমজ্জখিদে। অমুক্কা হেন্না, মখোয় মচিন-মনাওবু শেমনবা হোংনবদা ৱাক্সগ্রবা মপাবুংনা মখোয়গী মুংঙাইবদা মতম খরদং ফাও বাশরুক য়াবা ফংখিদবা অসিনি মীওইবা লাইবক্না তম্বনা অমনি।

অম্বুম্না ফম্লিভৈদা মনাও পিশক্কী কারোমদগী শক্লকপা রে-ডিওগী ঈশৈনা বেগেন্দ্রগী ৱাখলবু লেপহনখি। ঈশৈনা শক্লকখি, "থমোয় ঈথক হোনা, পিগী ভিক্ষা কচ্চরম্ব কাওরবোই—, ননিং তম্না পাইরিনি," অসিনচিংবা। মমিং-মনা ইৎক খন্না বেগেন্দ্র ক্ষম্লম্বদগী হোগংলি। কুইনা কাওথোকলুববী বনমালাবু নিংশিংলকখি অমম্তুং কুইনা হুন্দোক্লবী মচানুপীবুম্থ নুংশিরকখি। ঈশৈনা মথং মথং শকথরি, বেগেনদ্রদি তাদে, ৱাখলদা উংলি। মাগী ৱাখলনা শাগ্নরক্লি, নিংশিংলক্লি—বনমালাগা মহাক্কা থেংনথিবা মতম, মফম; পুন্নমক মমিত্তা উরক্লি, বনমালা অমম্তুং মহাক্না পাথং লৈশাবী ওইরিভৈগী মতম অমদি খোদোক, মথং মথং। হৌজিক মুংঙাইরবা, য়াইফববা মতম অসিদা বনমালাগা লৈ-মিননরম্লবদি—, বনমালানা কয়াদা পেঞ্জরমগবা! বেগেনদ্র ৱাখলনা মুংবংনৈ।

ৱাখলনা অমনি, মনাক্তা লৈবনা অমনি। বেগেনদ্রনা অরাবা ৱাখল অমদা লুপগ্রবদা হৌজিক্তি ইমুংগী য়ুম্বুরেনবী শক্না লৈরবী যমুনানা বেগেনদ্রগী মনাক্তা চংলকতুনা হায়রকই,

"ঈশৈং শকপ. অসিদগা য়ুম অসিদা লৈরবদি পুম্নমক ৱানরক্লোইদবা—।" যমুনানা বেগেনদ্রগী অৱাবা ৱাথলবূ থংবনা খম্বঙ্গরকপনি। যমুনাগী মতৌদা হুংশিরবা বেগেনদ্রনা নোকফেৎ তৌনা, তপ্না হায়রকই,

"যমুনানা, ওঃ যমুনা, নহাক্না ইনাক্তা ঙান্থোক্লবিরিবৈদা বেগেনদ্রগী কপ্পি অৱাবা লৈগদৌরিবনো?" বেগেনদ্রগী ৱাঙাং ভাবদা য়মুনা হাওনা নোকফেৎ তৌজখি অমস্থুং বেগেনদ্রগী মনাক্তা চাংশিন্দুনা লেপ্পী। মপুং ফারবা যমনাগী শকফম অমদি শাওংবূ থৱায় তানা য়েংলগা মুপী ওইবাগী থোৎলবা পূকনা তোংলপ তৌরকপতুদা বেগেনদ্রগী থুৎনা হুংশিনা লাল্লকখি। হঙ্গোইরবা যমুনানা লৈথোক্লুনা চৎকে তৌশিঃরক্লবদা বেগেনদ্রনা যমুনাবূ ফারগা চেজেৎ কোনশিনখি অমস্থুং চিংথতুনা সোফা মৎক্তা ফম্মিন্নহৌই। রেদিওগী ঈশৈনস্থূ তপ্না, নু·শিনা থো লি । লৈজেং কয়ানা মফম চানা চানা থম্লবা, ঙৌরবা, নাল্লবা ফক্লাংদা মথল কয়াগী, মচু কয়াগী,লাইশিং থোৎলবা, হুংশেলগী থো.-থোঃনাওদা মচু ফজরবা ফিগী য়ুথল থল্লবা.পাক-চাওরবা কা অতুদদি ইংনা চিক্লা লৈহৌই।

মনাদো দা মখোয়না ভাংবা-শকপা লাংবা-লাওবা তারকখি অঙাং শিংসিনা মখোয় মচিন মনাও অহুমদগী কয়াদা খেন্নবা মহৌ অমদা হোগদবা, কয়াদা নুঙাইনা রাংত-পাদনা মনিং থুংনা মহৈ মশিং তম- গদবা, শেংপা চাবা মনিং তমগদবা। বেগেন্দ্রনা মখোয় মচিন-মনাও অহুন্না পিরা মনা অমসুং মপাবুংনা হুন্দোক্লমবদা হুপী থিদবা মপা- বুংগা লৈরকপগী মরৈবু নিংশিংলক্তুনা নিংশা মপি ফূইনা হোঞ্জখি। মচিন মনাওনা, হুপা ভাক্লগা ওইবনা, চানিংবা কয়া চাবা ফংখিদবা, শেংনিংবা কয়া শেংপা ফংখিদবা কয়াবু থল্লুরগা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা চাং তম্নরুবদা হৌথ্রবা মচিন-মনাওগী পুন্সিগীদমক নিংঙমজখিদে। অমুক্কা হেন্না, মখোয় মচিন-মনাওবু শেমনবা হোংনবদা রাজথ্রবা মপাবুংনা মখোয়গী নুংঙাইবদা মতম থরদং ফাও- বাশরুক য়াবা ফংখিদবা অসিনি। মীওইবা লাইবক্না তম্বনা অমনি।

অমুম্না ফম্লিবৈদা মনাও পিশক্কী কারোমদগী শক্লকপা রে- ডিওগী ঈশৈনা বেগেন্দ্রগী রাখলবু লেপহনখি। ঈশৈনা শক্লকখি, "থমোয় ঈথক হোনা, পিগী ভিক্ষা কচ্চরম্ব কাওরবোই—, ননিং তম্না পাইরিনি," অসিনচিংবা। মমিৎ-মনা ইৎক থরা বেগেন্দ্র ফম্লম্বদগী হোগৎলি। কুইনা কাওথোকলুরবী বনমালাবু নিংশিংলকখি অমসুং কুইনা হুন্দোক্লবী মচানুপীবুসু নুংশিরকখি। ঈশৈনা মথং মথং শকথরি, বেগেনদ্রদি তাদে, রাখলদা উংলি। মাগী রাখলনা শান্নরক্লি, নিংশিংলক্লি—বনমালাগা মহাক্কা থেংন- থিবা মতম, মক্ষম ; পুম্নমক মমিত্তা উরক্লি, বনমালা অমসুং মহান্না পাথং লৈশাবী ওইরিবৈগী মতম অমদি থোদোক, মথং মথং। হৌজিক মুংঙাইরবা, য়াইফরবা মতম অসিদা বনমালাগা লৈ- মিননরম্নবদি—, বনমালানা কয়াদা পেঞ্জরমগবা ! বেগেনদ্র রাখলনা মুংবংনৈ।

রাখলনাঅমনি, মনাক্তা লৈবনা অমনি। বেগেনদ্রনা অরাবা রাখল অমদা লুপথ্রবদা হৌজিক্তি ইমুংগী য়ুম্বুরেনবী শন্না লৈরবী যমুনানা বেগেনদ্রগী মনাক্তা চংলকতুনা হায়রকই,

"ঈশৈ শকপ৷ অসিদগা য়ুম অসিদা লৈরবদি পুম্নমক ৱানরৱোইদবা—।" যমুনানা বেগেনদ্রগী অৱাবা ৱাথলবূ থংবনা খম্বঞ্জরকপনি। যমুনাগী মতৌদা হুংশিরবা বেগেনদ্রনা নোকফেৎ তৌনা, তপ্না হায়রকই,

"যমুনানা, ও: যমুনা, নঙাক্না ইনাক্তা ঙান্থোক্টবিরিবৈদা বেগেনদ্রগী করি অৱাবা লৈগদৌরিবনো?" বেগেনদ্রগী ৱাঙাং ঙাবদা য়মুনা হাওনা নোকফেৎ তৌজবি অমসুং বেগেনদ্রগী মনাক্তা চাংশিন্দুনা লেপ্পী। মপুং ফারবা যমনাগী শকফম অমদি শাওংবূ থৱায় ঙানা য়েংলগা মুপী ওইবীগী থোংলবা পূকনা ঙোংলপ ঙোরকপত্রদা বেগেনদ্রগী থুংনা হুংশিনা নাল্লকখি। হঙোইরবা যমুনানা লৈথোক্তুনা চংকে তৌশিঃরক্লবদা বেগেনদ্রনা যমুনাবূ ফারগা চেজেৎ কোনশিনখি অমসুং চিংথত্নুনা সোফা মংক্তা ফমিন্নহৌই। রেদিওগী ঈশৈনস্থূ তপ্না, হু'শিনা খো লি । লৈজেং কয়ানা মফম চানা চানা থম্নবা, ঙোরবা, নাল্লবা ফক্রাংদা মথল কয়াগী, মচু কয়াগী,লাইশিং থোংলবা, হুংশেলগী থো-থোংনাওদা মচু ফজরবা ফিগী য়ুথল থল্লবা পাকচাওরবা কা অতুদদি ইংনা চিক্লা লৈহৌই।



তরাশুবা তাঙ্কক

অরোইবা তেংথাবা

মতম্না চংশিবনা যানুনাগী মকুমনাথা শুরকতুনা মনিংতা নিংথিজরবা নুপা মচা অমা উবা ফংজরে। নুপীগী শাগৈ য়াওদবা মচিল মনাওগী মরক্তা নুপা পামজবনা বেগেন্দ্রদি শাওশিন্নে। মবুংগা মাগদা পোকচবী যম্নাংলি মচানুপা অমা ফংলবদা হরাওবগী লমথৈ লৈখিদে অমসুং পিবা অমা পোক্লবনা বেগেন্দ্রগী ইমুংদসু ফিভম চেংনা চাওথোরা লৈবা ঙমজবগনি। নুপা 'পাক্লবদি মালেম কে'য়হনগে খনবা পিশক্কী অনিংবস্থ থুংখরে। মতৈমা অমসুং অঙাংগীনি হায়না লৈরকপা হিদাকলাংথক, ফি রোলনা থনখরে। পুন্নমক নৌরিবা ইমুং অসিদা অমুক্কা অঙাং নুপা অমগা হাপচিল্লবদা পূন্নমক হরাওনখি। ফিরেপক্কম অমা থংনা নুংঙাইরক্লবা ইমুং অসিনা নুংঙাই য়াইবগী মশক ওইবা অঙাং অসিগীদমক চাওনা ঈপাল নুংপাল পাংথোকখি।

অশেংবমক, হৌজিক্তি নহা ঙাক্কগী ইমুং ওইজরবসু ইমুং অসি নুংঙাইবা ইমুং অমা হায়বতু ওইরবনি। মপাবুংনা লৈথিদবঙৈগী তূদা পিশক্না ইঞ্জিনিয়ার ওইরক্লে, মযুম মকৈ চংখোননা, চাওনা শারে, লুহোংলে অহুদগী অমূক অঙাং নুপা অমগা ফংলে। হরাওবা নুংঙাইবা মরি মরি ফংলে। মনাওনা সরকারগী ফম অচৌবা পাযত্তুনা শেন থুম খরা কোমজরক্লবদা বেগেন্দ্রসু শাফুজরক্লে। মানা পামজবা লাইরিক ইবা, ড্রামা হুংমা তৌত্নুনা মতম লেনবা ফংজরে। মখোয়বু হোৎনবদা ব্রাজরবা ময়াম্মুংবু পিশক্না অপাম্বদা তৌত্নুনা নুংঙাইনা লেঞ্জসনু হায়না থাদোকখি। অম্মুন্না থ খোকপিরবা বেগেন্দ্রনা মনিং তম্মা মমাননবা মরক ভিনবা ফংজখি

অমস্তূং লমদমসিগী লাইরিক লাইশু হৈবা ময়ামগী মরক্তা মকম অমা ইমু বু মী চং হেনগংহনধি। তশেংনমক হায়রবদা বেগেন্দ্রগী ইমুংগী লৈবাকনা শক থংনবিরকপা অসে শেনথুম পায়বনা নত্তে, বেগেন্দ্রগী অইবশিংননি।

অম্বুম্না নুংঙাইরবা ইমুং অসিদা নোংমা হুমিদাং অমদা ইমোতোম্বীনা মতৈমা অনিদা ফাগ তোবিদুনা হায়বী, "ইতৈমা যমুনা, নহাক্না নগান্নুপা অমা পোকবনা লেমরেল কারে; সনাগী তাংবলদা তম্ফাগী লুহুপ উপ্পুনা ফম্বা য়ারে।" অমুম্না মতৈগা নন্দিনিদা "মনাও ইবুংঙোগী লৈমা, নংনা মুপা ঙাক্তা যাইবোক পোকপা ঙম্নবদি লৈমরেল হেনবী কারেদনা—." হায়না লক্কবীবদা অহুম্না রা রা নোকমিন্নৈ। ফাগি অসিদা যমুনানা, "ইমোতোম্বী, নখোয় য়াম্বুংগী মচাহুপী অহল অদুবু ঐখোযবু অমূক্তা উহল্লু হায়বনি।" মসি তাবদা নন্দিনিম্বু, "হোয়নে ইমো, ঐখোয়না সিদা ঙা নরিবসে খ্বায়গী মদে অমদি ঐখোয়গা ইরক্তা যাওদ্রিনে—," হায়। "মমাহুগী খল্লুববদি নুংশিদে, অদুবু নুপামচা অদুবূদি ঐখোয়গী নিংঙোন্নিনা কযা নুংশিবা।" ইমোনা হায়। মখোয়না বারী শারিঙৈসিদা বেগেন্দ্রম্বু মতং চানা চংলকই, চংলকপগা মখোয অহুম্না বারী শারম্বা উবদগী হা রকঙ্গ, "চিত্রঙ্গাদা শাবা অদুনা আর্জুনগা কাযনবা মতাং অসিনা থাঙ্গেংনা বান্থরকতুনা কয়া লাক্রবরা—।" অদুবু ইমোতোম্বীনা, "চিত্রাঙ্গদা ভাওবা অমম্বু লাকএ, ইতৈমা অহল নহাকসে নরাইবক থিগদোব্রিদা—," হায়রক্লবদা বেগেন্দ্রনা হায়রকই,

"ইমো লীলাগী বানি; লীলাগী বনি।"

"লীলানি হায়ববুদি থংবা, চানখিবা চিত্রাঙ্গদা মানবী ইতৈমা বনমালাগা—," ইমোনা হায়।

"অশেংবনি, ইচানুপাহুবূ ফনম্বু চাওরে হায়, ঐখোয়বু অমুক্কদি উজগে, য়ারবদি লৈনিন্নজগে, মমা মচাগা পুম্না লৈমিন্নরবস্তূ ঐদি

করিশু হায়জরোই," যমুনানা হায়।

"হোয়নে, ইতৈ ইবুংঙোহোয়না অতুক চাওরবী অঙাংহুবু হন্না য়েংদনা লৈবা চুমদমাল্লে। ঐখোংনা শুংঙাই-য়াইফনা লৈংথোক্লে, মহাক্না কমদোরিবা? ফত্ত-শুংদা থোক্লবদি কারিশু য়ারক্লোই," নন্দিনিস্ য়াওরকই।

"চুম্মী, অঙাংদো— !" বেগেনদ্রনা শোনখি। "ঐনা হৌজিক শুংঙাইনা লৈরে। বনমালা, নমা-নচানা কমদোরিবা?" বেগেনদ্র ৱাখি। "অদো পিশক্না ভান্নরগা নখোয়না থোকপা তৌ—," হায়রম্লগা বেগেনদ্র ৱাখল থন্না মাগী কাদা চংখি। ৱাকম অসি পিশক্লশু চুম্মী হায়বদগী মচান্নপীবু লৌরুনবা ভানখি। মথংগী নুমিত্তা লৌরুনবগীদমক ৱা লেপ্লখি অমসুং চাক-ঈশিং চারবা মতুংদা মাগী মাগী কাদা তুম্নখি।

বেগেনদ্রনা তুমথবগা বনমালা অঙৌবা ফিজোল শেৎতুনা চংলকই। মহাক্না চলকপবু বেগেনদ্রনা শুংশিনা কৌবিন্থনা ওকই, "বনমালা নহাক লাক্লবরা? লাকও ও ননিং ভম্না ইনাক্তা লৈভরলাকও।"

"ঐহাক্তী নঙে ন্দগী চৎনবগী য়াথং লৌগে হায়না লাকচবনি। ঐহাকপু চৎননবা ইবুংঙোনা য়াথং পীবিবোনে," বনমালা হায়।

"কদায়দা চৎকদোরিবনো, বনমালা। লাকওনে নহাক ঐবু ৱারোরগনু। ঐনা নংবু শুংশিনা কোল্লগা পেঙ্গরগেনে থমোয়সে," হায়না বেগেনদ্রনা মগুৎ তিংথোক্লগা হোগৎলকপদা বনমালানা তুংহন্দোকই অমসুং হায়রকই,

"শোকপিরক্লগন্, ন্‌শিবা। হৌজিক্তি নং-ঐগী পুন্সি তোঙাল তোঙাল্লবনি। ঐনা চৎত্রিভৈ লোশিনবিহোররো নং ঐগী ন্‌ংশি থুদোল নৌরিবী ইচাসে। শিন্নজরম্লবনিকো থুবাক্তা। ঐমক্তি থন্না নংশিনা তৌবিয়ুকো ইবুংঙোনা, মতুদদা ঐগী নিংবা থুংবা ওইজগেকো। হৌজিক্তি—,পীনবিরোনে নয়াথংদো, পাম্মুবা,

লাওনা হাংদ্বুনা লৈরেনে থোংজাওসে—," হায়না বন লা তুং হন্না হন্না থোকখি। বেগেনদ্রনা, "চৎখিগন্‌, চৎখিগন্‌, এঙোন্দ না নহাক চৎখিগন্‌" হায়না তান্নৈ, বনমালানা পাইবদৌনা লাপ থোকখি, চৎনা চৎনা বনমালানা ঈশৈ ওইনা, "চংচরগেকো ননাওদি লাইরমলেন্দা, হন্‌ক মপোক লা ওন্দ্রদি ঙম্নমদ্রেকো নান থুংহনবা। মথংগী মপোক লাংওন্দা, ইবুংঙোগী মেথা ফঙবা পী- নবীয়ুকো নহাক্না, চৎচরেকো, চৎচরে—," বনমালানা চেনবদা বেগেনদ্রনা তান্নৈ, কৌই, "বনমালা, কদায়দনো—?" বনমালানা তামথ্রবদা বেগেনদ্রনা, "বনমালা!" হায়না খংলাও লাওরকখি। মহাক্না খংলাও লাওবদা ইমুংগী মী পুন্নমক্না মঙাকনরে হায়না বেগেনদ্রবু কৌনরকখি। বেগেনদ্রনস্তু, "ইস করি মভোনো," হায়না মিকপ থোকখি। ময়াম্না করি তৌবনো করি মংনো হায়না হংনরক্লবদা দেগেনদ্রনা মাগী মমং লৌখি। ময়াম্না তুম্নমদাইদা বনমালাগী ব্রারী শাবনা বনমালাগী মং মংলকইবনি, মংগ্রেম- হাগ্রেম্নবা হায়বহুনি হায়না ময়াম পুন্নমক মাগী মাগী কাদা অমুক্না তুম্বা চংনখি।

তৌইগুম্বমুং বেগেনদ্রদি তুজুংলবা, থরায় নুঙাইত্রবা মং অসিনা তশেংনমক অমুক তুমথবা ঙমহনখিদে, তুমগদবা কিজ্রখি। মমিত্তা বনমালানা ফিঙৌ শেৎলগা লাক্কুনা চৎনবা য়াথং লিরবা অহুতবু উহুনা লৈরকখি। মনাকোংনা বনমালানা মচানুপীবু শিন্নরম্বা অমদি মানা ঙাংলম্বশিং অহুতা তারকখি। মাগী ব্রাখলনা মামা মচাহুবু করি অৱা-অনা তারবনো হায়না বেগেন্দ্র কন্না চিংনরকখি। অসুম্না, তুম্বা য়াদনা ব্রখল থৌনা লেল্লকপদা নোং ঙানবা থংহৌখিদে। থংহৌদনা ব্রাক, চরোইনচিংবা য়াহৌ ঙনবী উচেকশিংনা নোঙাগ্রে হায়বা তাক্রক্লে। নোংঙাল্লকপদা বেগেন্দ্র হরাওরে তাইবং শেন্না মপুদা অশোয় অঙাম থোকহনবিগনু হায়না ফমুংদগী হৌগৎলকপদা মপান্দগী শোঞ্জেন অমনা কৌরকই, "কনা

কনা লৈবগে ?" "কনা ওইরবনো—," হায়না বেগেন্দ্রবা থোং হাংদে কপদা পাথং মচা অমা ফিংনা লৈবহু উরে। মুপা মচাহুনা হায়রকই;

"তাদা বেগেনদ্র, ভাদবু কৌবা লাকপনি। ইচে বনমালাদো অনাবা হুভাইতে। মহাক্না ভাদবু অমুক্তা উনিংই হায়না ভাদবূদা শোন্দুনা লৈতৌরে।" বেগেনদ্র ভোফম খংখিদে, মচিগদি, "বন-মালা! শোয়বরোই, শোয়ররোই, নহাক্না ঐবু কৌরম্লগনি।" হায়না ভাইহাক্নী মমাংদা মংখিবা মংবু খল্লগা শোল্লকখি। ইমুংগী মী পুম্নমক্না হৌগৎলকতুনা বনমালাগী ফিভম হংনরে। বনমালানা নোমা নিনিগী মমাংদগী মশা ভম্মকথিদবনি। মহাক্না থংকন কন্না ভম্মক্তবদি হৌথিবা অহিং অসিদগীনি হায়বা থংলে। বেগেনদ্রগী ইমুংগী মী পুম্নমক মথৱায় হুংভাইনদ্রে, মরমদি মতম অস্তুক কুইগ্রবসিফাওবদা বনমালাগী মহম হ নরকত্রবদা লাইনা ইমশিল্ল-কপগুম ভরাং হুমিদাংদনক হংনরকখি। ইমুংগী মী পুম্নমক্না বনমালাগী খৱায়না ইমুংসিদা লৈবনা অৱাঅনা তারবদা নিংশিং-হনবনি হায়না হুংনাংনখি অমসুং বনমালাগীদমক অৱাবা ফোং-দোকনখি।

খিন্দনা, বেগেনদ পাগা মচাহুগী মতুং ইন্না লাকপনা নিংথেমচাগী থোঙ্গাল যৌরকই। ইমু অসিগী থোঙ্গাল য়োরকপদা মীকপ মীরাওখোন তারে। বনমালাবু কৌহুনা মুপা অভাংশিংনা কপ্নরম্বা উরে। শুমাংগী খাংডেমফমদা শং থন্দুনা লৈ, ইমুং মাঙ্গোল শুকথরবা মীশিংনা পিক থন্না লৈ। বেগেন্দ্রনা চখিবদা মযাম্না মঙক হাইগৎতু য়েংনরকই, ৱাদি অমশো কন্না ভাংনখিদে। কনা-গুম্বনা মুরুম মুরুম শোম্নবদি য়াওখি—কনাগী মরালনো হংনবগী পাওখুম কনানসু থম্বা ভম্নখিদে। বেগেন্দ্রবু ইমুংদা লেংদনা হিপ্পবী বনমালাগী মনাক্তা পুশিল্লকই। বনমালানা তৌরম্লিবা মতৌ অসি উবদা ইভক ভক্রবা অমসুং থমোয় কায়রবা বেগেন্দ্রনা, "বনমালা,

নংনা তৌরম্লিবা অসি করিনো ?" হায়না বনমালাগী মনাক্তা ক্ষমথখি। নিংথিরবী, ঙুংশিরবী বনমালাগী পারবা হকচাং, ঈ য়াওদবা উনশাতনা কুপ্পবা মাইথোং, থুৎ শা পুম্নমক উবদা থাংবা ঙমদ্রবা বেগেন্দ্র মমিত্তগী পিরাংনা তপ তপ তারকখি। বেগেন্দ্রগী মখোল তারবদা অমসুং বেগেনদ্র লাক্লে হায়না তাক্লবদা কুৎলবা বনমালাগী মিংনা তপ্পা য়েংখৎলকখি। বেগেন্দ্রবু উবদা মমিত্তা পিনা থুম্নকখি অমসুং শোননা হায়রকখি, "ননাক লাক্লবা—!" "লাক্লে, ঐহাক লাক্লে, নংনা তৌরম্লি া অসিবু করিনো ? নহাক্না ঐহাকপু ঙাকপিরেনে—, বনমালা -." বেগে ন্দ্র হিক হিক কপই।

"কপ্পগনু," বনমালানা খুম্মকই। "ইমাগী ইবেম্মা, নপাদুংনা নংবু লৌবা লক্লে—।" মচানুপাবু কৌরকই। পিক্লবা শানাবু মপাগী মনাক্তা পুশিল্লকই, বেগেন্দ্রনা "ইপাগী ইবেম্মা, নমাগা তে রিবাসবু করগে া." হায়না মচানুপী চেংনা কোনশিল্লগা কপচখি। মপ ৽মচাগী মত্তৌ উবদা বনমালা পেননা মোংমান নেংকংখি। হায়রকখি, "শ ন ম্লবি কো নথুনা, ননাইবু ব্রৌ বাম্নুকো।" ময়াম পুম্নক্না মনা মপা৽মচা অচু না কায়নবগী বুকৈদা থমোয শোক্না কপ্পখি অমসুং মথমোয় পেননা অরোইবা ব্রায়া শাক্তরসনু হায়না মপান্দা পোক্লখি।

"বনমালা, নংবু অশেংবরনে, নংবু অশেংবরনে —," বেগেন্দ্রনা থাক্তদনা হংজে।

"হাঞ্জরম্মগে, ননাং থানা। ঙপী ওইবগী লেংদবা মি চংতো পীনবিরোনে—," বনমালানা হাংরকই, বেগেন্দ্রগী নাকোংদা বনমালাগী ঈশৈ তারকই, ঈশৈনা পুম্নন নিল্লকই।

"ওঃ বনমালা ! কৌরগেকো ঐহাক্না শঙ্গীতমালা ! লৈহৌরনিদো নংগী ঈশৈনা নাকোংসিদা ঙংহনা লোয়বা নাইদনা। নিংঙমহৌদেদকো থমোয়সে," বেগেনদ্র কপই।

"মু শিবা! ঐনা নংব মুংশিঙ্কখিবদো — !" বনমালাগী কংলবা চিনবাননা মে'মোন নোক্লকই। "নং ঐগী মুংশি ঈশৈ, ঐসু তারি। লৈহৌরসমু নং ঐগী মুংশি ঈশৈনা মুংপা নাইদনা। লাইবক থীবী ঐহাক্কি পুন্সিগী পোলোয় য়ৌরেদো, হাঞ্জরমগে পীনবিরো নযাথং" ঈশৈনা হৌনা হৌনা ত'রকই। বেগেনদ্র মকোক ঙাওবনা মশা হায়রকই, খোঞ্জেন তপ্পা হায়রকই,


"পুবা ঙমদে থমোযসে, হাং ঐগী শঙ্গীতমালা। লাও, নমা' নচাব পম্লগে, অদু দা পেলহৌবগে কা' য়ুসে," হায়না বেগেন' দ্রনা বনমালাবু কান্নথংলগা মমা মচাবু পমই, "রাজৈ' মুবো বনমালা ঐনা মু শিন না নংা: পঙ্গসিন' পেনথ রাকো নহাকসু ঐগী শঙ্গীতমালা।"


"পেঞ্জরেকো ঐহাকসু—," হায়না শ'ননা ম'মে'ন তৌনা বনমালানা, হমই। হম্লা খুম্লা মপুরোইবা অমসুং মচাক চিনা য়েংলম্লগা বনমালা করোইবা ওইনা মমিৎ উইশিনখি। মাগী মতৌ'সিদা বেগেনদ্রনা, "বনমালা!" "হায়না কননা কৌরকখি অমসুং "চংলবোই নহ'ক্কি, ঙাইরম্মুকো নহাক্কা ঐহাকপু," হায়না বনমালাগী হকচাংবু কোল্লগা কপকখি। অদুবু ময়'ম চংলকতুনা বেগেনদ্রগী তম্পা'ক্তা বনমালাগী অশিবা হকচাংব লৌথোকখি। মাকপথোলতনা ইমুং অদু মক্ষম থ দনা লাংখি। ইঙাও ঙাওরবা বেগেনদ্রনা মচানুপাবু পম্লগা মপান থোবকখি। বনমালাগী অশিবা হকচাংগী মতুং ইননা তুরেনগী তোর্বান য়ৌরকই। তোর্বান যৌববদা অশেম্বা শিংগী মথক্তা বমমালাবু হাপকৎখি। ঙাইহাক্কী মমুংদা মৈ চুথংলকখি। মাইকৈ খুদিংদগী বনমালাগী ঈশৈবু বেগেনদ্রগী নাকোংদা তারকখি, ঈশৈগী ঈপোম্মা মৈরিলক অতিয়া তম্না পাইরখরি, অতিয়া পুম্বা ঈশৈতনা পুমনিন নিনখরি। ঙরং ঙরং চা'ক্রিবা মৈরিবু মমিং কুপ্তুনা য়ে'তুনা বেগেনদ্র মচাবু পম্লগা তরংদা লেপ্লি। মমিংনা ঙাংলবা মরীগী মরক্তা ফিজোল

অঙৌবা শেৎতুনা বনমালানা নোকমি নোকমি তৌনা (উরকই। অতুদগী বনমালানা, "চৎলগেকো, লৈহৈরোকো মুংশি নপা-নচা," হায়না মথুৎ হাইনা হাইনা, মোমোন তৌনা (মরক্তা পাইখৎলকখি। বনমালা ৱাংনা পাইখৎখি, ৱাং(মমি শামি ওইনা উরক্লবদা, "চৎলোকো, বনমালা, চৎলোবে হায়না বেগেন্দ্রনা মমিৎনা নোংথক্তা য়েংখংলগা লাওরক

মচানুপীবু পম্লগা বেগেনদ্র তৌফম খংদনা বনমালাবু চ মৈরীগী মমাংদা লেপহৌই। মালেম অসিনা বনমালাগী ঈ নিলহৌই। খংহৌদনা থা, থৱাম্মিচাক, মুমিৎ থোক্লকখি। লৈরাংমু নোংদোনথক্তা শাৎকায়রকখি পোম্বী চেক্লাশিংনা মু ঈশৈ শকহৌখি। পাৎ, পুখ্রী, থোংবানগী ঈশিংনা ঈচেল নাইর শাংঙমদ্রবা মালেম লৈমনা তনিক তনিক্লকই। ৱারিসিদা মীও(তেংথাহৌই।

লোইরবা।





খেগেন্দ্রনা মুপী অহুম থেংনহ্নবা মবুক চেৎপী মুপীগা পুন্সি লেনখি। তৌইগুম্বসুং ঈশৈ হৈবী বনমালা—শঙ্গীতমালা—গা কায়নবগী মৈচাক্তদি পুন্সিগী লাইমল ওইহোখি।

অইবনা চহি ১৬/১৭ গুরকপদা ইখিবনা মাহৈ মাওা পাওদবা য়াওই। লাইব্রিক অসি ইডুকেসন দিপার্টমেণ্ট, মনিপুরগী শেনগী মতেং য়াওনা নমজবনি।

—অকোংবা।

মমল লুপা ১৬ ভনি।